# অনৌবা মণিপুরী ৱারেং-শৈরেং

এম. আই. এল. ফার্স্ট ইয়ার হাইয়ার সেকেণ্ডারী ক্লাশ

**খোমজিনজবা-**

ঙারিয়ানবম ইবেতোম্বী

থেঙ্গুজম কালাচান্দ

অক্রম ড° চন্দ্রমণি

ওইনাম নয়নমণি

**আসাম হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন কাউন্সিল**

**গুৱাহাটী**

**ANOUBA MANIPURI WARENG-SHOIRENG :** *A textbook of Manipuri MIL, for Class XI, prepared/approved by Assam Higher Secondary Education Council and published by the Assam State Textbook Production and Publication Corporation Ltd., Guwahati.*

**FREE TEXTBOOK**

© Assam Higher Secondary Education Council

First Edition : 2010
Second Edition : 2013
Third Edition : 2018

**ALL RIGHTS RESERVED**

- No Part of this publication may be reproduced, stored in a retrieval system or transmitted, in any form or by any means, electronic, mechanical, photocopying, recording or otherwise without the prior permission of the publisher.

Printed on 70 GSM paper

Cover paper 165 GSM

Cover artist Bhaskar Jyoti Dutta

Published by : The Assam State Textbook Production and Publication Corporation Limited, on behalf of Govt. of Assam for free distribution.

Prepared by : Assam Higher Secondary Education Council, Bamunimaidam, Guwahati

Printed at : **Matribhumi Offset**
Dhirenpara, Guwahati-25

# ভূমিকা

সময়ের পরিবর্তনের সঙ্গে আমাদের ছাত্র-ছাত্রীদের এগিয়ে যাওয়ার জন্য তথ্য সম্বলিত পাঠ্যক্রমের ব্যবস্থা করা অসম উচ্চতর মাধ্যমিক শিক্ষা সংসদের কর্তব্য। জ্ঞান বিজ্ঞানের সকলদিকে যে অভূটপূর্ব অগ্রগতি হয়েছে তার সঙ্গে সঙ্গতি রেখে শিক্ষার যে কোনো স্তরে পাঠ্যক্রমের সংশোধন এক অবশ্যম্ভাবী প্রক্রিয়া। বিশ্বায়নের এই যুগে আমাদের ছাত্র-ছাত্রীরা যাতে সর্বভারতীয় বা সমগ্র বিশ্বরে পর্যায়ে প্রতিযোগিতায় অবতীর্ণ হতে পারে এবং একই ধরনের জ্ঞান আহরণ করতে পারে সেই উদ্দেশ্যে শিক্ষা সংসদ ২০১০-২০১১ শিক্ষাবর্ষ থেকে পাঠ্যক্রমের সংশোধন করেছে। এই সংশোধন রাষ্ট্রীয় শৈক্ষিক গবেষণা ও প্রশিক্ষণ পরিষদ দ্বারা তৈরি করা রাষ্ট্রীয় পাঠ্যক্রম পরিকাঠামো ২০০৫ (National Curriculum Framework- 2005) -এর অনুসরণে করা হয়েছে।

বইটি বহুসংখ্যক ব্যক্তির এক সঙঘবদ্ধ প্রটেষ্টার ফল। অসম উচ্চতর মাধ্যমিক শিক্ষা সংসদের পক্ষ থেকে সম্পাদনা সমিতির সকল সদস্যের সঙ্গে সঙ্গে পাঠ্যপুথি প্রস্তুত সমিতির প্রতিজন ব্যক্তিকে আন্তরিক ধন্যবাদ জ্ঞাপন করি। এই বিষয়ে বিজ্ঞজনের কাছ থেকে গঠনমূলক পরামর্শ সংগ্রহে কামনা করি, যাতে পরবর্তী সংস্করণসমূহ আরো উন্নতভাবে প্রকাশ করা যায়।

কমল গগৈ
সচিব
অঃ উঃ মাঃ শিঃ সঃ

বামুণীমৈদাম,
গুৱাহাটী- ২১

# ৱাহৌদোক

আসাম হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন কাউন্সিলনা শিন্নবিরকপা মতুংইন্না 'অনৌবা মণিপুরী ৱারেং- শৈরেং' (এম. আই. এল. ফার্স্ট ইয়ার সেকেণ্ডারী ক্লাশ) কৌবা লাইরিক অসি পুথোকচরি। লাইরিক অসি National Curriculum Framework- 2005 গী গাইদ লাইনবু কুপ্না খন্নজরগা মসিগী মতুং ইন্না পুথোক্লবা হোৎনজৈ। হান্নগা তম্লরম্বা লাইরিকশিং, কাউন্সিল অব হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন, মণিপুরনা ফোংবা 'অপুনবা মণিপুরী ৱারেং শৈরেং' (এম. আই. এল. ক্লাশ- XI অমসুং XII) লাইরিকশিং অমসুং আসাম হাইয়ার সেকেণ্ডারী এডুকেশন কাউন্সিলগী অতৈ তম্নালাইরিক মরূ ওইনা অসমীয়া অমদি হিন্দিগী সিলেবসনচিংবা কয়াসু নৈনজখি। অনৌবা সিলেবসকা চান্নবা, মহৈরোইশিংনা খঙবদা কান্নগদবা হীরম কয়াবু খন্নজরগা লাইরিক অসিদা হাপচরি। লাইরিক অসিনা মহৈরোইশিংদা খরদং ওইরবসু কান্নবা পীবা ঙমলবদি হোৎনজমনগী মহৈ যাল্লে হায়না লৌজগনি।

ৱারেং, শৈরেংশিংদা শিজিন্নরিবা বনান অয়াম্বা অইবা, অইবী মশা মশাগী অদু অদুম থমজরি। অদুম ওইনমক বনাননচিংবা অতৈ অশোয় অঙাম য়াওরম্বা থোক্লবসু তাকপীগনি। মদুপুম্বা মথংগী খূৎনমদা চুমথোক্লবা হোৎনজগনি।

খোমজিনজরিবশিং

# ভারতীয় সংবিধান

## প্রস্তাবনা

আমরা, ভারতের, জনগণ, ভারতকে একটি সার্বভৌম, সমাজ তান্ত্রিক, ধর্মনিরপেক্ষ গণতান্ত্রিক সাধারণতন্ত্র হিসেবে গড়ে তুলতে সত্যনিষ্ঠার সঙ্গে শপথ গ্রহণ করছি এবং সকল নাগরিকের জন্য সামাজিক, অর্থনৈতিক এবং রাজনৈতিক ন্যায়বিচার, চিন্তা. মতপ্রকাশ, বিশ্বাস ধর্ম ও উপাসনার স্বাধীনতা মর্যাদা ও সুযোগ সুবিধার সমতা সৃষ্টি; সকলের মধ্যে সৌভ্রাতৃত্বের ভার গড়ে তুলে ব্যক্তির মর্যাদা গড়ে তোলে ও জাতীয় ঐক্য ও সংহতি সুনিশ্চিত করার জন্য আমাদের গণপরিষদে আজ ১৯৪৯ সালে ২৬ শে নভেম্বর এই সংবিধান গ্রহণ ও বিধিবদ্ধ করছি এবং নিজেদের অর্পন করছি।

## য়াওফম তাকপা

### অহানবা শরুক


| | হীরম | অইবা | লামায় |
|---|---|---|---|
| ১। | তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিল্লু, নোম্মু তনগনু | খ্বাইরাকপম চাউবা | ১-৭ |
| ২। | শান্নবদা মণিপুরীশিং | এল. অজিত | ৮-১৫ |
| ৩। | নহারোল অমসুং এইদ্‌স | ড° খোমদোন | ১৬-২১ |
| ৪। | মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান | এলাংবম সোনামনি | ২২-৩৪ |
| ৫। | সাহিত্য | দ্বিজমণি দেবশর্মা | ৩৫-৪৪ |
| ৬। | কম্পিউটার | এ. চূড়ামনি | ৪৫-৫১ |
| ৭। | অৰাং নোংপোক ভারত্তা ঐখোয়গী মীৎয়েং | য়ুম্নাম মণিধন | ৫২-৫৯ |
| ৮। | নুপীগী শিক্ষা অমসুং সমাজদা মখোয়গী থাক | এল. ভারতী সিং | ৬০-৬৭ |


### (অনীশুবা শরুক)


| | | | |
|---|---|---|---|
| ৯। | অকোয়বগী ফিভম ঙাকশেনবা | ড° বি. মণিহার | ৬৮-৮১ |
| ১০। | সুনামী | ড° এস. হরিদাস | ৮২-৮৮ |


### (অহুমশুবা শরুক)
#### নাটক


| | | | |
|---|---|---|---|
| ১১। | নরসিংহ | এল. ইবুংঙোহল | ৮৯-৯৫ |
| ১২। | হক্ | লনচেম্বা মীতৈ | ৯৬-১১২ |


### (মরিশুবা শরুক)

#### শৈরেং


| | হীরম | অইবা | লামায় |
|---|---|---|---|
| ১। | অহীংগী চেক্লা তান্না | লমাবম কমল | ১১৫-১১৯ |
| ২। | মৈতৈ কবি | খ্বাইরাকপম চাউবা | ১২০-১২৫ |
| ৩। | ইরৈপাক | অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ | ১২৬-১২৯ |
| ৪। | নোঙ্গুল্লকখোদা | অশাংবম মীনকেতন | ১৩০-১৩৪ |
| ৫। | চীং কাশি ঙসিদি | লাইশ্রম সমরেন্দ্র | ১৩৫-১৩৯ |
| ৬। | ঐ লাইমিং লৌদে | নোংথোম্বম শ্রীবীরেন | ১৪০-১৪৫ |
| ৭। | অনৌবা থুংলবা জীব | থাংজম ইবোপিশক | ১৪৬-১৪৮ |
| ৮। | শহীদ নুমিৎ | কোনসম্ তনুগোপাল | ১৪৯-১৫২ |
| ৯। | লৈপরেং | হাওরোংবম পরিমল | ১৫৩-১৫৫ |
| ১০। | মৈরা পায়বী | সনা মচা | ১৫৬-১৫৮ |
| ১১। | নোংজুগী অহীং | নাওরেম অমুয়াইমা | ১৫৯-১৬১ |

ব্রারেংগী শরুক

(অহানবা শরুক)

# তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিল্লু, নোম্মু তনগনু

**খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ**

*(খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ (১৮৯৫-১৯৫০) কবিনি। ৱারেং শৈরেংনচিংবা ইরম্বা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা মফম য়াম্না চাউনা কন্দুনা লৈরিবা অতাঙবা সাহিত্যকারনি। ৱারেংগীদমকসু হেন্না মমিং চৎপা অইবনি।*

*ৱারেং অসিদা অইবনা তাইবঙ মীদি থবল্লা পুন্সিনি, থবক্কা থাদোল্লবা য়াদে হায়রি। থবক য়াওদ্রবা পুন্সিদি অশিবগা পাংখল্লি; নোম্বা অমদি উইন কনবনা, মীওইবনা তাইবঙদা শিনাইদ্রবা মিংচৎ ফংনরি। অতনবা হায়বসিনা অমুকসু তমথিরবা তীনগী মশক্কুম তাইবঙ পুন্সি লৈয়োনবু চীকথৎলি। অদুনা নহা ওইরিঙৈ, ছাত্র ওইরিঙৈদা অতনবা থাদোক্তুনা থবক্কী শিনশঙদা খোঙদাবা তমহৌগদবনি হায়না অইবনা ফোঙদোল্লি।)*

তৌগদবা থবক্তা মাইপুননা হোৎনবা অমসুং নোম্বা হায়বা অসি অহল্লমন্দগী ফংবা পাউতাক্কি হায়দুনা ইকায়খুম্নফম থোকই হায়বতা নত্তে, মসি তেংবানবা শেম্বা ঈশ্বরগী মহৌশাগী হৌনবীনি। অতনবা, থবক্তা মাইওন্থোকপা হায়বা অসিদি মপুগী হৌনবী কায়রবা মীওইবগী খুৎশেম ওইবা মচৎনি। ৱাখল চাউবা মী পূম্নমকনা তেংবানবগী মাইকৈ তরামক শীনবা থুংনা য়েংলূবদা ৱাখল অসি অচুম্বনি হায়বা মপূক্লিংদা খঙবা ঙমগনি। য়েঙঙু, অহিংনা মমৈ হেক লোম্লকপমক্তদা ক্বাক্কী লাম্বাউ শীল্লে, চরোইতেতু- খোংলে, নোংপোক মাইকৈদা চীংখৈগী ফিদুপ হুল্লে, কোরৌহনবনা অয়ুক্কী মালংদা ইনৌ নৌনা শাৎকাইরে। অদুদগী অমুক নুমিৎ অদুনা নোংচুপ চীংয়া হেক থাংখিবদা তাংথক নাইদ্রবা থা অমসুং থৱানমিচাক্লা অহিংগী অতিয়াবু লৈতেংলি; অহিংদা তাবা জীবনা তেংবানবা অসি অমুক নৌনা মথৱায় পানবগুম তৌরি। মতমচানা নোং তারি, নূংশিৎ শীৎলি, নোংথাঙগী অঙকপা মঙান্না অতিয়া শীনবা থুংনা ঙাল্লি। অসুম্না তেংবানবগী



শা-উচেক, তীল-কাঙ, মৈ-ঈশিং, নোং-নুংশিৎ পূম্নমক অসি থবক্কী লমদা হরাওরি, নুংঙাইরি, লমথুংফম নাইদ্রবা থবক্কী ঈচেন্না তেংবানবা শীনবা থুংনা চেল্লি। অসুম্না চহী কয়া চৎখরে, যুগ কয়া হৌখরে; তেংবানবা শেম্বা পূম্নমক তোৎন-য়ান্নদুনা মপুগী খুৎশেম কয়া কায়খরে, অনৌবা কয়া শেমগৎলে, মীওইবগী মৈহৌরোন্দা ওন্থোকপা থৌরম কয়া চনখরে; তৌইগুম্বসুং থবক্কী ঈচেল অসিদি লেপ্পা নাইদে; পোত্থাবা লৈতে। মীওইবা নত্তনা ঈশ্বরনা শেম্বিরম্লবা তেংবানবা অসিদা তৌগদবা থবক্তা মাই ওন্থোকপা উদে।

তৌইগুম্বসুং ছাত্রশিংগী তৌগদবা থবক্তি করিনো? ঐখোয়না খংঙি অঙাং, পাখং, অহল পূম্নমক্কী পুন্সি থবল্লা শাগৎপা ঙাক্তনি। থবক হেক লোইবগা তাইবংমীগী মীওইবসু লোই। মীওইবনা পাম্লবদা তৌগদবা থবক্কী করি ৱাৎফম লৈবগে? তৌইগুম্বসুং মসি ফাগী-জুগাই তৌনফমদি থোক্তে। অসিগুম্বা পাউখুম করিগুম্বা তারবদি ঐখোয়না পূক্লিং অৱাবগা লোয়ননা হায়নিংঙি হৌনবী অমা নাইনা ওঝা গুরু অমগী মনাক্তা খন্দুনা লৈরিবা মী অদুগীদি তৌগদবা থবক্কী মমিং মখৈ তাবগীদি করি অমুক ৱাৎপা লৈরমগনি? মদু ঙাকপা ঙম্বা, ঙমদবদি ৱা অমনি। মরম অসিনা অমদি লাইরিক অসি পারগসু মদুগী মরমদা য়াম্না লৌশিং তাবসু য়াই হায়না খন্দুনা মসি ইদুনা অমুক ৱারেং অসি শাংদোকহল্লরোই।

অঙাং ওইরিঙৈগী মতম অসি তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিনবা, নোম্বা অমসুং অতনবা থাদোকপা তম্নবগী অথোইবা মতম্নি। অঙাংগী পূকচেল অসি তরূবা মিংশেনগুম্বনি। মহাক্কী মমাঙদা তাররবা পোৎ পূম্নমক মদুদা হেক্তা মমি তাই। অঙাংগী থম্মোয়দি ফত্তবা ৱাখল অমত্তসু পক্ত্রি; মতম অদুদনি মখোয়গী থম্মোয় অদু অচুম্বা খঙনবগীদমক্তা হৈনিংদুনা লৈ। মতম অসিদা নোম্বগী মরূ অসি হুলহৌদ্রবদি তুংদা মদু পোল্লক্কনি হায়বা নীংফম লৈত্রে। মতীক চানা নৈনরবতদা হকচাং অমসুং পূক্লিংগী মপূং ফানা চাওখৎপা ফংবা ঙম্মি। মদুদা পূক্লিং চঙনা নোমদুনা অতনবা থাদোক্তুনা হোৎনরবতদা মহৈ ফংফম থোকই। ৱাহৈদগী থবক্কী মহৈনা থোইনা তুংকোইনৈ। থবল্লা পুন্সিগী অফবা অচৌবা পূম্নমক চাওখৎলি। মরম অদুনা উইন কনবগা লোয়ননা থবক্তা পানশিন্নবা হোৎনবা হৌনৈ। তন্দুনা মতম লেনবগা মান্ননা নুংঙাইতবা করি লৈবগে? মতম লেনবদা ৱাবদি থবক লৈতবা মীগিদনি। মরমদি নুংঙাইবা হায়বা অসি থবক পাম্বা অমসুং থবক্কী মহৈনি। নোম্বা নত্তনা নীংবা থুংনা নুংঙাইবা অমসুং চাওখৎপা

ঙমদে। তেংবানবদা তৌরিবা ওইথোক্তৃবা মীনা ঙস্বা হৌনদ্রবা থবক পূন্নমক অসি নোম্বগী মহৈ ঙাক্তনি। তেংবানবনা মখোয়গী মমিং পনবদা শেংনরিবা অচৌবা মীশিংগী ৱারী পারবদি খঙবা ঙমগনি, মখোয়না মখোয়গী খুভম অদু য়ৌনবা হোৎনবদা কয়া নোম্বা তাখ্রিবাহল্লু থবক্তা মায় ওন্থোকপা মীশিং অদুগী থবক্লা করম্না মচুতাবা অমসুং মীথোইবা য়াগনি? মখোয়তনা হন্না হন্না নীংবা কায়দুনা খোঙফম খোঙফম খূদিংদা ইকায়বা অমসুং অৱাবা ফংঙি। ঐখোয়গী মসি লৈতবনা ঐখোয়না করিগুম্বা অচৌবা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদ্রি।

লাইরনবা, নংননবা, ৱাননবগী মরুসু অতনবনি। মসি থম্মোয়গী লৈরাংদা তোংবা তীনগুম্বনি। তীন চারবা লৈনা মথং মথং চীনথৎতুনা কেনখিবগুম্না অতনবনা হেক তোংখ্রবদা থম্মোয়সু অসুম লৈখা তাথখি। অওইবমক অতনবা মীগী থম্মোয় অসি ভূত-প্রেত পূন্নমক্কী য়াকাবুঙনি। মদু মহৌশানা ফত্ত-ফত্তবা, নত্ত-নত্তবা ৱাখল পূন্নমক্কী তুংনফমনি। মসি চাওখৎপগী লম্বীদা পনগী মশক্নি। ঈশ্বরনা নঙোন্দা উননবগী অমসুং উদুনা চাওখৎপা অপূম্বগী মপু ওইবা য়ানবা মীৎ পীবিরম্মী; তৌইগুম্বসুং নঙনা নমীৎ অদুদা উফুল চাইশিন্দুনা মীত্তাংবা ওইদুনা লৈরবদি করম্না মদুদগী চাওখৎপা ফংগনি? ঈশ্বরনা নঙোন্দা তাননবা অমসুং তাদুনা হৈহৌ-শিংহৌনবা নাকোং পীনবীরম্মী; নঙনা মদুদা য়োৎশিঙোৎ থিংজিন্দুনা নাপংবা শাদুনা লৈরে। করম্না তাবদগী নঙগী চাওখৎফম লৈরে? ঈশ্বরনা নঙোন্দা খোঙ খূৎনচিংবা থবক ঙম্বা ইন্দ্রি পুন্নমক পীবিদুনা নমান্নবগী মকোকথোংবা য়ানবা শেম্বিরম্লি; তৌইগুম্বসুং নঙনা মখোয় পুন্নমক্কী শীজিন্নবা তোক্তুনা হৈবোং মখাদা হিপ্তুনা লৈরবদি অমসুং অতনবগী ময়াইনা মখোঙ অনী পানবা শা ওইরবদি নঙগী করি চাওখৎফম লৈরিবগে?

অসুম্না থম্মোয়দা অতনবগী মমিনা হেক তারবদা মী অদু লাইরগদবা, নংগদবা, ৱাগদবা নক্লে হায়না খনবদা লানফম লৈতে। মসি হায়রুরগা অঙাং মচাশিংগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারী অমা নীংশিংলকই।

মতম অমদা ইনাক-কৈরাক খুনবা লৌউবা নুপা অমগী নবীন কৌবা মচানুপা অমা লৈরম্মী। মপানা শিখ্রবদা নবীন্না মহাক্কী মপাল নাইদ্রবা লন-থুম অপূম্বগী মপু ওইরে। মপাগী কৃপানা মহাক্কী লন-থুম মহৈ-মশিংনচিংবা ৱাৎপা লৈত্রবসু মহাক্কী অচৌবা দোষ অমা লৈরম্মী-মদুদি অতনবনি। মহাক্কী থবক্তা খূৎ থিংজিন্নীংদবা অসিমক্তনা মরম ওইদুনা মমৈথংদদি মহাক্কী মপূক থন্না চানবা



য়ৌনা ফংঙক্ত্রে। মদু উবদা নোংমা মহাক্কী মরুপ অমনা হায়খি, "নবীন, নঙ অসুম তৌরবদি মাঙলগনি। ঐ য়াম্না লুখ্রবা ৱা অমা তাকপিগে; নঙ নিতিগী অয়ুক ঙন্তা নঙগী ইংখোলগী অকোয়বা অসিদা করিগুম্বা অঙৌবা নত্রগা নাপু মানবা উচেক উব্রা য়েংউ; মদুদা ফংদ্রগা নঙগী লৌবুক্তা কূমদুনা মদুদা ইহান হানবদা তাবা উচেক অমত্তং হাৎনবা থৌরাং তৌ। অদু ওইরবদি নঙগী কয় অসি সনা নত্রগা লুপানা থলহনবা য়াগনি"। পাম্বৈ লৈত্রবা নবীন্না মপূক্লিংদা আশা য়াম্না তৌদুনা মতুংগী নুমিত্তা মদুমক তৌরে। অহানবা ইংখোল হেক কোয়রকপদা উরে- খঙদবা মী অমনা মহাক্কী কোত্তগী ফৌ হূদুনা চেল্লি; তৌইগুম্বসুং মহাক্কী কান্নদনা নোয়রবা মশা, তনবদগী শোল্লবা অদুনা মহাকপু ফাবা ঙমদ্রে। মদুদসু মহাক্কী শিংলম্বদগী অতনবনা ফকচিল্লবা লৌশিং অদুনা মহাক্কী অনংবগী মরম খঙবা ঙমদদুনা লৌবুক তান্না চেন্থখ্রে। মফম অদুদসু লৌরোন্নবশিংনা ফৌ হূবনচিংবা উরুরগা মহাক্কী মরুপকী ৱা অদুগী অর্থ মহাক্লা খঙলে। অয়ুক অঙনবগী নুংশিৎনা মশাদা য়ৈবদা মহাক্কী অতনবা পূন্নমক কোকখি অমসুং মমান্নবা অতৈনা পূক্লিং তুজুং- হরাওনা কোলোয় লাউনা শক্তুনা মাগী মাগী মশিন শূনবা উদুনা মপূক্লিংদা ইকায়- নুংশি য়ান্নরে। মদুদগী অতৎপা লৈতনা নোম্বনা মতম খরগী মনুংদা মহাক্কী হান্নগী ফম্বাল অদু হঞ্জিনবা ঙমখি। মসি ফুক্লাক ৱারীনি হায়বদি চুম্মি; তৌইগুম্বসুং মসিদগী অতনবনা করম্বা পূক্লিং হকচাংবু মাঙহনবগে হায়বা অদুগা অতনবা হেক পক্লবদা মী অদু শোয়দনা লাইরবা, অনংবা মফংলে হায়বা অদু খঙবা য়াগনি।

অমরোমদা নোম্বা হায়বা অসি নুংঙাই- য়াইফবা অপুম্বগী পোক্লফম্নি। লৈবাক্কী লৈহাও কাবগী পাঙ্গল লৈ হায়দুনসু খোইদবা য়াদে খোইদুনা মরূ হুন্দবা য়াদে, পাম্বী খাওদবা য়াদে, খাওদুনা য়ৈদবা য়াদে, মদুতদা মরূ ফংগদবনি। পাম্বীদা ফি ওইনা পান্দে; লশিং হেক্কদবনি; হেক্তুনা নাইগদবনি; নাইদুনা মেত্তুনা মতুংদা শেৎন-ইন্নবা ফি শাগদবনি; মদুতদা ঐখোয়না ফি ফংঙি অসিনচিংবা। মীনা নুংঙাই- য়াইফবা চাওখৎপা খুভম ফংবদি মহাক মহাক্কী নোম্বগী চাং অদুগী মতুংইনবনি। মপুগী লৈবাক অসিদদি মীচং-মীখাই নাইবগী থবক লৈতে; মহাক মহাক্লা হুনবা মরু অদুগী পাম্বী শোয়দনা হৌগদবদনি। তেংবানবদা নুংঙাইরে য়াইফরে হায়রিবা অদু নোম্বা কল্লি, মমল নাইদ্রবা মতম ওন্দুনা অরেম্বদা মাঙহন্দে হায়বনি। অওইবমক নোম্বনা লাইবক ফবগী অপোকপনি, অতনবনা মদুবু

মাঙহনবনি। অসুন্না, নোম্বা নত্তনা করিমত্তা ফংফম লৈতে হায়দুনসু নোম্বা হায়বা অসি নুংঙাইবগী থবক ওইহল্লি হায়বা খল্লুরগা পূক্নিংদা নুংঙাইবা পোকই। থবক লৈতবগা মান্ননা ৱাবা অমা তেংবানবদা লৈতে- মী অদু অঙাওবগা পান্দম ওই, লেনফম খঙদে, হায়নফম লৈতে। মতীকচানা নোল্লগতা তূম্বা নুংঙাই, চাবা হাউই। অদুগা লাইনা পীরক্তনদি নোম্বঙাক্তনসু চৎনদে হায়না নীংবসু চুমদে। "চাওখৎপা হায়বা অসি নোম্বগী মনাগী মশক্নি। নঙগী লৌশিংনা শিংলবসু নোমদুনা মদু চাউখৎহনগদবনি। অদুগুম্বা লৌশিং লৈত্রবসু নোমদুনা নঙগী অৱাৎপা মেনশিনগদবনি। মরমচানা নোল্লবদা ফংদবা লৈতে"।

অঙাং ওইরিঙৈদগী মতীকচানা নোম্বা তমগদবনি। ফত্তবা সঙ্গ, অয়াম্বা পাপকী থবক্তগী মশাবু কঞ্জগে হায়রবদি থবক্তা মাই ওনশিনবা নত্তনা পাম্বৈ লৈতে, অতনবা হায়বা অসি হূৱানবা চঙনবা ময়ুমগী থোঙ হাংদোক্তুনা থম্বগুম্বনি। ঈচেল লৈতবা ঈশিংদা অয়াম্বা তীল-কাঙ পোক্তুনা ঈশিং মাঙবগুম্না অতনবা পূক্নিংদসু নত্ত-নত্তবা ৱাখল পোক্তুনা মদুবু মাঙহল্লি। নোম্বদা ইকাইখুন্নবনচিংবা মাঙঙি হায়না নীংবসু অরানবনি। মশানা মশাগী থবক পাঙথোক্লবা হোৎনবদা করি ইকায়ফম লৈবগে? বিলাতকী মমিং চৎলবা মন্ত্রী গ্লাডষ্টোন্না মশানা উ য়াল্লি। পাক-চাউবা রুস লৈবাক্কী নিংথৌরেল পিটরনা মশানা লৌ খোই। মমিং চৎলবা জনক নিংথৌনা লৌ খোইবদগী সীতাবু ফংখি। বেঞ্জামিন ফ্রাঙ্কলিনগী ৱারিদি খ্বাইসু তাররিগনি। মশানা কৈথেল কায়, মশানা ছাপাগী চে গাড়ীদা হাপ্তুনা চিংঙি। মহাক্না অনংবা ইমুংদা পোক্তুনসু নোম্বা অমসুং উইন কনবগী পাম্বৈনা মপাল নাইদ্রবা লন অমসুং ইকায়খুন্নবা অপূম্বগী মপু ওইখি। মহাক্না মাগী চাওখৎপগী মরমদা হংবদা খুমখি; "নুংঙাই-য়াইফবদি নীংবগী মখা পোনবনি। শেল তানবগী লম্বীদি কৈথেল কান্নবা লম্বীগুম্না অরায়বনি; মতম অমসুং লনবু অরেম্বদা মাঙহন্দ্রগা লোইরে। ঈশ্বরনা ঐখোয়দা অসুন্না শাংলবা খূৎ পীনবীরম্মি, মদুনা তিংথোক্লবদি শোরারেন ফাওবা লাম্বা ফংঙি।" ঐখোইনা হায়নিংঙি শোরারেনমক লাম্বা ফংদ্রবসু খূৎমখৈতদি তিংথোকপনা চুম্মি।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা**

| | | |
|---|---|---|
| ক্বাক্কী লাম্বাউ শীল্লে | ঃ | ক্বাক্না খোংলক্লে (নোংঙাল্লক্লে খঙনবা) |
| চরোই তেতু খোঙলে | ঃ | চরোইনা তেতু হায়বা খোম্থোক্না লোয়ননা খোংলক্লে। (নোংঙাল্লক্লে খঙনবা) |



| | | |
|---|---|---|
| চীংখৈ ফিদুপ হূল্লে | ঃ | অৱাং নোংপোক থংবা মায়কৈ ঙাল্লক্লে। |
| কোরৌহনবা | ঃ | নুমিৎ |
| উইন কনবা | ঃ | নীংবা কনবা, হোৎনবা কনবা |
| মচু তাবা | ঃ | মওং তাবা, য়েংবদা ফজবা |
| য়াকাবুংনি | ঃ | তিন্নফম্নি |
| য়োৎশিঙোৎ | ঃ | মৈ ইক্লগা উ নত্রগা ৱাদা মখুল হুৎনবা য়োৎ (তরা) মতেক অমা। |
| কয় | ঃ | কোত (ফৌ হাপফম) |
| লৌরোন্নবশিংনা | ঃ | থংননা লৈবা লৌগী মপুশিংনা |
| ফৌবৈ | ঃ | লৌ খাওরগা য়ৈননবগীদমক পৈশিন্দুনা থম্বা মপৈ |
| ফুক্নাক ৱারীনি | ঃ | ফুঙ্গা ৱারীনি, চীনবুংগী ৱারীনি |
| মপুগী লৈবাক | ঃ | ঈশ্বরনা শেম্বা তাইবংপান |

**ৱাহং**

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। তেংবানবা শেম্বা ঈশ্বরগী মহৌশাগী হৌনবী অসি করিনো?

২। মপুগী হৌনবী কায়রবা মীওইবগী খুৎশেমগী ওইবা মচৎনা করিনো?

৩। ঐখোয়গী লমদম অসিদা করি তৌরবদি নোংঙাল্লে হায়না খঙনবগে?

৪। মহৌশা লাইরেম্বীগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা থবকশিংদু করি করিনো?

৫। তেংবানবদা লেপ্পা নাইদ্রবা ঈচেল অসি করিনো?

৬। ঈশ্বরনা শেম্বিরম্লবা তেংবানবা অসিদা কনাবু নত্তনা তৌগদবা থবক্তা মাই ওম্থোকপা উদে হায়রিবনো?

৭। পুন্সি অসি থবক্কী মতুংইন্না মখল কয়া থোক্না খায়দোকপা য়াই?

৮। করি লোইবগা তাইবংমীগী মীওইবসু লোই হায়রিবনো?

৯। তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিনবা, নোম্বা, অতনবা থাদোকপা তন্নবগী অথোইবা মতম করিনো?

১০। ৱাহৈগা থবক্কী মহৈগা কনানা তুংকোইবগে?

১১। মতম লেনবদা ৱাবসি করম্বা মীগীনো?

১২। নুংঙাইবা হায়বসি কনাগীনো অমসুং করিগী মহৈনো?

১৩। তেংবানবদা তৌরিবা থবক ময়াম অসি করিগী মহৈ ঙাক্তনো?

১৪। লাইরনবা, নংননবা অমদি ৱাননবা মরু করিনো?
১৫। অতনববু, অইবনা করিগা প্রমাণ তৌরি?
১৬। ঈশ্বরনা মীওইবদা হৈ-শিংনবা, চাওখৎনবা করি করি পীবিরমই?
১৭। পাম্বীদগী করি করি তৌরগা ফি ফংবগে?

**(খ) মখাগী ৱাহৈ পরেংশিংসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

"নবীন, নঙ অসুম তৌরবদি মাঙলগনি। ঐ য়াম্না লুখ্রবা ৱা অমা তাকপিগে; নঙ নিতিগী অয়ুক ঙন্তা নঙগী ইংখোলগী অকোয়বা অসিদা করিগুম্বা অঙৌবা নত্তুগা নাপু মানবা উচেক উব্রা য়েংউ....।"

১। নবীন কনানো?
২। নবীন্দা ৱা ঙাঙলিবা নুপা অসিনা কনানো?
৩। করি তৌরকপদগী মহাক্না নবীন্দা ৱা অসি হায়রিবনো?
৪। নবীন্না অয়ুক ঙন্তাদা ইংখোলগী অকোয়বদা করি উবগে?
৫। মথংদা নবীন্না কদায়দা করি অমুক উই?
৬। নবীন্না মরূপকী ৱাহৈগী অর্থ করি ওইনা খঙখিবগে?

**(গ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু।**

১। তাইবঙ অসি থবক্কী শিনশঙনি হায়রিবা করিগীনো?
২। থবক্তা মাই ওন্থোকপা মীশিংনা করি করি ফংনিংঙাই ওই?
৩। অতনবা মীগী থম্মোয়বু ভূত- প্রেতকী য়াকাবুংনি হায়রিবা করিগীনো?
৪। অতনবনা করম্না চাওখৎ লম্বীগী পন ওইরিবনো?
৫। কতন-হৈবোং মখাদা হীপ্পগী ৱারী, নঙনা খঙবা খরা লীয়ু।
৬। অতনবা হায়বসি মীওইবগী খ্বাইদগী তমথিবা য়েরুবনি হায়বগী মরমদা ৱাহৈ ২৫০ রোমগী ৱারেং অমা ইয়ু।
৭। থবক্তা খুৎ থিংজিন্নীংদবা হায়বসি অতনবগী হৌফম্নি - ৱাফম অসিগী মতাংদা নশাগী লোন্দা শম্লপ্পা ইয়ু।
৮। 'মপুগী লৈবাক্তা মীচং-মীখাই নাইবগী থবক লৈতে' হায়রিবা রিগীনো? মরম পীদুনা ইয়ু।

****

# শান্নবদা মণিপুরীশিং

**এল. অজিত সিংহ**

*(লৈশাংথেম অজিত সিংহ শান্নবগী লমদা থৱায় য়াম্না য়াওবা শান্নববু য়োখৎচনিংবা লমদম অসিগী শান্নরোই অমনি। মহাক হৌজিক সৈনিক স্কুল পাঙ্গৈদা ওঝা ওইরি।*

*ৱারেং অসিদা অইবনা শান্নবগী কান্নবগা লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী হৈ-শিংববু শীংথারি। হৌজিক্কী মতমসিদা শান্নবনা লৈবাক অমগী, জাতি অমগী মরমচৎ, হৈ-শিংবা, মশা-মউ কনথৌবা অমদি মরীংজেন লৈবা উখোরুবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈ ওইনরক্নি। মণিপুর, পীরুবসু পীক্না, মীশিং য়ামদ্রবসু য়ামদনা, মরীংজেল লৈবা অকল-অথৌ পোকখিবা লৈবাক অমনি হায়বসি মীশিংগী শান্নবগী হৈথোই-শিংথোইবগী মগুণদগীনি খঙবা ঙমই)*

শান্নখোৎনবনা খুনাই অমগী মশক তাকপা ঙম্মী। মসিনা খুনাই অমবু হকচাং ফনা লৈহল্লি অমসুং ৱাখলগী পাঙ্গল হেঙ্গৎহল্লি। মরম অদুনা মালেম অসিদা শান্নবদা মাঙজিন থাবা লৈবাকশিংনা হীরম খূদিংমক্তসু চাওখৎলি।

মণিপুরগী অহল-লমনশিংনা শান্নরম্বা মশান্নশিংদগী খূনাই অসিগী ইনাৎ, চৎনরোল অমসুং থকসি-খাসি কয়াম য়াম্না ৱাংলম্বগে হায়বা খঙবা ঙম্মী। মখোয়দা লৈরম্বা গুণশিং অদু ঐখোয়গী ঈ-তোংদা ঙসি ফাওবা চেলহৌরি। মরম অসিনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা অণ্টর্জাতিগী থাক্তা শান্নবগী মিংচৎ পুরক্তুনা খুনাই অসিবু মালেমদা শকতাকপা ঙম্লিবনি।

চীং অমসুং তমদা লৈবা মণিপুরীশিংনা মখল-মখা অয়াম্বা মশান্নশিংদা শরূক য়াই। খুনাই অসিনা, ইনাৎকী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা অরিবা মশান্নশিং অমসুং হৌজিক্কি মতমগী মপানগী লমশিংদগী হৌরকপা মশান্নশিংসু শান্নৈ।

শগোল কাঙজৈ, মুক্না-কাঙজৈ, হিয়াং তান্নবা, কাং, থাঙ-তা, য়ুবী-লাকপী, শরিৎ-শরাক, লমজেল, চেঞ্জোং, মাঙজোং, নূং হুনবা, তা লংবা, শুক হুনবা, তেন কাপ্পা অমসুং নূংজাও থাঙ্গ ৎপা মণিপুরগী অরিবা য়েলহৌঙৈদগী লোয়নরক্লবা মশান্নশিংনি। অঙাংশিংগীসু তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিং লৈরম্মী।

মখোয় অদুদি মরুম কোনবী, খূৎলোকপী , উলাওবী, কৈ-য়েন, ফীবুল হাবি, ক্কাক ক্কাক , চৈতেক কোৎপী অমসুং সেবোতি কাওনবী অসিনচিংবনি।

ঐখোয়গী মশান্নশিং অসি ইনাৎকী লাইনিং-লাইশোল অমসু শা-লানগা মরী লৈনরম্মী। মশান্না খুদিংগী নুংগী ওইবা ৰাখল্লোনসু লৈ। লাই হরাওবদা মাইবীনা কাঙজে কাঙহু পায়দুনা জগোয় শাবনা ইনাৎকী লাইনিং-লাইশোলগা শান্নবগা মরী লৈনৈ হায়বা তাকই, মসিগুন্না শগোল কাঙজে শান্নবা অসিসু লানগী শাজেলনি। নুংগী ওইবা ৰাখলোন্দা য়েংলবদি মীচং অমদা য়াওরিবা শান্নরোই তরেৎনা সলাই তরেৎনি, অতোপ্পা মীচংগী শান্নরোই তরেৎনা য়েক তরেৎনি।

অরিবা মশান্না অয়াম্বা মতমগী ঈরোন্নুংদা লূপখিদুনা কাউনখ্রবসু হিংহৌরিবা মশান্নশিং অসিগী মনুংদা শগোল কাঙজৈনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লি। খুনাই অসিনা মুক্না অমসুং কাংবু নীংহন্নবা লৈতনা জাতি অমদি অন্তর্জাতিগী থাক য়ৌনবা হোৎনরি। অদুবু হিয়াং অমসুং মুক্না কাঙজৈ মাঙখিগনি হায়বগী অকিবা লৈরে।

নিংথৌ কাংবনা পানবা মতমদা মণিপুরদা শগোল কাঙজৈ শান্নবা হৌই। মশান্না অসি মহাক্কী মতুংদা পানবা নিংথৌশিংনা লৈবাক্কী মশান্না ওইনা য়োকখৎলম্মী। ইং ১৮১৯ দা ঔৰানা লান তারক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈবা নুপা অয়াম্বা শগোল তোংবা হৈরম্মী অমসুং শগোল কাঙজৈ শান্নরম্মী। মশান্না অসিবু বৃটিশনা মণিপুরদগী তমখিদুনা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোকখি। শিলচরগী দিপুটি কমিশনার ওইরম্বা কেপ্তেন রোর্বট ষ্টেৱার্ট (Capt. Robert Stewart) না অমসুং মহাক্কী মখাদা লৈবা লেফতিনেন্ট জিও শেরর (Lt. Jeo Sherere) না মণিপুরী শান্নরোইশিংবু পুদুনা শিলচর অমসুং কলকতাদা শান্নহল্লুই। মখোয় অনীনা ইং ১৮৫৯ দা শিলচর পোলো ক্লব শেমখি। মসিনা মালেমগী অহানবা পোলো ক্লবনি। মশান্না অসিবু ইং ১৯০০ দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা (Summer Olympic Games) থৌরম অমা ওইনা য়াওহল্লম্মী, অদুবু মতম অদুদা পোলো খ্বাইদগী হৈরবা মণিপুরীশিংদি য়াওবা ফংখিদে। মথংগী চহীদা ইং ১৯০১ দা প্রিন্স ওফ ৱালসনা ভারত্তা লাকপদা মণিপুরগী টিম অমা চৎতুনা দিল্লীদা শগোল কাঙজৈ শান্নরুই। ওলিম্পিক্তা মশান্না অসি মরক মরক্তা য়াওহল্লম্মী অদুবু ১৯৩৬



তা বর্লিন্দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকি মতুংদগীদি মশান্না অসি য়াওহনখিদ্রে।

মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈবা ডিষ্ট্রিক্ট শিংদা শগোল কাঙজৈ শান্নৈ। মফমশিং অসিদা লুপ লুপ শেমদুনা টুর্নামেন্ট তৌদুনা মশান্না অসিবু থৌগৎলি। ষ্টেটকি থাক্তা নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্ট তোঙান-তোঙান্না পাঙথোক্কুনা লৈবাক্কী অচৌবা থৌরম অমা ওইরি। মশা ঙাকথোক্নবা অমসুং মপাঙ্গল, মরৌশিং চাংয়েংননবা মণিপুরীশিংনা মুক্না শান্নরম্মী। নিংথৌগী মতমদা পানা পানা লাম্বা তৌহন্দুনা মুক্না শান্নহল্লম্মী মুক্নাগী চেম্পিয়নবু যাত্রা হায়বা মিংথোল পী। ষ্টেটকি থাক্তা এসোসিয়েসন শেমদুনা অথোই-তান্নহল্লি। মুক্নাগী টেক্নিকপু 'লৌ' কৌই, মুক্নাগী লৌ ৬৪ লৈ, মসিগী মনুংদা নিঙ্গোঙ, খুদোং অমসুং লোংখ্রৌনা খ্বাইদগী মরুওইবা লৌ অহুম্নি।

মুক্না কাঙজৈ নিপা থোকপা মশান্ননি। লম অসিগা শাগোন্নরক্লবা মশান্না অসি হৌজিক পঙনা উবা ফংদ্রে। লৈবাক্কী অচৌবা কুম্মৈদা শান্নরোইশিং নেকউরগা "একজিবিশন" ওইনা শান্নহল্লি। অদুবু মণিপুরগী মফম খরদা লাই হরাওবদা মশান্না অসি মরক মরক্তা খুঙ্গংগী নহারোলশিংনা শান্নরি। চহী খূদিংগী লাংবন থাদা শগোলবন্দগী শ্রীবিজয়গোবিন্দগী থাঙ্গপাক্তা হৈক্রু হিদোংবগী হিয়াং তান্নৈ। থৌরম অসি নত্তনা মণিপুরদা মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা শীনবি-লাংবিবা লুপশিং লৈতে। মমাংঙৈদা নিংথৌগী হিয়াং অমসুং পানা হিয়াং হায়না খঙনবা হিয়াং অনীসু পাঙথোক্লম্মী।

মণিপুরগী অরিবা মশান্নশিংগী মনুংদা লমদম অসিগী মীয়াম্না হৌজিক খ্বাইদগী পাম্না শান্নরিবদি কাংনি। লৈকাইদা, খুঙ্গংদা, সহরগী কাংশঙশিংদা কাং শান্নৈ। মসিগী মথক্তা আসাম অমসুং বঙ্গ লাদেশকী মণিপুরী তাবা লমশিংদা কাং শান্নৈ। মণিপুরদা কাং শান্নবগীদমক্তা শেম্বা ক্লব অমসুং সংস্থানগী মশীং নোংম- নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্কুনা মশান্না অসিবু জাতিগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরি।

ইং ১৮৯১ দা বৃটিশনা মণিপুরবু মায়থীবা পীরবা মতুংদা চুরাচান্দ সিংহনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। মতম অসি মণিপুরগী শান্নবগী ইতিহাসতসু অনৌবা য়াওল অমা ওইরম্মী, মরমদি বৃটিশনা মণিপুরদা নোংচুপ্লোমগী মশান্নশিং পুশিল্লক্কুনা লমদম অসিগী নহারোলশিংদা তম্বিখি। মখোয়না পুশিল্লকখিবা

মশান্নশিংগী মনুংদা মরুওইবশিংদি ফুটবোল, হোক্কী, ক্রিকেট, টেনিস অমসুং এথলেটিকনি। ভারতনা নীংতম্লবা মতুংদা মখল-মখা কয়াগী মশান্নশিং মথং মথং লমদম অসিদা চঙলকখি।

বৃটিশনা পুশিল্লকপা মশান্নশিংগী মনুংদা হৌজিক মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না শান্নরিবদি ফুটবোলনি। মশান্ন অসি ইং ১৮৯৯ দা জোনষ্টোন স্কুলগী হেদমাষ্টর রিভরেন ৱিলিয়ম পেটিগ্রু না মহাক্কী ছাত্রশিংদা ইহান হান্না তম্বিরম্মী। মথংগী চহীদা মহাক্না স্কুলগী ফুটবোল টিম অমা শেল্লম্মী। মহাক্কী টিম অসিগা চুরাচান্দ মহারাজনা শেমগৎপা টিম অমগা তোয়না শীংনদুনা ফুটবোল শান্নহল্লম্মী। মতম অদুদগী হৌনা হৌজিক ফাওবা মশান্নসি মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্বা মশান্না ওইরি। ভারতকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং য়াওরি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুরগী অন্টর্জাতিগী থাক্তা শান্নরি। মণিপুরগী নুপীশিংনা, ফুটবোলদা ভারতকী অতৈ ষ্টেটকী নুপীশিংদগী মাঙজিল য়াম্না হেন্না থারি।

নোংচুপ্লোমগী মশান্নশিংদগী মণিপুরীশিংগা খ্বাইদগী চুশিন্নবদি হোক্কীনি। মসিগী মরম অমনা মণিপুরীশিংদি হান্ননা মুক্না কাঙজৈ অমসুং শগোল কাঙজৈ শান্নবদা হৈ-শিংদুনা লৈরম্বনা কাঙদ্রুম ঙাকপা, য়ৈবা অমসুং চেনবদা অনৌবা অমা ওইনা থোক্লমদে। অদুবু ঐখোয়গী শান্নরোইশিং অসি জাতিগী থাক্তা শান্নবগী খুদোংচাবা ফংলমদে। শান্নরোইশিংনা, কলকতাদা পাঙথোকপা পৃথিবীগী খ্বাইদগী লিরবা হোক্কী টুর্নামেন্ট "বাইতন" কপ্তা শরূক য়ারম্মী।

ইং ১৯৭৬ তা মণিপুর হোক্কী এসোসিয়েসন শেল্লম্মী; মসিগী মতুংদদি নেসনেল চেম্পিওনসিপ্তা মণিপুরগী টিমনা শরূক য়াদুনা ভারতকী টিমগী অফবা শান্নরোইশিং খনবদা মণিপুরী শান্নরোইশিং য়াওরে। হৌজিক্তি ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা ইন্টর্নেসনেল টুর্নামেন্টশিং- ৱার্ল্ড কপ, এসিয়ান গেমস অমসুং ওলিম্পিক গেমসদা শরুক য়াবা ঙল্লে। পাঙম্বম নীলকমল সিংহনা, ইং ১৯৮৪ দা লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা সম্মর ওলিম্পিক্তা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা হোক্কীদা শরূ ক য়ারুই। মহাক্না মণিপুরীশিংগী মনুংদা ওলিম্পিক য়াওবা অহানবা শান্নরোইনি।

বোকসিং অমসুং অরুম্বা থাঙ্গৎপদা মণিপুরীশিংনা অন্টর্জাতিগী থাক্তা মায়পাকপা ঙম্মী; মসিগী মরমদি হায়রিবা মশান্নশিং অসিদদি শান্নরোইশিংগী



হকচাংগী অরুম্বগী মতুংইন্না লাম্বা তৌনৈ। অরুম্বা থাঙ্গৎপা, রেষ্টলিং, তাইকুন্দো, জুদো, বোকসিংনচিংবা অতৈ কন্টেক্ট স্পোর্টশিংদসু হকচাং লুম্বগী মতুংইন্না গ্রুপ খায়দোকই; মরম অসিনা মণিপুরীগুম্বা চাংচত্তা মী পিক্তক তৌবা কাঙলুপ্না য়াম্না ৱাং-চাওবা মীওইশিংগা লাম্বা তৌনবগী খুদোংচাদবা অদু লৈতে। মরম অসিনা নামৈরাকপম কুঞ্জরানী দেবীনা এসিয়ান গেমস অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কয়ামুক্তা অরুম্বা থাঙ্গৎপদা মেদল কয়ামুক লৌখি। শান্নবগী থৌরম অমদা ৱার্ল্ডগী চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌবা ঙম্বা ভারত্তা মশীং য়ামদে। অসিগুম্বা মেদল কয়া লৌরক্তুনা জাতিগী মিংচৎ পুরকপগীমক্তা মহাকপু ইং ১৯৯০ দা 'অর্জুন এৱার্দ' অমসুং ইং ১৯৯৬ তা 'রাজিব গান্ধী খেলরত্ন' পীখি। অসিগুম্বা এৱার্দ ফংবা মণিপুরদা মহাক্না অহানবনি। বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা এসিয়ান গেমসতা বোকসিংদা সনাগী মেদল ফংখিবা ঙাঙোম দিঙ্কু সিংহনা অনীশুবা 'অর্জুন এৱার্দ' ফংবা মণিপুরীনি।

মণিপুর মচাশিংনা অন্টর্জাতিগী থাক্তা শরুক য়ারুবা ঙম্বা মশান্নশিংগী মনুংদা সেপাক তাক্রৌসু অমনি। কুনমাথোই শুবা শতাব্দী চঙলকপা মতমদা মণিপুরনা নেসনেল সেপাক তাক্রৌ চেম্পিওন তরামঙারক ওইরে। মসি ভারতকী রেকোর্দ অমনি। ইং ১৯৮৫ দা করনাটকাগী হুব্লিদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তগী ইং ২০০০ গী নিউদিল্লীদা পাঙথোকখিবা চেম্পিওনশিপ ফাওবদা মণিপুরবু মায়থীবা পীবা ঙমদ্রি। ইং ১৯৮৮ অমসুং ১৯৯০ দা কুলালম্পুরদা পাঙথোকখিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ঐখোয়গী শান্নরোইশিং শরূক য়ারুরে।

এথলেতিক্তা মণিপুরীশিং অসি য়াম্না ফগৎলক্কদবগী মচাক লৈরি। ময়ায় ওইরপ শাংবা লমজেল, অশাংবা লমজেল-মরাথোন, ক্রোস-কন্ট্রি অমসুং খোঙনা চৎপা তান্নবদসু মণিপুরীশিংনা অন্টর্জাতিগী থাক্তা শরূক য়াদুনা ভারতকী মিংচৎ পুরকপা ঙল্লে। ঐখোয়না মশান্না অমমমতং পনবা ঙমদ্রবসু টিম গেমশিং-সাইক্লিং, তেনকাপ্পা, ছত্রং, ঈরোয়বা, জিম্নাষ্টিক, কন্টেক স্পোর্টশিংদা ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা অন্টর্জাতিগী থাক্তা অতোপ্পা জাতিশিংগা লাম্বা তৌনবা ঙম্মী।

মণিপুরদা শান্নবগী ঈহৌদা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাউনা লৈ। ভারত্তা ফুটবোল, সাইক্লিং, অরুম্বা থাঙ্গৎপা অমসুং তাইকুন্দোদা মণিপুরী নুপীশিংগী লাম্বা লৈতে। ১৩ শুবা এসিয়ান গেমসগী ভারতকী ফুটবোল টিমদা মণিপুরী

মাপল য়াওই, মণিপুরী অহানবা অর্জুন এৱার্দ ফংবী শান্নরোই নুপীনা ওই। এসিয়ান গেমসগী মেদল ফংবা নুপীগী মশীংনা নুপাদগী হেল্লি। মসিগী মরমদি মণিপুরী নুপীশিং অসি মীনা লাকচবা য়াদে, মথৌনা লৈ, মরমচৎ ফজে অমদি সেল্ফ দিসিপ্লিন য়াম্না লৈ।

মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা অন্টর্জাতিগী থাক্তা মায়পাকপা অমসুং লম অসিগী মীয়াম্না শান্নবদা থৱায় য়াওবা উরগা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্না মণিপুরদা মঙাশুবা নেসনেল গেমস য়ুম্বু ওইনা পাঙথোক্নবা অয়াবা পিখি। মরম অদুনা মঙাশুবা নেসনেল গেমস, ইং ১৯৯৯ গী ফ্রেবুয়ারি ১৪ দগী ২৫ ফাওবা মণিপুরদা পাঙথোকখি। গেমস অসি হৌখিবা মিলিনিয়মগী ভারতকী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈনি। মণিপুরনা গেমস অদুদা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিংবু মায়থীবা পীদুনা টিম চেম্পিয়নশিপ ফংদুনা 'রাজা বালিন্দর সিংহ ট্রোফি' লৌখি।

<u>ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা</u>

| | | |
|---|---|---|
| খুনাই | ঃ | সমাজ |
| মাঙজিল থাবা | ঃ | মকোক থোংবা |
| মালেম | ঃ | পৃথিবী |
| অন্টর্জাতি | ঃ | পৃথিবীগী জাতিপূম্বা |
| য়েলহৌঙৈ | ঃ | থায়নৗঙৈ |
| ইনাৎকী | ঃ | ইশাগী কলা সংস্কৃতিগী |
| নুংগী | ঃ | পুক্নিংগী |
| ৱাখল্লোন | ঃ | দর্শন |
| কাঙলোন | ঃ | নিয়ম, পথাপ |

<u>ৱাহং</u>

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। শান্নখোৎনবনা খুনাই অমগী মশক করম্না তাকপা ঙম্মী হায়রিবনো?
২। শান্নবনা হকচাংদা অমদি সমাজদা করি কান্নৈ?
৩। মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা খুনাই অসিবু মালেমদা শকতাকপা ঙল্লিবসি করিদগীনো?
৪। মণিপুরগী মশাগী ওইবা মশান্না করি করিনো?



৫। মণিপুরগী অঙাংশিংগীতা ওইবা মশান্না খরগী মমিং ইয়ু।
৬। মণিপুরগী মশান্নশিং অসি করি করি ৱাখল্লোন অমদি থবক থৌরমগা মরী লৈনবগে?
৭। মণিপুরগী শগোল কাঙজৈ খৃষ্টাব্দ কয়াদা করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা হৌদোক্লম্বগে?
৮। পোলো অসি কনানা কনাদগী তম্লগা পৃথিবী শীন্থুংনা শন্দোক্লম্বগে?
৯। মুক্না চেম্পিয়নবু মৈতৈনা করি হায়না কৌনবগে?
১০। মুক্নাগী টেক্নিকপু করি কৌই অমসুং কয়া লৈ? অখঙবা খরগী মমিং হায়য়ু?
১১। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা হিয়াং তান্নবগী মশান্না অসি মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্লম্বগে?
১২। করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা মণিপুরদা কাং শান্নবা হৌদোক্লম্বগে?
১৩। কাংবু জাতিগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরিবগী মরম করিনো?
১৪। ফুটবোলদা মণিপুরীশিংনা পক্নজবগী মরমদা অখঙবা খরা ইয়ু।
১৫। হোকীদা মণিপুরীশিংনা মীথোই- মীহেল্লকপগী মরমদা ৱারেং মতেক অমা ইয়ু।
১৬। করম করম্বা মশান্নদা মণিপুরীশিংনা অন্টর্জাতিগী থাক্তা মায় পাকপা ঙম্লবগে? ঙম্লবদি মরম পীয়ু।
১৭। মণিপুরদা অর্জুন এৱার্ড ফংলবা শান্নরোই কয়া লৈরবগে? মখোয়গী মরমদা অখংবা খরদং ইয়ু।
১৮। শান্নবগী লমদা মণিপুরী নুপীশিংনা য়ারিবা থৌদাংগী মতাংদা করি খঙবগে? শুগাইনা ইয়ু।
১৯। করম করম্বা এথলেটিক্তা মণিপুরীশিং মায়পাকপগী আশা তৌনিংঙাই লৈরিবগে?

**(খ) মখাগী ৱাহৈ পরেং শিংসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

"মণিপুরী মচানা অন্টর্জাতিগী থাক্তা শরূক য়ারুবা ঙম্বা মশান্নশিংগী মনুংদা সেপাক তাক্রৌসু অমনি।"

১। মণিপুরনা নেসনেল চেম্পিয়ন কয়ারক ওইখ্রে?

২। ভারতকী করম্বা মফমদা করম্বা চহীদা ইকোন- কোনবা চেম্পিয়নশিপ অদু শান্নখিবগে?

৩। করম্বা মফমদা করম করম্বা চহীদা শান্নবা ৰার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা শরূক য়ারুরবগে?

**(গ) মখাগী ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু।**

১। লাই হরাওবদগী করম করম্বা মৈতৈগী মশান্নশিং থোরকপগে? মখোয়দুগী ৰাখল্লোন্না করিনো?

২। পৃথিবীগী অহানবা পোলো ক্লব কনানা, করম্বা চহীদা মফম কদায়দা লিংখৎখিবগে?

৩। মণিপুরগী টিম্না দিল্লীদা চত্তুনা শগোল কাঙজৈ শান্নখিবদু করম্বা চহীদনো? করি থৌদোক্কা মরী লৈনবগে?

৪। ষ্টেট অসিগী ওইনা শগোল কাঙজৈগী মশান্না অসি য়োকখৎনবা করি করি থৌরাং পায়খৎলিবগে?

৫। শ্রীবিজয়গোবিন্দগা মরী লৈনবা মণিপুরগী মশাগী ওইবা মশান্নদু করিনো? মশান্নদু মণিপুরদা পাক-শন্না শন্দোক্ত্রিবসি করি মরমদগীনো?

৬। মুক্না কাঙজৈ করম্বা মতমদা কদায়দা শান্নরিবগে?

৭। করম করম্বা টিম গেমসতা মণিপুরীশিংনা অন্তর্জাতিগী থাক্তা অতোপ্পা জাতিগা লাম্বা তৌবা ঙমগনি হায়না খনবগে?

৮। মণিপুরদা শান্নখিবা মঙাশুবা নেসনেল গেমস অদুগী মরমদা অখংবা খরদু য়াম্না ময়েক শেংনা ইয়ু।

****

# নহারোল অমসুং এইদ্‌স

## ড০ খোমদোন সিংহ লিসম

*(ড০ খোমদোন সিংহ লিসম এইদসকী মরমদা, রিসার্চ, ট্রেইনর অমদি প্রোফেসনেল ওইনা লৈরবা মেডিকেল ওফিসারনি। মণিপুরদা এইদস মুথৎতুনা নহারোলবু অশিবগী খায়াত্তগী করম তৌনা কনগদগে হায়বসিদা নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনরিবা সমাজ সেবক অমনি।*

*ৰারেং অসিদা অইবনা হায়রি মদুদি এইদস হায়বসি য়াম্না তমথিবা লায়েংবা ঙমদ্রিবা লায়না অমনি। মসি ঐচ. আই. ভি. হায়বা মহীক্তুনা থোকহনবা লায়নানি। এইদস লায়না চঙহল্লোই হায়রবদি মসিবু মুন্না খঙদোক্লগা চঙলকপা য়াবা লমচৎ-শাজৎ অমদি হৈনবী ময়াম অদুদগী য়াম্না লাপ্না লৈনবা হোৎনগনি। অখঙ-অহৈশিংনা ফত্তে হায়রিবা থবক খুদিংমক তৌদনবা লাক্লগনি, মদুতদা এইদস হায়রিবা লায়না অসি ঐখোয়না লায়না মুখৎপা অমদি চঙহনদবা ঙমগনি।)*

চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা ঐচ. আই. ভি. /এইদস শন্দোকপগী চাং অমদি মওং অসি লম লমগী ওইনা খেন্নে। আফ্রিকা অমসুং এসিয়াদা নুপা নুপী হকতিন্নবদা শন্দোকপনা মশীং য়াম্মী, লেতিন আমেরিকাদা নুপা নুপী হকতিন্নবদা শন্দোকপনা মশীং হেল্লি, অদুগা নোংপোক ইউরোপনচিংবা নৌনা নীংতমলকপা লৈবাকশিংদনা পূন্না হীদাক কাপমিন্নবদগী শন্দোকখিবনা হেল্লি। হায়রিবা মফম পূন্নমকসিদা, মাগী মাগী লমগা চূনবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা নহারোলশিংবু ঐচ. আই. ভি. /এইদস তগী কন্ননবা হোৎনহৌদ্রবদি, মতম খরগী মতুংদদি লাইচৎসি পাক্তক্লনা শন্দোরক্তুনা মালেমদগী নহারোল পূন্নমক হাৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈ। এইদস নাবখক্তা নত্তবদা, নহারোলশিংগী মশা-মউ ফনা হিংনবা অমদি মীওইবগী অধিকার (Human Right) মাঙহন্দনবা হোৎনবা তাই।

ঙসি ফাওবা ঙাকথোরুবা নক্ত্রগা লায়েংনবা হীদাক লৈত্রিবা ঐচ. আই. ভি / এইদস চঙহল্লোই হায়রবদি, মসিগী মরমদা মুন্না খঙদোকপা তাই। খঙজিনবনা অমত্তা ঙায়রবা ঙাকথোরুবা পাম্বৈনি।

**ঐচ. আই. ভি/এইদস করিনো ?**

ঐচ. আই. ভি হায়বদি হুমেন ইম্যুন ডিফিসিয়েন্সি ভাইরাস (Human Immune Deficiency Virus) হয়বনি। মহীক অসিনা হকচাংদা চঙখ্রগা, মীওইবগী মশা ঙাকথোকচনবা লৈরিবা থৌরাং (Immune system) দা লান্দারক্তুনা মপাঙ্গল শোক্সহল্লি। হায়রিবা ইম্যুন সিস্টেম শোক্সরক্লবদা মখল কয়াগী লায়না চঙলক্তুনা মী অদুবু নাহল্লকই। ঐচ. আই. ভি হায়রিবা মহীক অসি পকখ্রবা মী অদুগী ঈ নত্ত্রগা ফস্বী (Genital Fluid) দা য়াওই।

এইদস হায়বদি এক্কার্দ ইম্যুন ডিফিসিয়েন্সি সিন্দ্রোম (Acquired Immune Deficiency Syndrome) হায়বনি। ঐচ. আই. ভি পকপা মী অমগী হকচাংদা য়াওরিবা ইম্যুন সিস্টেম অদু মপূংফানা শোক্সরবা মতমদা মখল কয়াগী লায়না চঙলকই; মখোয়শিং অদুদি টি. বি, ঊনশাগী লায়না, খোঙহাম্বা নত্ত্রগা লায়হৌ হৌবা অসিনি। মসিবু এইদসনা নাবা হায়না খঙনৈ। ঐচ. আই. ভি পকপদগী এইদস নারকপদা চঙবা মতম অসি মী মীদুগী লমচৎ-শাজৎ নত্ত্রগা পুন্সি মহিং অদুগী মখা পোল্লি। কনাগুম্বা অমদা চহী মঙা ওইবা য়াই, অতোপ্পা খরদনা চহী তরা হেনবসু য়াওই।

**ঐচ. আই. ভি করম্না শন্দোকই ?**

নীংশিংগদবদি, ঐচ. আই. ভি হায়বসি কনাগুম্বা অমদগী লৌরুদ্রবদি মতোমতা থোকচরকপা নত্তে। মহীক অসি শন্দোরক্লবা সুপ্নতগী লম্বী অহুমখক লৈ। মখোয় অদুদিঃ

১। চেকশিন- থৌরাং য়াওদনা হকতিন্নবা- (নুপি-নুপা- নত্ত্রগা নুপা-নুপা)

২। ঈদগী ঈদা- (চাংয়েং তৌদবা ঈ কাপ্পা, য়েৎতুম, সিরিঞ্জ নত্ত্রগা ঈ পকপা খূৎশু- খূৎলাই তিন্ননা শীজিন্নবা)

৩। মহীক অসি পকপা মমাদগী মচাদা- (মীরোল্লিঙৈ মতমদা অঙাং পোকপা মতমদা নত্ত্রগা মখোম পীথকপদা)

**ঐচ. আই. ভি. করম্না শন্দোক্তে ?**

মহীক অসি ইচম চন্না চামীন-থকমিন্নবা, শান্নমিন্নবা, খূৎশোক্লবা, চুপ্পবা, থবক শূমিন্নবা, ফি-রোল তিন্নবা, কোল্লিক পূনবা অমাংশঙ তিন্নবা নত্ত্রগা কাঙনা চিংবনা চীকপদা শন্দোকপা ঙমদে।

**করম্না ঐচ. আই. ভি/এইদস তগী ঙাকথোক্লদগে ?**



মখাদা পীরিবা থৌওশিংসি ইল্লবদি ঐচ. আই. ভি./ এইদস তগী লায়না ঙাকথোকপা ঙমগনি।

১। লুহোংদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুমপানবগী মরী লৈনরোইদবনি হায়বদি হকতিন্নরোইদবনি।

২। লুহোংদ্রিঙৈদা বর-কন্যা, নুপা-নুপী অনীমক মশা-মশা য়ানরগা ঐচ. আই. ভি টেষ্ট তৌথোকপা ফৈ। মরমদি মশক-মতৌ ফজবা অমসুং মশা কন্না অদুম উবা মী অমা ঐচ. আই. ভি. পক্লল্লোইদৌবা লৈতে। ঐচ. আই. ভি পক্তে হায়বদু হান্ননা খঙদোক্লরবদি পূক্লিং চমথোক্লরে। করিগুম্বা নিপা নত্ত্রগা নুপীদা পক্লল্লবসু নুংশিনবা অমসুং লৌন-লৈনবা অসুম য়াই। চেকশিন-থৌরাং তৌরগা অমনা অমদগী লৌদনবা অমসুং অঙাং পোক্তনবা হোৎনবা য়াই।

৩। লুহোংলবা মতুংদসু অতোপ্পগা হকতিন্নরোইদনি।

হকতিন্নবা মীগী মসীং হেনগৎলগা ঐচ. আই. ভি পক্লকপা য়াবগী থাক অদু হেনগৎলি। ঐগী ঐগী নিপা নত্ত্রগা নুপী অদুতনা থাজনা লেঙদবা হকচাংগী মরী লৈনরবদি ঐচ. আই. ভি পক্তবা লুহোংলবা পুন্সি অমা ফজনা লেনমিন্নবা ঙমই। অদুক য়াম্না ফিদম্নিংঙাই ওইবা ঙমদ্রবদি চেকশিনবা তাই। ফিভম পূন্নমক্তা অতোপ্পা অমগা হেক হকতিন্নবা তারবদি কোন্দোম শীজিন্নবা তাই।

৪। অনা-অয়েক নত্ত্রগা খুদোংথীবা য়াওরকপদা, নীংথিজনা চাংয়েং তৌরবা মহিক য়াওদবা ঈতমক কাপ্পিবা ফৈ। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ব্লদ বেঙ্কশিং হায়বদি রিমস, জে. এন. হোস্পিতাল অমুসুং চুড়াচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ফংলিবা ঈ খূদিংমক, ঐচ. আই.ভি- ১, ঐচ. আই. ভি- ২ হেপাতাইটিস বি, মেলেরিয়া অমদি শাইফিলিস (Shyphilis) কী মহীক য়াওবরা হায়না চাংয়েংতৌরবনি। করি করিগুম্বা মতমদা, অনাবগী কাঙবুনা মখোয়গা নক্লবা মরী- মতা, মরুপ-মপাংনা দান তৌরকপা ঈ কাপ্পিয়ু হায়না তকশিল্লকই। ঈ অদুদা ঐচ. আই. ভি. মহীক য়াওরম্লবদি, অনাবা অদুদা ঐচ. আই . ভি চংলক্তুনা খুদোংথীবা তাহল্লি।

৫। করিগুম্বা মতমদসু অতোপ্পগা য়েৎতুম অমসুং সিরিঞ্জ শুকতিন তিন্নরোইদবনি। য়েৎতুম, সিরিঞ্জ তিন্নবা হায়বসিদা য়ামদ্রবদা ঈ মরীক খরা অদুম তিন্নৈ। ঐচ. আই. ভি. পকপা মী অমগা য়েৎতুম সিরিঞ্জ তিন্নরবদি পক্তবা মী

অদুদসু ঐচ. আই. ভি চঙলকই।

**করম্বা নহারোলদা ঐচ. আই. ভি. চঙলকই?**

নহারোলদা ঐচ. আই. ভি চঙলক্লবগী মরুওইবা মরম খরদি ঐচ. আই. ভি পকপা মীগা হকতিন্নবা অমসুং য়েৎতুম সেরিঞ্জ তিন্নবা অসিনি। ঈ কাপ্পদা চঙলকপদি তাঙনা থোকই।

দ্রগ কাপ্পা অমসুং য়ু থকপনচিংবনা অফ-ফত্ত কাউথোকহল্লি, শোয়নিংঙাই ওইবা লীচৎ চৎলি অমসুং শোয়খ্রবদি তুংগী ফিভম অমসুং নুংঙাই য়াইফনা হিংবা পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লি।

ইনখৎলকপদা অঙাংশিংনা করি করিগুম্বা মতমদা অহল-লমনগী লীচৎ অমসুং মখোয়না তৌবা থবকপু মতৌ তন্নিংই; হকচাংগী পাঙ্গল উৎথোক্লিংই, য়ু থকই, ওক্তবী তিন্নরগা হকতিন্নবগী মহাও তংনিংলকই, মরুপ-মপাং ফংলগা দ্রগ চাংয়েং তৌই। হায়রিবা লীচৎশিং অসি ঐচ. আই. ভি পকপা য়াবা লীচৎ ঙাক্তনি।

পৃথিবীগী ওইনা ১৯৯৮ গী চহি লোইরকপদা ঐচ. আই. ভি পকপা মী কোটি অহুমদগী মরি ফাওবদা, শরুক অহুম থোকপগী অমদি মশাগী চহী ১৫ দগী ২৪ ফাওবগী নহারোলনি। নোংমদা নহারোল ৭০০০ কী চাংদা ঐচ. আই. ভি নৌনা পকই। পূন্না য়েংবদা ঐচ. আই. ভি পকপা মীগী চাম্মদা য়াঙ্খৈদি নহারোলনি। লৈবাক খরদদি চাম্মদা হুম্ফু য়ৌই।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা**

| | | |
|---|---|---|
| অধিকার | ঃ | ফংফম থোকপা। |
| ফম্বী | ঃ | য়েল, বীজ, সিমেন। |
| হকতিন্নবা | ঃ | পাদোংনবা, ফমদিন্নবা। |
| ব্লদ বেঙ্ক | ঃ | অনা-অয়েক্পী দরকার ওইরকপদা কাপ্পবা ঈ থম্ফম। |
| তকশিল্লকই | ঃ | নমশিল্লকই। |
| ঐচ. আই. ভি | ঃ | হুমেন ইম্যুন ডিফিসিয়েন্সি ভাইরাস, মীওইবগী হকচাংদা য়াওবা মশা ঙাকথোকচনবা পাম্বৈবু শোন্থহনবা মহীক। |
| এইদস | ঃ | এক্বার্দ ইম্যুন ডিফিসিয়েন্সি, হকচাংদা য়াওবা মশা ঙাকথোকচনবা পাম্বৈ শোন্থরকপা মতৌ। |



| | | |
|---|---|---|
| টি.বি | ঃ | ট্যুবরকুলোসিস, যক্ষার লোক (লায়না)। |

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু।**

১। অফ্রিকাদা ঐচ. আই.ভি/ এইদস শন্দোকপসি করিদগীনা হেন্না মশীং য়াম্বগে?

২। এসিয়াদা ঐচ. আই.ভি/ এইদস করিদগী শন্দোকপনা মশীং য়াম্বগে?

৩। হীদাক কাপমিন্নবদগী ঐচ. আই.ভি/ এইদস মশীং হেন্না শন্দোকপা লমশিংদু করি করিনো?

৪। ঐচ. আই.ভি/ এইদস লায়েংনবা করি পুথোক্লবগে?

৫। ঐচ. আই.ভি/ এইদস চঙহল্লোই হায়রবদি করি তৌবা তাই?

৬। এইদসকী লায়না-লাইওং করিনো?

৭। ঐচ. আই. ভি মহীক অসি মী অমগী করম্বা শরুক্তা য়াওই?

৮। করি তৌরগা ঐচ. আই.ভি পল্লকপা য়াবগী থাক অদু হেঙ্গৎপগে?

৯। কদায়দা ফংবা ঈবু অশেংবা ঈনি হায়না লৌবা য়াবগে?

১০। করি তৌরগা ঈ শেংই শেংদে খঙবগে?

১১। ঈদা করি করি য়াওববু শেংদবা ঈ কৌবগে?

১২। মরুপ-মপাংনা দান তৌরকপা ঈ কাপ্পগী খুদোংথীবা করিনো?

১৩। নহারোন্দা ঐচ. আই. ভি চঙলক্লবগী মরুওইবা মরমশিংদু করিনো?

১৪। ঐচ. আই. ভি চঙলক্লবগী মরুওইবা, অদুগা নহারোন্দদি তাঙনা থোকপা মরম অদু করিনো?

১৫। দ্রগ কাপ্পা অমদি য়ু থকপনচিংবনা করিবু কাউথোকহল্লি?

১৬। ইং ১৯৯৮ গী লোইরকপদা পৃথিবীদা ঐচ. আই. ভি পকপা মীগী মশীং কয়া ওইখিবগে?

১৭। ইং ১৯৯৮ গী লোইরকপদা ঐচ.আই. ভি পকপা মীগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি চহী কয়াদগী কয়া ফাওবগী মনুংগী নহারোলশিংনা ওইখিবগে?

১৮। নোংমদা নহারোল কয়াগী চাংদা ঐচ. আই. ভি নৌনা পকপগে?

১৯। পুন্না য়েংবদা ঐচ. আই. ভি পকপা মীগী চাদা কয়ানা নহারোল ওইবগে?

২০। লৈবাক খরদা ঐচ. আই. ভি পকপা নহারোলগী চাংসি কয়া ফাওবা য়ৌবা য়াওবগে?

**(খ) মখাগী পীরিবা ৰাহৈ পরেংশিংসি মুন্না পাউ, অদুগা হংলিবা ৰাহংশিংসি খুম্মুঃ**

"দ্রগ কাপ্পা অমসুং য়ু থকপনচিংবনা অফ-ফত্ত কাউথোকহল্লি, শোয়নিংঙাই ওইবা লীচৎ চৎলি অমসুং শোয়খ্রবদি তুংগী ফিভম অমসুং নুংঙাই য়াইফনা হিংবা পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লি।"

১। দ্রগ কাপ্পা অমসুং য়ু থকপনচিংবনা অফ-ফত্ত কাউহল্লিবা করিগীনো?

২। শোয়নিংঙাই ওইবা লীচৎ হায়বসি করিবুনো?

৩। তুংগী ফিভম অমদি নুংঙাই য়াইফনা হিংবদা থোকহনবা য়াবা অকায়বশিংদু করি করিনো?

৪। পুন্সিদা অকায়বা থোক্তনবা ঐখোয়না করি করি তৌবা তাই?

**(গ) মখাগী ৰাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ু।**

১। ঐচ. আই. ভি. হায়রিবসি করি হায়রিবনো? শন্দোক্লা ইয়ু।

২। এইদস হায়বসি করি হায়রিবনো? শন্দোক্লা ইয়ু।

৩। ঐচ. আই. ভি/ এইদস মুখৎনবা হোৎনদ্রবদি করি ফিভম ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈবগে?

৪। ঐচ. আই. ভি. অমদি এইদস অনীগী খেন্নবা হায়য়ু।

৫। ঐচ. আই. ভি. দগী এইদস ওইরকপদা মতম কয়ামুক চঙবা য়াই?

৬। ঐচ. আই. ভি শন্দোক্লকপগী মরমশিংদু করি করিনো?

৭। করি করি তৌরগা ঐচ. আই. ভি. শন্দোক্তবগে?

৮। লুহোংদ্রিঙৈদা বর কন্যা অনীমক ঐচ. আই. ভি. টেষ্ট তৌথোকপা ফৈ হায়রিবসি করিগীনো?

৯। ঈনখৎলকপা অঙাংশিংনা অহল-লমনগী মতৌ তন্নীংলিবসি করি করি শাজত্তনো?

****

# মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান ১৮৯১ ইং

## এলাংবম সোনামনি সিংহ

*(এলাংবম সোনামণি সিংহ (১৯২৯) দি এম কলেজদা হিষ্টোরীগী লেকচরর ওইরম্বদগী মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিসতা চঙদুনা কম্মিসনার ওইনা থবক্তগী পোথাখি। 'থম্মোয় বীনা' 'নির্ম্মল', 'যমুনা' 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোংদা লাকউদনা' 'মৈতৈগী ইজ্জৎ' 'হাজারী' নচিংবা ৰারী মচা উপান্যাস অমদি শৈরেংগী লাইরিকশিং ইদুনা ফোঙখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমী অমদি সাহিত্য একাদেমি এৱার্ড ফংখ্রে।*

*ৰারেং অসিদা অইবনা মণিপুরনা মতৌ করন্না বৃটিশশিংগী মখাদা লৌখিবগে হায়বদু ফোঙদোক্লি। নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তগী চেকশিন্না ঙাক্তুনা থমলক্লবা নীংতম্ববু ২০ শুবা শতাব্দীদা, মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং অমগা অমগা নুংশিনদবদগী বৃটিশনা মণিপুরবু লৌশিন্দুনা ইং রেজশিংগী লোই লৈবাক ওইহনখি। ইমাগী মকত্রবা মিংচৎ কোলোয়দা মীখা পোনবগী কালি তৈথি।)*

মনীং-মখা তন্না পাঞ্জবা লৈবাক অমনা মশাগী মনীংতন্না লৈজবদু মাঙদনবা মীরৈবাক্লা লান্দারকপা থিংনবা তৌরিবা লান অদু নীংতম লান্নি। মনীংতন্না লৈজবা মণিপুরসু ইং ১৮৯১ দা মনীংতম্বা অদু কঞ্জনবা লান্দারক্লিবা বৃটিশ লান্মীগা মরুওইনা খোংজোম লানফমদা অকনবা লান থেংনখি।

"জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরীয়সি" হায়বদি "ইমা অমসুং-পোক্লফম লমদন্না স্বর্গদগীসু হেল্লি" হায়বা সংস্কৃতকী মন্ত্র অসি মতমপুম্বদা চুমদুনতা লৈরবা ৰাফন্নি। 'স্বর্গ হায়বদি নুঙাইবতনা থল্লবা, অশি-অনা, অৱাৎ-অপা লৈত্রবা, মতমপুম্বদা নহাতা ওইনা লৈবা' লাইশিংগী লৈফন্নি। অদুনা মীওইবনা স্বর্গ ফংগে তান্নরিবনি। অদুবু মচাগী মফমদদি স্বর্গ অসিদগীদি অপোকপী মমা অমসুং পোক্লফম লমদন্না হেল্লিবনি, মরমদি ইমানা পোকপীদুনা তাইবঙ খোঙদারে, খোল্লাং পীথক্তুনা য়োকপিরে অমসুং তাকপী-তম্বীদুনা লৌশিং হাপ্পিরে। মসিগী মথক্তা স্বর্গদা ফংদবা অখাকপা লৈতনা কথোকপগা

লোয়ননা নুংশিবিবা মমানা মচাদা পীবিরি। মচাগী মরাল পূম্বা মমানা ঙাকপী অদুনা মচানা মমাগী খোল্লাং নামগী লমন শিংবা ঙমদে হায়নৈ। অসুন্না পোরুফম লমদম ইরৈবাক্না অখাকপা লৈতনা মাগী লৈজবা ঈশিং নুংশিৎ, মহৈ-মরোং পীবিদুনা মচা পূম্ববু য়োক্লী, থাক্লি, শারেপ ফাহল্লি। অদুনা স্বর্গদগীসু হেল্লিবনি। অসিগুম্বা পোরুফম লমদম্বু য়েরুবগী খুত্তগী কনবা হায়বসি মচা ওইবশিংগী তঙাইফদনা তৌফম থোকপা মথৌনি।

মনীংতম্বা জাতি, মশানা শাসন তৌজবা লৈবাক অদু মনীং তম্বা লৈবাক্নি। অসিগুম্বা লৈবাক অমগী শাসনদা মীরৈবাক্কী খুৎ চঙলবা অমসুং মখোয়গী য়াথং হিক্তোকপা ঙমদ্রবদি লৈবাক অদু মীখা পোল্লবনি। মীখা পোল্লবা লৈবাক্কী মীশিংগী অৱাবা শীংথানিঙাই ৱাহৈ লৈতে। শন্না হায়রবদা মীখা পোল্লবা মীশিং অদুগী য়ুম ইংখোল মরল-মথুম, থৱায়-হকচাং ৱাখলপুম্বা মশাগী নত্ত্রে, লোই চল্লিবা য়েরুবদুগী ওইখ্রে। মীখা পোল্লবা লৈবাক অদুগী মশাগী শক্তম মাঙলবনি, মীশিং অদু মরোল-মরি ফাইরবনি, ময়ুমদা লৈনা-লৈনা মীনাই ওইরবনি হিংনা শিরবনি। মরম অদুনা মরীল লৈবা, থৌনা ফবা, মনীং তম্বা জাৎনা হায়রিবনি "মীখা পোন্না চহী চামা হিংদৌ শরুক নোংমতং নীংতম্না লৈরম্নগা শিখিবনা হেন্না ফৈ"। অদুনা থৱায় থারবা ফাওবা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙারুবা হোৎনগদবনি। অসুন্না মণিপুরগী নীংতম্বা কন্নবা মরৈবাকনীংবা পাম্বা মণিপুরী মচাশিংনা খৃঃ ১৮৯১ দা লানফম কয়াদা য়েরুবা বৃটিশশিংগা অকনবা লান থেংনখি অমসুং পোরু ফম লমদমগীদমক্তা মথৱায় কৎখি।

ইং ১৮৯১ গী এপ্রিল থাদা য়েরুবা বৃটিশ লান্মীগা থেংনখিবা লানফম কয়াগী মরক্তা এপ্রিল তাং ২৩ দা খোংজোমদা থেংনখিবা লানফম অসিনা অথোইবনি। লানফম অসিদা মৈতৈশিংনা মায়থীখিবা মতুংদা বৃটিশ লান্মীনা অথিংবা লৈতনা চঙশিনখিদুনা তাং ২৭ তা মণিপুরগী কোনুং কংলা জয় তৌখি। নুমিৎ অদুদগী মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখি, মণিপুর বৃটিশকী মখা পোনখি। অদুনা খোংজোমগী লান অসিবু মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান হায়না খঙনৈ।

**লান অসি করন্না থোকখি ?**

মনীংতম্বা লৈবাক অমা নীংতম্বা মাঙদুনা মীখা পোনবগী মরুওইবা মরম অনীখক লৈ। ১ বা।- লৈবাক অদুগী মীশিং হায়বদি মচাশিং লিংজেন মান্নরক্তবা, তোখাই



তোখাই তানদুনা কাঙবু নাইনা য়েংথীনরকপা অমসুং ২ বা- লোইলম শন্দোক্লীংবা অচৌবা অকনবা লৈবাক্না য়ুমল্লোন্নরুবা।

(১) মচাশিংনা লিংজেল মান্ননা পূন্না লৈরিবা মনীংতম্বা লৈবাক লায়না জয় তৌবা ওইথোক্তবনি। লিংজেন মান্নরবা রাজপুতশিংগী লুচিংবা মেৱারগী রানা প্রতাপপু মোগল সম্রাট্ আকবরনা পাক লাকচবা ঙমখিদে, মেৱার পুম্বা জয় তৌবা ঙমখিদে। লিংজেন মান্নরবা মৈতৈগী লুচিংবা গরীবনিৱাজ মহারাজনা মতম অমত্তদা মণিপুরদা লান্দারকপা তখেল, অৱা অমসুং ময়াং লান্মীশিংবু মায়থিবা পীখি।

লিংজেনবু মান্নরক্তবা কাঙবু নাইনরক্লবদি লৈবাককী মীখা পোন্নবা মাঙন- তারুবা ওই। অসুন্না মৈতৈ মিংথৌ মচাশিং চৌরজিৎ মারজিৎ য়েংথীনরকপদগী অৱানা মণিপুর খৃঃ ১৮১৯ দা জয় তৌদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকখি, মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখি, অদুবু লিংজেল মান্নরবা মণিপুরী মচা কয়ানা গম্ভীর নরসিংহ অনীগী লুচিং মখাদা অৱাপুম্বা মায়থিবা পীদুনা খৃঃ ১৮২৫ দা মণিপুর অমুক হন্না মনীংতম্বা লৈবাক ওইখি। অসুন্না অমুক চন্দ্রকীর্তি মহারাজগী তুংদা মমা তিন্নদবা মপূং- মরৈ ফারবা মচানুপা নিপান অদুগী খ্বাইদগী অহন শুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওই। অদুবু শুরচন্দ্র মহারাজগা মমা তিন্নবা মচীল-মনাও মরিনা কাঙবু অমা ওই অদুগা লেমহৌরিবা মমা তিন্নদবা মচা মরি অমনা কাঙবু অমা ওইদুনা উংখৎনরকপদা খৃঃ ১৮৯০ সেপ্তেম্বরগী লালহৌ অমদা শুরচন্দ্র মহারাজবু তান্থোকখিবা অমসুং শুরচন্দ্রনা বৃটিশ সরকারদা ৱাকৎলুবদগী মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙনবগী মরম ওইখি।

(২) লৈবাক অমগী নীংতম্বা মাঙবগী অতোপ্পা মরুওইবা মরম অমদি লোইলম শন্দোক্লীংবা অচৌবা শক্তিগা য়ুল্লোন্নরুবসু অমনি। খৃষ্টগী ১৯ শুবা শতাব্দীদা বৃটিশ জাতি লোইলম শন্দোক্লীংবা অকনবা শক্তি অমনি। মখোয়না ভারতপুম্বা লোই চনশিন্দুনা মথং মথং লোইলম শন্দোরকপনা খৃঃ ১৮৮৪ দা অনীশুবা বর্ম্মাগী লান লোইবদা অৱা লৈবাকপুম্বা লোই চল্লে। মতমসিদা বৃটিশকী লম্না মায়কৈ মরি কোয়শিল্লবা পীক্লবা লৈবাক মণিপুরনা নীংতম্না লৈজবা অসি সাম্রাজ্যবাদি ইংরেজশিংগী মমীৎ নারম্মী। অদুনা অশোনবা মরুপ মণিপুরগী লৈঙাক শাসন্দা খুৎ কা-হেন্না থিংজিন্দুনা লৈবাক অসি লোই চন্নবগী খুদোংচাবা ঙাইদুনা লৈখি। খুদোংচাবা অদু খৃঃ ১৮৯০ দা কোনুং লালহৌদা শুরচন্দ্রবু

তাঙ্খোরকপা অমদি শুরচন্দ্রনা মখোয়দা ৱাকৎলুবা অদুনা ওইখি।

**লান অসি করম্না থুজিনহনখিঃ**

খৃঃ ১৮৮৬ তা চন্দ্রকীর্তি মহারাজনা নোঙ্গাখ্রবদা মচানুপা অহল শুরচন্দ্রনা মণিপুরগী নিংথৌ ওই। মমা তিন্নদবা মনাও কুলচন্দ্রনা যুবরাজ অমসুং টিকেন্দ্রজিৎনা সেনাপতি ওই। শুরচন্দ্রগা মমা তিন্ননা পোকমিন্নবা মনাও পাকাস্নানা শগোল হঞ্জবা, থম্বৌস্নানা শামু হঞ্জবা অমসুং গোপালস্নানা ফুঙ্গানাই শঙলাকপা অদুগা পোকমিন্নদবা মনাও অঙৌসনানা দোলাইরোই হঞ্জবা ওই। ইতোন তোনবা মমা তিন্নদবা মনাও জিলাঙস্বদি নহানি, ফম অমত্তা পায়দে।

শুরচন্দ্র মহারাজগা মমা তিন্ননা পোকমিন্নবা মনাও অহূন্না ময়াম্বনা নিংথৌ ওই হায়না ফন্দুনা ৱাঙাং-শাঙাংদা খরা ঙম্বা, কা-হেনবা শাজৎ চৎপতা নত্তনা মমা তিন্নদবা মচীল-মনাও মরি অদুবু উশিৎলমদে। অমদি শুরচন্দ্র মহারাজসু মনাওশিংগী মফমদা চপ মান্ননা য়েংবা অচান-মীরাই নাইদবা ঙম্লমদে; থোইদোক্লা পোকমিন্নবা মনাও অহুমগী মীচঙ হেক হেক চঙলম্মী। পাকাস্না শগোল হঞ্জবনা ময়াম্বা মতীক- মগুণ লৈবা খ্বাই মীয়াম্না থাগৎনবা টিকেন্দ্রজিৎ সেনাপতীবু কল্লক য়েংথীরম্মী অমসু অয়াম্বা মফমদা মহাকপু হেক হেক শীংনরম্মী। হিন্দী ফজনা খঙবা টিকেন্দ্রজিৎনা পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রীমউদ অমসুং মাগী নুপী মেম সাহেবগা হেন্না নকশিন্ননা তিন্নবা, শগোল কাঙজৈ ফজনা শান্নবা হৈবা টিকেন্দ্রবু খ্বাইনা থাগৎনবা, খ্বাইনা য়ানবা টিকেন্দ্রজিৎপু পাকাস্নানা হেন্না কল্লকপা, মরুওইনা মখোয় অনীমক্লা পান্বা মায়পাকপী কৌবী লৈশাবী অমগী হাক্তক্তসু মখোয় অনী য়াম্না নুংঙাইনরমদে। অদুনা টিকেন্দ্রজিৎকী মায়োক্তা নিংথৌ শুরচন্দ্রদা হেক হেক তমশিল্লম্মী। মরম অসিদগী মমা তিন্নদবা মচীল-মনাও মরি অদুনা মীচং অমা ওইরম্মী।

পাকাস্নানা, ময়াম্বনা নিংথৌ ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ৱাকোংবগী শেল ফংবা বিচার তৌবগী থবক কুলচন্দ্র যুবরাজদগী লৌথোকখি। অদুগা মরক মরক্তা খুদোংচাবা তাঞ্জাদা টিকেন্দ্রজিৎকী মনাইশিংবু ফুবা চৈবা তৌরম্মী। জিলাঙস্বনা কৈরাওদা কৈ ফাবা চৎপদা টিকেন্দ্রনা পীবা বেঙ্গুন অদু খোংদুন চৎপদা পাকাস্নানা লম্বীদগী মুন্দুনা লৌখি। মদুগীদমক ৱাকৎলূবদা শুরচন্দ্র মহারাজনা মনাও নুপা পাকাস্নাগী মীচঙদা লৈবগুন্না করিমত্তা তৌদনা লৈরম্মী।



মরম অদুনা টিকেন্দ্রনা মকোক ওইরিবা কাঙবু অদুনা, শুরচন্দ্র মহারাজনা মনাও নুপা পাকাস্নাগী ৱা লৌদুনা মখোয়বু নিংথৌশেম্বগী মরাল পীশিন্দুনা দণ্ডি পীরকপা য়াই হায়না য়াম্না কন্না থাজরম্মী। পাকাস্না অমুসুং মাগী কাঙবুনসু টিকেন্দ্রজিৎনা করি তৌরক্কদগে হায়না চিংনরম্মী, অসুন্না অনীসি উৎখৎনরকই। মতম অদুদা পাকাস্নানা যঞ্জেঙ্খোংগী থোংয়াইদা অচৎ-অওক পূম্বা থিংদুনা চৌবর শান্নরম্মী অমদি মানা থোয়বা খূদিংদা বেঙ্গুন খোংলম্মী। অসুন্না প্রজা- লম্বী চৎপশিং থিংলবদা টিকেন্দ্রজিৎনা যঞ্জেঙ্খোং তান্না চত্তুনা মনাও নুপা পাকাস্নাদা তৌদনবা হায়রুবদা ৱা অমা অনী ঙাঙনবদগী শাউদুনা পাকাস্নানা চৌবর মরু অদু লঙ্খাইবা শানা টিকেন্দ্রজিৎতা থাজিল্লমলগা চেনখিদুনা শুরচন্দ্রগী শঙ্গাইদা চঙদুনা লোৎখি। টিকেন্দ্রজিৎনা তান্নরক্তুনা শুরচন্দ্র মহারাজদা মনাওনুপা পাকাস্না লৈব্রা হঙ্গৎলুবদা মহারাজনা পাকাস্না লাক্তে হায়না খুমদুনা কনখৎখিবদগী টিকেন্দ্রজিৎনা অমুক হন্না মহারাজ শুরচন্দ্র উনখিদ্রে অমসুং ৱাকৎখিদ্রে। মসিনা কোনুং লালহৌগী অথুবা মরম ওইখি।

খৃঃ ১৮৯০ গী সেপ্তেম্বর থাগী তাং ২১ গী অহিং নোংয়াই মতুংদা টিকেন্দ্রজিৎ তানরল্লগা অঙৌস্না অমসুং জিলাঙস্বনা মখোয়গী খোঙলোই খরগা লোয়ননা শুরচন্দ্রগী শঙ্গাইদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। শুরচন্দ্রনা লান্দারক্লিবশিং অদুবু থৌনাফনা লাম্হেংনবগী মহুত্তা কিদুনা মনীংথোঙলোমদা চেনখিদুনা পোলিটিকেল এজেন্টকী রেসিডেন্সি য়ৌখি। মতমদুদা বৃটিশ লাম্মী য়াম্না মণিপুরদা লৈতবনা গ্রীমউদনা খুদক্তা মতেং পাংবদি ঙম্লমদে। পোলিটিকেল এজেন্টকী মতেং য়াম্না থুনা ফংগনি খল্লম্বদু ফংদ্রবদা আসামগী চিফ কমিসনর সিলচরদা লৈ হায়না তাবদগী নিংথৌগী গাদী থাদোক্লুগে, - বৃন্দাবন্দা লাইনীংলুরগে হায়না নিংথৌগী শম্পোৎপূম্বা মনাও নুপা টিকেন্দ্রদা পীরল্লগা সেপ্তেম্বর তাং ২৪ দা পোকমিন্নবা মনাও ৩ গা লোয়ননা মনাই- মশন ৬০ মুক পুদুনা গুর্খা সিফাই ৩৫ না ঙাকশেন্দুনা কাছার তান্না চৎখি। কাছারদা চিফ কমিসনার লৈরমদ্র বদা কলিকতা তান্না চৎখিদুনা ভারতকী গবর্ণর জেনেরেল অমসুং অসামগী চিফ কমিসনারদা ৱাকৎখি অমসুং মতেং পাংবীনবা হায়জখি। অসুন্না শুরচন্দ্র মহারাজনা পাঙদবা, মথৌনা লৈতবা অমসুং মচীল-মনাও মরক্তা মীচং-মীখাই নাইবদগী লালহৌসি থোকখি।

শুরচন্দ্রগী তুংদা কুলচন্দ্রনা নিংথৌ, টিকেন্দ্রজিৎনা যুবরাজ, অঙৌস্নানা

সেনাপতি অমসুং জিলাঙম্বনা শগোল হঞ্জবা ওইদুনা পানখি। নিংথৌগী-মচীল-মনাওশিংনা নিংথৌ খুভম মুন্নবগী লান্দি লৈবাক মনুংগী ৱানি। খৎনরিবা কাঙবু অদুগী মরক্তা অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মতেং নিরক্লবদি মতং অদু পাংবিবা য়াই। অদুবু অতোপ্পা লৈবাক অদুনা খৎনরিবা অনীদু কনানা চুম্বগে হায়না বিচার তৌদুনা অরানবা কাঙবু দণ্ডি পীবদি মীখা পোনবা লৈবক্তদি তৌবা য়াই, মনীংতম্বা লৈবাক্তদি মদু তৌফম থোক্তে।

খৃঃ ১৮২৫ গী য়েন্দাবো সন্ধিগী মতুং ইন্না মণিপুর মনীংতম্বা লৈবাক অমনি অমসুং মসিগী নিংথৌ গম্ভীর সিংহনি হায়না বৃটিশ সরকারনা শকখঙখি, অমসুং মরূপ ওইবা লৈবাক অমা ওইনা বৃটিশ সরকারগী মথক্তা লান্দারকপদা মণিপুরগী নিংথৌনা মতেং পাংবা অদুগা মণিপুরদা লান্দারকপদা বৃটিশ সরকারনা মতেং পাংবা হায়না য়ানদুনা মণিপুর নিংথৌনা বৃটিশকী মথক্তা লান্দারকপা য়েক্লবা কয়া লান পাংদুনা লাম্থেংনখি অমসুং বৃটিশ অফিসারশিং চখোক- চৎশিন্দা মতেং পাংখি। অদুবু অচৌবা শক্তি ওইরিবা বৃটিশনা মরূপ ওইরিবা মণিপুরগী অশোনবদা খুদোংচাবা লৌবদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি অমসুং লৈবাক মনুংগী শাসন্দা কা- হেন্না খুৎ থিংজিল্লকখি। মদুবু য়ানিংদবা মনীংতম্বা পাম্বা টিকেন্দ্রজিৎপু লমহেনবনি হায়না মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা জেমস জোনস্টোন্না ইরম্বদগী ভারতকী বৃটিশ সরকারনা টিকেন্দ্রজিৎপু লমহেনবা, বৃটিশ সরকারগী মায়োক্তা লৈবনি হায়না হেক্তা লৌই।

মরম অদুনা শুরচন্দ্র মহারাজনা তেংবাংবীনবা ৱাকৎলকপদা বৃটিশ সরকারগী গবর্ণর জেনেরেল লোর্ড লেন্সডাউন্না (খৃঃ ১৮৮৮-৯৪) মাবু পাংদুনা নিংথৌ খুভম হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা লোন্না বিচার তৌরগা টিকেন্দ্রজিৎনা লাল্লি হায়না লৌদুনা কুলচন্দ্রবুনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা শকখঙবা অদুগা অরানবা টিকেন্দ্রজিৎপু ফাদুনা মণিপুর ৱাংমদা বন্দি থম্বা হায়না অরোনবা রাই অমা তারগা আসামগী চিফ কমিসনার কুইন্টনবু রাই অদু মণিপুরগী দরবারদা খঙহন্দুনা থবকপূম্বা পাঙথোক্লবা সিফাই চামরীগা লোয়ননা খৃঃ ১৮৯১ গী মার্চ তাং ২২ দা মণিপুরদা থারকখি।

গবর্ণর জেনরেলগী অরোনবা হুকুম অসি মণিপুরদদি বৃটিশগী এজেন্ট গ্রীমউদ ফাওবা খঙলমদে। চিফ কমিসনর কুইন্টনবু কুলচন্দ্র মহারাজনা কংলা কোনুংগী নোংচুপ থোঙদা অয়ুক্কী পূং তরা তাবা মতমদা ওকখি। মতমদুদা চিফ



কমিসনর কুইন্টন্না পূং ১২ তাবদা রেসিদেন্সিদা (বড়সাহেব বাঙ্গলাদা) দরবার তৌসি টিকেন্দ্রজিৎনচিংবা মচীন-মনাও পূম্নমক্কা লোয়ননা লাকপিয়ু হায়না কৌরমখি অদুগা চেকশিন্না সিফাই সন্ত্রি মফম চানা থমদুনা টিকেন্দ্রজিৎপু নমদুনা ফাননবা শেম শাখি অদুবু মণিপুরগী নিংথৌ কুলচন্দ্র মহারাজগা লোয়ননা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, জিলাঙম্বা, থাঙ্গাল জেনেরলনচিংবা অঙম-অথৌ পূম্ববু রেসিডেন্সিগী থোঙ্গান্দা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পূং অমা হেন্না ঙাইহন্দুনা ইকায়বা পীরকপনা মথৱায় নুংঙাইতবদগী মশা ঙমলক্ত্রবা টিকেন্দ্রজিৎতি কোনুংদা হনখি। টিকেন্দ্রজিৎ হনখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা মহাক য়াওদ্রবদি দরবার তৌররোই হায়না কুলচন্দ্র মহারাজনচিংবা ময়াম পূম্বা রেসিডেন্সিগী থোঙ্গান্দগী কংলা কোনুংদা হনখি। মথংগী নুমিৎ তাং ২৩ গী অয়ুক্তা দরবার অমুক তৌসি হায়রকপদা টিকেন্দ্রজিৎতি চানমক্লা নারদুনা য়াওবা ঙম্লরোই হায়না খঙহল্লকপদগী দরবার অদু তৌদ্রে। নুমিদাংৱাইরম কংলা কোনুংদা বৃটিশ সরকারগী হুকুম অদু হায়দোকহল্লুই অমসুং হুকুম অদু ঙাক্লনবা টিকেন্দ্রজিৎপু থেম্নবা ওইনা তক্লরুই। অদুবু মণিপুর দরবারনা খন্নরগা টিকেন্দ্রজিৎপু নাবা ফরবা মতুংদা খঙহঞ্জরগে হায়বদগী য়াররোই হায়বা খঙলদুনা চিফ কমিসনর কুইন্টন্না টিকেন্দ্রজিৎপু লান্দাদুনা ফানবা শরৌ শিল্লগা মখোয় মথংগী নুমিত্তা হনখ্রগে পোৎ পুনবা কুলি শীনবিয়ু অদুগা নুংদাংদুদা মণিপুরী জগোয় য়েংগনি হায়বদগী কুলচন্দ্র মহারাজনা মদু পূম্নমক্তু শীনখি। নোং ঙানগদবা পুং ৮ ৱাৎলিঙৈদা জগোই শাবীশিংদু রেসিডেন্সিদগী হল্লকখি। মথংগী নুমিৎ তাং ২৪ গী অয়ুক পূং ৩ হেল্লবতুং, নোংঙানগদবা পূং ১ ৱাৎলিঙৈ, মী পূম্নমক্লা তূম্ন- হিপ্নরিঙৈদা কর্ণেল স্কীন্না লুচিংবা বৃটিশ সিফাইশিংনা কংলাগী নোংচুপ থোঙ অমসুং যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী শঙ্গাইদা লান্দাখি অমসুং খুদুম চনশিনখি । যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী শঙ্গাইদা তূল্লিবা মী ফাওবা য়াওনা মী কয়ামরুম সিফাইনা সঙ্গীন্না থিন্দুনা হাৎখি। নূপী অঙাং কায়দুনা চেন্নে অমসুং পুখ্রনবা তংকোনা চোংথোক্তুনা চঙলক্লিবা সাহেবকা খূৎনা ফংনা য়ান্নদুনা শিমিন্নে, তৌইগুম্বসুং টিকেন্দ্রজিৎ যুবরাজদি মফমদুদা লৈরমদদুনা ফাবা ঙমখিদ্রে। নুমিৎচুপ্পা কাপ্নরবা, লাম্থেংনরবদা মৈতৈ লান্মীগী মখুত্তা মায়থিবা তারদুনা নুমিৎ তাবা মতুং পূং ৭ তারবদা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্নদুনা চিফ কমিসনার কুইন্টন্নচিংবা কংলা কোনুংদা লাক্তুনা সন্ধি তৌনবা ৱা খন্নখি। মদুদা য়ানদদুনা চিফ কমিসনার কুইন্টল, কর্ণেল স্কীন, পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রীমউদ, লেপ্টিনেন্ট

সিমসন অমসুং মিঃ কসিন্সপু হাৎখি, অমসুং নৌহৌনা রেসিডেন্সিদা লান্দাদুনা বৃটিশ লান্মীপুন্বা মায়থিবা পীখি, রেসিডেন্সি মৈ থাদোকখি। পোলিটিকেল এজেন্ট গ্রীমউদকী মেম সাহেব, লেমহৌরিবা ওফিসার অমসুং লান্মী খরগা লোয়ননা কাছাড়রোমদা চেনখি। লংথবান্দা লৈবা বৃটিশ লান্মী খরা অদুনা তমুরোমদা চেনখি। অসুন্না চিফ কমিসনার কুইন্টন্না পুরকপা কংলা কোনুংদা লান্দারকখিবা সিফাইপুন্বা মায়থিবা পীদুনা মণিপুরগী সিমানা ৱাংমা লান্না তাম্হোকখি।

তমুরোমদগী লাঙ্গারকপা লেপ্টিনেন্ট গ্রান্টকী লান্মী তেঙ্গোল অমনা মার্চ তাং ৩০ দা থৌবাল ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা অথোকপমদা তেঙ্গোল শাদুনা, থৌবাল তন্না চঙশিল্লকপা অঙৌস্না সেনাপতি হাউজৌস্না য়াইস্কুলাকপনা লুচিংবা মৈতৈ লান্মীগা নুমিৎ ৯ নি চুপ্পা লাম্থেংনখি। এপ্রিল তাং ৮ দা হাউজৌস্না য়াইস্কুলাকপা অমসুং মচানুপা স্নাহল-মপা মচানা বৃটিশ লান্মীগা খূৎনা ফংনা য়ান্নদুনা লানফমদা মথৱায় থাখি। তাং ৯ গী অয়ুক্তা মায়থীরবা বৃটিশ লান্মী লোন্না চেনখি।

অসুন্না লান্মী ৫০০ হেনবা বৃটিশ লান্মীবু মপূংফানা, মাঙতাক্না মায়থিবা পীদুনা চিফ কমিসনার কুইন্টনগা লোয়ননা লান্মী মকোক কর্ণেল স্কীননচিংববু হাৎখ্রবদা শাউরবা বৃটিশ সরকারনা মণিপুরগী অৱাং নোংপোক অমসুং নোংচুপ্লোম হায়বদি কোহিমা, তমু অমসুং শিলচররোমদগী চাউরবা মশীং থিঙমদ্রবা লান্মী তেঙ্গোল অহুস্না মণিপুরদা এপ্রিলগী অরোইবা চায়োলদা লানদারকখি। কোহিমারোমদা ব্রিগেডিয়ার জেনরেল গ্রাহাম অদুগা শিলচররোমদা কর্ণেল রেনিক্না লুচিংলকখি। অৱাংলোমদগী লাকপা লান ঙাক্লবা খুরাইলাকপা, লাইশ্রবা জন্তুবান মেজর, মাইব্যা তাম্রসিং সুবদারনা লাম্মী ৭০০ পুদুনা চৎখি। নোংচুপ্লোমদা লান্দারকপা ঙাক্লবা কালস্না শগোলহঞ্জবা, স্নাঙাংবা লৌরুং পুরেন য়েনখোয়বা মেঞ্জরনা লান্মী লীশিং অমগা লেয়ননা লাইমতোনদা লানবন শাদুনা থেংনখি। নোংচুপ্লোমদা স্না ৱাংখৈরাকপা য়েনখোইবা মেঞ্জরনা লান্মী ৭০০ পুদুনা থৌবালদা লানবন শাই। নোংপোক্লোমগী লানসি কল্লি হায়না পাউনা ব্রজবাসী মেঞ্জর, চোংথামিয়া মেঞ্জরনা চিংদুনা লান্মী ৪০০ অমা খোমজিন্দুনা খোংজোমদা তেঙ্গোল শাই। ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলানা লুচিংবা মৈতৈ লান্মী ৩০ না পলেল তন্না এপ্রিল তাং ২৩ দা ককচিংলোমদা চঙশিনখি। ককচিংদা হান্ননা য়ৌদুনা লৈরম্লবা মেঞ্জর লেসলীগী বৃটিশ সিফাইগা খূৎনা ফংনা য়ান্নদুনা মৈরাবা পোইলাগা লোয়ননা



মৈতৈ লান্মী ২০ হেন্না শিখি, অতৈনা নাম্থোক্তুনা চেনখি।

এপ্রিল তাং ২৩ দা বৃটিশ লান্মীনা ককচিং খুদুম চনখিবতা নত্তনা লাঞ্জাবা বৃটিশ সিফাইনা তাং ২৩/২৪দা লাঙথেল, সাপম, বর্মা লম্বীগী নোংপোক- নোংচুপ থংবা লম- খোংজোম ময়া ফাওবা পায়শিনখিবনা পাউনা মেঞ্জর অমসুং চোংথামিয়া মেঞ্জর পলেল য়ৌবা য়াদদুনা খেবা চীংদা অপীকপা লানবন অমা অমসুং বর্মা লম্বীগী নোংচুপ্তা খোংজোম তুরেল তোর্বান্দা গজ ৪০ রোম পাকপা ৫০ রোম শাংবা লৈপল অমদি লাংখোংনা কোয়শিনবা লানবন শাদুনা বৃটিশকা লান থেংননবা শেম শাখি। বৃটিশ লান্মীনা লাঙথেল চীংদা তোপ খিন্দুনা এপ্রিল তাং ২৫ গী অয়ুক্তা মৈতৈ লানবন তন্না তোপ কাপথরকখি। পাউনা ব্রজবাসীনা থৌবালদা লৈবা মৈতৈ তেঙ্গোল অচৌবদা তোপ পীবিনবা হায়জরুবদসু তোপ পীরকখিদে।

কেপ্টেন রুন্দেল, কেপ্টেন দ্রুরী, কার্নগী, লেপ্টিনেন্ট গ্রান্ট অমদি লেপ্টিনেন্ট কোকসনা লুচিংবা, লান্মীনা মণিপুর তেঙ্গোলবু মখা অৱাং অমসুং নোংচুপ্তা মায়কৈ অহুম্মক্তগী লান্দাখি। " লৈবাক মচাশা, মখোয়গী মরুন্দি য়ৌরে, ঐখোয়গী মরুন্দি য়ৌবা ঙমদ্রে, পাউ অহুন্নক হায়খিববু তোপ পীরক্কে ঐখোয় পূন্নমক হিংলরোই, চেন্দুনা শিবদি ফত্তে, মায়সু ওল্লরোই" হায়দুনা পাউনা ব্রজবাসীনা থাঙ শত্তুনা লান্দারক্লিবা য়েরুবা তন্না হোৎচিনখি। পাউনা মেঞ্জর, চোংথা মেঞ্জরনচিংবা সরদার পূন্নমক মপা মপা চোংশিন্দুনা খূৎনা ফংনা য়ান্নরে। গুলিনা পান্দুনা, সঙ্গিন্না থিন্দুনা মী য়াম্না শিরে বৃটিশ সরকারগী মচীন থংবা লান্মীসু য়াম্না শিখি। নুমিৎ তারকপা মতমদা মৈতৈ তেঙ্গোল পুংমুৎ মুৎলে। লাংখোং মনুংদা মরোল মরোল লোন্নদুনা তারিবা অশিবা অমদি লানবনগী মপান্দা নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা শিখিবা য়াওদনা লানবন মনুংদা অশিবা মৈতৈ লান্মী ৭৬ অমসুং লানবনগী মপান্দা ৫২ গী অশিবা অমদি অশোকপা মশা ফংই। পুন্না মৈতৈ লান্মী ৪০০ গী মনুংদা অশোকপা য়াওনা লানফমদগী কায়দুনা চেনখিবা লান্মী ১০০ রোম হিংখি হায়নৈ। মৈতৈ লান্মী লুচিংবা পাউনা ব্রজবাসী, হৈরাংখোংজা, চীংলেনস্না, খুম্বোং মেঞ্জর, লোইতোংবা জমাদার, কৈশাম জমাদারনচিংবা লানফমদা শিখি। চোংথামিয়া মেঞ্জর শাথিনা শোকখি। বৃটিশকী মায়কৈদা জমাদার কিরিঞ্জ লোয়ননা সিফাই কয়ামুক শিখি অমদি কেপ্টন দ্রুরি, কেপ্টেন কার্নগী, লেপ্টিনেন্ট কোকস, লেপ্টিনেন্ট গ্রান্ট, সুবদার মেঞ্জর কুলপতি

গ্রুং, জমাদার বারবল, নগর কাটিনচিংবা কয়া থীনা শোকখি। লান্দা শাথিনা শোক্লবা চোংথামিয়া মেঞ্জরনা অহিংদা চেল্লক্তুনা থৌবাল লানশঙ য়ৌবদা লানশঙ অদু পুমহাঙ হাঙলল্লে। খোংজোমগী পাউ ফংবদা থৌবালদা লৈবা মৈতৈ তেঙ্গোল অচৌবা ইম্ফাল কোনুং তন্না নীংহন্নরক্লে।

খোংজোম লানগী তুংদা মথং লান অমুক তৌখিদ্রে। বৃটিশ লান্মীনা অপনবা লৈতনা চঙশিল্লক্তুনা থৌবালগী অহাঙবা লানশঙদা পোথারিবা লান্দা শোক্লবা চোংথামিয়া মেঞ্জর ফাখি অমসুং তাং ২৭ তা ইম্ফাল কোনুং য়ৌখি। নোংচুপ্লোমদগী লাকপা কর্ণেল রেনীক্কী বৃটিশ সিফাইশিংনা লাইমতোন চীংদা লৈরম্বা মৈতৈ লান্মীশিংবু তাম্থোকখ্রবতুংদা অথিংবা লৈতনা লান অমুক তৌদনা তাং ২৭ কী অয়ুক্তা কংলা কোনুং য়ৌখি। অসুম্না কোহিমারোমদগী লাকপা জেনরেল কোলেটকী লান্মীশিংসু অথিংবা লৈতনা লান ইতৌ তৌদনা কংলা কোনুং য়ৌরকখি। অসুম্না খোংজোম লানগী মতুংদা মণিপুরীশিংনা বৃটিশ লান্মীগা মায়োক্নদুনা লান অমুক থেংনখিদ্রে। খোংজোমদা মণিপুরীশিং না মায়থিখিবা অসিনা মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখ্রে, মীখা পোল্লে। অদুনা খোংজোম লান অসিবু মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান হায়না খঙনরিবনি।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপা**

| | | |
|---|---|---|
| মনীংতম্বা | ঃ | মীখা পোন্দবা |
| কঞ্জনবা | ঃ | ঙাকচনবা |
| বৃটিশ লান্মী | ঃ | ইংরেজ লান্মী |
| জননী | ঃ | ইমা |
| জন্মভূমি | ঃ | পোক্লফম লমদম |
| মন্ত্র | ঃ | লাইৱা |
| স্বর্গ | ঃ | লাইরৈবাক |
| তাইবঙ খোঙদারে | ঃ | তাইবঙদা লাক্লে (পোক্লরে) |
| খোল্লাং | ঃ | ইমাগী খোম |
| লমন শিংবা | ঃ | অতোনবা শিংদোকপা |
| শাসন | ঃ | লৈবাক ঙাকপগী মওং |
| ফাইরবনি | ঃ | শেংদ্রবনি, লৌবা য়াদ্রবনি |



| | | |
|---|---|---|
| তোখাই তোখাই | ঃ | তোঙান তোঙান |
| সাম্রাজ্যবাদী | ঃ | লোইলম শন্দোকপগী থবক |
| মমিৎ নাবা | ঃ | য়েংনীংদবা |
| লোই চনবা | ঃ | খুদুম চনবা |
| নোঙ্গাখ্রবদা | ঃ | শিখ্রবদা |
| যুবরাজ | ঃ | মথং খনবা, ক্রাউন প্রিন্স |
| সেনাপতি | ঃ | লাঞ্জিংলেন, জেনরেল |
| শগোল হঞ্জবা | ঃ | শগোল পান্নবা ফম্নাইবা অচৌবা |
| শামু হঞ্জবা | ঃ | শামু পান্নবা ফম্নাইবা অচৌবা |
| ফুঙ্গানাই শঙলাকপা | ঃ | মীনাইশিং পান্নবা |
| দোলাইরোই হঞ্জবা | ঃ | দোলাই থবক পাননবা নিংথৌগী মচা-মশুনা ওইবা ফম |
| ফন্দুনা | ঃ | পোঙদুনা |
| ঙনবা | ঃ | কনবা, য়াকপা |
| ৱাকোংবগী শেল | ঃ | দণ্ডি তৌবগী শেল, জরিমানা তৌবা |
| রেসিডেন্সি | ঃ | পোলিটিকেল এজেন্টনা লৈবা য়ুম |
| লাইশ্রবা | ঃ | লাইশ্রম নূপা |
| মাইব্যা | ঃ | মাইবম নূপা |
| লৌরুং পুরেল | ঃ | লৌ ইংখোল পান্নবগী ফম |

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) মখাগী ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। খোংজোম লান হায়রগা করম্বা লানবু খঙনবগে?
২। স্বর্গদগী হেনবা পোৎ করিনো?
৩। স্বর্গ হায়বসি করম্বা মফম্নো, মসিদা কনা কনা লৈবগে?
৪। মমানা মচাদা করি পীবগে?
৫। বৃটিশনা খৃষ্টাব্দ কয়াগী করম্বা নুমিত্তা মণিপুরগী কোনুং জয় তৌখিবগে?
৬। রানা প্রতাপ কনানো?
৭। তখেল, অৱা অমদি ময়াং লান্মীশিংনা মতম অমত্তদা কদায়দা

লান্দারকখিবগে? কনানা  মখোয়বু মায়থিবা পীখিবগে?

৮। অৱানা মণিপুরবু খৃঃ ১৮১৯ দা জয় তৌবা অদুবু মণিপুর ইতিহাসতা করি হায়রগা  খঙনবগে? মদু কনা কনা য়েংথিনবদগী থোকখিবনো?

৯। খৃঃ ১৮১৯ গী লান্দা কনা কনানা অৱাবু তাম্বোক্তুনা মণিপুরবু মনীং তমহনখিবগে অমসুং  খৃষ্টাব্দ কয়াদনো?

১০। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা মচানুপা কয়া পোক্লম্মী? মচাশিংদুগী মনুংদা কনানা খ্বাইদগী অহন্নো?

১১। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মচাশিংগী মরক্তা কনা কনা মীচঙ ওইনখিবগে?

১২। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতুংদা মচাশিংগী মরক্তা কনা কনানা মণিপুরগী করি করি  ওইনখিবেগে?

১৩। ৱাকোংবগী অমদি বিচার তৌবগী থবকসিং কনানা পানরম্মী?

১৪। কনানা করি মরমদগী ইং ১৮৯০,সেঃ তাং ২১গী অহিং নোংয়াইদা কনাগী মথক্তা লান্দাখিবগে?

১৫। সুরচন্দ্রনা করিগীদমক্তা নিংথৌ খুভম থাদোক্তুনা বৃন্দাবন চৎলগে হায়দুনা শিলচরদা চৎখিবনো?

১৬। মিঃ কুইন্টন্না রেসিডেন্সিদা নিংথৌগী মচীল-মনাও পূম্বা দরবার তৌসি কৌরিবদু করিগীদমক্তনো?

১৭। জগোয় রাসকী অহিংদা বৃটিশশিংনা টিকেন্দ্রজিৎ ফানবা করি করি তৌখিবগে?

১৮। কংলাদা শিখিবা অঙৌবশিংদু কনা কনানো? করিগীদমক্তা মখোয় শিখ্রিবনো?

১৯। বৃটিশশিংনা করম করমবা মায়কৈদগী মণিপুরদা লান্দারকখিবগে?

২০। খোংজোমগী লানফমদা শিখিবা মণিপুরগী লুচিংবা অথৌবশিংদু কনা কনানো?

২১। বৃটিশকী মায়কৈরোমদা কনা কনা শিখি অমদি শোকখি?

২২। চোংথামিয়া মেঞ্জরবু কনানা কদায়দগী ফাখিবগে?

**(খ) মখাগী  ৱাহৈ পরেংশিং অসি পাউ, অদুগা ৱাহংশি অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

"লৈবাক মচাশাহুু মখোয়গী মরুন্দি য়ৌরে, ঐখোয়গী মরুন্দি য়ৌবা ঙমদ্রে। পাউ অহুল্লক হায়খিববু তোপ পীরক্রে; ঐখোয় পূন্নমকসু হিংলরোই চেন্দুনা শিবদি ফত্তে, মায়সু ওল্লরোই"



১। কনানা কনাদা হায়রিবনো?

২। করম্বা মতমদা অমসুং কাদায়দা হায়রিবনো?

৩। 'মখোয়গী' হায়রিবসি কনা কনাবুনো?

৪। কনানা তোপ পীরক্ত্রিবনো?

৫। 'মখোয়গী মরুন্দি য়ৌরে ঐখোয়গী মরুন্দি য়ৌবা ঙমদ্রে' হায়রিবসি করি মরমদগীনো হায়বদু নশাগী ৱাখলনা খুম্মু।

**(গ) মখাগী পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু।**

১। ইমা অমসুং পোক্নফম লমদম্না স্বর্গদগী হেল্লি হায়রিবা করিগীনো?

২। মীওইবনা করিগী স্বর্গ ফংগে তান্নরিবনো?

৩। খোল্লাং লমন শিংঙমদে হায়রিবা করিগীনো?

৪। 'মীখা পোন্না চহী চামা হিংদৌ শরুক নোংমতং নীংতম্না লৈরম্লগা শিখিবনা  হেন্না  ফেহু'  হায়রিবসি  করিগীনো?

৫। ইং ১৮৯১ এপ্রিল থাদা মৈতৈ লান্মীগা বৃটিশ লান্মীগা লানফম কয়া থেংনখিবগে? অখঙবা খরা ইয়ু।

৬। খোংজোম লানবু করিগীদমক্তা মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান কৌরিবনো?

৭। নীংতম্বা লৈবাক্না নীংতম্বা মাঙদুনা মীখা পোল্লিবগী মরু ওইবা মরম অনী অদু করি করিনো?

৮। চন্দ্রকীর্তি মহারাজগী মচাশিং করি মরমদগী য়েংথীনরিবনো?

৯। পকাস্নানা তৌখি হায়রিবা থওই- উশিত্তবগী থবকশিংদু করি করিনো?

১০। বৃটিশনা মণিপুরবু হান্নদগী করি ৱাখল খল্লকপগে? বৃটিশকী ৱাখলদু মপূঙ ফাহন্নবা করি খুদোংচাবা মণিপুরনা পীখিবগে?

১১। আসামগী চিফ কমিসনার কনানো? মহাক্না করিগীদমক মণিপুরদা লাকখিবগে?

****

# সাহিত্য

**দ্বিজমণি দেবশর্মা**

*(দ্বিজমণি দেবশর্মা- খৃঃ চহী ১৯০২ দা উরীপোক নাগমপাল, ইম্ফালদা পোকই। হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্য শেমগৎপদা শরূক য়াখিবা লময়ানবা অইবা অমনি। সঙ্গীত কলাগী মতিক মগুন লৈবা কলাকার অমনি। মণিপুরগী সিক্ষাগী হৌগৎলকপা মতাংদা মহাক্না ডিপুটি ইন্সপেক্টর অব স্কুলস ওইরম্মী। মতুংদা ডি. এম. কোলেজকী প্রিন্সিপাল ওইখি। মহাক্কী অফোংবা লাইরিকশিংগী মনুংদা* Anglo Manipuri Dictionary *অমসুং* Hindi to Manipuri & English Dictionary *অনী অসিনা মরুনি।*

*সাহিত্য হায়বা ৱাহৈ অসিগী অর্থ অমসুং মসিগী দোষ, গুণনচিংবা ৱারেং অসিদা মচা তানা নৈননবা হোৎনবগা লোয়ননা করম্বা মীওইনা সাহিত্য ই অমসুং মখোয়না ইবা সাহিত্যনা করম্না অফবা অমসুং অৱাংবা থাককী সাহিত্য ওইরিবনো হায়বসি ৱারেং অসিদা অইবা অসিনা য়াম্না মরীক চুম্না ইরি।)*

সাহিত্য হায়বা শব্দ অসি 'সহিত' শব্দাদা 'ষঞ' প্রত্যয় তৌদুনা থোকপনি। 'সাহিত্য'গী অর্থদি 'লোয়নবনি'। লোয়নবগী মতৌবু নত্রগা থবকপু সাহিত্য কৌই। ৱাহৈ অসিগী তোঙান-তোঙানবা অদুগা অমগা অমগগী মরী লৈনবা অর্থ অহুমখক লৈ হায়বসি সংস্কৃত সাহিত্যদগী খঙবা ঙমই। ভর্ত্তৃহরিগী "সাহিত্য সঙ্গীতকলাবিহীন; সাক্ষাৎ পশু; পুচ্ছবিষাণহীণ" হায়বা শ্লোক অসিদা সাহিত্য হায়বা ৱাহৈ অসি কাব্যগী অর্থদা শাজিন্নরি। মম্মঠ, জগন্নাথ, বিশ্বনাথনচিংবা অলংকারিকশিংগী কাব্যগী সংজ্ঞাদা কাব্য হায়বনা পদ্যগী প্রবন্ধ ঙাক্তা খঙনগনি হায়বা য়াওদ্রবসু কাব্য হয়বনা পদ্যগী প্রবন্ধ ঙাক্তা খঙনরকপগুম তৌই। মদুগী মরমদি সংস্কৃত সাহিত্যদা গদ্যগী প্রবন্ধ য়াম্না তাঙবনা মদুবুদি থৌওইদদুনা পদ্যগী প্রবন্ধদতা লুনা তৌনখিবদগী অকোনবা অসিবুতা কাব্য ওইনা লৌনখিবনি। "সাহিত্য দর্পন, প্রতিহারেন্দুরাজগী "সাহিত্য শ্রীমুরারেঃ" অমসুং শ্রীকণ্ঠচরিততা য়াওবা "বিশাল-সাহিত্যবীদ্যাহপরএগুণ; কথঞ্চিৎ প্রথতে কবীনাম' হায়বা অসিদগী



সাহিত্য হায়বা ৱাহৈ অসি সাহিত্য শাস্ত্র (অলংকার শাস্ত্র পোয়টিক্স) কী শীজিন্নৈ হায়বা খঙবা ঙমই। বিলহনগী বিক্রমাঙ্কদেব চরিতকী "সাহিত্য-পয়োনিধি মন্থনোহহং কর্নামৃতং রক্ষত হে কবীন্দ্রহ্লু" হায়বা শ্লোক অসিদা সাহিত্য হায়বা ৱাহৈ অসি সাধারণ ওইনা গদ্য অমসুং পদ্যগী প্রবন্ধ পূম্নমক (লিটরেচর ইন জেনেরেল) খঙনবগী অর্থদা শাজিন্নরি।

মথক্তা হায়রিবা সাহিত্য শব্দগী অর্থ অহুম অসি অমগা মরী লৈনৈ। "শব্দর্থৌ সহিতৌ কাব্যম্" হায়না সংস্কৃতকী সাহিত্যকশিংনা ইরি। মসিগী অর্থদি শব্দ অমসুং অর্থ অনীমক্না পূল্লগা ওই হায়বনি। সাহিত্য হায়বা শব্দ অসি সংজ্ঞা অসিদা য়াওরিবা 'সাহিত্য' শব্দদগী থোকখিবা ওইবা য়াই। শব্দগা অর্থগা লোয়নববু কাব্য কৌবদগী সাহিত্য হায়রগা কাব্যবু অদুগা সংজ্ঞা অসি পীবা কাব্য ইবগী হৌনবী পূম্নমক ইবা অলঙ্কার শাস্ত্র অদুবুসু সাহিত্য হায়না খঙনখিবনি হায়বা য়াই। সাধারণ ওইনা গদ্য অমসুং পদ্যগী প্রবন্ধ পূম্নমকপু খঙনখ্রিবা অসিদি অর্থ অদু পাকথোকখিবতনি। হৌজিক্কী মতমদা সাইন্টিফিক লিটরেচর নচিংবা ৱাহৈ উবদগী সাহিত্য (লিটরেচর) গী অর্থ অসি অমুকসু মথং মথং পাকথোক্লে হায়বা উবা ফংই।

হৌজিক্কী মতমদা সাহিত্যগী অর্থ য়াম্না পাকই। মসিগী মখল য়াম্না লৈ। অহানবদা চাউরাক্না মখল অনী থোক্না খায়দোকপা য়াই, গদ্য অমসুং পদ্য। করিগুম্বা সাহিত্যগী লাইরিক্তা গদ্য অমসুং পদ্য অনীমক পুল্লি। মহাকাব্য, কাব্য, নাটক, কথা, অখ্যায়িকা জীবনচরিত অসিনচিংবা সাহিত্যগী মখল য়াম্না লৈ। মখল ময়াম অসিবু খুদুম চনবা ওইথোক্তবনি। ময়াম অসিদগী অমবু মতীক চানা ফজনা ইবা মী পূম্নমক্কী লাইবক্তা থোকপা নত্তে। ভামহনা হায়রিঃ "কাব্যং তু জয়তে জাতু কস্যচিৎ প্রতিভামত" হায়বদি কাব্য হায়বসি প্রতিভা লৈবা মীদগী থোকই; মদুসু মতম পূম্নমক্তা নত্তে; মী অদুনা ইবা লাইরিক পূম্নমক কাব্য ওইগদবা নত্তে, মহাক্কী পুক্লিং য়াম্না নুঙাইরিঙৈদা অমসুং অফবা কবিতা ইবগী পুক্লিংগী ঈথক হৌরকপা মতমদা ইবা অদুনতা কাব্য ওইগদবনি। সংস্কৃতকী সাহিত্য শাস্ত্রদা খ্বাইদগী মকোক থোংলবা মম্মঠনা কাব্য থোকপগী কারণ হায়রিঃ

"শক্তির্ণিপুনতা লোকশাস্ত্র কাব্যদ্যবেক্ষনাৎ
কাব্যজ্ঞশিক্ষয়াভ্যাস ইতি হেতুস্তদুদ্ভবে।।"

কাব্য ইগদবা মী অদুগী পোকপদগী লোয়নরক্লবা সংস্কার কাব্য ইবগী শক্তি হায়বদি প্রতিভা লৈতবা য়াদে। প্রতিভা লৈতবা মীনা ইবা কাব্য অদু অফবা ওইবা য়াদে। ভামহনা হায়রি- “প্রজ্ঞা নবনবোন্মেশালিনী প্রতিভামতা।” অনৌ অনৌবা ইহনবা লৌশিংবু প্রতিভা কৌই। কাব্য ইগদবা মীদুদি সহৃদয় ওইদবা য়াদে হায়বদি মী অতৈনা ইবা নত্রগা উৎপা উরগা দোষ খঙবা ঙমবা মী অমা ওইদবা য়াদে। ব্যাকরণ, ছন্দ, অলঙ্কার, ইতিহাস, পুরাণনচিংবা শাস্ত্রময়াম হৈদুনা, অফ অফবা কবিনা ইবা কাব্য অমসুং মহাকাব্য পাদুনা লেঙবা লেঙদবা সংসার অসিদা লৈরিবা পোৎ পূন্নমক মুন্না য়েংদুনা খঙহৈবা, হৈশিংবা মী অমা ওইগদবনি, অদুদগী কাব্য ইবগী অভ্যাস মতম কুইনা তৌগদবনি। পূন্নমক অসি পুন্না লৈরবা অদুতনা কাব্য ইবা ঙমগদবনি।

অদুনদি কবি অমা ওইবা নত্রগা সাহিত্য ইবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। মথক্তা হায়রিবা গুণ ময়াম অসি লৈরবতদা অফবা সাহিত্য ইনবগী পুক্লিংদা ঈচেল অমা পোক্লকই। মদু পোক্লবতদা অইবনা নুঙাইনা ইবা ঙমই, ঐখোয়নসু মদু পারগা নুঙাইবা ফংবা ঙমই। পুক্লিগী ঈচেল অসি লৈতবা মীনা ইবা সাহিত্যদি পাবদা নুঙাইবা পোকপা ঙমদে। অইবনা ইবা মতমদা পনখিবা অমসুং নমজা-হাজানদুনা ইখিবা অদুৱাইদা পারিবা মীগী মথং মথং নুঙাইরকপা অদু হেক্তা পল্লি।

সাহিত্যদা শব্দগী মথৌ য়াম্না চাওই। অর্থ ফজরবতদা সাহিত্য ওইগদবা নত্তে। অর্থ ফোঙদোক্লিবা শব্দশিং অদুসু ফজদবা য়াদে, চপ চাদবা য়াদে। অর্থগী চপচাবা ৱাহৈ শীজিন্নদদুনা অতৈ অমা শীজিন্নরবদি লোনগী ফজবা ৱাৎপতা নত্তনা করি করিগুম্বা মফমদা অর্থগী অকায়বসু লাকই।

লোর্দ মেকোলেনা মিলটনগী ষ্টাইলগী মরমদা হায়খিঃ “Change the structure of the sentence, substitute one synonym for another and the whole effect is destroyed” মরম অসিনা মমাঙঙৈগী সংস্কৃত সাহিত্যদা শব্দ অমসুং অর্থ অনীমকপু চপ মান্ননা প্রধান ওইনা লৌরমই। অচার্য্য দণ্ডী অমসুং জগন্নাথদি অর্থদগী শব্দবুনা হেন্না প্রধান ওইনা লৌখি হায়বা য়াই। অর্থগী ফজবদি থোইনা লৈতবা মফমদা ৱাহৈগী লৈতেংনা গুণ য়াম্না হেনগৎহনবা অমসুং পুক্লিংদা নুঙাইবা পীবা রচনা সাহিত্যদা তাঙবা নত্তে। ইংরাজী কবি ৱার্দসৱার্থনসু হায়রি- It is unphilosophic to call language or diction the



dress of thoughts I would call it the incarnation of thoughts.”

ৱাহৈ হন্থনা শীজিন্নগদবা মফমদা ৱাহৈ হেন্না শীজিন্নদুনা অর্থ ফোঙদোকপা অফবা লেখক্কী থবক নত্তে; অদুগা শন্না ফোঙদোক্তুনা অর্থ খঙবদা সহৃদয়বু ৱাহনবসু চুমদে। লেখক্কী পুক্লিংদা ফাওবা ৱাখলগী ঈচেল অদু ফজবা শব্দগী ঈচেলদা মহৌশাগী ওইনা ফোঙদোকপা অদুনা অফবা সাহিত্য ওই।

অফবা সাহিত্যদি দোষ লৈতবা ওইগদবনি। হিরম অসিদা সংস্কৃত সাহিত্যকশিংনা য়াম্না পুক্লিং চঙনৈ অমসুং মসিগী মরমদা য়াম্না শুগায়না ই। পদ, অর্থ ৱারেং, ছন্দ নচিংবগী দোষ য়াম্না উত্থুনা লৈ। সংস্কৃত সাহিত্যগী দোষকী নিয়ম য়াম্না কল্লি। সাহিত্য অসিগী লেখক পূন্নমক হায়বা য়াই দোষ অমত্তা লৈতনা সাহিত্য ইবা ঙমখিদে। সংস্কৃত সাহিত্যগী সম্রাট কালিদাস ফাওবা সাহিত্য শাস্ত্রগী মিৎনা কুপশিন্না য়েংবদা দোষ য়াওদনা লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। হীরম অসিদা ইংরাজীনচিংবা জাতি অতৈগী সাহিত্যগী স্বাধীনতা য়াম্না হেল্লি।

সাহিত্যদা গুণ অমসুং অলঙ্কার লৈগদবনি। থৌনা ফবনা মীওবগী গুণ ওইবগুম্না সাহিত্যগী মার্ধুর্য্যনচিংবনা গুণনি, লীক-কোলনা মীওইবগী লৈতেং ওইবগুম্না উপমা, উৎফ্রেক্ষা, রূপকনচিংবা অলঙ্কারনা সাহিত্যগী লৈতেংনি। মখোয় অসি মফম চানা ৱাখলগী ঈচেন্দা য়াওরকপা অদদি অর্থগী ফজবা ওন্থোক্না হেনগৎহল্লি। গুণ অমসুং অলঙ্কার য়াওদবা সাহিত্যদি মগুণ লৈতবা অমসুং ফিজেৎ লৈতেংদবা মীগুম্বনি। সহিত্যদা অলঙ্কারগী মথৌ য়াম্না চাওই। সাহিত্যিক কনাগুম্বগী মত্তা অলঙ্কারনা সাহিত্যদা প্রধাননি। অওইবমক মগুণ লৈত্রবসু মী কনাগুম্বনা য়াম্না ফজনা ফিজেৎ লৈতেংদুনা লাক্লবদি মহাকপু মগুণ লৈবা মী অমা ওইনা অমসুং ফজনা উনবি অসি ঐখোয়গী পুন্সিদা থোক্তবা নত্তে, ফিজেৎ লৈতেং ফজবা উরগা অঙকপসু পোকই। মদুগুমদুনা অলঙ্কারনা অর্থদা হন্থবা সাহিত্যবু ফজহনবা অমসুং অঙকপা পোকহনবা ঙমই।

সাহিত্যগী লাইরিক অমবু অফবনি ফত্তবনি হায়বসি মদুবু হন্না হন্না পারগা খঙবা ঙমই। অফবা সাহিত্যদি হন্না হন্না পারিবমখৈ নুঙাইবা ৱাৎপা লৈতে; পাবা খুদিংগী নুঙাইবা হেনগৎলকই অমসুং লেখক্কী ৱাহৈ ৱাতা অমসুং অর্থগী ফজবা অমসুং অনৌ অনৌবা গুণ চোংথোরকই; লেখক্কী চরিত্র গঠণ ফজবা, বর্ণনাগী ফজবা অমসুং মতাং অমসুং তাংকক্ শীনবদা হৈশিংবগী খুদম অনৌ অনৌবা থোরকই। কালিদাসকী শকুন্তলাবু অমুক পাবদা কবিগী মগুণ কনাসু

উবা ফংলিগনি হায়বা থাজদে। ইশামক্কী হায়রবদি অসুক্লক পারে হায়বা মশীং হায়বা ঙমদে। হৌজিকসু লাইরিক অসিবু পারুরবদি কবিগী ফজবা অনৌবা হান্না ফংখিবদগী তোঙানবা খরদি শোয়দনা ফংগনি হায়না থাজে। ইংরাজী কবি সেকসপিয়ারগী লাইরিক হন্না পারুবদা মহাক্কী চরিত্র গঠনগী ফজবা অনৌবা শোয়দনা ফংগনি, মীওইবগী প্রকৃতি মুন্না য়েংশিনবা অমসুং খঙজিনবগী খুদম অনৌ-অনৌবা চোংথোরক্কনি।

সাহিত্য হায়বসি মতম অমসুং মফমগী মখা পোন্দে। অফবা সাহিত্যদি মতম পূন্নমক্তা অমসুং মফম পূন্নমক্তা লুনা তৌনৈ। অদুগা মসি জাতি অমসুং ধর্ম্মগী মখা পোন্দে। কালিদাস অমসুং সেকসপিয়ার অনী মকপু লুনা তৌনবা অসি মতম অমসুং মফম নাইদে। জাতি পূন্নমক্তা অমসুং ধর্ম্ম তোঙন-তোঙানবা চৎপা মী পূন্নমক্তা মখোয়না হৌজিক ফাওবা নুঙাইবা পীরি। কবি অনী অসিনা হৌজিক ফাওবা সাহিত্য জগত্তা য়ামনা ৱাংবা খুভমদা লৈরিবা অসিগী মরমদি থৱায় পানবা পান্দবা জীব পূন্নমকপু অমসুং প্রকৃতিগী পোৎ পূন্নমকপু মুন্না য়েংশিনখিবনি। অনী অসিনা দল পূন্নমক্কী ধর্ম্ম পুন্নমক্কী অমসুং জাতি পূন্নমক্কী মীগী পুক্নিংবু খুদুম চনবা ঙল্লিবা অসি মখোয়না মীওইবা হায়বা জাৎ অসিবু য়াম্না য়েংশিনখিবা অমসুং খঙখিবননি, মীওইবগী পুন্সিগী থাঙ্গৈশেংবা পোৎ (Realities of life) অদু খঙখিবননি। মতমনা ওনবা নাইদনা মীওইবগী মশাদা পকপা গুণ অমসুং শাজৎ মুন্না য়েংশিন্দুনা ইরবদি মতম পূন্নমক্কী থম্মোইদা শোয়দনা পানগনি। পোর্শিয়াগী লমচৎ পারগা মহাক সেকসপিয়ারগী মতমগী নুপী ওইবতা নত্তনা হৌজিক্কী লমচৎ ফজবী নুপী অমা ওইনা থোক্লি। মতম, মফম, জাতি অমসুং ধর্ম্মগী ঙমখৈ লাম্থোক্তবা সাহিত্য অদু অফবা নত্তে।

করিগুম্বা জাতি অমা চাওখৎলে চাওখৎত্রি হায়বসি জাতি অদুগী সাহিত্য পারগা হায়বা ঙমই। মীওইবগী ৱাখল, অপাম্বা, নুঙাইবা, অৱাৎপা, অৱাবা, আশা, শাজৎ অসিনচিংবা পূন্নমক্কী মমি সাহিত্যদা য়াম্না নীংথিনা তাই। জাতি অমনা খল্লিবা অমসুং তৌরিবা পূন্নমক অদু লেখকনা থোইনা ইগে নীংলুদ্রবসু সাহিত্যগী চুন্নগী লাইরিক অতৈ ইবদা হায়রিবা ময়াম অসি হেক্তা ময়াওরকই। মরম অসিনা সাহিত্য পারগা জাতি অমগী করম্বা হীরমদা চাওখৎলবগে অমসুং করম্বা হীরমদা হন্থরিবগে, অদুগা সমাজগী ফিভম্না করম তৌরিবগে হায়বা পূন্নমক খঙবা ঙমই। জাতি অমগী সাহিত্যগী মথং মথং হৌরকপা উরগসু জাতি অদু করম্না হৌরকপা



অমসুং করম করম্বা অৱা-অনং লৈখিবা অদু পূন্নমক ওখাক খঙবা ঙমই অমসুং জাতি অদুগী পুক্নিংগী চাওখৎপসু মথং মথং উবা ফংই।

সাহিত্যগী বিষয় অসি ওপ্থোক্না পাক চাউবা পোৎনি। ফনা ইদুনা বিষয় অসিগী কাচিন-কোয়া শোক্না অমসুং মতীক চানা তৌবা ঙমগনি হায়বা থাজবা য়াম্বা ৱাৎলি। মরম অসিনা ৱা অমত্তং হায়রগা লোইরগে। প্রতিভাগী মরমদা মমাঙদা ৱা খরা হায়খ্রে। অদুগা মস্মঠকী কাব্য থোকপগী কারণ পারগা অয়াম্বগী পুক্নিংদা কাব্য নত্রগা সাহিত্য ইবগী থৌনা য়াম্না হন্থবা য়াই। হায়রিবা ময়াম অদু অফবা কাব্য নত্রগা সাহিত্য অমা থোকপগী কারণতনি। কনাগী প্রতিভা লৈ অমসুং কনাগীনা কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বসি লেপ্পা ফনা ৱাবা পোৎনি। অদুনা প্রতিভা লৈ খঙদ্রবদি সাহিত্য ইবা চুমদে হায়রবদি কনামত্তনসু সাহিত্য ইদবা তাই। অদুনদি করম্বা মীনা সাহিত্য ইগদগে? শিক্ষা মতিক চানা ফংলবা, হৌজিক্কী মতমদা সাহিত্য চাওখৎলিবা লোন অনী অহুমদংগা য়ামদ্রবদা হৈরবা মী অদু শিক্ষাগী হীরমলোমদগী সাহিত্য ইবদা মতীক চারে হায়বা য়াই। প্রতিভারোমদগীদি কনাবু প্রতিভা লৈ হায়নি। হৌজিক বিজ্ঞানগী যন্ত্রগী পাম্বৈনা পুক্নিংগী লৌশিংগী পাঙ্গল ওন্ননবা হোৎনরি অদুগা করম্বা মীনা করম্বা লম্বীদা চৎলগা উন্নতি লৈগদগে হায়বা পূন্নমক খঙননবা হোৎনরি হায়বা তাই। মসিনা থাঙ্গৈশেংনা চপ চানা হায়না ঙল্লবা মতমদদি ফরে। অদুগা মদু য়ৌদ্রিঙৈদদি কনাগুম্বা অমগী সাহিত্যগী প্রতিভা লৈ, লৈতে হায়বসি অসুম্না খঙনবা য়াই।

ঙাংথোরকপা ৱাহৈ-ৱাতা চুম্বা, সাহিত্যগী লাইরিক পাবদা পুক্নিংদা নুঙাইবা পোকপা, মদুগী ৱাখল খল্লগা নুঙাইবনা অতৈ অতৈ ৱাখল পূন্নমক থুম্মৎপা ঙম্বা অদুগা ইকোন কোনবদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা সাহিত্যগী প্রবন্ধ নত্রগা লাইরিক ইবগী বিশেষ শক্তি হায়বদি থোইনা ৱাদনা হায়নীংবা ৱা অদু ফোঙদোকপা ঙম্বা অসিগুম্বা মী অদুগী সাহিত্যগী প্রতিভা লৈ হায়বা য়াই। হায়রিবা ময়াম অসি সাহিত্যগী প্রতিভা লৈবা মীনা উৎকদবা ঙাক্তনি। সাহিত্য জগত্তা মমিং ফাওরিবা কালিদাস সেকসপিয়ার ৱার্দস ৱার্থ, সেলি, কিটস, গেটে, রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনচিংবা পূন্নমক অসিগী পুন্সি য়েংবদা সিগুম্বা খুদমশিং অসি মখোয়গী মমিং য়াওদ্রিঙৈদগীনা উবা ফংই। মরম অসিনা শিক্ষাগী মগুণ অমসুং প্রতিভাগী মথক্তা হায়রিবা খুদম ময়াম অসি লৈবা মীনা সাহিত্যগী মতিক চাবা বিষয় খন্দুনা ইবগী অভ্যাস তৌগবনি। করম্বা মীনা গদ্য ইগদগে অদুনা করম্বা

মীনা পদ্য ইগদগে হায়রবদি মশা-মশাগী পীথোরকপা মতুং ইন্না লেপ্পা তাই। মসি ওন্নরবসু অফবা সাহিত্য থোক্তে। লাইরিক ইবগী আর্ট অসি য়াম্না লুবা পোৎনি। ইরগতা ইবগী আর্ট অসুম হৈরক্কদবনি। অহানবা লাইরিক ইবগী অভ্যাস হেক হৌরকপদা তোঙানবা লোনগী অফ অফবা লেখক্কী লাইরিক খরা অনুবাদ তৌবসূ য়াম্না ফৈ। মদুনা লোনগী পুক্কৈদসু হেনগৎলি। অদুগা অৱাংবা ৱাখল ফোঙদোকপগী অভ্যাস অমা ফনা নীংথিনা ওই।

## ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। | সাহিত্য সঙ্গীতকলাবিহীণ পুচ্ছবিষানহীন | ঃ | সাহিত্য সঙ্গিত কলা য়াওদবা মীদি মমৈ অমসুং সাক্ষাৎ পশু মচী য়াওদবা শা উনবগা মান্নে। |
| ২। | পদ্য | ঃ | শৈরেং। |
| ৩। | গদ্য | ঃ | ৱারেং। |
| ৪। | বিশাল-সাহিত্যবীদ্যাহপরও গুণ কথঞ্চিৎ, প্রথতে কবীনাম | ঃ | সাহিত্যাদি পাকচাওই, মাগী মগুন চাওই। মসিগী ওইজবা কবিশিংনা ফংই। |
| ৫। | সাহিত্য পয়োনিধি মন্থনোহহং কর্ণামৃতং রক্ষত হে কবীন্দ্র | ঃ | হে, অথোইবা কবি; সাহিত্যগী পাকচাওরবা অমৃতগুম্বা মশক অদু লৌজগে। |
| ৬। | শব্দার্থৌ সহিতৌ কাব্যম | ঃ | শব্দ (ৱাহৈ) গা অর্থগা লোয়নবদগী কাব্য ওই। |
| ৭। | সংজ্ঞা | ঃ | করিনো খঙহনবা, মশক তাকপা। |
| ৮। | সাইন্টিফিক লিটরেচর | ঃ | বিজ্ঞানীক ওইবা সাহিত্য। |
| ৯। | মহাকাব্য | ঃ | লাই তীন্নচিংবগা মরী লৈনবা অশাঙবা ৱারী (কাব্য), মহাকবিনা ইবা অশাংবা শৈরেং (ৱারী)। |
| ১০। | নাটক | ঃ | লীলা, ড্রামা। |
| ১১। | কথা, আখ্যায়িকা | ঃ | ৱারী-ৱাতাই। |
| ১২। | জীৱন চরিত | ঃ | পুন্সিৱারী। |



| | | | |
|---|---|---|---|
| ১৩। | কাব্যংতুজয়তে জাতু কস্যচিৎ প্রতিভা মতা | ঃ | কাব্য হায়বসি প্রতিভা লৈবা মীদগী থোকই। |
| ১৪। | শক্তিনিপুনতা লোকশাস্ত্র কাব্যদ্যবেক্ষনাৎ কাব্যজ্ঞ শিক্ষায়াভাস ইতি হেতুস্তদুদ্ভবে | ঃ | চীনবুংগী ৱারীনা মীশিং নাশিংহল্লি, শিক্ষা অমসুং হোৎনবনা কাব্যগী মগুণ হেন্না খঙহল্লি। |
| ১৫। | সংস্কার | ঃ | শেংদোকপা, শক্তি, গুণ। |
| ১৬। | প্রতিভা | ঃ | পোকপদগী লোয়নরকপা গুণ। |
| ১৭। | প্রজ্ঞা নবনবোম্মষ শালিনী প্রতিভা মতা | ঃ | অনৌ অনৌবা উহনবা লৌশীংবু প্রতিভা কৌই। |
| ১৮। | সহৃদয় | ঃ | অফবা থম্মোয় চেনবা মী, অখন্নবা হীরমদা খঙহৈরবা মীওই। |
| ১৯। | অভ্যাস | ঃ | হোৎনবা। |
| ২০। | Change the structure of the sentence substitute one synonym for another and the whole effect is destroyed | ঃ | চপচাবা ৱাহৈ শিজিন্নরিবা অদুবু অতোপ্পা অমনা হেক মহুৎ শিল্লুবদা ৱাহৈ পরেং অমসুং ৱাহৈশিং অদুগী ফজবা ৱাৎপতা নত্তবা অর্থগী অকায়বসু ওইহল্লি। |
| ২১। | Diction | ঃ | শিজিন্নবা (সাহিত্যদা) লোন। |
| ২২। | Dress of thoughts | ঃ | ৱাখলগী ফিজোন। |
| ২৩। | Incarnation of thoughts | ঃ | ৱাখলগী শায়োন। |
| ২৪। | Unphilosophic | ঃ | চুমদবা ৱাখল্লোন। |
| ২৫। | স্বাধীনতা | ঃ | নীংতম্বা |
| ২৬। | মাধুর্য্য | ঃ | অথুম্বা, তাবদা নুংঙাইবা। |
| ২৭। | উপমা | ঃ | চাংদম্নব অলংকার মখল অমা। |
| ২৮। | উৎপ্রেক্ষা | ঃ | চাংদম্নবদা মান্নে হায়না চিংনবা। |
| ২৯। | রূপক | ঃ | চাংদম্নবদা অমত্তনি হায়না লৌবা। |
| ৩০। | প্রধান | ঃ | মকোক। |
| ৩১। | চরিত্র গঠন | ঃ | লমচৎ শেমবা। |
| ৩২। | বর্ণনা | ঃ | নৈনবা। |

৩৩। প্রকৃতি ঃ মহৌশা, মওং মতৌ।
৩৪। পোর্শিয়া ঃ সেক্সপিয়রনা ইবা Merchant of Vanice হায়বা লীলাগী মরূওইবা নুপী অমা।
৩৫। কারণ ঃ মরম
৩৬। উন্নতি ঃ চাউখৎপা।
৩৭। বিশেষ শক্তি ঃ থোইদোকপা পাঙ্গল, গুণ।
৩৮। আর্ট ঃ কলা, হৈশিংবগী মতৌ।

<u>ৱাহং</u>

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। সাহিত্য হায়বসি করম্বা ৱাহৈদগী থোকখিবনো?
২। শব্দার্থো সহিতৌ কাব্যম হয়বগা করিবু খঙই?
৩। সাইন্টিফিক লিটরেচর করিনো?
৪। সাহিত্যগী মখল কয়া লৈ অমসুং করি করিনো?
৫। প্রতিভা হায়রগা করিবু খঙই?
৬। লোর্ড মেকোলেনা মিল্টনগী ষ্টাইলগী মরমদা করি করি হায়খি?
৭। Wordsworth না সাহিত্যগী লোবু incarnation of thoughts হায়রিবা করিগীনো?
৮। অলংকার হায়রগা করিবু খঙই? সাহিত্যগী অলংকার করি করিনো?
৯। করম্বা সাহিত্যবু অফবা সাহিত্যনি হায়না লৌগনি?
১০। পোর্শিয়া কনানো?
১১। সাহিত্য জগৎতা মমীং ফাওরবা মীওই খরগী মীং হায়য়ু।

**(খ) মখাগী ৱাহৈ খরা অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

গুণ অমসুং অলংকার য়াওদবা সাহিত্যদি মগুন লৈতবা অমসুং ফিজেৎ লৈতেংদবা মীগুম্বনি।

১। সাহিত্যগী গুণ করিনো?
২। অলংকার হায়রগা করিবু খঙই?
৩। সাহিত্যগী অলংকার খরগী মীং হায়য়ু।



৪। গুণ অমসুং অলংকার য়ওদবা সাহিত্যবু মগুন লৈতবা অমসুং ফিজেৎ লৈতেংদবা মীগুম্বনি হায়রিবসি করিগীনো?

**(গ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। ‘সাহিত্য’ কদায়বু কৌই অমসুং মসিগী অর্থ সংস্কৃতকী আলংকারিকশিংনা পীরিবা অদু তোঙান তোঙান ইরগা খঙহল্লু।
২। ‘কবি অমা ওইবা নত্রগা সাহিত্য ইবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে’ হায়রিবসি য়ানিংব্রা খঙহন্দুনা ৱারেং অমা ইয়ু।
৩। সাহিত্য হায়বসি মতম অমসুং মফমগী মখা পোন্দে হায়রিবা করিগীনো শন্দোক্লা ইরগা খঙহল্লু।
৪। ‘করিগুম্বা জাতি অমা চাউখৎলে চাউখৎত্রি হায়বসি জাতি অদুগী সাহিত্য পারগা খঙবা ঙমগনি’ হায়রিবসি শৌগৎতুনা ইরগা খঙহল্লু।
৫। অফবা সাহিত্যগী মগুন করি করিনো? অফবা সাহিত্যগী খুদম খরা পীয়ু।
৬। করম্বা মীনা সাহিত্য ইগনি হায়বদু দ্বিজমনি দেবশর্ম্মাগী মতুংইন্না ইয়ু।

**(ঘ) মরী-মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। সাহিত্যগী লাইরিক অমবু অফবনি ফত্তবনি হায়বসি মদুবু হন্না পারগা খঙবা ঙমই।
২। সাহিত্য হায়বসি মতম অমসুং মফমগী মখা পোন্দে; অফবা সাহিত্যদি মতম পূন্নমক্তা অমসুং মফম পূন্নমক্তা লুনা তৌনৈ। অদুগা মসি জাতি অমসুং ধর্ম্মগী মখা পোন্দে।
৩। করিগুম্বা জাতি অমা চাওখৎলে চাউখৎত্রি হায়বসি জাতি অদুগী সাহিত্য পারগা খঙবা ঙমই।
৪। লাইরিক ইবগী আর্ট অসি য়াম্না লুবা পোৎনি। ইরগতা ইবগী আর্ট অসুম অসুম হৈরক্কদবনি।

****

# কম্পিউটার

**ওক্রম চুড়ামনি**

*(ওক্রম চুড়ামনি সিংহ- কাছাড় জিলাগী শিলচর টাউনদগী নোংচুপ পাংনা কিলোমিটার অমা মখায়রোম চথরগা লৈবা বোয়ালজুর খুঙ্গংদা খৃষ্টাব্দ ১৯৩৫ দা পোকই। গৌহাটি কটন কলেজদগী ফিজিক্সতা অনার্স লৌদুনা বি. এস. সি. পাশ তৌই। এলাহবাদ ইউনির্ভাসিটিদগী ফিজিক্সতা এম. এস. সি. লোইরকপগা খৃষ্টাব্দ ১৯৬২ দগী গুরুচরন কলেজ শিলচরদা ফিজিক্সকী ওঝা ওইনা থবক হৌই। কলেজ অসিদা মতম শাংনা থবক তৌরবগী মতুংদা খৃষ্টাব্দ ১৯৯৮ দা থবক্তগী পোত্থায়। মতম অসিদগী লেপ্পা লৈতনা খুনাইগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাকই।*

*বিজ্ঞানগী অঙকপা খুদোল কয়াগী মনুংদা কম্পিউটারসু অমা ওইরি। হারম্যান হোলারিথ কৌবা বৈজ্ঞানিক অমনা ইং ১৮৯০ দা আমেরিকাগী মীকোক থাবদা শীজিন্নবা কম্পিউটার অসি পুথোকখি। কম্পিউটারগী মখল দিজিটেল অমসুং এনালোগনা করি করি থবক তৌই অদুগা মখল অনীমক্তা য়াওবা শরুকশিংনা করম করম্বা মথৌ পাঙথোকই, মসিগা লোয়ননা নৌনা পুথোকপা সাইবারনেটিক্স কৌবা বিজ্ঞানগী অনৌবা খুৎলাই অসিনা কন্ট্রোল সিষ্টেমশিং নৈনবনচিংবগী ৰারোল ৰারেং অসিদা পল্লি।)*

ঙসিগী মীওইবগী খুনাইদা বিজ্ঞানগী অবদান শিংথাদুনা লোয়খম্বা নায়বগী ৰাফম নৎত্রে। মশীং লাকঙমদ্রবা বিজ্ঞানগী অঙকপা খুদোল কয়ানা মীওইবগী খুনাই অসি মরীক চুমহল্লে হায়বদা হায়মনবা ওইরোই। মীওইবনা নুঙায় য়াইফনা, মশামউ ফনা অমসুং পুন্সি তোলোয়না মালেমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবদা খুরৌ চেল্লম্বা অয়াম্বা কোকহল্লিবসি অসিগুম্বা খুদোলশিংননি। খ্বাইদগী হেন্না অঙকপা বিজ্ঞানগী খুদোলশিংগী মনুংদা কম্পিউটার হায়বসি অমনি।

মালেমগী সভ্যতাগী ইতিহাসতা অরুবা তাংকক কয়া মায়োক্নবা তাখি মীওইবনা। বিজ্ঞানগী মতেং লৌদুনা মীওইবনা তাংকক কয়াদুদগী লাম্থোরকপা ঙমখি। মথৌ তারকপদা মীওইবনা অনৌবা পোৎশক কয়া পুথোক্তুনা অরুবা



ফিভম কোকহনখি। কম্পিউটারসু অদুগুম্বা তাংকক অমদা মরু হুনখিবনি।

মথৌ তারক্লগতা অনৌবা পোৎশক অমা পুথোকপগী ৰাখল মীওইবদা ফাউরকপসিদি হৌনশানি। কম্পিউটার লৈরকখিবগী তাঞ্জা অমসুং করম হায়না লৈরকখিবগে হায়বগী ৰাফমসু লৈ। হৌজিক লৌখৎলিবা ৰাহং অসিগী পাউখুম করিনা ওইথোকপা য়াগদগে খন্নসি। মী অমনা অঙ্কগী ইচম চম্বা পথাপ তুং ইন্না অমগা অমগা তিনশিল্লবদি অনী, অনীগা অমগা তিনশিল্লবদি অহুম, অসুম হায়না কোটি য়ৌদ্রিফাউবা তিনশিল্লবদি মতম কয়াম চংগনি? ওইথোকপা য়াবা পাউখুমগী মতাংদা মোত খেন্নবা লৈগনি। অদুবু পৌতক পাদুনা মীশক অমনা অতৎ-অখম লৈতনা অমসুং ঙম্মিবমখৈ য়াঙনা অঙ্ক তৌথরবদি চহী অমা চংবা য়াই হায়না লৌরসি। হকচাং ৰাবতা নত্তনা মতম কয়াসু মাঙলিবাহু মসিগীসু মথক্তা চুমগদ্রা চুল্লোয়দ্রা হায়না চিংনবা অমসু ইচেন্তা চেন্নরিবাহু অৰাবসি কোকহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনবা মী কয়া চোংথোরকখি। লেপ্তুনা অমসুং চোকথদনা হোৎনবা ঙম্বা হায়বসি মীওইবগী খ্বাইদগী হেন্না অথোয়বা গুননি। হোৎনবসিগী মহৈনি কম্পিউটার হায়বসি। মথক্তা নৈনরিবসিগী মতাংদা কম্পিউটার শিজিন্নরবদি লাইগনি, শাথিনা য়াংশিনগনি অমসুং পুংচুম চুমগনি। মথৌতাবা পাউতাক কম্পিউটারদা হাপচিনবদা মিনিট অমরোম চংবা য়াই। কম্পিউটারদা তিনশিনবগী থবক পুন্নমক পাংথোকপদা সেকেন্দ অনীরোম চংবা য়াই। হকচাংসু ৰাদ্রে, মতমসু মাংদ্রে অমসুং চুমুসু পুংচুম চুমলিবাহু

কম্পিউটারনা পুরক্লিবা টেক্নোলজিক্যাল রিভোলিউশন্না মীওইবগী পুন্সি মরেলদা অহোংবা কয়া পুরক্লে। মীওইবনা থবক তৌরিবা, শান্নখোৎনরিবা অমসুং হিংলিবগী মওং হোংহল্লে। পাউ ফাউদোক ফাউজিন তৌবগী, মহৈমশীং তম্বগী অমসুং কারবার তৌবগী মওং হোংদোকহল্লে। কম্পিউটারনা প্রেব্লেমশিং সোল্ভ তৌরিবশিংদু য়াংই, চুমই অমসুং থাজনিঙাইনি। কম্পিউটারনা করিমতা কাউথোক্তে অমসুং য়াম্না নুংশিনিঙাই ওইরিবসিদি করিগুম্বা মতমদা ৰাকত্তবসিনি।

কম্পিউটারনা তৌবা ঙমদবা হায়ববু ৰাখল খন্থবা ঙমদবা অসিনি। মরম অসিনা অখঙবা মী অমনা কম্পিউটারদা করিনা পাউখুম ওইগদবনো, করম হায়না অমসুং করম্বা মওংদা প্রোব্লেম সোল্ভ তৌগদবনো হায়বগী

পাউখুম পুন্নমক মাংজৌননা হাপচিনবিগদবনি।

টেলিভিশনদা লৈবগুম্বা কম্পিউটারগী মনুংদা তারা অমসুং ট্রানজিস্টর কয়া লৈ। খেন্নবা হায়ববু কম্পিউটার হায়বসি টেলিভিশনদগী কাহেন্না লুবা হেল্লি। কম্পিউটারনা প্রোব্লেম মখল কয়ামুক সোল্‌ভ তৌবি অমসুং রেকোর্দশিং তুংশিন্দুনা থম্মী। য়াম্না অথুবা মতমদা স্পেস প্রোগ্রামদা কম্পিউটারনা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা শরুক য়াবা ঙম্মী। পাউখুমশিংসি অসুক্কী মতিক লুবা য়াউই মদুদি মী অমনা প্রোব্লেমশিংদুগী অমা ফাউবা সোল্‌ভ তৌবদা মতম শাথিনা শাংনা চংবা য়াই।

মালেমসিদা হিংলিবা মীওই খুদিংমক নোংম নোংমগী চিনশিল্লকপা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। অমরোমদা ফাইলদগী খঙনিংবা ই পাউ থীদোকপদা মতম য়াম্না চংই। মমল য়াম্লবা মতম অসি মাঙহন্দনবা লাইব্রেরি, স্কুল, অফিস, হোসপিতালনচিংবদা, পুলিশ অমসুং কারবার ৱালাশিংনা কম্পিউটার শিজিন্নৈ। কনাগুম্বা মীওই অমনা লাইব্রেরী অমদা কম্পিউটার শিজিন্নদুনা করিগুম্বা সাইন্স প্রোজেক্ট অমগী মতাংদা খঙনীংবমখৈ খঙবা লোয়বগা সেকেন্দ অমদা হীরম অদুদা কান্নগদবা লাইরিকশিংগী লিস্ট অমা ফংলবদি অঙকপা ওইরোয়দ্রা? ডাক্তরশিংনা অনাবা লাংয়েংবদা কম্পিউটার হেন্না শিজিন্নরক্লি। হোসপিটালদা কম্পিউটারনা অনাবশিংগী রের্কোদ থম্মী, হিদাক লাংথক্কী মরমদা, তাঞ্জাদুদা লৈবা ফীভম অমসুং মওং খরদা হিদাকশিংদুগী মহৈ তাকপী। কম্পিউটারনা য়াম্না অরুবা লায়না লায়েংবদা ডাক্তরশিংদা পাউতাক পীবিবসু য়াউই। করিগুম্বা মিসাইল অমা শুন্দ্রংদা থাগৎপা মতমদা মথৌদাং ফজনা পাংথোক্রবদি কম্পিউটারনা কাউন্টদাউন থীংবা ঙম্মী। মতম পুন্নমক্তা হোংদুনতা লৈবা স্পেসক্রাফ্‌টনা শুন্দ্রংদা পাইবদা শিজিন্নবা লম্বী অদুগী মরী-মখোঙ খঙজিন্দুনা থম্বগী মথৌ তায় মীওইবগী। কম্পিউটারনা স্পেসক্রাফ্‌ট অমবু অতৎ অখম লৈতনা মসিগী স্পিদ অমসুং অল্টিচিউদ কন্ট্রোল তৌদুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎহল্লি। কম্পিউটারনা ইবা, ঈশৈ শকপা, ইনকাম-তেক্স চেক তৌবা অমসুং লাইয়েকপা অসিনচিংবা থবক পাংথোকপা ঙম্মী।

অসিগুম্বা খুৎলাইসি কনানা পুথোক্লমবনো? চার্লস ব্যাবেজ কৌবা ইংরাজ অমনা ইহান হান্না অঙ্কগী প্রোব্লেমশিং সোল্‌ভ তৌবদা মতেং পাংবা



ঙমগদবা খুৎলাই অমগী ৱাখল তৌখি। তৌইগুম্বসুং মতমদুদা কনাগুম্বা অখং অহৈ অমত্তনা কম্পিউটারদা চংবা অরুবা মচাকশিং শাবা ঙমখিদে। হারম্যান হোলরিথনা ইহান হান্বা ওইনা মখুলচেনবা কার্দ কম্পিউটার খৃষ্টাব্দ ১৮৯০ গী আমেরিকাগী মীকোক থীবদা শিজিন্ননবা শাখি। খৃষ্টাব্দ ১৮৮০ গী মীকোক থীবগীদমক খোমজিল্লকখিবা ইপাউশিংগী মরমদা কেরানীশিংনা খৃষ্টাব্দ ১৮৮৬ ফাউবা থবক শুদুনা লৈখি। থবক অদু পাংথোকপদা য়াংশিনবা ঙমদবদুদা খুৎলাইগী মতেং লৌবগী ৱাখল তৌখি আমেরিকাগী সেন্সাস বুরোনা। হোলারিথনা পুথোকপা খুৎলাই অদুবু ইলেক্ট্রিক টেবুলেটিং সিস্টেম কৌখি। মদুদা হৌজিক কম্পিউটারদা শিজিন্নরিবা মখুলচেনবা কার্দ শিজিন্নখি। মী অমগী মশাগী চহী, লৈফম, মহাক্কী ইমুং মনুংদা লৈবা মীগী মশীং অমসুং মখোয়গী মরক্তা লৈনবা মরী অসিনচিংবা ইপাউ খুদক্তা ফংখি। খুৎলাই অদুনা অসুক্কী মতিক ফজনা থবক পাংথোকখি মদুদি হোলারিথনা অসিগুম্বা খুৎলাই শাননবগীদমক কোম্পানি অমা লিংখি। কোম্পানি অসিগী মমিং ইন্টারন্যাশন্যাল বিজনেস মেছিনস শন্না আই. বি. এম. কৌই। মসি হৌজিক হৌজিকমক কম্পিউটার পুথোকপদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা কোম্পানিনি।

দিজিটেল কম্পিউটার অমসুং এনালোগ কৌবা কম্পিউটার মখল অনী লৈ। কম্পিউটার মখল অনীসি হীরম কয়ামুক্তা মান্নরবসু মখোয়গী থবক পাংথোকপগী মওং পুমখেন খেন্নৈ। দিজিটেল কম্পিউটারদি মীখল তৌবা মতমদা, মীকোক থীবদা নত্রদা মশীং থবগী প্রোব্লেম সোল্‌ভ তৌবদা শিজিন্নৈ। খুৎলাই অসিগী মতেং লৌদুনা থোংজিন অমা লান্থোক্তুনা চৎখিবা মীগী মশীং থীদোকপা ঙম্মী। এনালোগ কম্পিউটারনা স্পিদ, মৈশা, প্রেসার অমসুং লেপ্পা নায়দনা অহোংবা লৈবা ফিজিক্যাল মেজারমেন্টশিগী রেকোর্দ থম্বদা শিজিন্নৈ। এনালোগ কম্পিউটারদগী ফংবা রিদিংশিংনা মিসাইলশিংনা পাইবা মতমদা লমজিংবি।

কম্পিউটার মখল অনীমক্তা ইনপুট, কন্ট্রোল, মেমোরি, এরিথমেটিক অমসুং আউটপুট কৌবা শরুক মঙাখক লৈ। কম্পিউটারদা হাপচিল্লিবা ইপাউ

অদুবু ইনপুট কৌই। মেমোরি হায়বসি ইপাউ তুংশিনফমনি। মী খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা লৈফম লৈবগুম্না ইপাউ খুদিংমক্কী মেমোরিদা মসা মশাগী লৈফম লৈজে। লৈফম অদুদা রেফার তৌদুনা খঙনিংবা ইপাউ অমা অপাম্বা মতম অমদা হেক্তা খঙবা ঙম্মী। মথৌ তারিবমখৈ ইপাউ অদু কম্পিউটারনা তুংশিন্দুনা থম্মী। এরিথমেটিক্কী ইউনিটনা এরিথমেটিক্কী প্রোব্লেমশিং সোল্ভ তৌই। কন্ট্রোল ইউনিটনা প্রোগ্রামদা য়াউরিবা পাউতাকশিংদু পাংথোকই। কম্পিউটারনা পীরিবা পাউখুম অদুনা আউটপুটনি। অউটপুট অদু হাইস্পিদ প্রিন্টার নত্রগা টাইপরাইটারগী মতেং লৌদুনা চেদা প্রিন্ট তৌথোকপা য়াই।

মীওইবা খুনাইগী হিরম কয়ামুক্তা কম্পিউটার চন্নরক্লি। কম্পিউটারনা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা অহোংবা কয়া পুরক্লে। কম্পিউটারনা সাইবারনেটিক্স কৌবা বিজ্ঞানগী অনৌবা মশা অমা পোকহল্লে। কন্ট্রোল সিস্টেমশিং অমসুং মখোয়সিনা করম হায়না পাউ পী হায়বসিগী মরমদা নৈনবা সাবজেক্ট অদুবু সাইবারনেটিক্স কৌই। কনাগুম্বা মী অমগী হার্টবিট য়াম্না হন্থরবদি মহাক্কী ব্রেইনদা লৈবা কন্ট্রোল সেন্টারশিংদা সিগন্যাল অমা পী অমসুং হার্টবিট অদু হেনগৎহল্লি। রকেট অমা তপ্না পাইরবদি পাউ অমা রোকেটকী কন্ট্রোল সেন্টরদা য়ৌহল্লি অমসুং রোকেট অদুবু কন্না পাইহল্লি। সাইবারনেটিক্সনা মী অমসুং মেছিন অনীমক্কী কন্ট্রোল সিস্টেমশিং নৈনৈ অমসুং করম হায়না পাউ পীথোক পীশিন তৌই খঙহন্নবা হোৎনৈ।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা**

| | | |
|---|---|---|
| অবদান | ঃ | মতেং, তেংবাং। |
| সভ্যতা | ঃ | চাউখৎলকপা। |
| কোটি | ঃ | লাখ চামা। |
| টেক্নোলোজি | ঃ | শিল্লম তাকপা মহৈ। |
| রিভোলিউশন | ঃ | মপূং ফানা হোংলকপা, ঈহৌ। |
| মিসাইল | ঃ | শুন্দ্রংদা থাবা নত্রগা পাইহনবা খুৎলাই। |
| স্পেস | ঃ | অতিয়া, অহংবা। |
| স্পেসক্রাফট | ঃ | শুন্দ্রংদা মী নত্রগা পোৎ-চৈ পুদুনা পাইবা মেছিন। |



| | | |
|---|---|---|
| ট্রানজিস্টর | ঃ | পরমানুগী খুৎলাই অমা। |
| টাইপ রাইটার | ঃ | চেদা ময়েক নমথোকনবা মেছিন। |
| রকেট | ঃ | গ্রহ য়ৌনা পাইবা ঙম্বা মেছিন, সেটলাইট। |
| স্পিদ | ঃ | য়াঙবা |
| অল্টিচিউড | ঃ | ৱাংবা, অৱাংবা মফম |
| ফিজিক্যাল | ঃ | হকচাংগী ওইবা |
| মেজারমেন্ট | ঃ | ওনবা, মশীং লৌবা, মাপ |
| সিগন্যাল | ঃ | ইঙ্গিৎনা নত্রনা করিগুম্বা পাম্বৈ অমনা পাও পীবগী খুদম |
| সাবজেক্ট | ঃ | বিষয়, হীরম |
| প্রোগ্রাম | ঃ | থৌরম পরেং |
| হার্টবিট | ঃ | থম্মোয়গী মীহুন |

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

১। কম্পিউটার পুথোক্লে হোৎনখিবা ইংরাজ অদু কনানো?
২। কম্পিউটার ইহান হান্না করম্বা লৈবাক্তা পুথোকখিবগে?
৩। কম্পিউটার ইহান হান্না করম্বা চহীদা পুথোকখিবগে?
৪। কম্পিউটার ইহান কনানা পুথোকখিবগে?
৫। কম্পিউটার মখল কয়ানো? মখলশিংদুগী মমিং ইয়ু।
৬। হোলরিথনা মীকোক থীবদা শিজিন্নবনবা পুথোকখিবা খুৎলাই অদুগী মিং করি কৌই?
৭। হোনরিথনা কম্পিউটার শানবা লিংখিবা কোম্পানি অদুগী মিং করি কৌই?

**(খ) মরী-মখোঙ তাক্নুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। মালেমগী সভ্যতাগী ইতিহাসতা অরুবা তাংকক কয়া মায়োক্লুবা তাখি। মীওইবনা বিজ্ঞানগী মতেং লৌদুনা মীওইবনা তাংকক কয়াদুদগী লাম্থেরকপা ঙমখি।
২। মথৌ তারক্লুগতা অনৌবা পোৎশক অমা পুথোকপগী ৱাখল মীওইবদা ফাউরকপসিদি হৌনশানি।

**(গ) ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। কম্পিউটার মখল কয়ানো? মখলশিং অদুগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু।

২। কম্পিউটার অমদা য়াওরিবা শরুকশিং অদু করি করিনো? শরুকশিংদুনা করি করি মথৌ পাঙথোকপগে?

৩। 'সাইবারনেটিকস' হায়বসি করিনো? মানা পাঙথোকলিবা মথৌদাং অদু শন্দোক্লা ইয়ু।

৪। কম্পিউটারনা মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিংদো শন্দোক্লা তাকউ।

**(ঘ) ৱারেং মতেক অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

কম্পিউটার মখল অনীসি হীরম কয়ামুক্তা মান্নরবসু মখোয়গী থবক পাঙথোকপগী মওং পুমখেন খেন্নে।

১। কম্পিউটারগী মখল অনীদো করি করিনো?

২। মখল অনীদুনা পাঙথোক্লিবা খেন্নবা থবকশিংদু করি করিনো?

৩। কম্পিউটারগী মখল খুদিংদা শরুক কয়া য়াউবগে? শরুকশিং অদু করি করিনো?

****

# অৱাং নোংপোক ভারত্তা ঐখোয়গী মীৎয়েং

**য়ুম্নাম মণিধন সিংহ**

*(য়ুম্নাম মণিধন সিংহ- ইং ১৯৬৪ দা করিমগঞ্জ দিলাগী পাথারকান্দি রাজবাড়ীদা পোকই। হৌজিক হৌজিক্লা এস. এস. কলেজ, হাইলাকান্দিদা হিস্ট্রিগী ওজা ওইরি। ওজা অসিনা বোর্ড অফ সেকেণ্ডারী এডুকেশন আসাম অমসুং স্টেট কাউন্সিল ফোর এডুকেশনেল রির্সাচ এণ্ড ট্রেনিং, গুৱাহাটীনা তোঙান তোঙান্না শিল্লাংবা মহৈরোয়গী তন্ন-লাইরিক লেংবগী ৱার্কসোপ কয়াদা শরুক য়াখি, অসিতসু নত্তনা সাহিত্য একাডেমী নিউ দিল্লীনা শিল্লাংবা ৱারীমচা হন্দোকপগী ৱার্কসোপ্‌ কয়াদসু শরুক য়াখি। মণিপুরগী মখল মথেলগী শকলোনশিংগী মরমদা অসমীয়া লোন্দা ইবা লাইরিক কয়াদা ওজা অসিগী প্রবন্ধ কয়া ফোংখ্রে।*

*বৃটিশনা ভারত্তা পাল্লিঙৈ মতামদা নোর্থ-ইস্টার্ন ফ্রোন্টিয়ার' হায়না খঙনরম্বা লমদমবু নীংতম্বা ফংলবা মতুংদগী 'নোর্থ ইষ্ট ইণ্ডিয়া' হায়না খঙনরকই, মসিবু মণিপুরীদা অৱাং নোংপোক ভারত কৌই। ঙল্লিঙৈ মতমদগী অৱাং নোংপোক্লা ভারতকী ময়োল্লমগা য়াম্না অচেৎপা মরী লৈনরকই। মসি ভারতকী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। অৱাং নোংপোক ভারতকী তোপ তোপ্পা সমস্যা কয়ামরুম লৈ। মসিগী মনুংদা শেলথুমগী ফীভম ফত্তবতা নত্তনা কাঙলুপ মশেল য়েংথীনবা অমসুং তোখায় তানিংবগী ঈহৌ পনবা য়াই। সমস্যাশিং অসিদগী কোরুবগী মরু ওইবা পাম্বে কয়ামরুমগী মরমদা অইবসিনা মাগী ৱারেং অসিদা নৈনরি।)*

ইংরাজীগী 'নোর্থ ইষ্ট ইণ্ডিয়া' হায়বা ৱাহৈ অসি মণিপুরীদা অৱাং নোংপোক ভারত হায়বা য়াই। মীংথোন অসি কনানা করম্বা মতমদগী ইহান হান্না শিজিন্নবা হৌখি হায়বদুদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদে। অদুবু ইংরাজীদা 'নোর্থ ইষ্ট' হায়রিবা ৱাহৈসিমক নৈননিঙায় ওইবা ৱাহৈ অমদি

ওই। তশেংবদি, মসি ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদগী চৎনবা হৌখিবা মিংথোননি। ভারতকী অৰাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং হায়বসি আসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেণ্ড, মণিপুর, ত্রিপুরা, মেঘালয়, মিজোরাম অমসুং সিকিমনা কোল্লিবা লমবু অপুনবা ওইনা অৰাং নোংপোক ভারত হায়রগা খঙনরি। 'নোর্থইষ্ট' মীংথোন অসিবু হেন্না ময়েক শেংনা খঙনরকখিবসিদি ১৯৭১ দা ভারত সরকারনা লমদমসোমদা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎলকপদা 'নোর্থ ইষ্টার্ন কাউনসিল' শেমখিবদগীনি। মতাং অসিৰাইদগী মীংথোন অসি মীয়াম্না পাকাশন্না খঙনরে। মীংথোন অসিগী হৌরকফমগী মতাংদী ইতিহাসকী লামায়দা য়েংলুরবদি ঐখোয়না উবা ফংই-বৃটিশ সাম্রাজ্যনা ভারত্তা মতীকমঙাল লৈনা পাল্লিঙৈগী ৰানি। আলেকজেণ্ডার মেকেঞ্জি কৌবা বৃটিশ মচা অমনা লৈঙাক থৌরমদা খুদোচানবগীদমক ভারতকী অৰাংনোংপোক্কী নিংথৌ পাল্লমবা লৈবাক মচা ময়ামবু অপুম্বা মীংথোল অমদা খঙননবা "নোর্থ ইষ্টার্ন ফ্রোন্টিয়ার" হায়বা ৰাহৈ অসি ইহান হান্না শিজিন্নখি। মথংদা ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদগী নোর্থ ইষ্ট হায়রগা অপুম্বা আসাম (Undivided Assam) হায়বদি, হৌজিক্কী আসাম, অরুণাচল প্রদেশ, নাগালেণ্ড, মেঘালয় অমসুং মিজোরামগা লোয়ননা মতমদুদা নিংথৌ পানবা লৈবাক ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরনা কোল্লিবা লমদমবু খঙনরকই।

লৈকোয়রোল (Geography) গী মতুংইন্না, অৰাং- নোংপোক ভারতনা ভারতকী মপূংগী চাদা নিপান (৮%) রোমগী লমবু কোল্লি, মীশিংনা অপুনবগী চাদা মরি (৪%) ওই (মীকোক থীবা, ২০০১)। কনা কনাগুম্বা পণ্ডিতশিংনা অৰাং-নোংপোক ভারতপু মিনি ইণ্ডিয়া হায়নবসু য়াওই। মরমদি, হৌজিক হৌজিক ভারত্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মশা মশাগী মমালোন, নাৎ, লাইনীং লাইশোন ময়েক শেংনা লৈজরিবা মী কাঙলুপ (Tribal Communities) ৬৩৫ গী মনুংদা য়ামদ্রবদা ২০০ রোমদি অৰাং-নোংপোক ভারত্তা মরা তানা খুন্দা লৈতাদুনা- লৈরি। অসিতসু নত্তনা ঙাংনরিবা মীয়াম্না মশক খঙনবা লোন ৩২৫ গী মনুংদা চাওরাকনা ১৭৫ রোমদি অৰাং-নোংপোক ভারত্তা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলুপশিংনা ঙাংনবা লোন ওইদুনা লৈরি। মসিনা তাকপদি ভারত্তা ঙাংনবা লোনশিংগী তংখায় অমারোমদি অৰাং-নোপোক্তা



লৈ হায়বসিনি। সার, জে.বি, ফুলার কৌবা সাহেব অমনা অৰাং নোংপোকপু মিউজিয়াম অফ নেসোনেলিটিসনি হায়না পল্লমই। তশেংবদি, য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী মালেমগী মায়কৈ কয়াদগী মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না হোংবা পুন্সি খোংচৎকী ঈচেলদা অসুম লাক্কুনা অৰাং-নোপোক ভারত্তা মী কাঙলুপ কয়ানা ইতিল্লখি অমসুং লমদমসিদা মশা মশাগী ওইবা লোন, নাৎ অমসুং লাইনীং লাইশোনগী অনৌ অনৌবা শক্তম কয়াগা লোয়ননা মাগী ওইবা তোঙান তোঙানবী মী কাঙলুপ কয়ানা শাফোংলকখি।

ভারতকী অৰাং-নোপোক্কী রাজ্যশিংনা ময়োল্লমগা ফাওনরিবসি নোংচুপ বাংলাগী অৰাং থংবদা লৈরিবা য়াম্না অখূবা কোরিডোর অমননি। মশিবু ইংরাজীনা 'চিকেন নেক' হায়না খঙনৈ। লৈবাক্কী ঙাকশেন, শেনমীৎলোন অমসুং ললোন ইতিক্কী লমদা মীৎয়েং চিংশিল্লুরবসু অৰাং-নোংপোক ভারত, ভারতকী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। অদুম্নমক, ঙল্লিঙৈদগী ভারতকী ময়োল্লমগা অৰাং-নোংপোক্কা তৎন থান য়াদবা মরীদি অদুমক লৈনরকখি। খুদম ওইনা ভারত সংস্কৃতিগী অপুনবা শক্তমদা অৰাং নোংপোক্কী য়াম্না মরুওইবা থৌদাং কয়া লৈরকখি। সংস্কৃতিগী লমদা পল্লবদা ভারতকী ময়োল্লমদগী চেম্থরকখিবা লাইনীং লাইশোনগী ৰাঙুরোনগা লমদমসিগী পরমপরাগা ঈতিন্নরগা অনৌবা সংস্কৃতিগী শকলোন কয়া থোৰকখি। মসিনা ভারত সংস্কৃতিগী অপুনবা শক্তম শাগৎলকপদা লমদম অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি বৈষ্ণব লাইনীংগী ৰাঙুরোনদা য়ুম্ফমওইবা বৈষ্ণব নাট্যশিং মরুওইনা আসামগী সত্রীয়া জগোই অমসুং মণিপুরগী মণিপুরী জগোইনি। লমদম অসিগী মী কাঙলুপশিংগী তোঙান তোঙানবা মাগী মাগী ওইবা চাকচা য়ুথক, ফীজেৎ লৈতেং, য়ুমলৈ কৈরৈ, লোন-সাহিত্যনচিংবা লম কয়াদা ভারতকী ময়োল্লমগা খেন্নবা খরদি অদুমক লৈ। অমারোমদনা, ভারতকী অতৈ অতৈ লমশিংদা চৎনরিবা জাত কুচুগী মীৎয়েংদা অমগা অমগা খেন্নবগী মওং (Casteism), কাহেন্না অউনপোৎ উনবগী চৎনবী (Dowry) অমসুং সতী মৈ থাবগী চৎনবীনচিংবশিংদি অৰাং- নোংপোক্তা চৎনরমই হায়বগী তশেংবা খুদম লৈতে হায়বা য়াই। অদুবু, ঙসিদি অৰাং-নোংপোক ভারত শেলথুমগী লমদাংদা শোৎথরবা, শেনদান লম্বী লৈতবা, লম্বী থোং মওং চাদবা,

মতীক চাবা শিনশং লৈতবা অমসুং থবক ফংদবা অসিনচিংবা সমস্যা কয়াগা মায়োক্নরিবা লমদম অমা ওইরে। অসিতসু নত্তনা ড্রাগ ললোনবা, মীতোপ চংশিল্লকপা অমসুং কাঙলুপ মশেন য়েংথীনবা অসিনচিংবসিসু লমদম অসিগী য়াম্না মরু ওইবা সমস্যাশিংনি। মসিনা মরম ওইরগা অৱাং-নোংপোক ভারতকী চাউখৎ খোঙথাংগী লমদা অপনবা পীররে, ইংতপ্পা সমাজকী পুন্সিমরেলদা অপনবা ওইহল্লে। জাতিগী অপূনবা শক্তমবু শীংনরে। অখণ্ড অহৈশিংনদি মসিগী মরুওইবা মরমদি শেলথুমগী ফিভম ফত্তবদগী ওইরকপা ঙাক্তনি হায়নৈ। শেলতনসু মরুওইবা মরম ওইদে। মসিগী অতৈ অতৈ মরম কয়ামরুম লৈরি। মরুওইবা খরদং পল্লবদা, সমাজকী অহোংবা খোঙচৎতা (Social Change) চীংগা- তমগা অমসুং শহরগা খুঙ্গংগগী মরক্তা খেন্নবগী চাং কা হেন্না লৈবা অমসুং মান্নবা মীৎয়ং লৈতবা অসিসু মরুওইবা মরম ওইগনি। অসিতসু নত্তনা অৱাং-নোংপোক্কী ইতিহাসকা মরীলৈনবা মরম খরসু লৈ হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। বৃটিশনা অৱাং-নোংপোক ভারত্তা লোইলম লৈঙাক্কী মীৎয়েংদা শেমখিবা লৈঙাকলোন অমসুং ললোন ইতিক্কী থবক থৌরম কয়ানা হৌজিক মায়োক্নরিবা সমস্যাশিংগী লংজিন ওই। ইতিহাসকী লামায়দা য়েংলুরবদি উবা ফংঙি মদুদি- বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা "নোর্থ ইষ্টার্ন ফ্রেন্টিয়ার" হায়না খঙনরম্বা অৱাং-নোংপোক্তা অপূনবা লৈঙাক পথাপ অমা লৈরমদে। মখোয়না অৱাং-নোংপোক্কী লৈবাক মচা মচাশিংবু খুদুম চল্লবা মতুংদা লমদম অসিবু লৈঙাকপথাপ মখল অহুম থোক্লা খাইদোকলমই- মখোয় অদুদি মথংশিংনা (১) ব্রহ্মপুত্র অমসুং বরাক তমপাক (২) একসক্লুডেদ অমসুং পার্সিয়েলি একসক্লুডেদ এরিয়া (৩) নিংথৌ পানবা লৈবাক মণিপুর, ত্রিপুরা অমসুং খাসি সিয়েমশিংনা পানবা লম অসিনি। মসিনা তাকপদি বৃটিশকী লোইলম ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা অৱাং-নোংপোক্কী মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তা অপূনবা রাজনীতিগী শক্তম শাগৎপগী খুদোংচাবা লৈরমদে। অসিতসু নত্তনা বৃটিশনা লমদমসোমদা মৈহৌরোলদগী লৈনরম্বা চীং তম অনিগী মরীবু থদৎপীদুনা অমনা অমদগী লাপথোকখিনবগী লম্বী য়াৎপা হৌরমই। লোয়না লোয়ননা অৱাং-নোংপোক্কী মী কাঙলুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা খেন্নবা উৎতুনা য়েংথীনবা পোকহল্লকই। খুদম ওইনা ইনার লাইন



রেগুলেশন শেমদুনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা সমাজগী অহোংবা খোঙচৎতা অনিগী খেন্নবগী চাং হেনগৎহনখি। মসিনা মরম ওইরগা অৱাং-নোংপোক্কী মীওই কাঙলুপ কয়াবু মরমদমদা মীতোপগুম্না লৈহনবা হৌখি।

ইনার লাইন রেগুলেশনগী শরৌনা অৱাং-নোংপোক্কী মীওই কাঙলুপ কয়াবু (মরুওইনা চীংদা লৈবশিং) ভারতকী নীংতম ঈহৌগী অমত্তা ওইবগী অকনবা শাফুদগী নাথৈদুনা থমখি। নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা ভারতমচাশিংনা মরৈবাক্কী লৈঙাকপথাপ শেমজবগী খুদোংচাবা ফংলবদা ভারতকী সংবিধান শেম্বগী থৌরাং পায়খৎলি। মতাং অসিৱাইদা লুচিংবশিংনা অৱাং-নোংপোক্কী মরুওনা একসক্লুডেদ অমসুং পার্সিয়েল একসক্লুডেদ এরিয়াগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা নৈনখি। মতুংদা গোপীনাথ বরদলৈগী লুচিংমখাদা শেমখিবা সাব-কমিটিনা লানখৎখিবা পাউদম মতুংইন্না হায়রিবা লমশিং অসিবু ভারত সংবিধানগী তরুকশুবা সিদিউলদা অখন্নবা লৈঙাক্কী পরিং অমদা থম্বা তাখি। অসুন্না নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা ভারতকী রাজনীতি অমসুং লৈঙাকলোনগী ওইবা অপূনবা শক্তমদি মপুংফানা শাগৎখি অদুবু লুরিবদি অৱাং-নোংপোক্কী মফম খরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী থৌরাংদা অৱাৎপা খরদি লৈরি হায়বগী খুদমদি অসুম উবা ফংলি। মীৎয়েং অসিদা কুপ্পা থিজিল্লবদি ঐখোয়না মসিদা অথুপ্পা মরম কয়া লৈবা থেংনৈ। সূপ্পতগী শেলথুমগী ফীভম ফত্তবা নত্রগা থবক ফংদবা অমদি শেনমীৎলোনগী ওইবা অৱাৎপশিংতনা অৱাং-নোংপোক্কী সমস্যাশিংগী মরুওইবা মরম ওইদে। তশেংবদি, মীশিং লীকপা অমদি শোৎথহৌরবা মীওই কাঙলুপশিংগী থম্মোয়দা মতমগী শাফুনা মশা মশাগী ওইবা শক্তম মাঙখিনি হায়বগী নুঙনাংবা অমদি মীশিং য়াম্বা কাঙলুপকী থবক থৌরমদা মখোয়না থাজবা ঙমদবা অসিনচিংবা মরম কয়া অসিনা জাতিগী অপূনবা শক্তমদা অপনবা ওইহল্লি। মরম অসিনা, ঐখোয়না অৱাং-নোংপোক ভারত্তা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা লম লমগী শিনফম শিনথাদা পরমপরাগী পুন্সিমরেলদা হৈন চুননা পুন্সি লেল্লিবা, শেলথুমগী চাউখৎ খোঙথাংদা শোৎথহৌরবা মী কাঙলুপশিংগী থম্মোয়দা হুল্লিবা ইহুলবু ইকায়খুম্নদা লোয়নবিদ্রবদি জাতিগী অপূনবা শকতমদা অকায়বা থোকহনবগী অকীবা লৈ।

জাতিগী অপুনবা শক্তম হায়বসি রাজনীতি নত্রগা লৈঙাক পথাপকী থবক থৌরমতনা মপুংফাবা ঙমদে। সমাজকী পুন্সি অমসুং শেনমীৎলোনগী মীৎয়েংদগীসু অপুনবা অমদি অমত্তা ওইবগী শক্তম লৈবা তবনি। সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী মখল মথেলগী থবক থৌরমদা অমত্তা ওইবগী মীৎয়েংনা মাংদা থম্বা হায়বসি তঙায়ফদে। অখণ্ড অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না শেনমীৎলোন অমসুং সমাজকী অহোংবা খোঙচৎতা চীংতমগী কাঙলূপশিংদা অমদি শহর অমসুং খুঙ্গংগী মরক্তা মান্নবা মীৎয়েং লৈত্রবদি অনিগী মরক্তা খেন্নবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্কনি, মসিগী মহৈ ওইনা কাঙলুপ মশেন য়েংথিনরক্কনি। মখাতাবদা পেন্দবা কয়ানা মথং মথং পৈশিনখিদুনা মৈগী চীংগুন্না পোখয়রক্কুনা 'সাবনেসোনেলিজম' নত্রগা সেল্ফ ডিটারমিনেশন গুম্বা তোখায় তানিংবগী ৱাখল পোকলক্কনি। সরকারনা পীরিবা মতম মতমগী ওইবা শেলথুমগী পেকেজ নত্রগা অৱাং নোংপোক্কীদমক DONER মিনিস্ট্রি শেম্বতনা অসিগুম্বা সমস্যাশিং অসি কোক্লবা মপুংফাবা থৌরাং ওইদে। মতাং অসিদা লাকইবা ৱাহংদি অসুক্কী মতীক পেকেজ কয়া মথং মথং লাওথোকখ্রবসু অৱাং নোংপাক্কী সমস্যা কোকপগী খুদম ঙসি ফাওবা উবা ফংদবগী মরম করিনো হায়বসি তশেংনা হংবা য়াবা ৱাহংনি। মসিনা তাকপদি অপুনবা লৈঙাক পথাপ অমসুং শেলথুমগী তেংবাংতনা মায়োক্লরিবা সমস্যাশিংবু তাইশিন্নবগী মতীক চাবা পাম্বে ওইদে। মসিগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক্কী লম লমগী ওইবা খুদোংচাদবশিংবু ময়েক শেংনা খঙদোকলগা মসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মী কাঙলুপশিংগী পরমপরাদগী শাগোন্নরকইবা মচু মচুগী সংস্কৃতিগী ঈচেলবু মাগী মাগী ওইবা শক্তমদা অকায়বা পীদনা মতম মতমদা কায়থোরকইবা শেনথাংবু মরমচানা শিজিন্নবিরবদি অৱাং নোংপোক ভারত্তা কাঙলুপ মশেন চান্ন চিন্ননা অমদি শান্তি লৈবা ইংতপ্পা সমাজ অমা ওইরক্কনি হায়না থাজে।

### ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপা

| | | |
|---|---|---|
| আলেকজেণ্ডার মেকেঞ্জি | ঃ | বৃটিশনা ভারত্তা পাল্লিঙৈদা লৈরম্বা লৈঙাকলোয় অমা। |
| লৈকোয়রোল | ঃ | ভূগোল, জিওগ্রাফী। |



| | | |
|---|---|---|
| সার, জে. বি. ফুলার | ঃ | ইষ্টার্ন বেঙ্গল অমসুং আসামগী লেঃ গর্ভণর ওইরম্বা মীওই অমা। |
| শাফোংলকখি | ঃ | অনৌবা শক্তম অমদা থোরকখি। |
| কোরিডোর | ঃ | অখুবা অমসুং ময়ুংনা শাংবা লম। |
| ময়োল্লম | ঃ | ময়ায় ওইবা লম, ময়োল লম। |
| ৱাঙুরোন | ঃ | ফিলোসোফি, দর্শন। |
| সত্রীয়া জগোই | ঃ | শঙ্করদেবকী নববৈষ্ণবধর্মগী মোনাষ্ট্রী 'সত্র' শিংদগী হৌরকখিবা আসামগী ক্লাসিকেল জগোই মখল অমা। |
| এক্সক্লুডেদ অমসুং পার্সিয়েলি এক্সক্লুডেদ এরিয়া | ঃ | বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদা নোর্থইষ্ট ফ্রোন্টিয়ার ডিষ্ট্রিক্ট, নাগা হিলস ডিষ্ট্রিক্ট, লুকাই হিলস্ ডিষ্ট্রিক্ট অমসুং নোর্থ কাছাড় হিলস্ সাবডিভিসননা কোল্লম্বা লমবু এক্সক্লুডেদ এরিয়া কৌরমই। অদুগা গারো হিলস ডিষ্ট্রিক্ট, খাসি অমসু জয়ন্তীয়া হিলস্ ডিষ্ট্রিক্ট (শিলং য়াওদনা) কোল্লম্বা লমবু পার্সিয়েলি এক্সক্লুডেদ এরিয়া কৌরমই। |
| পরম্পরা | ঃ | পথাং পূথাং |
| শিনশং | ঃ | ইন্দষ্ট্রী, শিল্প |
| সাব্ নেসোনেলিজম | ঃ | লৈবাক অমদা খুন্দালৈতাদুনা লৈবা মীকাঙলূপ অমা নত্রগা খরনা তোঙানবা লৈবাক অমা লিংখৎপগী ৱাখল্লোন। |
| সেল্ফ ডিটারমিনেশন | ঃ | মী কাঙলূপ অমনা নত্রগা খরনা নত্রগা অকক্লবা এরিয়া অমগী লৈঙাক থৌরম লন্নাই শেমজবা অমসুং লৈঙাকচবা। |

### <u>ৱাহং</u>

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। অৱাং নোংপোক ভারত হায়রগা ভারতকী করম করম্বা রাজ্যবু খঙনবগে?

২। করম্বা চহীদা 'নোর্থ ইষ্টার্ন কাউন্সিল' লিংখৎখি?

৩। ‘নোর্থ ইষ্টার্ন ফ্রোন্টিয়ার’ হায়বা মীংথোন অসি কনানা ইহান হান্না শিজিন্নবা হৌখিবগে?

৪। অপূনবা আসামগী মনুংচন্না লৈরম্বা অৱাংনোংপোক ভারতকী রাজ্যশিংগী মমিং পল্লু।

৫। সার জে. বি. ফুলার কনানো?

৬। ভারতকী করম্বা মফমবু ‘চিকেন নেক’ হায়রগা খঙনৈ?

৭। ‘সত্র’ হায়বসি করিনো?

৮। সাব নেসনেলিজম হায়রগা করিবু খঙবগে?

৯। DONER গী মপূংফাবা মমীং করিনো?

১০। অৱাংনোংপোক্কী মী কাঙলূপশিংগী মরুওইবা শিনফম শিনথা খরা পল্লু।

১১। পরম্পরাগী পূন্সিমরেল হায়বসি করিনো?

১২। অৱাং নোংপোকতা খুন্দালৈতাদুনা লৈরিবা মীকাঙলূপশিংগী শেলথুমগী ফীভমদা শোৎথহৌবগী মরম খরা ইয়ু।

১৩। শোৎথহৌরবা মী কাঙলূপশিংগী থম্মোয়দা হুল্লিবা ইহুল হায়বসি করম্বা ইহুলনো?

**(খ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। ‘নোর্থ ইষ্ট ইণ্ডিয়া’ হায়বা মীংথোন অসি করন্না ওইরকখি হায়বদু শন্দোক্লা খঙহল্লু।

২। ভারত সংস্কৃতিগী অপুনবা শক্তম শাগৎপদা অৱাং নোংপোক্লা করম্বা মরুওইবা থৌদাং লৌবগে শন্দোক্লা ইয়ু।

৩। ভারতকী অৱাং নোংপোকতা ময়োক্লরিবা সমস্যাশিংনা জাতিগী অপূনবা শক্তমদা শীংনরে হায়বসি খঙহন্দুনা ৱারেং অমা ইয়ু।

৪। অৱাং নোংপোক্কী খুনাইদা চীং অমসুং তমগী মরক্তা খেন্নবগী চাং হেনগৎলকপগী মরম করিনো মচা তানা তাকউ।

৫। অৱাং নোংপাক ভারতকী সম্যাশিং কোক্লবগী পাম্বৈ খরা নশাগী মোত পীদুনা ইয়ু।

****

# নুপীগী শিক্ষা অমসুং সমাজদা মখোয়গী থাক

**লাইশ্রম ভারতী সিং**

*(লাইশ্রম ভারতী (১৯৭০) কাছাড় জিলাগী উধারবন্দগী মনাক্তা লৈবা বাদুগর (বাহাদুরগ্রাম) কৌবা খুঙ্গংদা পোকই। নর্থ ইষ্টার্ন হিল ইউনিভার্সিটি, শিলংদগী ইংলিশতা এম. এ. পাশ তৌরবা মতুদা পোইলাপুল নেহেরু কলেজদা ওঝা ওইরি। মহাক্না ইবা লাইরিক ওইনা ফোংবদি উদ্রি অদুবু জর্নেল, মেগাজিননচিংবদা ৱারেং খরদি ফোংখ্রে।*

*মতম অমদা শোখদুনা লৈরম্বা নুপীশিংনা হৌজিক্কী মতমদা মহৈ-মশীংগী (শিক্ষাগী) লমদাংদা করম্বা শরুক য়ারি অমসুং সমাজদা মখোয় করম্বা ফিবম নত্রগা থাক্‌তা লৈরি হায়বসি অইবী অসিনা মহাক্কী ৱারেং অসিদা শন্নপ্না ইরি।)*

লৈবাক অমগী সভ্যতা অমদি সংস্কৃতিগা লৈবাক অদুদা লৈরিবী নুপীশিংগা ঙসি ঙরাংদগীতা নত্তনা থায়না মমাংঙৈদগী থাগোন্নদুনা লাকই। রামায়ন, মহাভারতকী মতমগী ৱারীদগী খঙবা ঙমই মদুদি নুপী নত্তনা পুন্সিগী অর্থ লৈতে। সীতা নৎলমদ্রবদি রামায়ন ওইবা য়ারল্লোই, কুন্তী দ্রৌপদী য়াওদনা মহাভারতকী মশক থোকলোই। ইতিহাসকী ওইবা ৱারী কয়াসু নুপীনা য়ুমফম ওইরগা শেমখি। মসিদগী খঙবা য়াবদি ভারতকী সমাজদা নুপীগী থাক য়াম্না ৱাংনা লৈ অদুগা নুপী নত্তনা ঐখোয়গী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিগী মঙাল লৈরমদবা য়ারম্মী। নুপীবু ইকাইখুম্নগা চৎলিবা সমাজ অদু চাউখৎলবনি অদুগা নুপীবু শান্নপোৎনি নুপাগী মরুম থুপ্পা হিংগদবনি হায়না খল্লিবা সমাজ অদু চাউখৎত্রি হায়না লৌগনি। ভারতকী অহান্বা প্রধান মন্ত্রী পণ্ডিত জৱাহরলাল নেহেরুনা “You can tell the condition of a nation by looking at the status of its women” লৈবাক অমগী ফিভমদি লৈবাক অদুদা লৈরিবী নুপীশিংগী থাকনা লেপকনি হায়খিবসি অচুম্বনি। সমাজ অমগী চৎনবী লীচৎ শাজৎ, ফিজেৎ চাকচানচিংবা

শন্না সংস্কৃতি হায়বসিগী ঙাক্লৌ নুপীনা ওই। সংস্কৃতিগী মতুংইন্না সমাজ সভ্যতা ওইরিবনি। অদুনা সমাজ নত্রগা জাতি অমগী মশক লেপ্লিবা নুপীশিং সমাজদা করম্বা ফিভমদা লৈ অদুনা মখোয়গী ৱাখল্লোন, মহৈমশীংনা করম্বা থাকতা লৈ হায়বসি য়েংশিন্নীঙাইনি।

মতম অমদা নুপী অয়াম্বা স্কুল-কলেজদা চৎতুনা লাইরিক লাইশু তম্নরমদে, ইমুং মনুংগী থবক ইনখাং শূদুনা চাক য়েনশাং থোংদুনা, ফিশু ফিজাম তৌদুনা, অমসুং অঙাং য়োকপনচিংবা তৌদুনা লেল্লম্মী। নুপীনা লাইরিক হৈরগা করি কান্নগনি হায়বা অরানবা ৱাখল্লোন অমা লৈরম্মী। অদুবু মীওইবগী ৱাখল লৌশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না অহোংবা কয়া লাকখি। নুপীসু নুপাগুম্না পাঙ্গল লৌশিং লৈ, মখোয়সু নুপাগুম্না মপান থোক্তুনা লাইরিক লাইশু তম্বগী অধিকার লৈ হায়না লৌনরকই অমসুং লাইরিক লাইশু তম্বা হৌগৎনরকই। হৌজিক্কী মতমদদি নুপী নুপা হায়বা তোঙান্বা অমা অমুক লৈতরে। পোকপু পোল্লবদি নুপা ওইরবসু নুপী ওইরবসু লাইরিক লাইশু তম্বা অসি চৎনবী অমা ওইরে। মালেমগী লৈবাক ১৯৮ না য়ানদুনা থবক ওইনা পায়খৎখ্রবা ইউ. এনগী মিল্লেনিয়ম দেভেলপমেন্ট গোলসকী পান্দমনা মীপুম খুদিংবু প্রাইমারী এডুকেসন ফংহনগদবনি, নুপীগা নুপাগা হক মান্নগনি হায়রি। মসিগী মতুংইন্না ঐখোয়গী ভারততসু সরকারনা আইন কয়া শেমদুনা, সংবিধানদা নুপীবু লাইরিক লাইশু তমহনদুনা মহৈ হৈহনবগী থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ঐখোয়গী লৈবক্তা প্রাইমারীদগী সেকেণ্ডারীগী থাক ফাওবা নুপী পূম্নমক লেম্না লাইরিক তম্বা (free education) গী খুদোংচাবা পীরি। মসিনা বি. এ., এম. এ. ফাওবা লেম্না লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা অসি পীরবদি নুপী লাইরিক হৈবগী চাং অসি হেল্লকখিগনি। Directive Principles of State Policy না নুপীবু লাইরিক লাইশু তম্বদা অমসুং সরকারগী থবক তৌবগী লম্বী ফাৎতুনা থমলি। ভারত সরকারনা ইংকুমজা ১৯৮৬ দা National Policy on Education (NPE) হায়দুনা থৌরাং অমা লাউথোকখি। পোলিসি অসিনা নুপীগী পাঙ্গল লৌশীং হেনগৎনবা কারিকুলামদা ভেল্যু এজুকেসন অমসুং ৱুইমেন ষ্টদিজদা থোয়দোকনা মমল পীবগা লোয়ননা ভোকেশনেল, টেকনিকেল অমসুং প্রোফেসনেল এডুকেসন ফংহনবগী খুদোংচাবা পীরি। এন. পি. ইনা 'মহিলা



সামক্য' হায়বদি নুপীবু নুপাগা থাক মান্নহনবগী শিক্ষা হায়বা স্কীম অমা ১৯৮৯ দগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা চাউখৎপা ৱাৎলিবা খুঙ্গংশিংদা চৎহনখ্রে। স্কীম অসিনা নুপীশিংবু ফোরমেল, ননফোরমেল অমদি এদাল্ট এডুকেসন ফংহন্নবা হোৎনরি। মসিতসু নত্তনা 'মহিলা শিক্ষাকেন্দ্র' হায়বা ময়ুম ময়ুমদা তমজবা য়াবা শুপচিন্বা শিক্ষাগী থৌরাং Condensed Educational Programme হায়বা স্কিম অমসু হৌগৎখ্রে।

নবোদয়া বিদ্যালয় লিংখৎপগী ৱাখল অসি ইং চহি ১৯৮৬ গী এন. পি. ই. দা পোকখিবনি। মসিদা নুপীশিং, ট্রাইবেলশিং, শোয়নাইবশিং অমসুং অতৈ অশোনবা কাঙলুপ্পু অফবা মগুনলৈবা শিক্ষা ফংহন্নবা খুদোংচাবা পীবগী ৱা মরু ওইনা পল্লি। মসিদা মীংচনবদা খুঙ্গংগী নুপীমচাশিংগীদমক চাদা সিট কুনথ্রা খাক্তুনা থমই। ইংকুম ১৯৯০ গী নেশনেল লিটারেসি মিশনগী টোটেল লিটারেসি কেম্পেইনসু খুঙ্গংগী লাইর চুথবশিং মরুওইনা চহি ৯ দগী ৩৫ গী মনুংদা এলিমেন্টরি এডুকেশন (Elementary Education) বু মীয়ামগী ওইহনবগী পান্দমদা সর্ব শিক্ষা অভিযান কৌবা স্কীম অমা চৎনহনখি।

ভারতকী অতৈ রাজ্যগী মতৌগুম্না আসাম সরকারসু, ইংকুমজা ২০০৮-০৯ দা নুপীমচাশিংগী মহৈ মশিংতম্বা খুমাং চাউশিহন্নবা অনৌবা স্কীম অনীখক হৌদোকখ্রে। স্কীম অমদা সরকারগী স্কুলদা ক্লাশ VIII তমলিবী ছাত্রীশিংদা সাইকেল লেম্না য়েনবিরি। অতোপ্পা স্কীম মা-জনী হায়বদুনা নুপীমচা অমা হেক পোকপগা সরকারনা মাগী মমিংদা লুপা ৫০০০/- (লিশিং মঙা) গী ফিক্স ডিপোজিত বেঙ্ক একাউন্ট অমা হাংবিগনি। নুপীমচা অদুনা চহি ১৮ শুবা মতমদা শেল অদু শেন্দোয়গা লোয়ননা লৌথোক্লগা মহাক্না লাইরিক-লাইশু তম্বদা শিজিন্নবা য়াগনি।

অমরোমদনা নুপীমচা মহৈরোইশিং স্কুল কাবা মশীং হেনগৎপদা মতেং ওইননবা ঐখোয়গী লৈবাক্কী অয়াম্বা স্কুলশিংদা চাকপিজবা (মিড্ দে মিল), লেম্না লাইরিক অমসুং য়ুনিফোর্ম পীবগী থৌরম কয়া চথরি। খ্বাইদগী নৌরিবা এন. পি. ই. গী খোঙথাং অমদি চৎলিবা চহি ২০০৯ গী আগষ্টতা লাউথোকখিবা রাইট টু এডুকেশন এক্টনি। মসিনা প্রাইমারী অমসুং এলিমেন্টরি এডুকেশনগা লোয়ননা সেকেণ্ডরী এডুকেশনসু সার্বজনীন

ওইহল্লগনি। মসিগী মথক্তা, ভারত সরকারনা য়াম্না য়াঙনা ফিমেল লিটরেসি মিশন হৌদোক্লবা থবক চথরি। মসিগী মহয়না নুপীশিংনা হাইয়ার এডুকেশন ফাউবা লেপ্পা তম্বা য়াহল্লগনি। পল্লিবা স্কীম অমসুং প্রোগ্রামশিং অসি নুপীগী ফিভমদা মরু ওইবা অহোংবা পুরকনবা পাম্বৈ ঙাক্তনি।

ভারত্তা নুপীশিংগী মহৈ-মশিং হৈবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকলি। বৃটিশনা পাল্লিঙৈদগী ভারতনা ইংকুমজা ১৯৪৭ দা নীংতম্বা ফংবা ফাউবদা, ভারত্তা লাইরিক হৈবী নুপীগী চাং চাদা ২ দগী ৬ ফাওবদং ওইরম্মী। ইংকুমজা ২০০১ গী সেন্সসকী মতুংইন্না নুপী লাইরিক হৈবগী চাংসি ৫৪.৬% নি। ইকুমজা ২০০০৮ ফাওবদা মসিগী চাংসি চাওরাক্লা ৬৫ নি। ভারত্তা নুপীতগী কলেজ ১৮০০ রোম শুরে। ইঞ্জিনিয়ারিং, মেদিকেল অমসুং অতৈ প্রোফেসনেল কলেজশিংদা নুপীশিংগীদমক সিট ৩০ বিজার্ব থমই। মসি অৱাংবা থাককী শিক্ষাদা নুপীগী মশীং হেলহন্নবগী থৌরাংনি। শহরদদি মহৈমশীং তম্বদা ভারতকী নুপীমচাশিং নুপামচিশিংগা চাংমানরে হায়বা য়াই।

লাইরিক লাইশুদা নুপীগী মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিনা হৌজিক্কী নুপীশিং নুপাদগী করিসু হস্থনা লৈতে হায়বা তাকই। রাজনীতি, সমাজনীতি, অর্থনীতিনচিংবা হীরম কয়াদা নুপীশিং অচৌবা শরূক য়ারি। রাজনীতিগী লমদা নুপীনা প্রেসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টার ওইবা কয়া য়াওরি। এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্বিসতা নুপী IAS, IPS ফংদুনা অচৌবা অফিসার ওইবা য়াম্না লৈরে। হৌজিক মতমদা পাইলটতা নত্তনা এষ্ট্রোনোট ওইবা নুপী লৈরে। মসিনা তাকপদি নুপীশিং অসি লাইরিক লাইশুদা, থবক তৌবদা করিসু হস্থদে হায়বা অসিনি।

ভারত্তা নুপীগী চাউখৎলকপগী থাক অসি মতম মতমগী অচৌবা অহোংবা কয়াগা থেংনদুনা লাকখি। ইংকুমজা ১৯৭০ গী চহি তরাগী মতমদা 'নুপী য়াইফবা' (Women Welfare) হায়বগী ৱাখল্লোনদগী ইংকুমজা ১৯৮০ গী চহি তরাদা 'নুপী চাউখৎপা' (Women Develoment) গী ৱাখল্লোনদা অদুগা হৌজিক্লা 'মপূংফাবা শক্তি লৈহনবা' (Full Empowerment) গী মায়গৈদা চঙশিল্লকই।

ইংকুমজা ২০০১ পু ৱুইমেন্স ইম্পৱরমেন্ট ইয়র (Women's



Empowerment Year) লাউথোকখিবগা লোয়ননা ভারত সরকারনা অনৌবা মিল্লেনিয়মগী থোঙজিন কানশিল্লকখি। ৱুইমেন্স ইম্পৱরমেন্টনা নুপীগী মপাঙ্গল হেনগৎনবগী অমসুং নুপীগা নুপাগা থাক মান্ননা লৈবা য়াবগী থৌরম কয়া পায়খৎখি। লাইরিক লাইশু তম্বদা, সরকারগী থবক তৌবদা মান্নবা হক পীদুনা নুপীবু শৌগৎলি। থবক তৌবদতা নত্তনা রাজনীতিগী মাইকৈদা হায়বদি আইনসভাদা নুপীগী রিজার্ব সিট থমলি। পঞ্চায়েত মীখলদা আসামদদি নুপীগী সিট চাদা ৫০ ওইবগী ৱাফম লৈরে। মসি পূন্নমক অসিনা নুপীগী ফিভম অমসুং সমাজদা মখোয়গী থাক ৱাংনা লৈ হায়বা তাকলি।

ইতিহাসগী মিৎয়েংদা, পৃথিবী পূম্বগী ওইনা নুপী-নুপা থাক মান্নবগী ৱাখল্লোন অসি নোংচুপলোমদগী ফেমিনিজম অমসুং ফেমিনিষ্ট মুভমেন্টগী মওংদা হৌরকখিবনি। ইংকুমজা ১৭৮৯ গী ফ্রেঞ্চ রিভোল্যুশনদা মসিগী মরু হুনখিবনি। মেরি উলষ্টোনক্র্যাপট কৌবী ইংলিশ ফেমিনিষ্ট অমসুং এডুকেশনিষ্ট অমনা ইবা ইংকুমজা ১৭৮৭ দা ফোংবা Thoughts on the Education of Daughters' হায়বা লাইরিক্তা মরুওইনা সমাজদা নুপীগী থাক্কী মরমদা নৈনখি। ইংকুমজা ১৭৯২ দা ফোংবা মহাক্কী লাইরিক 'Vindication of the Rights of Women' দা মহৈ-মশীং তম্বদা নুপী-নুপা থাক মান্নবগী ৱাফমনা মরু ওইনা নৈনখি। লাইরিক অসিবু মোডার্ন ফেমিনিজমগী য়ুমফম ওইবা দলিল (Founding Document) নি হায়না শীংথানৈ।

ইংকুমজা ১৯৬০ দগী ১৯৭০ ফাওবা চহী ১০ গী মনুংদা ওইখিবা নুপীগী নীংতম্বগী ঈহৌবু Feminist Movement কী অনীশুবা খোঙথাংনি হায়না লৌনৈ। ঈহৌ অসিগী হৌরকফমদি আমেরিকা অমসুং ইউরোপনি। ঈহৌ অসিমক্তি নুপীশিংগী হক অমদি লন্নাই নীংতম্বগী ঈহৌনি। ঈহৌ অসিবু শৌগৎপা ওইনা ইংকুমজা ১৯৭৮ বু International Women's Year হায়না ইউ, এন না লাউথোকখি। মসিগী মতুং ইন্না মালেমগী লৈবাক কয়াদা থৌরাং লৌনরকখি অমসুং নুপী নুপা লেঙমান্ননা চৎমিন্নগনি হায়বা খোল্লাউ লাউনরকখি। রাজনীতি, সমাজনীতি, অর্থনীতিনচিংবগী মাইগৈদা নুপীশিং য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লকখি।

হৌজিক্কী ফেমিনিজম অমসুং ৱুইমেন এমপাৱারমেন্টগী মতম অসিদা

ৱুইমেন ষ্টদিজ হায়বদি নুপীমচা অমসুং নুপীশিংগী ইতিহাস অমসুং থৌদাংগী হিরম তম্বা অসি নোংমা নোংমগী মরুওইবা হেনগৎলকলি। অৱাংবা শিক্ষাগী থাকতদা নত্তনা স্কুলগী থাকতসু হিরম অসি তম্বগী খুদোংচাবা লৈহনবা মথৌ তারকলে। মদু ওইরবদদা নুপীশিংনা খঙজবা ঙমগনি মদুদি মখোয়বু করি করি খুচোংচাবা ফংহল্লমবা, মখোয়গী খুদোংথীবশিংনা করি করিনো অমসুং মখোয়না ফংফম থোকপা মখোয়গী মরুওইবা অধিকারগী মরমদা। মতম অদুদদা মখোয়না মখোয়গী অৱাৎ-অপা মেনশিনবগী অমসুং মরাইবক ফগৎহনবগী শক্তি পায়বা ঙমগনি অমসুং জাতিবু হেন্দোক- থোইদোক্না চাউখৎপগী লমদাংদা লমজিংবা ঙমগনি।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপাঃ**

১। সভ্যতা ঃ চাউখৎপা, খূমাং চাওশিনবা।
২। সংস্কৃতি ঃ নাৎ, চৎনবী, ফিজেৎ চাকচা, য়ুমলৈ কৈরৈনচিংবা।
৩। ইউ. এন.(ও) ঃ ইউনাইটেদ নেশন্স (ওরগেনাইজেসন)
৪। মিল্লেনিয়ম ঃ চহী লিশিং অমা
৫। ডেভেলপমেন্ট ঃ চাউখৎপা
৬। গোলস ঃ পন্থুং
৭। প্রাইমারী এডুকেশন ঃ অহানবা থাককী মহৈ মশীং, ৭ শুবা থাক Class- VII ফাওবগী মহৈমশীং
৮। সেকেণ্ডারী এডুকেশন ঃ অনিশুবা থাককী মহৈমশীং হায়ার সেকেণ্ডারীগী থাক ফাওবগী মহৈ মশীং।
৯। সংবিধান ঃ চৎনরোল, লৈবাককী চৎনবা আইন্নচিংবা ইদুনা থম্বা লাইরিক।
১০। Directive Principles of State Policy ঃ ষ্টেট (সরকার) না লৌখৎপা পাউতাক (নীতি) শিং।
১১। কারিকুলাম ঃ তম্নবা লাইরিককী মনুং চনবা হীরমশিং।
১২। ফিক্স ডিপোজিত ঃ অকরুবা মতমগীদমক তুংশিন্দুনা থম্বা শেনফম।



১৩। পাইলট ঃ এরোপ্লেন থৌবা মী।
১৪। এষ্ট্রোনট ঃ মিসাইল নত্রগা রকেটতা চৎলিবা মী (সাইন্টিষ্ট)।
১৫। রিজার্ব ঃ তঙায়ফদনা থম্বা, শোয়ফদ্রবা।
১৬। রাজনীতি ঃ লৈঙাকলোন।
১৭। সমাজনীতি ঃ খুনাইরোন।
১৮। অর্থনীতি ঃ শেনমিৎলোন
১৯। Vocational ঃ শিনগা মরী লৈনবা (শিক্ষা)।
২০। Technical ঃ খুৎ-শাগা মরী লৈনবা (শিক্ষা)।
২১। Professional ঃ থবক নত্রগা শিনফমগা মরী লৈনবা (শিক্ষা)।
২২। Formal ঃ চৎনদুনা লাকপা, শিন্দমশঙদা চৎতুনা মহৈমশীং তম্বগা মরী লৈনবা।
২৩। Non formal ঃ চৎনদুনা লাকপা নত্তবা, শিন্দমশঙদা চৎতদুনা (য়ুমদবু ওইরবসু) মহৈ মশীং তম্বগী মরী লৈনবা।
২৪। আইনসভা ঃ আইন, লৈবাক্কী চৎনবা শেম্বা লোইশঙ।
২৫। লোকসভা ঃ আইনসভাগী অহান্বা লোইশঙ, লোৱর হাউস।
২৬। গণতন্ত্র ঃ মীয়াম্না পানবা, মীয়াম্না শেম্বা সরকার, দেমোক্রেসি।
২৭। সার্বজনীন ঃ মীয়ামগী ওইবা।

<u>ৱাহং</u>

**(ক) মখাগী ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। 'You can tell the condition of a nation by looking at the status of its women' কনানা করি মরমগী হায়খিবনো?
২। মমাংঙৈদা নুপীনা লাইরিক তম্নরমদ্রিবসি করিগীনো?
৩। মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইউ. এনগী মিল্লেনিয়ম ডেভেলপমেন্ট গোলস শেমখি অমসুং মদুগী পান্দম্না করিনো?
৪। ভারততা করম্বা থাক ফাওবা নুপীবু লেম্না লাইরিক তম্বগী খুদোং চাবা পী?

৫। NPE হায়রগা করিবু খঙই? মসিগী পান্দমনা করিনো?

৬। মহিলা সামক্য করিনো?

৭। নবোদয়া বিদ্যালয়গী পান্দম করিনো?

৮। সর্বশিক্ষা অভিযান মিশন হায়রগা করিবু খঙই? মসিগী পান্দমনা করিনো?

৯। নুপীমচাশিংগী মহৈ-মশীংদা খুমাঙ চাওশিন্নবা আসাম সরকারনা করম করম্বা স্কিম লৌখৎলি?

১০। Feminist Movement করিনো? মসিগী মহয়না করি ওইখি?

১১। Women's Empowerment হায়রগা করিবু খঙই?

**(খ) মখাগী ৱাহৈ খরা অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

সীতা নৎলমদ্রবদি রামায়ন ওইবা য়ারল্লোই, কুন্তী, দ্রৌপদী য়াওদনা মহাভারতকী মশক থোকলোই।

১। সীতা কনানো?

২। সীতা নত্তনা রামায়ন ওইবা য়ারল্লোই হায়রিবা করিগীনো?

৩। কুন্তী কনানো?

৪। দ্রৌপদী কনানো?

৫। কুন্তী, দ্রৌপদী য়াওদনা মহাভারতকী মশক থোকলোই হায়রিবা করিগীনো?

**(ঘ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। মমাংঙৈদা নুপীশিংনা লাইরিক লাইশু তম্নরমদ্রিবা করিগীনো? মতম অদুদা মখোয় করম্বা পুন্সি লেল্লম্মী?

২। করম করম্বা থৌরাংনা নুপীশিংদা লাইরিক লাইশু তম্বগী ঈহৌ পীখি অমসুং ইহৌশিং অদুনা নুপীশিংদা করম্বা অহোংবা লাকখি?

৩। লাইরিক লাইশু তমলিবী নুপীমচাশিংদা সরকারনা করম করম্বা খুদোংচাবা পী অমসুং মদুশিংদুনা লাইরিক লাইশু তম্বদা করম্বা ঈহৌ পীবগে শন্দোক্লা ইয়ু।

৪। হৌজিক্কী মতমদা নুপীশিংগী লাইরিক লাইশুগী থাক অমসুং সমাজদা মখোয় করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়বসি শন্দোক্লা ইরগা খঙহল্লু।

****

## (অনীশুবা শরুক)

# অকোয়বগী ফিভম ঙাকশেনবা

**ড° বি. মণিহার শর্ম্মা**

*(ড° বি. মণিহার শর্ম্মা (১৯৫১-) মণিপুর ইউনিভার্সিটিগী লাইফ সাইন্সকী এসোসিয়েট প্রোফেসরনি; এনভিরনমেন্টেলিষ্ট অমদি মীয়ামদা সাইন্টিফিক এৱেয়ারনেস শন্দোকপা সোসিয়েল ৱার্কর অমনি।*

*ৱারেং অসিদা অইবনা, মালেমসিগী অকোয়বগী ফিভম মাঙশিল্লকপদা অকিবা পোক্তুনা হায়রি মদুদি জীবশিংনা অমাঙ-অতা থোক্তনা তুং-কোইনা পালহৌগে হায়রবদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেলহৌবা তাই। ঈশিং, নুংশিং অমদি লৈহাওদা চঙশিল্লক্লিবা হূনা মরম ওইদুনা মালেমসিদগী জীব পানবশিং মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। অদুনা মীপুম খূদিংমক্লা হীরম অসোমদা পূক্নিং থিংজিনবা অমদি পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে হায়দুনা অইবনা মত পীরি।)*

**ঐখোয়গী মালেমঃ**

থৱায় পানবশিংনা হিংবদা ঈশিং-নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাওনচিংবা মহৌশা অকোয়বদা লৈবা পোৎলম কয়া তঙাইফদনা চঙই হায়বসি হৌজিক ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফন্নি। মীওইবনা মালেমদা খুন্দা-লৈতারকপগী য়াম্না অঙনবা মতমদগী হৌনা হীরম অসোমদা থিজিন-খোৎচিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরকখি। খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী ৬০০ কী মমাঙদগী হৌনা গ্রীস লৈবাক্কী বিজ্ঞানিকশিং অমসুং ফিলোসোফারশিংনা থৱায় পানবশিংগী মশাদা ঈশিংনা খ্বাইদগী মরূ ওইবা পোৎচঙনি হায়না লৌনরকই। মথং-মথং ওইনা মৈ অমসুং নুংশিৎনা মালেমদা লৌরিবা থৌদাং অসি অশুম খঙনরকখি। খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী ৫০০ গী মমাঙদগী হৌনা থৱায় পানবশিংনা মালেমদা হিংবদা নুংশিৎ, ঈশিং, মৈ অমসুং লৈবাক-পোৎচঙ মরি অসি তঙাইফদনা

চঙই হায়বসি খঙনরক্লম্মী। থৱায় পানবশিংদা অমদি মালেমদা নুংশিৎনা লৌরিবা মমল নাইদ্রবা থৌদাংগী মরমদা খৃষ্টনা পোক্নদবা চহী ৫০০ গী মমাংদা গ্রীস লৈবাক্কী ফিলোসোফর এনাকিসমিন্সনা অসুম্না ইরম্মীঃ

'ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা নুংশিৎনা ঐখোয়বু ফাজিন্দুনা থম্বিবগুম নুংশিৎনা মালেম অপূম্ববু কোয়শিন্দুনা ঙাকপি-শেনবীরি'।

অতিয়াগী মচুদি শংবান্নবা মচুনি। মসিগী মতাংদা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। দিল্লীদগী ওফিসকী থবক অমগী লাকপা ইমান্নবা সাইন্টিষ্ট অমা ঐখোয়গী য়ুমদা লাক্তুনা নুমিৎ তাশিল্লকপগী অদুৱাইদা শুমাঙদা ফমদুনা নোংমা চা থকমিন্নখি। চা থকপা লেপ্লগা মমায় অদু নোংথক্তা য়েংখৎলগা ইঙক-ঙক্লা হায়রকখি, "নখোয়গী অতিয়াসিদি শংবান্নৈহ্রু নখোয়গী নুংশিৎ অসিদি ওন্থোক্লা শেংখ্রেহ্লু" মদুদা ঐনা কয়া ঙক্তনা, "অতিয়াগী মচুবু শংবান্নদ্রবদি করি ওইগনি" হংখি। মহাক্লা খুম্লকখি, "অতিয়াগী মচু, মফম অয়াম্বদা শংবান্নবা ওইদ্রে। দিল্লী, কোলকটা, কানপুরনচিংবগী অতিয়া হৌজিক শংবান্নদ্রে, উফুল অমদি পোল্লুটেন্টনা পীকথল্লবনিনা ফু-ৱাউনরে। নখোয়গী অতিয়াসিদি অমোৎ-অকায় কয়া থাংদবনা অয়াম্বা মতমদা শংবান্ননা উরিবনি। মসিদি গ্রহ অমসুং থৱানমিচাক য়েংননবা চপচাবা ওবজারভেটরী অমনি হায়না লৌবা য়াই।" অচুম্বনি, অমোৎ-অকায় থাংদবা অশংবা অতিয়া, অশোংবা নুংশিৎ-নুংশা, অশেংবা ঈশিং অমসুং অফবা লৈবাক-লৈহাও অসি থৱায় পানবশিংনা মালেমদা তেক্ত-কায়দনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম ঙাক্তনি।

**মহৌশা অকোয়বাঃ**

থৱায় পানবশিংগী পোকপদগী শিবা ফাওবা তঙাইফদনা চঙলিবা নুংশা মঙাল, নুমিৎতগী ফংবা মৈশা, নুংশিৎ, ঈশিং, লৈবাক-লৈহাওনচিংবা পোৎলম কয়া অসিবু ঐখোয়না অকোয়বা (এনভাইরমেন্ট) হায়না খঙনৈ। জীবশিংনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরিবা ইকোসিস্টম অসিগী মহৌশাদা লৈরিবা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা থৱায় পান্দবা পোৎলম অসিবু অকোয়বা কৌই। থৱায় পানবশিং অমসুং থৱায় পান্দবা পোৎশিং অনীগী মরক্তা লৈরিবা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মরী (লীপুন) অসি ঐখোয়গী ইকোসিস্টেম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি শেংনা অমদি ফিঙম চানা থম্বা খ্বায়দগী তঙাইফদবনি। হীরম অসি পৃথিবীগী ওইবা 'ৱাল্ড কঞ্জারবেসন



ইউনিয়ন' (আই. ইয়ু. সী. এন) গী রামসার কনভেন্সনগী আর্টির্কল ৩.১ শুবদা নীংথিনা ইরি।

**নুংশিৎ নুংশাঃ**

নুংশা মঙাল; নুমিৎকী মৈশা অমসুং অশেংবা নুংশিৎ অসি য়াওদ্রবসি থৱায় পানবশিংনা মালেমদা হিংবা ঙম্লোই। নুংশা মঙালদা মখল কয়াগী শক্তি (রেদিয়েন্ট ইনর্জি) য়াওই। একস-রে অমসুং অলট্রা-ভাইওলেট (ইউ. ভি.) রে দি জীবশিংদা অমাং-অতা থোকহল্লি। পৃথিবী লৈমাইদগী কিলোমিটার ১৮ দগী ৫০ ফাওবা ৱাংবা নুংশিৎকী কুয়োমদা ওজোনগী লৈরোল অমা পাক্লা ছাটিনগুম্না শন্দোক্তুনা লৈ। মসিনা নুংশা মঙান্দা য়াওবা ইউ. ভী রে অসি পৃথিবীদা য়ৌরক্তনবা ঙাকথোক্তুনা থমই। অদুবু লুরিবদি পৃথিবীদা সুপরসোনিক ট্রান্সস্পোর্টি (জেট প্লেনগী ট্রানস্পোর্ট) য়াম্না চাওখৎলকপদগী ওজোনগী লৈরোল অসি অসুম পাথহল্লক্তুনা পৃথিবীদা ইউ. ভী. রে চাং হেন্না ফাওজিল্লকই। অখঙ-অহৈগী মত মতুংইন্না ইং ১৯৬০ দা নুংশিত্তা য়াওরম্বা ওজোনগী চাং অসি হৌজিক ফাওবদা এন্টার্কটিকাদা চাদা ৪০ হন্থরক্নে। ওজোনগী লৈরোলগী অহোবা মখুলশিংদা ইউ. ভী. রে ফাওজিল্লকপদগী উনশাগী কেন্সর, মীৎকী লায়না কয়া থোক্লকপগী চাং চাদা ৩০ রোম হেঙ্গৎলক্লে। অমরোমদনা পাম্বীগী চাথোকসু চাং য়াম্না হন্থরকই। সুপরসোনিক ট্রানস্পোর্টতা শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক (সি.এফ.সি.) অসিদগী শরূক হন্থনা রেফরিজরেটর, এরোসোল স্প্রে অমদি শঙনগী শিনশংদসু শীজিন্নৈ। হায়রিবা হীদাক-লাংথক অসি শীজিন্নবগী চাং তাংথক নাইনা হন্থহনবগা লোয়ননা ইং ২০০০ লোইবা ফাওবদা শীজিন্নবা পূমতোক তোক্লনবা পৃথিবীগী লৈবাক ৩৫ না অহানবা ওইনা ইং ১৯৮৭ তা মোন্ট্রিলদা য়ানচে অমা সহি তৌনখি। মসিবু 'মোন্ট্রিল প্রোটোকোল' হায়না খঙনৈ। ওজোনগী লৈরোল কায়হল্লোইদবা মখলগী হীদাক-লাংথক কয়াসু বিজ্ঞানিকশিংনা পুথোক্তুনা চাংয়েং তৌবদা মায়পাক্লে। নুংশিৎকী লৈরোল ফাওজিল্লক্লগা পৃথিবীদা য়ৌরক্লিবা মচু তরেৎ য়াওবা মঙাল অসিদি জীবশিংদা য়াম্না কান্নৈ। বিজ্ঞানগী ৱাখল্লোন লাক্ত্রিঙৈদগী হৌনা অহল-লমনশিংনা অয়ুক অঙনবদা পীক্লিবা অঙাংবু থাঙ্গৎলগা নুংশারোমদা ওনশিন্দুনা চাওহন্নীংবগী ৱখলগা লোয়ননা

তিং তিং চাউরো!
নুমিৎনা কারিঙৈ কাহৌরো!
থবীনা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরো!

হায়না চোংনরম্বদু হৌজিক্তি খুনুংৱারী ওইনা লৈরে। নুংশা মঙাল য়াওদ্রবদি পাম্বীশিংনা মচীঞ্জাক শুংবা ঙমদবা লোয়নন চাউবা ঙমদবনচিংবা অসি বিজ্ঞানিকশিংনা থিজিনবদগী ঐখোয় পূন্নমক্না খঙনরে। বিজ্ঞানগী অচুম্বা ৱাখল্লোন্দি পুথোরকপা কুইদ্রি। অদুবু থায়নগী অহল-লমনশিংনা নুমিৎকী মঙাল অমদি মৈশানা পীবা কান্নবদি অদুমক খঙনদুনা লাকই। নুংশাগী মঙাল মরাংকায়না ফংহন্নীংবদগী থায়নগী অহল-লমনশিংনা শরু শোন্নরমইঃ

নুংশালৈমা থোরক্লো
উরুমলৈমা চংখরো
হাওরৈবীগী ইংখোলদা
লশিং-পোলাং ফৌহৌবা
হূইনা য়েন্না শোক্কনি
কোনারাবা তিং! তিং!

মালেমগী ঈশিং-নুশিৎ কী ফিভম ঙাক্না থম্বদা নুমিৎকী মঙাল, নুংশাগী মৈশাগী থৌদাং লোয়নন নুমিৎ, থাগা পৃথিবীগা লৈনরিবা খোঙচৎকী মতুংইন্না ঋতু হোংদোক হোংজিন তৌরকপা কয়া ঐখোয়না মহৌশাদা থেংনরি। জীবশিংগী মরক্তা লৈরিবা চীঞ্জাক্কী লীপুন (ফুদ-চেন) নৈনবদা মালেমপূম্বগী শক্তি (ইনর্জি) গী হৌরকফমদি নুমিৎনি হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরে। নুমিৎ অমসুং থাগী ঙক্লবা অমদি মপাল নাইদবা কান্নবা মতীক-মগুণ কয়া লৈবদগী ধর্ম্ম কয়াগী মীওইশিংনা মখোয়বু লাইনি হায়না লৌনরি, লোয়নন ঈরাৎ-পূজা কয়া পাঙথোক্নরি।

ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎকী ফিভমদা হৌজিক চাউরবা অহোংবা কয়া লাক্লে। জীবশিংনা স্বর হোনবদা চঙলিবা কারবোনদাইওকসাইদ অমদি ওকিসজেন গ্যাসকী চাং অসি চাউনা হোংলক্লে। নুংশিৎ শেংলক্তবগী খ্বাইদগী চাউবা মরমদি কল-কারখনাদগী তুমথোক্তবা হূ চেল্লবা গ্যাস অহেনবা চাংদা থাদোরকপননি। পৃথিবীগী লৈবাক কয়াদা উমং কয়া পাক্তক্লনা কোকথোকপা লোয়নন মৈ থাদোকপনা নুংশিৎ শেংলক্তবগী মরুওইবা মরম



অমসু ওইরি। মরম অসিদগী নুংশিৎতা কারবোনদাইওকসাইদকী চাং য়াম্না হেঙ্গৎলকই। অমরোমদা উমং-ৱামং কা-হেন্না কোকথোকপদগী উনা-ৱানানা নুংশিত্তা থাদোরকপা ওকিসজেন গ্যাসকী চাংসু অসুম হন্থরকই। ভারত অমদি খা-নোংপোক এসিয়াদা উমং-ৱামং কয়া পাক্তক্লনা মৈ থাদোক্লগা পাল্লৌ উবগী চৎনবী অসি অসুম হেঞ্জিল্লকপনা উমংগী পোৎথোক হন্থরকপা, উমংগী লম কয়া লৈকংলা (লমগং) ওনশিল্লকপা অমদি নুংশিৎ শেংলক্তবদগী লায়না-লাইচৎ কয়া পাক্তক্লনা থোক্লকই। পৃথিবীগী নুংশিৎ-নুংশা শেংহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা, পৃথিবীগী থবোম্বীনি হায়নবা অমাজোন বেসিনগী উমং হৌজিক তংখায় হেন্না কোকশিল্লক্লে। মরম অসিনা উমং-ৱামংনা ঐখোয়দা পায়খৎলক্লিবা 'গ্রীন বেল্ট' অমসুং 'গ্রীন পার্টি' গী ঈহৌদা য়াওশিন্দুনা উ থাজিনবা লোয়নন উমং শেমগৎপা ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি। মমাংঙৈদা ঐখোলগী অহল-লমনশিংনা উমং-ৱামং কয়া উমংলাইগী উয়োক ওইনা থমদুনা উয়ানবদা অথিংবা থল্লমই, উমং কয়া নীংথিনা য়োক্লম্মী। উ-ৱাবু লাইনি নীংদুনা মখোয়বু য়ানবদা ঈরাৎ-থৌনিবগী চৎনবী কয়া 'হিজন-হিরাও' অমদি অতৈ পুয়া পুরান কয়াদা ময়েক শেংনা লৈরি। উমং পাক্তক্লনা কোকথোকপনা পৃথিবীগী শাবগী চাংসু অসুম হেঙ্গৎহল্লকই। ২০ শুবা চহীচাগী খ্বাইদগী শাবা চহী ১০ দি ইং ১৯৮০ দগী ১৯৯০ ফাওবসিনি। পৃথিবীগী মমল য়াম্লবা পাম্বী অমসুং শা-ঙা জাৎ (স্পেসিজ) ১৪০ রোমদি ঐখোয়গী উমংশিংদগী নুতিগী ওইনা মুৎশিল্লক্লি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা পানরি। উমং কোকথোকপনা ঈশিং নুংশিত্তা পীবা চৈথেংনা লমদম অমগী পাম্বী, শা-ঙাগী ফিভম (বাইওদাইভারসিটি) দা শোকহল্লকপা অসি মীপূমতিংনা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

ঐখোয়গী য়ূমগী অকোয়বা শুমাং-থেলোং, লম্পাক, কৈথেলনচিংবদা উফুল-ৱাইফুল থাংহন্দবা, অমোৎ-অকায়, নাপী-শীংনা মফম চানা পৈশিনবা, মৈ থাদোকপা য়াবা পোৎ খন্দোক্লগা মৈ থাদোকপনা নুংশিং-নুংশা শেংহন্নবগী মরুওইবা পাম্বেনি। মসিদগী ঐখোয়না নুংশিৎনা থোকহনবা লায়না কয়া থিংবা ঙমগনি। হৌজিক ঐখোয়দা আৱাবা পীরিবা প্লাস্টিক, চেরং, চেখাও অসি চাইথোকপগী মহুত্তা মফমচানা পৈশিন্দুনা থল্লগা অমুক হন্না শীজিন্নবা হোৎনগদবনি। মচু-মচুগী চেরংশিং অসি মওং তানা কক্লগা লৈতেংগী পোৎ-

চৈ (টেবল ফিদা, অঙাংগী, খোংউপ, থোঙগী পরদার, লৈ, চাকচাফিদা অসিনচিংবা) শাবদা শীজিন্নবা য়াই। প্লাস্টিক, পোলিথিন, চেরং, টায়ার, ট্যুবনচিংবা মৈ থাবা, মৈ তিকপা খক তৌরোইদবনি মরমদি মসি মৈ থাবদগী থোরকপা মৈখুদা হূ চেনবা কেন্সর থোকহনবা গ্যাস কয়া য়াওই। মীয়াম তিনফমদা, য়ুমগী অকোয়বদা অমোৎ-অকায়, ফত্তহৌদি হুন্দোক্লগা পংথম-থম্বগী মহুত্তা মফম চানা পৈশিল্লগা চেরং য়াওহন্দনা মৈ থাদোক্কদবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈতেম মান্নহল্লগা মসিগী মথক্তা লৈবাক হৈজিন্দুনা য়ুম- কৈ, কৈথেল শঙনচিংবা শাবগী থবক তোকথোক্কদবনি, মরমদি চহী খরগী তুংদা মফম অদুদগী মিথেন গ্যাস, কারবোন মোনোকসাইদ গ্যাসনচিংবা থোরক্তুনা মী কয়া য়াবগী অকিবা চাউনা লৈ। মণিপুরদসু ইকুই কুইদনা কোম অমদি পুখ্রি তৌরূবদা মী কয়া খুদক্তা শিখিবগী থৌদোক থোকখ্রবনি। ফত্ত-হৌদি অসি পৈশিল্লগা মৈ থাদোকপদগী থোরকপা উৎ অদু মনা মশীং থাবদা হার ওইনা হাপ্পা য়াই। কূপখ্রবা উফুল-ৱাইফুল অমদি মৈ থাবদগী থোরকপা মৈখু অসি য়ারিবমখৈ স্বর হোঞ্জিনবদা চঙখিদনবা চেকশিনগদবনি। মসিনা নুংশিৎ শেংহন্দবতা নত্তনা স্বর হোনবগী লায়না মরূ ওইনা ব্রোংকাইটিশ, ফেরিঞ্জাইটিশ, লংসকী কেন্সর থোকহল্লি। ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংদগী থাদোরকপা মৈখুদা হূ চেল্লবা গ্যাস কয়া য়াওই। অদুনা সাইলেন্সর পাইপ্তা 'কেতেলাইটিক কনভর্টর' হাপ্তুনা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাস অদু শেংদোক্কদবনি। শীং অমদি উগী কারবারগীদমক উ-ৱা-কা হেন্না য়াম্থোকপা, শা তানবগীদনক উমং মৈ থাদোকপা; পালৌ উনবগী মৈ থাদোকপা; পাল্লৌ উনবগী মৈ থাদোক্তুনা উমং কোকথোকপা অসিনচিংবা থৌওং কয়া অসিনা ঐখোয়দা থোকহনবা অমাং-অতা পূন্নমক মীপূমতিংনা খঙহন্ননবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে। হকচাংদা স্বর হোনবগী লায়না থোকহনবতা নত্তনা উমং মৈ থাদোকপনা খৌ পোম্বগী লায়না (গোইটর) অমদি নাইট্রোজেন, কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম, ফোসফোরস ৱাৎপদগী লায়না (ন্যুট্রিয়েন্ট দিফিসিয়েন্সী) কয়া থোকহল্লি। উমং মৈ থাবা তোকথোল্লগা অতোপ্পা মখলগী লৌউ-পথাপ চীংগী লমদা শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি।

**ঈশিং অমসুং লৈবাক-লৈহাওঃ**



থৱায় পানবশিংগী মশাগী অরুম্বগী চাদা ৯০ ফাওবদি ঈশিংগী মকোয় (ৱাটর সাইকল) নীংথিনা চথনবগীদমক অকোয়বদা উমং নীংথিনা শেমগৎপা, পুখ্রি, পাৎ, তুরেল, সমদ্রুগী ফিভম মওংচানা থম্বা তাবনি। অসুন্না তৌরবদি লৈমায়গী ঈশিং (সরফেস ৱাটর) অমসুং লৈনুংগী ঈশিং (গ্রাউন্দ ৱাটর) চাং ৱাত্তনা থম্বা ঙমগনি। লৌ পরী অমমুক চাওবা (হেকট্যার অমা) চীংমায় অমগী উমং কোকথোকপনা মফম অদুগী নোংচুবগী চাং চহী অমদা সেন্টিমিটার ১০০ রোমদি হুহহল্লি। উমং-ৱামং নীংথিনা শেমগৎপনা নুংশিৎ শেংনা লৈহন্নবা অমদি ঈশিং মরাং কায়ন্নবগী মরুওইবা উপায়নি। পৃথিবীগী অচৌবা পাৎ শিংগী তংখায় অমদি অসুম কংখিদুনা লৈকং ওনখ্রে। মতম অমদা ঈশিং মরাংকায়না লৈরম্বা, য়াম্না লুরম্বা পাৎ কয়া ঙসিদি অসুম থেঞ্জিল্লক্তুনা অমাঙবা ময়াম থোকহল্লকই। অদুনা পাৎ কয়া ফিভম শোকচিল্লক্তুনা ঈশিং কংশিল্লবা অমদি থেল্লবা 'ৱেটলেন্দ' (মিটার তরুকতগী তানা লুরবা) ওইরে হায়না 'ৱার্ল্ড কঞ্জারবেসন ইউনিয়ন' (আই. ইউ. সি. এন.) না শকখঙলে। মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াওনা ভারতকী পাৎ ৫ অমদি পৃথিবী পূম্বগী ৱেটলেন্দ ৮০০ গী মথক্তা ঙাকশেনবগী অকনবা মীৎয়েং চিংশিন্নবা 'রামসার সাইট'নি হায়না আই. ইউ. সি. এন. না লাউথোকখ্রে। ঈশিং ফৎচিল্লক্তবা অমসুং থেনগৎলকপদগী ঈশিংনা লায়নাশিং মরুওইনা জাউন্দিশ, দাইরিয়া, দাইসেন্টরী, টাইফোইদ, পেরাটাইফোইদ, মেলেরিয়ানচিংবা থোকহল্লি। মসিগী মরুওইবা মরমদি ঈশিংদা অমোৎ-অকায় থাদবা ফি শূজিনবা, অমাং-অশোয় তৌশিনবা, লৌবুক অমদি ইংখোলদা, পাৎ-কোমদা মহূ কল্লবা তালহাৎহীদাক, মহূ কল্লবা অতৈ হীদাকশিং অমদি ফার্টিলাইজর অহেনবা চাংদা শীজিন্নবনি। আমেরিকা, জর্ম্মন, জাপান, ভারতনচিংবা লৈবাক ২০০ রোমদা শীজিন্নবা থিংখ্রবা দিদিটি, বিঐচসি, এলড্রিন, দাইএলড্রিন অসি ঐখোয়না শীজিন্নরোইদবনি। হীদাকশিং অসিনা লৈবাক লৈহাওদা হূ চেলহনবতা নত্তনা চীঞ্জাক্কী লীপুন্দা চঙখিদুনা পাম্বী, মহৈ মরোং, শা-ঙা অমদি মীওইবগী হকচাংদা চাং হেন্না য়াওদুনা লৈ। মসিনা ঐখোয়গী হকচাংদা কেন্সর থোকহনবগী অচৌবা মরম অমা ওই। তীল-কাঙদি হাৎপা ঙম্বা ফুদ-চেনদদি অকায়বা থোকহন্দবা হীদাক মখল কয়া লৈরে। মখোয় অসি ঐখোয়না সীজিন্নগদবনি। কবি অমনা হায়খিবা

'মফম খূদিংমক্তা ঈশিং লৈ- অদুবু থক্লবা মরিক অমত্তংদি লৈতে'- ৱাফম অসি হৌজিক্তি খ্বাইদগী চুল্লবা হীরম অমা ওইরে। ইমুং- মনুংগী অমোৎ-অকায়, কল-কারখানা অমদি কৈথেলগী অমোৎ-অকায় অসি পাৎ, তুরেল, পুখ্রিদা খক থাদরোইদবনি। অমোৎ-অকায়শিং অসি থাদবদগী ঈশিং মোৎলকই অমদি নাইট্রেট অমসুং ফোসফেটকী চাং হেঙ্গৎলক্তুনা ঈশিংদা হূ চেল্লকপগী থৌওং- ইউট্রোফিকেসন থোক্লকই। ইমুংগী অমোৎ-অকায়, ফি শুবা অমদি ইরুজবগী সাপোন মহীনচিংবা অসি পুখ্রি, পাৎ অমসুং তুরেলগী মপান্দা মিটর ১৫ দগী ৩০ ফাওবা লাপ্পা মফমদা কোম তৌরগা থাদগনি। অসুম তৌরবদি অমোৎ-অকায়গী মতুম অদু পুখ্রিদা, পাৎতা য়ৌরকপা ঙম্লোই। ৱার্ল্ড হেলঠ ওরগেনাইজেসন (দব্লিউ. ঐচ. ও.) না লেপ্পা চাংগা চাংদম্নদুনা থক্ল-চানবদা শীজিন্নরিবা ঈশিংগী অফ-ফত্তগী চাং মতম মতমগী ওইনা য়েংথোক্কদবনি অদুগা অখঙ-অহৈ অমসুং হেলঠ-ৱার্কর তান্নরগা ঈশিং শেংদোক্লবা, মহী চমহন্নবা হোৎনগদবনি।

**অকোয়বা কনবগী খোঙজংঃ**

অকোয়বগী ফিভম শোকচিল্লকপা কন্ননবগীদমক হীরম অসিদা মমুৎতানা খন্নবা অমসুং লৌখৎপা য়াবা থবক কয়া পায়খৎপা তঙাইফদে। থবক অসি মীওই কাঙলুপ খরখক্তনা মপুংফানা পাঙথোকপা ওইথোক্তে। মাইকৈ খূদিংমক্তগী অমদি শিনফম খূদিংমক্তদগী মীপূম খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্ননা চোংথোরক্লগা থবক পায়খৎকদবনি। ইশাগী মাইকৈদগীতা নত্তনা লৈকাই, খুন্নাই, ষ্টেট অমদি লৈবাক্কী থাক্তা থবক চত্থরবদি মায়পাকপা ঙমগনি। হীরম অসিদা মীপূমতিংনা খঙহন্নবা মীফম (মাস এৱারনেস কেম্প) পাঙথোকপা য়াম্না মরুওই। হায়রিবা থবক অসি স্কুল ক্লাব, মহৈ তম্ফমশিং, লন্নাই ওরগেনাইজেসনশিংনা মফম মফম খূদিংদা য়ারিবমখৈ তোয়না পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। মফম খূদিংমক্তা অমোৎ-অকায় শেংদোক্লবা সোসিয়েল সার্বিস কেম্প তৌবগা লোয়ননা অচাবা মফম য়েংদুনা কান্নগদবা মখলগী উ চার থাবগী মীয়ামগী ওইবা খোঙজং চংশিনবা দরকার ওই। মসিগীদমক্তা ভারত অমদি ষ্টেট সরকারগী মরী লৈনবা লোয়শং কয়ানা শেল অমদি অতৈ মতেং কয়া পীরি।

অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেন্নবগীদমক ষ্টেট খূদিংমক্তা লোয়শং



কয়াসু লৈরে। মরুওইবশিংদি ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্ট, ৱাইল্ড লাইফ বোর্দ, পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসু কাউন্সিল অসিনচিংবনি। ভারত সরকারগী ওইনসু হীরম অসোমদা থবক থৌরম কয়া নীংথিনা লৌখৎনবগীদমক মিনিস্ত্রি কয়া লৈরে। মরু ওইবা মিনিস্ত্রি শিংদি, ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরনমেন্ট মিনিস্ত্রি, নন-কনভেন্সনেল ইনর্জি সোর্স মিনিস্ত্রি, হ্যুমেন রিসোর্সেস মিনিস্ত্রি অসিনচিংবনি। সংস্থান অমদি মিনিস্ত্রি কয়া অসিনা অকোয়বগী ফিভম কন্ননবগীদমক তৌবা য়াবা অমদি পায়খৎপা য়াবা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎলি। সংস্থান অমদি লোয়শংশিং অসিনা ক্লব, ওরগেনাইজেসন অমদি মহৈতম্ফমশংশিংদা শেলগী মতেং পীরগা খূৎশন্ননা থৌরম কয়া পায়খৎলি। পৃথিবীগী মহৌশা অকোয়বা কন্ননবা ওরগেনাইজেসনশিং মরুওইনা ইন্টরনেসনেল ইউনিয়ন ফোর কনজার্বেসন ওফ নেচর (আই. ইউ. সি. এন), ৱার্ল্ড ৱাইল্ড ফন্দ ফোর নেচর (দব্লিয়ু. দব্লিয়ু. এফ) ইউনাইটেদ নেসন্স এনভাইরনমেন্টল প্রোগ্রাম (ইউ. এন. ঈ. পী) অসিনচিংবনা লৈবাক খূদিংমক্তা মতেং পীদুনা এনভাইরনমেন্ট অমসুং বাইওদাইর্ভসিটি ঙাক-শেন্দুনা থন্নবগী অকনবা খোঙজং কয়া পায়খৎলি।

অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেন্নবা অমসুং মাঙশিল্লক্লবা পাম্বী অমদি শা-ঙা য়োকখৎননবগীদমক লৈবাক খূদিংমক্তা পালন কয়া তৌনরি। ভারতকী ওইনা পাঙথোকপা পালন খরদি নেসনেল এনভাইরনমেন্ট মন্থ, লেন্দ রিসোর্সেস ৱিক, ৱাইল্ড লাইফ ৱিক অসিনচিংবনি। পৃথিবীগী মফম খূদিংমক্তা চহী অমগী মনুংদা অখন্নবা নুমিৎ খরদি ঐখোয়গী অকোয়বগী তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়া ঙাকশেন্নবগী নুমিৎ ওইনা পালন তৌনরি। মরুওইবা পালন খরা মখাদা পীরি ঃ

| | | |
|---|---|---|
| (১) | ফেব্রুৱারী ২ | ঃ ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ দে (পৃথিবীগী শোকচিল্লবা ঈশিংগী লম কনবা নুমিৎ) |
| (২) | মার্চ ২২ | ঃ ৱার্ল্ড দে ফোর ৱাটার (ঈশিংগী নুমিৎ) |
| (৩) | জুন ৫ | ঃ ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দে (পৃথিবীগী অকোয়বগী ফিভম কনবা নুমিৎ) |
| (৪) | সেপ্তেম্বর ১৬ | ঃ ৱার্ল্ড ওজোন দে (পৃথিবীগী ওজোন কনবা নুমিৎ) |

(৫) অকটোবর ৩ ঃ ৱার্ল্ড হেবিটেট দে (জীবগী লৈফম কনবা নুমিৎ)
(৬) অকটোবর ৪ ঃ ৱার্ল্ড এনিমেল ৱেলফিয়ার দে (শা-যন ঙাকশেনবা নুমিৎ)

ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিনহনবা, পাম্বী অমদি শা-ঙা মাঙহন-তাকহনবদা মরাল লৈরবা মীওই, কল কারখানাগী মপুনচিংবদা, পীফম থোকপা চৈরাক পীননবা ভারতকী কনস্টিট্যুসন্না আইন কয়াসু শেমই। মসিবু 'এনভাইরনমেন্টল লেজিসলেসন' নত্ত্রনা 'এনভাইরনমেন্টল এক্ট' হায়না খঙনৈ। ভারতকী অমদি ষ্টেটশিংগী মুৎশিল্লক্লবা পাম্বী অমসুং শা-ঙাশিংদা মাঙহন-তাকহল্লকপদা অহকপা চৈরাক পীননবা ৱারম কয়া এক্টশিং অসিদা য়াওরি। খূদম ওইনা লৌরবদা ৱাহোং, কৈ, গুম্ভীর, শামুগণ্ডা, শঙাই, সিরোই লিলিনচিংবা হাৎপা অমদি মাঙতাকহনবা কনাগুম্বা অমবু এক্টশিং অসিগী মখাদা ফাবা য়াই অমসুং চৈরাক পীবা য়াই। ঐখোয়গী পুখ্রি, তুরেল পাৎনচিংবগী ঈশিংদা অহেনবা চাংদা অমোৎ-অকায় তৌশিনবা, তীলহাৎহীদাক থাদদুনা ঈশিংদা হূ চেলহনবা কয়া অসি এক্টশিং অসিগী মখাদা চৈরাক পীবা য়াই। অসুম্না উমংদা অখাকপা লৈতনা মৈ থাদোকপা, উমংগী শা-ঙা হাৎতোকপা, হূ চেল্লবা মৈখু নুংশিত্তা থাদোকপগীদমকসু পীবা য়াবা অহকপা চৈরাক কয়া এনভাইরনমেন্টল এক্টশিং অসিদা য়াওরি।

**ভারতকী মরূ ওইবা অকোয়বা কন্ননবা এক্টশিং মখাদা পীরিঃ**

(১) দি ৱাটর (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্লুসন) এক্ট, ১৯৮১, ১৯৪৭ (নুংশিৎ মোৎশিনবা কন্নবা এক্ট)
(২) দি এয়ার (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ পোল্লুসন) এক্ট, ১৯৮১, ১৯৪৭ (নুংশিৎ মোৎশিনবা কন্নবা এক্ট)
(৩) দি এনভাইরনমেন্ট (প্রোটেক্সন) এক্ট, ১৯৮৬ (অকোয়বগী ফিভম ঙাকশেনবা এক্ট)
(৪) ফোরেষ্ট এক্ট, ১৯২৭ (উমংগী এক্ট)
(৫) ফোরেষ্ট কনজার্বেসন এক্ট, ১৯৮০ (উমং কনবা এক্ট)
(৬) ৱাইল্ড লাইফ (প্রোটেক্সন) এক্ট, ১৯৭২ (লমলক্কী জীব কন্নবা এক্ট)

**ঐখোয়গী থৌদাংঃ**



ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা, মহৌশাগী লন মাঙশিল্লকপা লোয়ননা মমল য়াম্লবা শা-ঙা, পাম্বী অমসুং মুৎশিল্লকপা কন্ননবগীদমক অকনবা খোঙজং কয়া পৃথিবীগী লৈবাক খূদিংমক্তা চঙশিল্লক্লি। ইয়ুনেসকোনা ইং ১৯৬৪ দা থৱায় পানবা থিজিন-হুমজিনবগীথবক 'ইন্টরনেসনেল বাইওলোজিকেল প্রোগ্রাম' (আই. বি. পি) অমসুং ইং ১৯৭৪ দগী হৌনা মীওইবা অমসুং থৱায় পানবশিংগী খুন্নাই মেন এন্দ দি বাইওস্ফিয়ার' (এম. এ. বি.) থিজিনবগী থবক পায়খৎলি। ইং ১৯৯২ দা ইউনাইটেদ নেসন্স কী থৌশিল মখাদা পৃথিবীগী অপূনবা মীফম 'আর্থ সম্মিট' রাইও- দে জানৈরোদা ফমখি। ঈশিং- নুংশিৎতা অমাঙবা থোকহল্লিবা পোল্লুটেন্ট থাদোরকপা থিংনবা অমদি মাঙশিল্লক্লবা জীবশিংবু কনবীনবা য়ান চে কয়া লৈবাকশিংনা সহি তৌনখি। ঈশিং নুংশিৎকী হোংলক্লিবা ফিভম য়েংশিন্নবা অমসুং মহৌশাগী ফিভম ঙাকশেন্দুনা থম্নবগীদমক পৃথিবীগী লৈবাক ১৬০ না ১৯৯২ ইংদা অহানবা ওইনা য়ান- চে সহি তৌদুনা থবক পায়খৎপা হৌখি। কারবোনদাইওকসাইদ অমসুং অতৈ পোল্লুসন থোকহনবা গ্যাস থাদোকপা হন্থহন্নবা, উমং কোকথোকপা থিংনবা য়ান চে অমা জাপান্দা ইং ১৯৯৭ দা সহি তৌনদুনা অকোয়বগী ঙাক্লবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখি। পায়খৎলক্লিবা থৌরাং কয়া অসিগা ঈরোইননা ইরমদমগী অকোয়বগী ফিভম ঙাকপি-শেনবীবা অমদি, মুৎখিগদৌরবা মমল য়াম্লবা থৱায় পানবশিংবু কনবিবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাং ওইহল্লসি।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ**

| | | |
|---|---|---|
| খুন্দা-লৈতারকপগী | ঃ | কোয়চৎ চৎপা কাঙলুপ ওইরম্বদগী মফম অমদা ময়াম পুন্না লৈমিন্নবা হৌরকপগী। |
| বিজ্ঞান | ঃ | অচুম্বা, খঙ-হৈবা, সাইন্স। |
| ফিলোসোফর | ঃ | দর্শন শাস্ত্র হৈবা মী; অচুম্ববু থিবা নত্ত্রগা নৈনবা মী। |
| পোল্লুটেন্ট | ঃ | মোৎহল্লিবা পোৎ। |
| গ্রহ | ঃ | নুমিৎকী অকোয়বদা লৈদুনা চৎপা মার্স, ভেনস মরক্যুরি পৃথিবীগুম্বাপোৎ; প্লানেট। |
| ওবজারভেটরী | ঃ | নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক, গ্রহনচিংবা মহৌশাগী |

পোৎশিং য়েংশিন্নবা শাবা শঙ।

রামসার কনভেন্সন ঃ ইরানগী সহর রামসারদা ইং ১৯৭১ দা ফমখিবা ইউনাইটেদ নেসন্সকী ৱেটলেন্দ কনবগী মীফম।

রামসার সাইট ঃ ৱর্ল্ড কঞ্জার্বেসন ইউনিয়ন্না মাঙ-তাকপদগী কলহৌনবা খনগৎলবা মফম।

ওজোন লৈরোল ঃ মনম কনবা ওক্সিজেন মখল (এতোম অহুম য়াওবা) অমনা শেম্বা নুংশিৎকী লৈরোল।

এন্টাকর্টিকা ঃ পৃথিবীগী মখা ইথং-থংবা শরূক।

সি. এফ.সি. ঃ ক্লোরোফ্লুরোকারবোন, ওজোন কায়থহনবা ঙম্বা হীদাক মখল অমা।

চীঞ্জাক-লীপুন ঃ জীব পানবশিংনা মথং-মথং চানদুনা হিংনরিবগী মচৎ, ফুড-চেন।

থবোম্বী ঃ থবাক মনুংদা লৈবা স্বর হোন্নবা ইন্দ্রি অমা।

অমাজোন বেসিন ঃ খা অমেরিকাদা চেনবা অমাজোন তুরেনগী তম্পাক।

গ্রীনবেল্ট ঃ অশং-অমানগী পরেং নক্তুগা মপৈ।

উয়োক ঃ উ য়োক্তুনা থম্বা মফম।

## ৱাহং

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুন্মুঃ**

১। করম্বা অঙনবা মতমদা জীবশিংনা হিংবদা করি পোৎলম চঙই হায়বা খঙনরম্বগে?

২। জীবশিংগা মহৌশাগী অকোয়বগা লৈনবা মরীশিংদু করি করিনো?

৩। নুশিৎ করম্না মোৎশিল্লকপগে? করম্না নুংশিৎ শেংনা থমগদগে?

৪। ঈশিং কংশিল্লকপা অমসুং মোৎশিল্লকপগী মরম করিনো? ঈশিং মোৎলকপদগী থোক্লকপা
লায়না ৩ গী মমিং ইয়ু।

৫। ৱেটলেন্দ কদায়বু কৌবগে? পৃথিবীগী ৱেটলেন্দশিং মাঙশিল্লকপগী মরুওইবা মরম করিনো?



৬। অকোয়বগী ফিভম মোৎশিলকপা কন্নবা ঐখোয়না পায়খৎপা য়াবা থৌরমশিংগী মরমদা ইয়ু।

৭। অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেনবগা মরী লৈননা পালন তৌবা অমসুং শেম্বা আইনশিংদু করি করিনো?

৮। অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা পৃথিবীগী সংস্থানশিংদু করি করিনো?
মখোয়গী মরুইবা থবক অমসুং থৌদাং ইয়ু।

৯। নুমিৎ মঙালদা য়াওবা অল্ট্রা ভাইওলেট রে অসিনা পৃথিবীদা চঙবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো?

১০। নুংশা মঙালনা পাম্বীশিংদা করি কান্নবা পীবগে?

১১। চীঞ্জাক-লীপুন হায়বনি করিনো?

১২। নোংমদা পৃথিবীগী জীব জাৎ কয়া মুৎশিল্লকই হায়দুনা অখং-অহৈশিংনা লৌনবগে?

১৩। নুংশিৎ শেংলক্তবনা মীওইবদা থোকহনবা অমাঙ-অতাশিং অদু ইয়ু।

১৪। উমং কোকথোকপনা অকোয়বগী ফিভমদা করি অমাঙ-অতা থোকহনবগে?

১৫। লৈবাক লৈহাওদা হূ চেলহল্লকপগী মরম করিনো?

১৬। চীঞ্জাক-লীপুন্দা চঙখ্রগা মীওইবদা কেন্সর থোকহনবা তীলহাৎহীদাকশিংদু করি করিনো?

১৭। প্রজা অমা ওইনা ঐখোয়না অকোয়বগী ফিভম ঙাকশেনবগী মতাংদা করি থৌরম পায়খৎপা য়াবগে?

**(খ) মখাগী ৱাহৈ পরেংশিংসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং খুন্মুঃ**

"অতিয়াগী মচু মফম অয়াম্বদা শংবান্নবা ওইদ্রে। দিল্লী, কোলকাটা, কানপুর, মাদ্রাজনচিংবগী অতিয়া হৌজিক শংবান্নদ্রে....।"

১। কনানা কনাদা হায়খিবা ৱানো?

২। করি করম্বা তাঞ্জাদা হায়খিবনো?

৩। মফম কয়ামুক্তা অতিয়াগী মচু শংবান্নদ্রিবসি করিগীনো?

৪। মণিপুরগী অতিয়াগী মরমদা কনানা করি মত পীরম্বগে?

**(গ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। বিজ্ঞানগী ৱাখল্লোন লাক্ত্রিঙৈদগী থায়নগী অহলশিংনা নুশা মঙালগী কান্নবা খঙলল্লে হায়বসি খূদম পীদুনা তাকউ।

২। থায়নঙৈদা উ য়োকখৎপা কান্নে খঙনরল্লিবসিগী করি প্রমাণ লৈবগে?

৩। মৈতৈগী পুয়া 'হিজিন-হিরাও' হায়বসি করি হীরমদা ইবা লাইরিক্নো?

৪। নুমিৎপু মালেমপৃম্বগী শক্তিগী হৌরকফম্নি হায়রিবা করিগীনো?

৫। নুংশিৎ শেংলক্ত্রিবগী মরম হায়য়ু।

৬। অমাজোন বেসিনবু 'পৃথিবীগী থাবোম্বীনি' হায়রিবসিগী মতাংদা নহাক্না খঙবদু শল্লপ্না ইয়ু?

৭। অমোৎ-অকায়গী মথক্তা লৈবাক শীনজিল্লগা য়ুম শাজিনবদগী থোক্লকপা য়াবা অমাঙবশিংদু করি করিনো?

৮। প্লাষ্টিক অমসুং চেরংনা অকোয়বগী ফিভমদ করম্না অমাঙ-অতা থোকহনবগে?

******

# সুনামী

## ড° সোইবম হরিদাস সিংহ


*(ড° শ্রীসোইবম হরিদাস সিংহ- ইং কুমজা ১৯৫৮ গী নবেম্বর থাগী তাং ১ দা কাছাড় জিলাগী শ্রীবার, সারালৈকাইদা পোকই। অইবা অসিগী মহৈগী থাক্তা এম. এ., বি. এড., এম. ফিল., পি. এইচ. ডি. নি। মহাক হৌজিক গভ্‌ট গার্লস এইচ. এস. এণ্ড এম. পি. স্কুল, শিলচরদা ভূগোলগী সাবজেক্ট টিচার ওইনা লৈরি। ওজা অসি স্টেট কাউন্সিল ফোর এডুকেশনেল রিসার্চ এণ্ড ট্রেনিং গুৱাহাটিনা শিল্লাংবা মহৈরোইগী তন্না লাইরিক লেংবগী ৱার্কসোপ কয়াদা শরুক য়াখি। অতিতসু নত্তনা হৌজিক তমনরিবা সমাজ বিজ্ঞান মরুওইনা মঙাশুবা, তরুকশুবা অমসুং তরেৎশুবা থাক্কী ভূগোলগী শরুকসু অসমিয়া লোন্দগী মণিপুরীদা হন্দোকখি।*

*সুনামী হায়বসি করিনো, মসিনা মীওইবগী পুন্সিদা করম্বা অৱাবা চৈথেং পী। অদুগা সুনামীগী খুদোং থীবদগী করম্না ঙাকথোকচগদগে হায়বসি খংদোকপনা চাউরবা থৌদাংনি হায়বসি ৱারেং অসিদা অইবনা হায়রি।)*

অঙকপনি মহৌশা লাইরেম্বীগী খুৎশেমহু মালেম অসি অঙকপা থৌদোক কয়ানা পীক থল্লি। ৱাখলনা লাম্বা ফংদ্রবা মহৌশাগী থৌদোক কয়াসি বৈজ্ঞানিকসিংনা থিজিন হুমজিন্দুনা চপ চাবা মরম পুথোকনবা হোৎনৈ। বৈজ্ঞানিকসিংনা চপ মরম পীরবসু ঐখোয় মীচমদদি অদুমক জ্ঞানতাবা ঙমদবা থৌদোক ওইনা থোকলি। থৌদোকশিংদুদি য়ুহারাবা, মৈগী চীং পোখায়বা, নোংলৈ-নুংশিৎ, ঈশিং চাওবা, ঈপাক্কী ঈথক ঈপোন্নচিংবনি। মখোয়শিংসিগী মনুংদা সুনামীসু (Tsunami) অমনি। সুনামীগী চপ চাবা ৱাহন্থোক মণিপুরীদা লৈত্রি। মসি সুনামী হায়না পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা অদুমক খঙনরে।

সুনামী ৱাহৈসি জাপানিস লোননি। জাপানিস লোন্দা "সু" হায়বসি "হারবর" অদুগা 'নামী' হায়বসিনা 'ৱেব' হায়বনি। জাপানিস লোনগী

ৰাহন্থোক্কী মতুং ইন্না সুনামী হায়বসি ‘হারবর ৰেব’ হয়বনি। সাইজমোলোজিস্ট, ওশন্নোগ্রফর, জিওলোজিস্ট, জিওগ্রাফারশিংগী মতুং ইন্না হৌজিক মীয়াম্না খঙনরিবা সুনামীসি সাইজমিক সী-ৰেবনি। হৌরকফমগী মতুং ইন্নদি সুনামী অমদি য়ুহারাবা অনিগী মরক্তা খেন্নবা লৈতে। সমদ্রু ঈরোলনুংগী লৈমায়দা অহোংবা কয়া লাক্তুনা লৈমায়দু নমথখিবদা য়ুহারাবা মতমদা এপিসেন্টর অদু সমদ্রুগী ঈয়ায়দা ওই। অসুম্না সমদ্রুগী ঈরোলনুংগী লৈমায়দা থোকপা য়ুহারাবনা সমদ্রুদা অহোংবা কয়া পুরকতুনা সমদ্রুগী তোর্বান্দা অচৌবা ঈথক-ঈপোম হৌহল্লি। মসিবু সুনামী




সুনামীগী লাইয়েক

হায়না খঙনৈ। সমদ্রু তোর্বান্দা কারকপা অচৌবা ঈথক-ঈপোম খুদীংমক সুনামী নত্তে। সমদ্রগী ঈথক-ঈপোমসি হৌরকফম খেন্নবগী মতুং ইন্না মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মখোয়দুদি টাইডাল ৰেব, সুনামী অমসুং ৰিগু নত্রগা স্টোর্ম ৰেবনি। ঈপোম অহুমসিগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবদি সুনামীনি।

সুনামীগী মরমদা থিজিন-হুমজিনবা বৈজ্ঞানিকশিংগী মতুং ইন্না সুনামী হৌরকপগী মরম খরা খঙবা ঙমই, মদুদি (১) পৃথিবীগী লৈখাদা লৈরিবা প্লেটশিংনা চাং মান্ননা লৈরকতবগী মায়কৈ অমা নমথবা মতমদা সুনামী ওই। (২) সমদ্রু ঈরোলনুংদা মৈগী চীং পোকখায়বদগীসু সুনামী ওই। (৩) সমদ্রু ঈরোলনুংদা লৈবা চীংশাংদা লৈমায় নমথবা থোকলবসু সুনামী থোকই।



সুনামীগী মতমদা সমদ্রু ঈয়াইগী ঈপোমসি মহৌশাদগী য়ান্না নেমথখি। ঈপোমগী ৰাংবগী চাংসি চাওরাক্লা ফুট অমদগী পংহেন হেন্দে। ঈপোমগী ঈথক অমদগী ঈথক অমফাওবসি চাউরাক্লা কি.মি. ২০০ লাপনৈ। ঈপোমসি পুংদা কি.মি. ৮০০ য়াঙনা চৎলি। ঈপোম অমদগী ঈপোম অমা য়ৌবদা মিনিট ২০ দগী ৩০ ফাওবা চংঙি। অদুম ওইনমক য়ুহারাবগী রিক্টর স্কেল খেন্নবগী মতুংইন্না সুনামীগী মওংসু খেন্নৈ। হায়রিবা অশাংবা ঈপোমসি সমদ্রু তোর্বান নকশিল্লকলিমখৈ ঈপোমগী লাপনবসি অসুম অসুম হন্থরকই অদুগা ঈপোমগী ৰাংবগী চাংনা অসুম-অশুম হেনগৎলকই। নুংশিৎনা থোকহনবা ঈপোমদি ঈথক অমদগী লাপনবসি চাওরাক্লা মিটার ১০০ নি অদুগা অৰাংবনা চাওরাক্লা মিটর ২ ওই।

সুনামী হায়বা ৰাহৈসি ঐখোয়দা অনৌবা ওইনা থোকলবসু ইতিহাসকী মায়কৈদগী য়েংলুরবদি খৃষ্ট মমাং ৪২৬ তা গ্রিক্কী ঐতিহাসিক থুসিডাইডিসনা ইরম্বা লাইরিক ‘হিস্টরি ওব দা পেলোপোন্নেসিয়াম ৰার’ দা সুনামীসি সমদ্রু ঈশিংগী য়ুহারাবনি হায়না পল্লম্মী। ইংকুমজা ৩৫৮ দা ভূমধ্য সাগরগী নোংপোক থংবা তোর্বান্দা অ্যালেকজ্যান্দ্রীয়াদা সুনামীগী চৈথেং ফংখি। ইংকুমজা ১৭০০ দা জাপানগী আৰাদা থোক্খিবা সুনামীদা মী লাখ অমরোমগী মথক্তা শিখি অমসুং মফম কয়াদা অমাং-অতা থোকহনখি। ইংকুমজা ১৭৫৫ দা লিস্‌বোন্‌দা থোকখিবা সুনামীদা মী ৩০,০০০ দগী ৬০,০০০ রোম অশি-অনা নংখি। হায়রিবা সুনামীসিনা ৰেস্ট ইনডিস্‌পুসু অৰাবা চৈথেং পীখি। হৌখিবা শতাব্দীদা য়ামদ্রবদা সুনামী ২৫ রোম থোকখি। খ্বাইদগী য়াম্না থোকখিবা লমদমদি এশিয়া-পেসিফিকনি। মসিগী মনুংদসু জাপানদনা খ্বাইদগী হেন্না থোক্‌খি।

ইংকুমজা ১৯৪৬ কী এপ্রিল থাগী তাং ১ দা আলস্কাগী মনাক্তা লৈবা অ্যালুইসিয়ান ঈথৎতা থোকখিবা রিকটর স্কেল ৭.৮ গী য়ুহারাবনা হাৱাই অ্যাইল্যাণ্ডগী হিলো কৌবা মফমদা সুনামী থোকহন্দুনা মফমদু ঈমায়দগী মিটার ১৪ মখাদা লৈখি। ইংকুমজা ১৯৫২ দা থোকখিবা অকনবা য়ুহারাবনা কর্লিগী তোর্বান্দা এপিসেন্টর ওইবদগী কর্লি অমদি কামচাটকাদা সুনামী থোক্তুনা অমাং-অতা থোকহনখি। ইংকুমজা ১৯৯৩, জুলাই থাগী তাং ১২ দা থোকখিবা সুনামীনা ঈপোম মিঃ ৩০ ৰাংনা লাকতুনা

হোক্কইদোগী ওকুশিরি ঈথৎতা অৱাবা পীখি।

ইংকুমজা ২০০৪ গী ডিসেম্বর থাগী তাং ২৬ কী অয়ুক পুং ৬ মিনিট ২৯ তাবদা ইন্দোনেশিয়াগী সুমাত্রাদগী হৌরকপা, ভারত মহাসাগর সুনামী হায়না খঙনবা, রিকটর স্কেল ৮.৯ গী সাইজমিক সী-ৱেবনা খা এশিয়াগী লৈবাক খরদা অৱাবা চৈথেং পীখি। লৈবাকশিংদুদি মরুওইনা ইন্দোনেশিয়া, মালয়শিয়া, শ্রীলঙ্কা, থাইলেণ্ড, ম্যানমার, মালদ্বীপনচিংবনি। হায়রিবা সুনামী অদুদা মী লাখ অহুমলোমগী পুন্সি মাঙখি। অৱাবা চৈথেংদু খা ভারততসু ফংখি। মরু ওইনা তামিলনাডু, অন্ধ্রপ্রদেশ, কেরলা, আন্দামান অমসুং নিকোবর ঈথৎনি। থৌদোক অদুদা ভারত্তা মী লিশিং অহুমলোমগী মথক্তা অশি-অনা নংখি। হায়রিবা সুনামীসিদা তামিলনাডুনা ফংফং থোকপা অৱাবা চৈথেংদগী খরা হম্থনা ফংখি। মদু সমদ্রু তোর্বান্দা হৌবা য়ুবী পাম্বী অমদি ম্যানগ্রোভসনা সুনামীগী শাফু হম্থহনখিবদগীনি। অসিতসু নত্তনা ইংকুমজা ২০০২ দা তামিলনাডুগী নালুভেদাপাট্রিদা থাখিবা উপাম্বী ৮০,২৪৪ না হায়রিবা সুনামী অদুগী শাফুবু য়াম্না হম্থহনখি।

সুনামী থোক্লবদি সমদ্রু তোর্বানগী লমশিং থুমজিল্লি, য়ুম-কৈ চেম্থদুনা পুখি, লম্বীথোং, গাড়ীনচিংবা মাংহনবতা নত্তনা থৱায় পানবা জীব কয়াসু মাঙহল্লি। অসুন্না মীওইবগী অৱাবা চৈথেং পীরিবা মহৌশাগী থৌদোক অসি করম্বা মতমদা থোক্কনি হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক বৈজ্ঞানিকশিংনা থিজিল্লবা মতুংদা ওইরকপা য়াবগী মরম খরদি খঙবা ঙল্লে। ইখঙ-খঙহৌদনা সমদ্রু তোর্বানগী ঈশিং ঈমায়সি হম্থখিদুনা মহৌশা ঈশিং মনুংদা লৈরম্বা লমগী শরুক উবা ফংলবদি সুনামী লাকপগী খুদমনি। অসুন্না ঈশিং হম্থবা অসিবু 'ড্রোব্যাক', হায়না খঙনৈ। ড্রোব্যাক্কী মতমদা ঈশিং ঈমায়সি লো-টাইডতগীসু হেন্না হম্থখি। ড্রোব্যাক থোকপগী মরমদি য়ুহারাবগী মতমদা টেকটোনিক প্লেটগী মায়কৈ অমা নমথখিবননি। তৌইগুম্বসুং প্লেটকী ৱাংখৎলিবা মায়াকৈ অদুদদি ড্রোব্যাক অসি ওইদে।

অসুক্কী মতীক শাথিরবা তুজুংনিঙাই ওইরবা ঈথক-ঈপোমসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বসি য়াম্না লুবা ৱাফমনি। অদুম ওইনমক থিজিন-হুমজিনবা লেপত্রিবা মীওইবনা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ খরদি খংবা ঙল্লে।



সমদ্রুগী তোর্বান্দা ড্রোব্যাক থোক্লবদি সুনামী লাকপগী খুদমনি হায়বসি মাংদসু পনখ্রে। মরমদুনা সমদ্রু তোর্বান্দা লৈবশিংনা সমদ্রুদগী য়াম্না লাপ্না নত্রগা অৱাংবা মফমদা কাখৎতুনা লৈরবদি সুনামীগী অৱাবা চৈথেংদগী খরমখৈদি নাম্থোকপা ঙমগনি।

শা-উচেক খরদি য়ুহারাবা নত্রগা সুনামীগী রেল্যাঘ ৱেবসি য়াম্না য়াঙনা খঙবা ঙমই হায়বসি জুওলোজিস্টশিংগী মতনি। অদুনা শা-উচেক্কী মওং মতৌ উরগসু সুনামী থোক্কদৌরে হায়বসি খঙবা ঙমই। খুদম ওইনা লৈখুন্দা লৈবা জীবশিংনা সুনামী থোক্কদবগী মাংওইননা লৈখুন্দগী থোরক্তুনা কোইচেন চেনগনি। শগোলনা মফম মরাং খঙদনা চোংগনি। শা অয়াম্বগী মওং-মতৌ মহৌশাগা মান্নরোই। উচেক ৱায়াশিংনা মিপাইবগী ফীভমদা কোয়পাই পাইগনি। সুনামী থোক্লমদাইদা সমদ্রু তোর্বান্দা মহৌশাগা মান্নদবা ঈরাওখোল অমসু তাবা ফংঙি। ঈরাও খোলসি শামুশিংনা য়াংনা তায় হায়নৈ। মরমদুনা শামুশিংনা লমদমদুদগী য়াম্না য়াঙনা লাপথোক্লবা হাৎনৈ। হায়রিবা ৱাফমসি ইংকুমজা ২০০৪ গী সুনামীদা শ্রীলঙ্কাদা থোকখিবা থৌদোকনি।

কম্পিউটারগী মতেংনসু সুনামী থুংলবগী মতম পীবা ঙমই। অদুবু মতমদি য়াম্না শাংনা ফংদে। অদুম ওইনমক চেকশিন থৌরাং খরদি পাইখৎপা ঙমই।

শাথিরবা সুনামীসিদগী ঙাকথোক্লবা মীওইবনা থৌরম কয়া পাইখৎলি। মরুওইনা জাপানদদি সরকারনা সুনামী ঙাকথোক্লবগীদমক সুনামী ৱাল হায়দুনা মফম-মফমদা ফুট ১৫ মুক ৱাংনা লৈপন খাদুনা থমই। অদুবু মতম মতমদা লৈপনদুদগী হেন্না ৱাংবা ঈপোম লাক্তুনা মীওইবগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া পী।

এনভাইরনমেন্টেলিস্টশিংনা সুনামী তোইনা থোক্কনবা লমদমশিংদা উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না থানবা হায়রি। উমং-ৱামং অমদি ম্যানগ্রোভস ফোরেস্ট লৈবা মফমদা সুনামীগী শাফু হম্থে। সমদ্রু তোর্বান্দা উ-ৱা থাবনা সুনামী ঙাকথোক্লবগী অথোইবা পাম্বৈ অমনি।

মীওইবনা মহৌশাবু খুদুম তনবা ঙল্লে খনজরবসু, মীওইবগী ৱাখলনা লাম্বা ফংদবা থৌদোক কয়ামরুমসু লৈতবা নত্তে। মরমদুনা মতম

পুন্নমক্তা থিজিন হুমজিন্দুনা মহৌশাগী থৌসিনবু খঙবনা হোৎনবসিনা মীওইবগী থৌদাংনি অমসুং মসিনা মালেমগী য়াইফবা পুরকপা ঙমগনি হায়না থাজৈ।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাক্পাঃ**

১। এপিসেন্টর ঃ য়ুহারাবা হৌফমদগী চপ য়ুংনা পৃথিবীগী লৈমায়থক্তা নত্রগা সমদ্রু ঈমায়থক্তা লৈরিবা মফম।

২। টাইডেল্ ৱেব ঃ থা অমদি নুমিৎকী চিংশিন্নবা শক্তিনা থোক্হনবা সমদ্রুগী ঈথক-ঈপোম।

৩। প্লেট ঃ পৃথিবীগী মনুংদা লৈবা অকন্বা ফম্বাক।

৪। প্লেট টেক্টোনিক ঃ পৃথিবীগী মনুংদা লৈবা অকন্বা ফম্বাক শিংনা থেংজিন্নবা।

৫। রেল্যাঘ ৱেব ঃ তুরেল তাফমদা নত্রগা সমদ্রু তোর্বান্দা হৌবা মনা পূংবা উমং।

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুন্মুঃ**

১। সুনামী হায়বসি করম্বা লোন্নো?

২। মীয়াম্না খংনরিবা সুনামী অসি করম্বা মখলগী ৱেবনো?

৩। সুনামী মতমদা ঈথক অমদগী ঈথক অমফাওবগী অরাপ্পসি কি.মি. কয়ামুক ওইগনি?

৪। সুনামীগী মতমদা ঈপোমগী অয়াঙবসি পুংদা কি.মি. কয়ানো?

৫। সুনামীগী ঈপোমনা সমদ্রু তোর্বান্দা নক্শিল্লক্লিবা মখৈ করি ফীভম ওইৱকই?

৬। সুনামী সমদ্রু ঈশিংগী য়ুহারাবনি হায়রম্বা গ্রিক্কী ঐতিহাসিক অদুগী মমিং করি কৌই?

৭। ইংকুমজা ১৭০৩ দা জাপানগী আৱাদা থোক্খিবা সুনামীদা মী কয়ারোম শিখি?



৮। হৌখিবা শতাব্দীদা সুনামী কয়ারোম তোইনা থোকখি?

৯। পৃথিবীগী করম্বা লৈবাক্তা সুনামী তোইনা থোক্পগে?

১০। ইংকুমজা ২০০৪ দা থোকখিবা সুনামীদু কদায়দগী হৌরকখি? মদুবু করম্বা মহাসাগরগী সুনামী হায়না খঙনৈ?

১১। সুনামী লাক্লে হায়বসি করম্না খঙগনি?

১২। সুনামীবু মীয়াম্না কিনরিবা করিগীনো?

১৩। ড্রোব্যক করিনো? ড্রোব্যক ওইরবদি ঐখোয় করি তৌগনি?

১৪। য়ুহারাবগা সুনামীগা খেন্নবদু ইয়ু।

১৫। অন্ভাইরনমেন্টেলিসশিংগী মত মতুং ইন্না সুনামীদগী করম্না ঙাকথোক্কনি?

**(খ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। ইংকুমজা ২০০৪ গী ডিসেম্বরগী তাং ২৬ তা ইন্দোনেসিয়াগী সুমাত্রা কৌবা মফমদগী হৌরকপা ভারত মহাসাগর সুনামীগী মরমদা ইয়ু।

২। সুনামী থোক্হনবা অমাং অতাগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু।

৩। ৱারেং অসিগী মতুংইন্না সুনামীগী মরমদা অখঙবদু নশাগী লোন্দা ইয়ু।

৪। সুনামীদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈসিংদু করি করিনো শন্দোক্লা তাকউ।

****

(অহুমশুবা শরুক)

# নরসিংহ

## লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ

*(লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ (১৮৯৫-১৯৬৬) য়াইস্কুল চিংঙাখম লৈকাইদা পোকই। এস. ডি. সি. অমদি দরবার মেম্বর ওইরম্মী। মণিপুরগী ইহান হানবা ঐতিহাসিক নাটক 'নরসিংহ' ইদুনা ইং ১৯২৫ সেপ্তেম্বর তাং ৩০ দা শ্রীগোবিন্দজীগী মণ্ডবতা ষ্টেজ শেমদুনা শান্নখি। লেখক অসিনা 'বব্রুবাহন পোকপা' অমদি 'যুবরাজ টিকেন্দ্রেজিৎ' কৌবা ড্রামা অনীখকসু ইরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী অহান্বা প্রেসিদেন্টনি। 'চৈথারোল কুম্বাবা' গী তিন্নবা সম্পাদকনি।*

*লীলা মতেক অসি অইবা অসিগী 'নরসিংহ' লীলাদগী লৌখৎলকপনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মজাইবুংঙা চৌর্জিৎ অমসুং মার্জিৎ চহী ৫/৫ নিংথৌ ওইনা পানমিন্নরকপদা মার্জিৎনা ঔৰাগী মতেং লৌদুনা ময়াম্বুংগী মথক্তা লান্দারকপদা চৌর্জিৎ মায়থিদুনা মনাও ইবুংঙো গম্ভীর সিংহগা ময়াং লৈবাক্তা চেল্লকখি। নরসিংহসু মখোয়গী মতুং ইনখি। ঔৰানিংথৌগা নিঙাই শংদাইনবদগী মার্জিৎপু মায়থীবা পীরগা ঔৰানা মনিপুর লৌশিনখি অমসুং চহী ৭ পানখি। মার্জিৎসু ময়াং লৈবাক্তা চেল্লকখি। মফম অসিদা মচিনমনাউ ৩ নরসিংহসু য়াওনা মরৈবাকপু কন্নবগী ৰারী শান্নরম্মী। গম্ভীর-নর অনীদা মণিপুর কন্ননবা থৌদাং শীন্নরম্লগা চৌর্জিৎ অমসুং মার্জিৎ তীর্থদা লেঙশিনখি।)*

(শ্রীযুক্ত চৌর্জিৎ মার্জিৎ মহারাজ মচিন-মনাও অনী ৰারী শাই)

মার্জিৎ ঃ য়াম্বুং ইবুংঙো, ননাই ঐনা হঙ্গৎচরিবদি, ঐখোয়গী মাতৃভূমিগী দমক্তনি। ননাই ঐনা ঔৰা যুবরাজগা ঙাঙনবা ৰা শোয়রব্বদগী ঔৰানা মণিপুর জয় তৌখ্রে। ঔৰাগী মীনদি য়াম্বনিনা ইথন্তনা হোৎনজবা অসিনদি মনিপুর উদ্ধার তৌবা ঙমগনি হায়বা নীংদ্রে। য়াম্বূংনা অহন্নি, য়াম্বুগী সনা য়াথং অমত্তং তাজগে হায়না ঙাইজরি।



চৌর্জিৎ ঃ ইবুংঙো, ইয়াম্বনি মণিপুরসিবু করম তৌরগা অমুক্তং উদ্ধার তৌসিগে খল্লম্বা, অদুবু অহল ওইরকপা অসিনা উদ্ধার তৌবা ঙমগনি নীংদ্রে। হৌজিক্তি ইয়াম্বগী মতম খরদং লৈরিবসি কৃষ্ণ সেবাদা লেল্লগে হায়না নীংলে। গম্ভীরসিংহগা ইনাও ইবুংঙোগা অনীনা মণিপুর জয় তৌদুনা ঔৰা মঙক কক্লগা ইয়াম্বগী "বজ্রসিং" থাঙশাং অসি নিংথি তুরেন্দা চামলগে হায়না ইয়াম্বনা ৰাশকখিবদু অমুক্তা থুংহল্লু।

মার্জিৎ ঃ য়াম্বুংইবুংঙা, অমুক্তং সনা পূক্লিং খন্থবিখো। ননাই ঐখোয়না হোৎনজরিবা অসি শ্রীযুৎ য়াওবিরি হায়বগী হোৎনজরিবনি। শ্রীযুৎনা য়াওবিদ্রবদি থবক অসি পাঙথোকপা ঙমগনি নীংদ্রে। মণিপুরনা ফিরুক খুমখ্রিবসি ননাই ঐগী দোষতগী তৌখিবনি। শ্রীযুৎনা অমুক্তং হোৎনবিদ্রবদি ননাইগী মিংচৎ থীবা অসিদি তুংফাওবা কোকহৌররোই।

চৌর্জিৎ ঃ ইবুঙো। নহাক্কী দোষতগী নত্তে, ইয়াম্বগী ইরান্দগীনি। ইয়াম্বগী ফজদ্রবা পূকচেল অসি নিথৌ ওইনীংবা ৰাখন্না কূপখিদুনা ইচীন-ইনাও ৰাশরুখিবা ইয়াম্বা কাউখ্রে ঐগী দোষতগী মণিপুর প্রজানা অসি য়ৌনা ৰাখিবনি। ইয়াম্বদি মসিগী দোষ অসি কোক্লবা লাই নীংলগে।

মার্জিৎ ঃ য়াম্বুং ইবুংঙা, তৌবিগনু। য়াম্বূংনা নিংথৌ ওইরগা ননাই ঐনা যুবরাজ, ইনাও গম্ভীরসিংহনা সেনাপতি ওইদুনা মণিপুরদা অমুক্তা পানগে নীংজরিবা অসি কায়হনবিগনু। শ্রীযুৎনা য়াবিদ্রবদি, ননাই ঐনা শ্রীযুৎকী ৰাসক অসি থুংহনবা ঙমগনি নীংজদ্রে।

চৌর্জিৎ ঃ ইবুংঙো, ইয়াম্বগী ৰাসক থুংহনগে-থুংহল্লোই নচীন-ননাওদা লৈরে। ইয়াম্বদি নিংথৌ ওইগে হায়বা আশা লৈত্রে। ইয়াম্বনা শ্রীধাম নবদ্বীপ্তা চত্তুনা পাবুংস্নাখ্যানা লিংখৎলম্বা অদুগী সেবা তৌরুরগে হায়না নীংলিবসি

কায়হনগনু। (গম্ভীরসিংহ-নরসিংহনা তুং ইন্দুনা চঙলকপা)

মার্জিৎ ঃ ইনাওসু তাবিয়ু। য়াম্বুং ইবুংঙোদি হন্দক্কী মনিপুর উদ্ধার তৌবসি সনা খোঙলেঙলরোই তাকপিরে। য়াম্বুংনা লেঙবিদ্রবদি ঙমগনি হায়বা থাজদে, অদুনা মনিপুর উদ্ধার তৌবা অসি ইনাওতোন্না হোৎনহৌবা তারে। ঐদি য়াম্বুংগী থৌগল নবদ্বীপ ফাওবা তৌরম্লগা শ্রীধাম ক্ষেত্রদা চত্তুনা বাস তৌখ্রগে।

গম্ভীরসিংহ ঃ য়াম্বূং ইবুংঙোনা হায়রিবা অসি তৌবিগনু। ননাই ঐগী ইতীক্লা মণিপুর উদ্ধার তৌবসি ঙমগনি নীংজদে।

চৌর্জিৎ ঃ হায়নু ইবুংঙো। ইনাওনা নীংলবদি ইরায় লায়না ঙমগনি। কোম্পানি বাহাদুরগী সাহেবসিংগা ইনাওদি য়াম্না খঙনরি। মখোয়বূ সহায় তৌহল্লবদি ইরায়-লায়না ঙমগনি।

গম্ভীর ঃ তৌবিগনু য়াম্বূং ইবুংঙো, হন্দক্কী অসি য়াওবিয়ুদা। ময়েক্কী থিনরুরবদি, হন্দক্কী অসিদি য়াম্বূং অনীনা য়াম্না কন্‌না হোৎনবিগদবনি য়াম্বূং অনীদগী ঔৱানা লৌখিবা ওইরবোইনা অজ্ঞা।

মার্জিৎ ঃ ইনাওতোন। চুন্নগী ৱাগী ৱা ঙাংনশি মদুন্না মমাঙঙৈগী ৱা হৌদোক্লরক্লবদি ৱা কায়নরক্কনি।

গম্ভীর ঃ ননাই ঐনা হায়জরিবসি থোইনা লানবা য়াওদেনা। মণিপুরবু ঔৱানা খুদুম চনখিবসি শ্রীযুৎখোয়না নিংথৌ ওইনিংবদগী নত্রদো! শ্রীযুৎ অনীনা চহী মঙা মঙা নিংথৌ ওইনসি হায়না ঙাঙনখিবদু শোয়নদ্রবদি কদায়দগী অসুম থোক্কদগে? শ্রীযুৎ অনীনা ফজদবদি কাছাড়গী লম য়েন্‌নবা ফাওবা ঐঙোন্দদি খিত্তা মথুংবি, ননাইনা থোইনা পামলুদুনা হঙ্গচ্চবা নচ্চদে। অদুগা ননাই ঐনা মণিপুর সনা লৈবাক থাদোক্তুনা চেঞ্জবা, য়াম্বূংনা চাক কৌবিনি তাকপিবা, ঔৱাগী মপাননা নিংথৌ গাদ্দি নৌনা ফংবগী ময়ায়না ননাই ঐঙোন্দা সনা মিৎয়েং খিত্তং খারপ্পা তাবিখিবদু য়াম্বুংগী সনা পূক্লিংদসু নীংশিংবিরমগনি



নীংজৈ।

মার্জিৎ ঃ এ; ঐনা য়েংখিবদুগী মল্লোম থল্লিবোইরে, ইবো ঐনা য়েংবা অদুদি, য়াম্বূং ইবুংঙো লাবন্যচন্দ্রবু লোন্না নিংথেম কাঙজৈবুংদা হাৎখিবদুদা ইনাওসু ষড়যন্ত্র য়াওৱা হায়দুনা য়েংবনি। ইনাওসু য়াওদ্রদো? (হৌগৎপা) (নরসিংহ চোংথোকপা)

চৌর্জিৎ ঃ ঙাইখো ঙাইখো। এঃ কনানো সিদি ইনাওতোন।

গম্ভীর ঃ ননাই ঐগা পোকমিন্নজবা ইনাওনি অজ্ঞা।

চৌর্জিৎ ঃ নত্তে, ইবুংঙো। ইয়াম্বনা খঙই। নর নত্রনে? মাগী মগুণ ইয়াম্বনা মুন্না খঙই। মগুণ লৈবা মথৌনা ফবা মৈ চঙবা নিংথৌ মচানি। হৌজিক্তি ইয়াম্বগী নীংবা থুংলনি ইবুঙো। ইনাও তোন্না নিংথৌ ওইরগা ননাওনা সেনাপতি ওইরবদি শোয়দনা মণিপুর উদ্ধার তৌরনি। ননাও অসি লুনা তৌসে ইবুংঙো। ইবুংঙো নহাক্কী নতুংদা ননাওনা নিংথৌ অমুক ওইনি। নর, নহাক্লা নিংথৌ ওইবা কালদা ঐগী বংশদি নখুত্তা খরদি তুম্বা তারে; মদূ নহাক্লা খরা খরা য়েংঙুকো। অদুগা নঙনা ফিনুংদা য়োল্লিবা অদুনা করিনো?

নরসিংহ ঃ অজ্ঞা, ননাই ঐ য়াম্বূংগী থৌগল তৌজরিবনি।

চৌর্জিৎ ঃ খঙঙে অতো। ইয়াম্বগী থৱাই নুংঙাইরে। শমু ফাবা নচীন-ননাও কায়ননুকো। ইয়াম্বগী ৱাসক নিংথিদা থাং চামগে হায়খিবদুতদি শোয়হনগনুকো। সে-সে, "বজ্রসিং" অসে নখুৎতা শিন্নরবনি। ইষ্টদেব শ্রীগোবিন্দগী চরণ কাউগনু। নহাক্তি পীক্লা লৈহৌবনিননা খঙলরোই। পাবুং স্নাখ্যা কর্ত্তা মহারাজগী স্বপ্নদা ফাওদুনা কাইনা-চীংদা সাক্ষাৎ শ্রীমূর্ত্তী অসি অবির্ভাব ওইবনি। ইয়াম্বদি ঐগী ইবুংঙোগী সেবা মতোল লোন্না কৎপা ঙম্লমদ্রে; নহাক্লা শ্রীগোবিন্দগী সেবা তৌরোকো। নহাক্লা মণিপুরদা অমুক্তং শ্রীগোবিন্দসি লেঙথোক্তুনা লৈবাক্কী অৱাবা কোকহল্লুগবা,

ইয়াম্বনা খঙজবা ধর্ম্ম-কর্ম্ম পুন্নমক নচীন-ননাওদা পীরল্লগে, মন্ত্র-যন্ত্র পূন্নমকসু লৌহৌরো।

মার্জিৎ ঃ ইনাওতোন। ইয়াম্বনা নঙোন্দা খোল খরা হেঞ্জিনখ্রে, ৱারৌনু। ইয়াম্বদি য়াম্বূং মহারাজগী থৌগল ইনখ্রগে। ইয়াম্বনা পাবুং ইবুংঙো ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মচা অশেংবমক্তা ওইরবদি, লেপ্পা মণিপুর উদ্ধার তৌবা ঙম্বা ওইয়ুকো। ইয়াম্বনা খঙবা ধর্ম্ম-কর্ম্ম, মন্ত্র-যন্ত্র অপূন্বা ইবুংঙো নচীন-মনাও অনীমক্তা শিন্নরল্লগে। চৎলো-চৎলো, নচীন-ননাও থবক পাঙবা ঙম্নবা হোৎনরুরো। (চৌর্জিৎ-মার্জিৎ থোকখিবা, গম্ভীরসিংহ নরসিংহ অনীনা দণ্ডবৎ তৌবা)

গম্ভীর ঃ ইনাওতোন, ইচীন-ইনাওদা ঙায়রেদো।

নরসিংহ ঃ অজ্ঞা।

গম্ভীর ঃ কিব্রা?

নরসিংহ ঃ গম্ভীরসিংহগী মনাই নরগী হকচাং শারকপদা অকিবগী শরূক য়াওরক্তে অজ্ঞা।

গম্ভীর ঃ করি ৱানো ইবুংঙো, মনাই হায়বদে, নঙদি ইনাও পোকমিন্নবনি। নঙবু ঐনা ফংবদি রামচন্দ্রনা লক্ষণ ফংবা যুধিষ্ঠীরনা অর্জ্জুন ফংবগুম্বনি।

নরসিংহ ঃ কৃপানি অজ্ঞা। অদুম ওইনমক গম্ভীরসিংহগী মনাও নরসিংহদি কিবা য়াই, গম্ভীরসিংহগী মনাই নরগীদি অকিবা শরুক থুংদে।

গম্ভীর ঃ অদু ওইরবদি মণিপুরদা চৎতুনা মণিপুরগী নুংঙাইতবা পাউ তারিবা অসি অমুক্তং য়েংঙুনে।

নরসিংহ ঃ অদু ওইরে সনা য়াথং য়াম্না লূনা তাকপিরিবা।

গম্ভীর ঃ হন্দক অসি ইচীন ইনাওগী মঙ্গল খরা ৱাৎলি।

নরসিংহ ঃ ননাই ঐ ঙসিমক চৎচগে।

গম্ভীরসিংহ ঃ ঙাইখো-ঙাইখো, য়ুম য়ৌরুখো। অমুক উনখিসি।

নরসিংহ ঃ অজ্ঞা। (নরসিংহ থোকখিবা)



গম্ভীর সিংহ ঃ নর হায়বা ঐগী ইনাও অসিদি মরীল চুন্না থৌইদা। মসি য়াম্বূংতোনগী মী ওইরম্বনিসে। য়াম্বূংনা ইনাওতোন হায়দে, নর-নর হায় হায়দুনা শাওদুনা লাকপনিকো। শ্রীগোবিন্দনা মণিপুর লেঙথোক্লিংলদুনা ঐগী ইতেং পাংনবা হায়দুনা মরীল চুম্বা অথৌবা নিংথৌমচা অমা পীনরিবা ওইরে। শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙো। ননাইগী নীংবা কায়হনবিগনুকো।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাক্পাঃ**

| | | |
|---|---|---|
| ১। ব্রজসিং | ঃ | চৌর্জিৎনা পায়বা থাঙশাং অমা। |
| ২। ফিরুক খুম্বা | ঃ | মমায়লোৎপা, মায়থীবা। |
| ৩। দোষ | ঃ | মরাল। |
| ৪। নিরুপন তৌবা | ঃ | মূর্ত্তি শারগা ঈরাৎপা। |
| ৫। উদ্ধার | ঃ | কনবা, লৌখৎপা। |
| ৬। সহায় | ঃ | মতেং। |
| ৭। দণ্ডবৎ | ঃ | খুরম্বা। |
| ৮। শমু | ঃ | হকচাং। |

<u>ৱাহং</u>

**(ক) মখাগী ৱাহৈপরেং অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

'ইবুংঙো, ঐনা নঙবু ফংবদি রামচন্দ্রনা লক্ষণ ফংবা অদুগা যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুন ফংবগুম্বনি।'

১। কনানা কনাদা হায়রিবনো?

২। রামচন্দ্র কনানো?

৩। অর্জ্জুন কনানো?

৪। রামচন্দ্রনা লক্ষণ ফংবা অমসুং যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুন ফংবা হায়রিবসিনা করিগীনো?

৫। ৱাহৈ খরা অসি করম্বা মতমদা অমসুং করিগী দমক হায়রিবনো?

**(খ) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। চৌর্জিৎ কনানো? মহাক্লা ময়াংলৈবক্তা (কাছাড়দা) চেল্লকখিবা করিগীনো।

২। করম্বা নিংথৌগী মতমদা ঔৰানা লান্দাদুনা মণিপুর লৌশিনখি?
৩। ঔৰানা চহী কয়া মণিপুরদা পানখি?
৪। চহী ৭ খুন্তাকপা হায়রগা করিবু খঙই?
৫। ব্রজশিং থাংশাং কনাগীনো? থাংশাং অসি কনাদা করিগীদমক শিন্নখি?
৬। গম্ভীর সিংহ কনানো? মহাক্না নরসিংহগী মরমদা করি হায়খি?
৭। কনানা শোয়বদগী ঔৰানা মণিপুর জয় তৌখিবনো?
৮। চৌর্জিৎ অমসুং মার্জিৎনা লাইনিংদুনা লৈরুরগে হায়বা মফম অদু কদায় কদায়দনো?
৯। ঔৰাগী মখুৎতগী কনানা মণিপুর কনখি?
১০। গম্ভীর সিংহনা নিংথৌ ওইরিঙৈ দা কনানা সেনাপতি ওইরম্মী?
১১। গম্ভীর সিংহনা নোঙ্গাম্রবদা কনানা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি?
১২। মণিপুরগী শ্রীগোবিন্দগী মূর্ত্তি অসি করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা অমসুং কদায়দগী পুরক্তুনা নিরূপণ তৌখিবনো?

**(গ) মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্না ইয়ুঃ**

১। মণিপুরনা ফিরুক খুমখিবসি ননাই ঐগী দোষতগী তৌখিবনি। শ্রীযুৎনা অমুক্তা হোৎনবিদ্রবদি ননাইগী মিংচৎ থীবা অসিদি তুংফাওবা কোকহৌররোই।
২। ইবুংঙো ঐনা নঙবু ফংবদি শ্রীরামচন্দ্রনা লক্ষণ ফংবা অমসুং যুধিষ্ঠিরনা অর্জুন ফংবগুম্বনি।

**(ঘ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। চৌর্জিৎ, মার্জিৎ, গম্ভীর সিংহ মচিন্ননাউ ময়াংলৈবাক্তা (কাছাড়দা) চেল্লকখিবগী মরমশিং অদু শন্দোক্না ইয়ু।
২। ঔৰাগী মখূৎতগী মণিপুর কন্ননবা চৌর্জিৎ মচিনমনাউ খন্নখিবা থৌরাং নত্রগা ৱাফম অদু ইরগা খঙহল্লু।

****

# হক্

## অইবাঃ লনচেনবা মীতৈ

*(লনচেনবা মীতৈ মণিপুরগী শক্নাইরবা কবিনি। কৃটিক, অনুবাদক অমসুং ৱারীমচা ইবা অমা ওইনসু মীয়াম্না খঙনৈ। লোয়ননা মহাক সাহিত্যগী ওইবা লনাই ৱারেং (পর্সনেল এসে), দ্রামা অমসুং লীলামচানচিংবদসু খুৎ থাই। 'হি নঙবু হোন্দেদা' হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক্তা সাহিত্য একাদমী এৱার্ড ফংখি। মসিদসু নৎতনা সাহিত্য অমদি লনাই সংস্থানশিংনা মনা- মথুম কয়াসু মঙোন্দা পীখ্রে। হৌজিক-হৌজিক ডি. এম. কলেজ ওফ আর্টসতা রিদর ওইনা থবক তৌরি। হক হায়না মিংথোনবা লীলামচাসিদা অইবনা নুপা নুপী অনীগী ফংফম থোকপা হক চপ মান্ননা লৈ হায়বদু উৎথোকপগা লোয়ননা মচীন মৌপৱা অনীগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা নুংশিনবগী মরীদু নীংথিনা শাগৎলি।)*

**শক্তম লাংগদবশিং**

| | | |
|---|---|---|
| সনাহোংবা | ঃ | চহী ৩৫ মুক্কী মীওইনি (শন্না হোংবসু কৌই)। |
| য়াইসনা | ঃ | সনাহোংবগী নুপীনি। চহী ৩০ মুক্কী লেঙ্গানি। |
| মাম্মা | ঃ | সনাহোংবগী মমাগী মৌপ্পানি চহী ৭০ মুক্কী মীওইনি। |
| তম্ফামনি | ঃ | সনাহোংবগী মচানুপীনি। চহী ৭-৮ মুক্কী লেঙ্গানি। |

**মফম-অমনবা মীতৈ য়ুমজও অমগী মাঙ্গোন,**

*মাঙ্গোনগী মতাই ওইরপ্পা টেবল চৌক্রি থাই। টেবলদুদা লাইরিক অমসুং চে-চাংশিং চাইথোক্তুনা লৈ। সনাহোংবা মপূক্কিং লৈতাদনা মাঙ্গোন্দুদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি। ইমুংদা প্রপ-প্রপ চঙখি। অমনবা বেগ অমা পুথোরকই। বেগ অদুদগী অমনবা চে-চেং ময়াম অমা পুথোরক্লগা টেবল মথক্তুদা থম্মী। মচীন্দা মুরুম-মুরুম শোল্লগা সনাহোংবনা চে ময়াম মরক্তুদগী তোঙানবা চে অমা থিরি।*

সনাহোংবা ঃ ( শাউরপ্পা শোল্লি ) কদায়দা থমখ্রবা পট্টানো খঙদে। নহানমখৈনা পংথেংদা থেংনৈ। ঙসি দরকার লৈরবা মতমসিদনা শুকথেং হেক থেংনদে। (ইমুং লোমদা য়েংলগা)

তারিব্রা? তারিব্রনে নঙনো? (য়াইসনা মখূৎতা থাঙজৌ অমা পায়রগা ইমুংদগী শাউরপ্পা থোরকই)

সনাহোংবা ঃ (য়াইসনাদা ঙক্লপ য়েংলগা) এ! থাঙজৌদুগা কদায়দনো?

য়াইসনা ঃ (শাউরপ্পা) শীংগৈদগী শীং লৌরুগে। মৈচম ওইননবা শীংগা অমত্তা লৈত্রে।

সনাহোংবা ঃ (ঙক্লা) ও! কনাগী শীংগৈ?
(য়াইসনা সনাহোংবদা শাউরপ্ য়েংই। ৱাদি মখা তারক্তে। সনাহোংবনা মঙোন্দা মুন্না য়েংলগা অমুক নমহং হংজিল্লকই।) কনাগী শীংগৈনো হায়বনি? (শোম্থাংননা) মনাবু পান্দ্রবরা খঙদে।

য়াইসনা ঃ (সনাহোংবদা শাউনা য়েংই। হৌরপ্পা হায়রকই।)
হো পান্দ্রে-পান্দ্রে। ইনাগা অমত্তা পান্দ্রে। ঐখোয়দি ইনাসু পান্দ্রে ইখোঙসু তেক্লে অদুগা ইমীৎসু তাঙলে।

সনাহোংবা ঃ (ঙক্লা য়েংলগা) কদোমদগী নোংলৈনো তৌরক্লিসিনা? অয়ুকসিদবো!

য়াইসনা ঃ (মখূৎতা পায়রিবা থাঙজৌদু লৈবাক্তা থাদৈ। সনাহোংবদা মুন্না য়েংলগা) নোংলৈসে ঐনা হৌবা নৎতে। মচে ইবেম্মা শকহেনবীনা হৌবা নোংলৈনি। নোংলৈসিনে ঐদা নত্তে, ইমুং-মনুং হুপ্পা তুন্না হুমখিদৌরি।

সনাহেংবা ঃ (শাউরপ্পা) য়ারে য়ারে। খঙলে, মখা তারনু। নঙনা থিগদৌবা শীংজাদু থিরুরো।

য়াইসনা ঃ (শাউনা) খঙলম্লনি। মখোয় পাবুংনা পুমখঙ হেক্ খঙবিবদগীনি ঐখোয়না ফিবমসি য়ৌরক্লিবা। নুংঙাইরনি হয়েংদা ঙায়রেদনা ইয়ুম ইকৈ পূম্বা মীনা মুনবিখ্রবদা ঐখোয় উচেক্- ৱায়াগুম্ উরক-ৱারক্তা কোয়পাই পায়দুনা হিংগদবা।

সনাহোংবা ঃ (শ্বর শাংলপ হোন্দোক্লগা) য়াইসনা। অচাক্পা মৈদা ঘী হৈজিনবগী থবকসে তোক্লসি। ঐনরো। সিবু ঐনরো হায়বা? (তপ্পা) হিঙ্গোলসি ফনসু চাউরি, অদুনা মচেৎ অমতং য়োম্থোক্লগা ৱার্কসোপ অমা লিংসিরা হায়দনা তৌরুবনি।



নত্রবদি পৈশা অদুক তিংনা মত মাঙনা, মীরমদা ট্রেনিং চৎলুবগী অর্থবু করিনো? মদুদা, ময়ুম পানখ্রবী ঐখোয় ইচেম্মনা য়েৎলক্কনি হায়বদি ঐনা করম খঙলুনি? ইমা-ইপানা নুপা ইথন্তা পোক্লম্বনিনা ঐনা ইঙ্খোলসিগী মচেৎ অমা য়োন্নবা হোৎনরুবসিবু কয়াম কায়রবগে?

য়াইসনা ঃ (কল্লপ্পা) হো কায়বা কায়দবগীদি খঙদে। ঐখোয় ইনমবেম্মনা য়েৎলক্লিবদুনি। (মমীৎ লাওথোক্লগা) ঙকপু ঙকইনে। ইম্মাই পেম্মা, খোন্দি ইনৌ হেক নৌরদনা ইথা থাজদনা মী হাৎপবু ঙম্মীনে।

সনাহোংবা ঃ (শাউরপ্পা) হেরা নঙসু, হাৎপমক্তি হাৎত্রিদনা। মঙোন্দা হায়রমদনা হিঙ্গোল য়োনবা য়ারোই হায়বগী ৱানি।

য়াইসনা ঃ চুম্না হায়বা নৎতবদো। মাবু মরোল থোক্তবরো? ৱাগী ৱা চুম্না হায়য়ুনা। অদুদি নৎত্রদনা কোর্টকী চেগা থারক্লদনা?

সনাহোংবা ঃ (শাউনা) অদুদনিনে ঐনা শাউনীংলিবসু।

য়াইসনা ঃ থিংলবদি য়োন্দ্রেদনা। হিঙ্গোলসি য়োন্দ্রবদি ৱার্কসোপ হাংননবা পৈশাদি কদায়দগী কোৎলুনি? পৈশা লৈত্রদি ৱার্কসোপ লিংদ্রে। ৱার্কসোপ লিংদ্রবদি ইচা তম্ফামনিসি মহৈ মশিং করম্না তমহনগদৌরিবা? কদায়দগী পৈশানা ঐখোয় চারগা হিংগদৌরিবা? নৎতে, মসিবু হাৎপা নৎত্রবদি দোলাই তোংহল্লিবরো? (খরা কল্লপ্পা) ঐখোয়দি খুঙ্গংগী লায়রবা মচানিননে দোলাই তোংবকা হৈজদে।

সনাহোংবা ঃ (শাউনা মখুৎ মশা প্রোক-প্রোক থেক্লুগা) নৎতেনে, হিঙ্গোন য়োনবা য়াদে হায়না থিংলিবসিবু ঐনরো? ঐনরো হায়বা? ঐনগা থিংবদৌনা ঐঙোন্দা পংঙাঙদা ঙাঙই হায়ৱানি। ঙসিনে, লোইনিকো।

য়াইসনা ঃ (খরা তপথরগা) ঐনা মখোয় পাবুংননিকা হায়খ্রবরনে? ঐদি অথিংবা মীদুদা হায়বগী ৱানি।

সনাহোংবা ঃ (শাউরপ্পা) অদুদি চৎলো, অথিংবা মীদুদা হায়রুরো। স্বাইদদি থৱায় লাকপীদৌনা খোংলনু, তানীংদ্রে।

য়াইসনা ঃ (লৈবাক্তা থাদরম্বা থাঙজৌদু লৌখৎলগা) কদায়দগী তানীংলনি। মীশিংসে অশেংবা হায়বদি শাউবনি। ঈ মরীনিনা চৈনা ফাওরমগনি। (ঙাঙনা-ঙাঙনা থোকখি)

সনাহোংবা ঃ ( কল্লপ্না লাউহৌই ) হৈৎ! নঙ ঙসি শিনি। শিনি হায়বিরিবসিনিকো। (টেবিল মথক্তা লৈরিবা বেগ অদু মুন্না য়েংলগা) পট্টাদুনা কদায়দা থমখ্রবনো খঙদে। ঙসিনে খোয়দৌকাসি বৃ-বৃ হেক শাউগৎলকইকো। (টেবলদগী বেগতু লৌখৎলগা অমুক টেবলদুদা কল্লপ্না থাদৈ। মৈ মমথখি। মৈদু অমুক ঙাম্ঘোরক্পদা সনাহোংবা ইমুংদগী থোরকই। মাঙ্গোন্দা থারিবা টেবলদুদা চে-চাং অমদি লাইরিকশিংদু হাইফেৎ য়েংই। মকোক খ্রো-খ্রো খোৎলি। চে-চাং অমসুং লাইরিকশিংদু তপ্ন-তপ্না লোইশিল্লি। ইমুংলোমদা হাইফেৎ য়েংলগা খরা হৌরপ্না কৌরকই।) তারিব্রা? তারিব্রনে নঙবো? হো কৈদৌরিগে?

য়াইসনা ঃ (ইমুংদগী থোরক্লগা) হো কৈদৌরগে? ৱাই শীৎপদু হেক লংথোক্লম্বা য়াদদুনা তৌবনি। ঐসু থোরকইদনা।

সনাহোংবা ঃ (তপ্লপ্না) নৎতে, ঐখোয় মাম্মা লাক্কনি হায়বদুবু কৈদৌঙৈনো? ঙসিরো?

য়াইসনা ঃ (খর কল্লপ্না) হো ঙসিনে ঙসি।

সনাহোংবা ঃ শোয়দ্রে হায়ব্রো?

য়াইসনা ঃ (খরা ফিংলপ্না) অদুদি ঐসু খঙদেবো। ঙরাং ঐখোয় ইবেম্মনা স্কুল কূম্লকপদা লম্বীদা থেংনরকই হায়। মানা তম্বনি। অঙাং ৱানি ভাব তাদে। লেঙবু লেঙবিরক্কদ্রা লেঙবু লেঙবিরক্লোইদ্রা। তং তাবা হায়বা ঙমদে।

সনাহোংবা ঃ (কল্লপ্না) নঙগীনে কোচি- কোরাংদু তৌরক্কনু। চুম্নগী চুম্না অদুম খুম্মু। ঙসিসি মাম্মদু নুমিদাং ৱাইরমসিদা লাক্কনি হায়বদু চুমব্রা শোয়দ্রবরা হায়না হংবগী ৱানি। সিদা কয়াম কায়রবগে?

য়াইসনা ঃ (তপ্লপ্না) ঐসু চুম্নগী ঙসিদি লেঙলক্কদ্রা লেঙলকলোইদ্রা খঙদে হায়বগী ৱানি। সিবু করিদা কোচি কোৎলিবনো?



খঙদ্রে-খঙদ্রে, ঐনা হেক কৈনোমা হায়বসি
কোচিদা কোচি ওইনা উরবরা কৈনো।

সনাহোংবা ঃ (শাউরপ্না) য়ারে-য়ারে। ৱাইদু শীৎলুরো। নঙনা লোইনা চুমলে। চুম্বা হায়ববু চুমদ্রিং হেক চুম্মে। (য়াইসনা সনাহোংবদা শাউনা য়েংলগা ইমুংদা চঙখি। মাম্মা অচাপোৎ খরা পুরগা মপান্দগী চঙলকই। সনাহোংবনা টেবলদা চাইরিবা চে-চাং অমসুং লাইরিকশিংদু লোইশিল্লিঙৈদা মাম্মা চঙলকপা উদে। মাম্মদু লকক্ তৌই। অদুবু উদবা শাশিন্নরগা হৌরপ্না ঙাঙ-ঙাঙদুনা চঙলকই)

মাম্মা ঃ তম্ফামনি! পুপুগী তম্ফামনি লৈত্রো। কদায়!! স্কুল কূম্লক্ত্রিবরনে?

সনাহোংবা ঃ (মাম্মদা খংয়েং য়েংলকই) এ! মাম্মা।
(সনাহোংবনা মাম্মদা চঙশিন্দুনা খুরুম্মী।)

মাম্মা ঃ (নোক্তুনা) য়ারে য়ারে ইমাকসিদি। (হৌনা) তম্ফামনি! পু-পুগী তম্ফামনি!

সনাহোংবা ঃ আ-চাকশঙদা লৈহৌবনি। তারম্লরোই। (তম্ফামনি অমসুং মমা য়াইসনা ইমুংদগী থোরকমিন্নরকই। য়াইসনানা মাম্মা উবদা মকোক খুম্মী। ত ম্ফামনিনা মাম্মবু উবদা মনাক্তা নোক্তুনা চেনশিনখি।)

তম্ফামনি ঃ (নোক্তুনা) পু-পু নঙ লাক্লব্রো?

সনাহোংবা ঃ (তম্ফামনিদা) হৈৎ! পু-পুদবু নঙ হায়বা হৌনব্রা?

মাম্মা ঃ (নোক্তুনা) এ? য়াইদা-য়াইদা ইশুনা কৌনিংবদা কৌ। বেরা লৈতে। হা-হা-হা-

**(অচাপোৎতু তম্ফামনিদা পীশিল্লি)**

সে- স ইশুগীনি।
(য়াইসনানা মাম্মাদা মোরাদুনা ফিদা থাই। মকোক্কী ফিদু অমুক্কা খরদং চিংখৎলগা মাম্মদা খুরুম্মী।)

তম্ফামনি ঃ (অচাপোৎ চানা-চানা) পু-পু নহানমখৈ ঐখোয়দা লাক্ত্রিদি কৈদৌরবা?

মাম্মা : (নোক্লগা) নখোয়গী চঙফম থোঙ্গলসি কাউথোকখ্রবা হা-হা-হা।

মম্ফামনি : (মচীন পোমথোক্লগা) চো! মচীন থীরিসে য়েংঙু।

য়াইসনা : (তম্ফমনিদা খরা কল্লপ্ন) হৈৎ! পু-পুদবু অদুম্না হায়বা হৌনব্রা? তৌহৈদবনি।

মাম্মা : (নোক্তুনা মচীন্দু মখূৎনা তৈথোক্লগা) কদায়? কদায়দা থীরিবা? ঙশাই অয়ুক্তগী ঙসিদি ইশু তম্ফামনি উনরুদৌইনি হায়দনা চীনগসি শেংনা শেংদোক্লগা মায়গসি সাপোন্না শেংনা তাথোক্তুনা লাক্লিসিবু।

তম্ফামনি : (নোকফেৎ তৌরগা) চো! অদু ওইরসু।

সনাহোংবা : ইবোতোম্বদি?

মাম্মা : মাদি হন্দক ইঞ্জিনিয়ারিং লোইশিনগদৌরিবনি। খঙদে, করম থোক্লগবা?

সনাহোংবা : (তম্ফামনিদা) চো-চো। নঙ পুপুনা পীবা অচাপোৎতু চারগা ঙশাইগী পরাদু ফাদোকউরো।

মাম্মা : (তম্ফামনিদা) ও! ইশু লাইরিক তৌরিরো? অদুনিদনা। মরম মোক্কদবনি। অদুম্মাইনা তৌরবদি পুপুনা অরাকপা খূদিংগী অচাপোৎ ময়াম-ময়াম লৈরক্কদৌরিবনি। চো-চো লাইরিক তৌজরুরো।

তম্ফামনি : (নোক্তুনা) অদুদি পুপু ঐ লাইরিকতৌরুখিগেকো?

মাম্মা : (নোক্তুনা) তৌথোকউরো চো-চো। ইশুদি মরম মোকপীনি (তম্ফামনি অচাপোৎতু চানা চানা ইমুংদা চঙখি।)

য়াইসনা : অয়ুক খরা ঙন্না লেঙলক্লবদি চাক চারা অমত্তংসু চামিন্নবা য়াবনি।

মাম্মা : এ! অদুগীসু মতম লাকখিনি ইচাসিদি। ঙসি নবানি লৈরম্বসে ওন্থোক্লা তান চারে। ঐনা লাক্লিবসে অরুবা ৰা অমা খন্নগে হায়দুনা লাকপনিনে।

সনাহোংবা : (তপ্না) করি মতাংগী ওইরবনো মাম্মা?

মাম্মা : এ! অতৈগী নৎতেদা। নখোয়গী হিঙ্গোলসিগীনি।



(সনাহোংবা অমসুং য়াইসনা হাইফেৎ য়েংনৈ। মখোয় অনীনা য়েংনবদু মাম্মাসু উই। অদুবু উদবা শাশিন্নে।)

য়াইসনা : (তপ্লপ্না) হিঙ্গোলগী মতাং হাইববু..........?

মাম্মা : হেরা, হোংবনা হিঙ্গোল য়োনবদা নখোয়গী ননমবেম্মা সনাহনবীনা থিংই হায়বগী মতাংদুগী ৰানিদা।

যসনাহোংবা : মাম্মা। ঐখোয়সু হিঙ্গোলসি য়োন্নীংবা নত্তে। অদুবু উপায় লৈমন্দবগী য়োনগে তৌবনি।

মাম্মা : অং। হায়য়ুনে হায়য়ুনে।

সনাহোংবা : নহানমখৈ মপান্দা ৰারেমখৈ চৎতুনা ওটোমোবাইল ট্রেনিং তৌরুরে। ৰার্কসোপ অমা শারগা খুৎশু-খুৎলায় খরা লৈরগা থবক হৌগৎসিরা হায়দনা তৌবনি।

মাম্মা : (নোক্তুনা) অং-অং। মদুদি অফবা ৰানিনা হোংবা।

য়াইসনা : আ-থবকপু হৌরবদি হিংবা ঙন্নবা বেঙ্কতগী লোনসু পীরগে হায়দুনা হায়রবনি।

মাম্মা : (য়াইসনাদা) এ! অদুদি ফৈনা। শোয়বু শোয়দ্রবদি মদুমদি অফবা তঞ্জা হায়বদুনি

সনাহোংবা : অদুগীদি শোয়গদবা মান্দ্রে। পীগদবা বেঙ্ককী মেনেজর অদুসু মখোয়গী মবুংশিংনি হায়। ঐগসু চৎতুনা উনজরুরে।

মাম্মা : অং। ফরে-ফরে।

য়াইসনা : ( খরদং শাউরপ্না ) থবক পূম্বা পূমলোই লোইনরবসিদা শোমদনা হৌদোকশেল লৈতবদগী লেপ্পা তারি।

সনাহোংবা : (তপ্না, য়াইসনাদা) নঙ অমুক্তা ঙাইখো। আ-মাম্মগী চা অমদুম পুরকউ।

মাম্মা : এ! য়াইদা-য়াইদা। ঐদি চাগসি কয়াবু থক্ত্রবনি।

য়াইসনা : অদু ওইরবসু ঐখোয়দগী অমত্তং থকপিবদি য়াইদনা।

মাম্মা : (নোক্তুনা হোয়-হোয়)। ইচানা হায়রগবু। ঐনা য়াদবা য়াব্রো। অদো, চিনিদি য়ামহনগনুকো।

য়াইসনা : ফনি! (ইমুংদা চঙখি। চৎলমদাইদা সনাহোংবদা য়েংলম্মী। সনাহোংবনা চঙখিনবা মঙক্লা হাইফেৎ ইঙ্গিৎ তৌই। মাম্মা

উই। অদুবু উদবা শাশিন্নে। মচীনবান্দু মোমোন তৌরগা মঙক নোম্মী।)

মাম্মা ঃ হোংবা।

সনাহোংবা ঃ (খংলপ্লা) মাম্মা।

মাম্মা ঃ (নোকফেৎ তৌরগা) নঙগী হিঙ্গোলগীসিনা কমদৌবা? কয়াদা য়োল্লিবা?

সনাহোংবা ঃ (লকক তৌনা) আ-লাখ্ অহুম মখায়দা য়োনবনি। ঐদি মরীদি পীয়ু হায়বনি অদুদা খঙন চান্নবা ওইনা তৌবদুদা পংকন কন্না হায়রুবা য়াদ্রদনা অহুম মখায়দা য়ান্নবনি।

মাম্মা ঃ অং। লৌগে হায়রিবনা কনানো? কদায়দগীনো?

সনাহোংবা ঃ ঐখোয়গী অৱাংথংবদা লৈরিবা খুরা ইবোচৌবননি।

মাম্মা ঃ ও! মাসু অতোপ্পদি নৎতেদনা।

সনাহোংবা ঃ অহোয়।

মাম্মা ঃ পৈশাদি শুননবা পীরক্লব্রা?

সনাহোংবা ঃ তংখায় অমা হান্না পীরক্লে। অৱাৎপদুনা রেজিষ্টার তৌনবা নুমিৎতা শুননবা পীগে হায়।

মাম্মা ঃ পীরকপা খরদুদি শীজিন্নখ্রবরা?
(য়াইসনা ট্রে অমদা চা কপ অনীখক হাপ্লগা পুথোরকই।)

সনাহোংবা ঃ অমদি লেঙদনা থমলি অদুগা মচীৎ খরদুদি খরা কায়থোকপা হৌরে।

য়াইসনা ঃ অশাবা শেন খরা পীথোকখিবদা মচীৎ-মচীৎ হেক্তা ফনা য়াম্না লোইশিনখি। (ঙাঙনা-ঙাঙনা চা পী। সনাহোংবা অমসুং মাম্মা চা থকই।)

মাম্মা ঃ অদুনি, পৈশা হায়বসিদি শন্নবা শুকয়া য়াদবনি। অদুদি কমদৌ' তারবা?

য়াইসনা ঃ অদুনি। মীগী লৌশিল্লুবা পৈশাদু হিঙ্গোনসি য়োনবা থিংলবনিনা কদায়দগী অমুক শিংবা।

মাম্মা ঃ ননমবেম্মনা হায়বদি মঙোন্দা তাক্লুম্লগা য়োল্লু হায়বনি, হিঙ্গোন য়োনবা য়াদেদি হায়দমালেদা। ঐনা তাবা লাল্লব্রা?



য়াইসনা ঃ (খরা শাউনা) খঙদে, ইনমবেম্মসু মচীন মৌপ্পাদা পোক্লমবনি হায়দুনা হিঙ্গোলসি তংখায় অমা লৌগে হায়রিবজাৎলা? আদা তাদগী অদুক চাউবা হিঙ্গোন অমা লৈরিবদুনা কোন্নদ্রবজাৎলা খঙদেনা? মচাসু অমখক্তনি।

সনাহোংবা ঃ (খরা কল্লপ্পা) নঙ অমুক্তা তুমিন্না লৈখো।

মাম্মা ঃ (তপ্লপ্পা) এ! হায়জসনু-হায়জসনু। মাসু য়ুমসিগী মৌনি। মাগীসু অপাম্বা ফোঙদোক্পদা করিসু কায়দে। অদুবু হোংবা, নঙনা হন্দক হিঙ্গোল য়োনবসিদা নচেদু মপুক্লিং খরা নুংশিবা মাল্লি।

য়াইসনা ঃ ঐখোয়সুনি। হন্দক্কী মতাংসি ঐখোয়সু পূক্লিং য়াম্না নুংশি। হন্দক ইনমবেম্মনা তৌবিরিবসি ঐখোয়বু করি ওইনা খনবিবনো খঙদে।

সনাহোংবা ঃ (য়াইসনাদা) নঙ অমুক্তা তুমিন্না লৈয়ু কৈদৌগে। ৱাসি অমুক্তা জ্ঞান তানা খন্নখিসি।

মাম্মা ঃ (সনাহোংবদা) এ! হায়জসনুদা হোংবা। মাগীসু পেন্দবা লৈদুনা হায়জরিবনি। কৈসু কায়দে। মানা হায়রিবসিদা অচুম্বা ফনা য়াওরি নীংই। (য়াইসনাদা) চুম্মী ইবেম্মা, নখোয়না ননমবেম্মদা হংনিংলিবা ৱাহংদুমক্কি নখোয়না হিঙ্গোল য়োল্লে হায়বা তাবদা নখোয়গী নফমদা ননমবেম্মনা হংবদি ঙমদা মথম্মোয়দা মথন্ত হংজখিবসু।

সনাহোংবা ঃ তাকপিরিবসিবু.............. ঐখোয় ভাব অমা তাবা ঙমজদ্রে।

মাম্মা ঃ (নোকফেৎ তৌরগা) এহু নখোয় অঙাং ওইরিদনা তৌবনি। ঐ হায়গে, ভাব তারক্কনি। হোংবা নঙসু তাও। ইবেম্মা নঙসু মুন্না তাও।

সনাহোংবা
অমসুং
য়াইসনা ঃ ফনি মাম্মা।

মাম্মা ঃ লৈখিদ্রবা ইচেগা ইবাইগনা পোক্লমবসি হোংবা নঙগা নচেম্মা সনাহনবীগনিদনা।

সনাহেংবা ঃ অহোয় মাম্মা।

মাম্মা ঃ অদুনা মাগী হায়রে নঙ অদুগা নঙগী হায়রে মাতনি। নৎত্রনে?

য়াইসনা ঃ মদুবু ঐখোয়সু কাউথোকখিদব্রা খঞ্জে।

মাম্মা ঃ অং! মদু নখোয়না কাউথোকখিদ্রবসু নীংশিংবা য়ৌখিদ্রবরা হায়না খল্লি।

সনাহোংবা ঃ (ঙক্লা) করম্না মাম্মা?

মাম্মা ঃ ফরবসু ফৎত্রবসু সনাহনবীদু নঙগীদি নচেনি। পঙথাপ থাপ্লসু নৎতে। পাউ অমত্তং মঙোন্দা হান্না হায়রম্লবদি ঙসি নখোয়গী হিঙ্গোল য়োনবদা নচীন ননাও তৌনরিবসে তৌনরমদবসু য়াবনি।

য়াইসনা ঃ হায়রুবগবু কৈদৌদোইনোদা। ইনমবেম্মনা লৈগদবসু নৎতবদা।

মাম্মা ঃ (তপ্না) ইবেম্মা নঙসু য়ুমসিগী মৌ ওইজরবসু শাগৈ অমগীদি চনু নিঙোল অমনিদো। নঙবু পোকপা অহল লমন্না নঙবু কায়দা নুংশিনা য়োক্লমগদবা। হোংবা নঙসু অমুত্তং মুন্না তাও। খল্লুনে।

সনাহোংবা ঃ তাকপিয়ু মাম্মা।

মাম্মা ঃ নিঙোল হায়বসে নুপা ময়ুমদা অওং-অউন তমদুনা হেক লুহোংখিবগা অতোপ্পা শাগৈদা ওঙখ্রবনি খনবদগী মীতোপ ওইনা খনবগী চৎনবী অমা লমদমসিদা লৈরি। মখোয়গী খোইরি নাউফম হিঙ্গোলসিদা তাখিবনি হায়বসে পিবানসু মৌনসু হেক্তা কাউথোকই। (য়াইসনাদা) ইবেম্মা নঙসু অমুক্তা খল্লুনে-নঙানা নপামদা চৎপদা তাদগা ইতৈমদুগনা নঙবু মচা ওইবগী মওং তৌরক্ত্রবদি নঙোন্দা করি ফাওগনি?

য়াইসনা ঃ ঐখোয়না ইনমবেম্মদা মদুমক্তি তৌখিদবরা খঞ্জে।

মাম্মা ঃ (নোক্তুনা) নখোয়না খন্থরুদবননি। মঙোন্দদি মদুগুম্না মথম্মোয়দা ফাওখ্রবনি।

সনাহোংবা ঃ (ঙক্লা) এ! ইচেবেম্মদবো! করম্না মাম্মা?



মাম্মা ঃ (তপ্লপ্না) য়েংঙু হোংবা। সনাহনবীসে ইচেগা ইবাইগনা ইহান হান্না ফংজবা মচানি। মাগী ইরেমখাক্লা নহাক ওইরকপনিদো। নঙগী শুমাঙ মাঙ্গোলসিদা মাসু নঙগুম্না চাউরকপনি। নঙগী হিঙ্গোলসিদা হৌরিবা উ-ৱা, হৈ-লৈ পুন্নমকসিদা মাগীসু নুংশিবা য়াওরিবনি। মরোল থোক্তবা হৈ পাল- লৈপালদুনা মাবুসু মশক খঙলিবনি। থম্মোয়গী মরীসে নঙগীদা নৎতে মাগীসু হিঙ্গোলসিগা লৈনরিবনিনে হোংবা।

সনাহোংবা ঃ মাম্মা। (মকোক লূকথখি)

মাম্মা ঃ হোংবা! নচেবেম্মসু মীনি, থম্মোয় পাল্লিবনি। মাগী অমত্তা ঙায়জরবা মৌপ্পাবু করিগী নুংশিরোইদৌরিবনো। নখোয়না নুংঙাইনা পানবা উরগা মহাক্লা করিগী হরাওরোইদৌরিবনো? নঙগী অৱা-অনাদা মাবু নঙোন্দগী তোঙান্না খায়দোক্তুনা থম্বসিবু মহাক নুংঙাইরমগদ্রনে হোংবা?

সনাহোংবা ঃ (অতপ্পা খোম্থোক্তা) চুম্মী মাম্মা। মাম্মনা তাকপীরিবদু অচুম্বনি। অদুবু মাম্মা, ইচেম্মসু ঐগুম্না লায়রবনি। ঐনা মঙোনদা লূপা লাখ অহুম-মরী পুথোক্লবা তান্নরুবদা কান্নরোই খল্লুবদগী তান্নখিদবনি মাম্মা।

মাম্মা ঃ (মঙক নোম্লগা) নচেম্মসু লায়রবনি হায়বসি চুম্মী। অদুবু হোংবা! ঙসিদি মপা মপুনা থম্বীরম্বা হিঙ্গোলদু নহাকথক্তা কায়বা তারে হায়বা তাবদা মহাক তুমিন্না খাঙদুনা লৈবা ঙমদ্রমাল্লে ঐগী নাক্তা চেল্লক্লগা মপূক্লিং নংশিনা কপ্লরে।

য়াইসনা ঃ (শাউরপ্না) অদুগীনিনো ইনমবেম্মনা হিঙ্গোল য়োনবা য়াদে হায়দুনা থিংলক্লিবসে। হিঙ্গোল য়োন্নিংববু কনা য়াওবগে? য়াদবগী তৌবনি। অদুদি ঐখোয় কংশি শিবা তাবা।

সনাহোংবা ঃ নহাক অমুক্তা তুমিন্না লৈখো কৈদৌবগে।

মাম্মা ঃ (নোক্লগা) এ! পেন্দদুনা হায়জরিবনিদা। (য়াইসনাদা) হৈমা! কৈদৌবগী শিজরুগদগে? মীবু হেক্তা সিবা য়াব্রো? (হেন্দ বেগতগী লূপ ময়োম অমা পুথোরক্লগা) সে-সে-সি লৌশিল্লু। (য়াইসনাদা) নচেবেম্মননে নখোয়গীদমক্তা

হায়দনা শেংনা পীরকপনি। লূপা লাখ মরিনি। (পৈশাদু তপ্না লৈবাক্তা থম্মী)।

সনাহোংবা ঃ (ঙক্না) এ! ইচেম্মগীদি কদায়দগী পৈশা?

মাম্মা ঃ (তপ্না) হোংবা তঙাইফদ্রবদি লৈতবা য়াদবনি। নহাক থাজদবা তৌগনু। মসি নচেম্মগী শেংলবা মরলনি।

য়াইসনা ঃ (ঙক্না) ইনমবেম্মগীবু অসুক য়াম্বা পৈশাদি করম্না?

মাম্মা ঃ (মথক্তা য়েংখৎলগা) লাই ওইখ্রবা ইবাইগা ইচেগনা নচেম্মগীদমক উনখিবা লৌ পরিদুমগা সনা খরগদু কায়থোক্লগা পীরকপনি চিংনগনু।

য়াইসনা ঃ হিঙ্গোল মচেৎ অমা থাদোকপদা য়েৎলিবী ইনমবেম্মনা মশামক্কী অউন লৌদুগা সনা লুপা মখৈ লোইনা কায়থোক্তুনা পীরক্লিবসিবু ঐ ভাব তাবা ঙমজদ্রে।

মাম্মা ঃ (নোক্তুনা) আ-লৌ হায়বসিনা মথাং অমনিদো। অদুগা হিঙ্গোল হায়বসিনা অমনি। খোয়রী নাওফমদি লৌফমদুদা তাখিবা নৎতে হিঙ্গোলসিদা তাখিবনিদনা। অদুবু লৈখিদ্রবা মমা-মপামক্লি খন্না চেৎনা কোঞ্জরিবা লৌফমদু কায়বদা মহাক অমুক হন্না-মমা-মপা কায়নবগুম্না কপখি। অদুগা সনা লূপা হায়বসিদি লৈতেংনিদনা। চাম্মরক লৈবা য়াই। চাম্মরক শিবা য়াই। অদুগা শিদ্রবসু হিংবদি হিংগনিদনা।

সনাহোংবা ঃ (কপ্তুনা) মাম্মা ঐবু ৱারৌবিগনু। পৈশাশিংসে ঐ লৌবা ঙমজরোই। ঐ লানখ্রে। ইচেম্মগী মফমদা ঐ তশেংনা লানখ্রে মাম্মা।

মাম্মা ঃ হোংবা, তৌনু-তৌনু। নচেম্মননে নঙগীদমক তশেংনা মতেং পাংলকপনি। মাগীদি নঙ নথন্তনিনহে হোংবা। নঙননে পৈশাসি লৌহৌদ্রবদি মহাক্তি তশেংনা শিরনি। মঙোন্দা তাক্লমদনা হিঙ্গোলদু য়োনবা য়ারোই হায়বগী চেদুদা নচেম্মনা হেক শোই তৌবগী খঙহৌদনা লেকথরকপদগী মহাক ঙসিসু হোসপিটালদা লৈরি। নবাইবুংঙোননে পৈশাশিংসে ঐগী ইনাক্তা চেন্দুনা থিল্লক্লম্বনি। মানা পীরুরবদি লান্না



খনখ্রগনি ঐবু অমুক্তা থিনবিয়ু সনাহনবীগী মথায় অমুক্তা কনবিয়ু হায়না নবাইবুংঙোদুনা ঐঙোন্দা খুরুম্লগা কপ্লম্মীনহে হোংবা। (কপ্পী) হোংবা! ঐ অহলনি শিগদবা কুইশিল্লক্রবনী। নঙগী নমাগা পোকমিন্নবা নঙগী মাম্মনিদো। লৈখিদ্রবী ঐগী ইচেদুনা তাইবঙ থাদোক্লমদাইদা মমা-মপা য়াওদনা লৈহৌরগদবা নখোয় নচীন-নৌপৱা অনীবু মাম্মগী ইফমদা শিন্নরম্বনিদো হোংবা।

সনাহোংবা ঃ (কপ্লগা) মাম্মা।

মাম্মা ঃ (কপ্না-কপ্না) হোংবা! নঙ মাম্মগী মায়সি অমুক্তা য়েংঙু। নচেম্মগী মথায়সি অমুক্তা কনসি কৈদৌবগে। হয়েং, ঐনা শিরগা ঐগী নুংশিরবী ইচেদুগী মফমদা ইমায়সি ঊৎলুবা ঙমলোইদৌরেনে হোংবা।

সনহোংবা ঃ (কপ্না-কপ্না) মাম্মা! নমাকপু অমুক্তদি ঙাকপিয়ু কৈদৌবগে। (খুরুম্মী)

য়াইসনা ঃ (কপ্না-কপ্না) ঐখোয়দি অঙাংনি। পুন্নমকসি ঐখোয়না পঙবদগী থোকখিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়বু ঙাকপিয়ু (খুরুম্মী)

মাম্মা ঃ (মপি তৈথোক-তৈথোক্লা নোক্লগা) এ-এ হৌগৎলু-হৌগৎলু। ইচাগা ইমাক্তনা কদায়দগী লাক্লুনি? লাক্লিবদি থৌয়াম পুবা নঙগী মাম্মনি। ঐনা মতম চানা নখোয়বু য়েংশিনহৌদবদগী থোক্লিবনি। (সনাহোংবা অমসুং য়াইসনা হৌগৎলি) ফরে-ফরে। নচেম্মনসু পাউসি তাবদা ওন্থোক্লা হরাওজরনি। নখোয়সু নচেম্মগী মনাক্তা খরা চৎপিয়ু। মহাক নখোয়বু খৌরাংনা ঙাইরিবনি।

য়াইসনা ঃ (তপ্না) থারবা ইমায়সি পুরগা ঐখোয় করম্না ইনমবেম্মা উনবা চৎকনি। অস! ওন্থোক্লা ইকায়খ্রেদা।

মাম্মা ঃ (নোক্তুনা) এ! ইকাইরুম্নু ইচাসিদি। মখা থাবনা মথক থোংবদা খঙদবদগী লানখিবদি লানবা কৌদে। তাইবঙগী হৌনশানি। নখোয়গী নশক হেক উবদা সনাহনবীগী অনাবদো পুম্ফ-ফখ্রগদবনি। ঈ মরী হায়বদো মসিনিনে ইবেম্মা।

সনাহোংবা ঃ মাম্মা।

মাম্মা ঃ অদুদি ঐসু চৎলগে। লৈকায়গী ইপান অমসুং লৈহৌরি। লৈকায়দুদা অহলনদি য়ামশিল্লক্তুবনিনা ঙাইহাক্তং য়ৌরুদ্রবদি হেক্তা ৱারৌগদৌরিবা। সিনিনে, অহল ওইবা হায়বসি ওন্থোক্লা লুখ্রে। (ইমুংদা য়েংলগা) ইহে! ঐদি ইকাউ হেক কাউইদা। ঐদি ইশু তম্ফামনিদা হায়রমদ্রেদো। (লেপখৎলগা চৎননবা শেম শাই।)

সনাহোংবা ঃ য়ারনি। মা লাইরিক পারমগনি।

মাম্মা ঃ অদুনি হোংবা। ইশু মথন্তনি, লায়থোকপা য়াবা নৎতে। কন্না শেন্নৌ। অদুদি ঐ চৎলগেকো। (সনাহোংবগা য়াইসনাগনা মাম্মদা খুরুম্মী)। এ! য়ারে-য়ারে। অদু নখোয় নচেম্মগীদা চৎপদু কাউনিকো। খরা থুনা চৎপিয়ু।

য়াইসনা ঃ অহোয়। (মাম্মা হৌগৎতুনা চৎপা হৌই। সনাহোংবা অমসুং য়াইসনানা মাম্মাদা য়েংদুনা লৈ। মাম্মা খরদং চৎলগা মঙক লৈশিল্লক্তুনা হায়রকই)

মাম্মা ঃ (নোক্তুনা) অদুগনে হোংবা! নখোয়না হিঙ্গোল য়োনবদা কোর্টকী চেগা থাদুনা থিংবদুদি নচেম্মনা ঐগীদা চেল্লক্তুনা কপ্লবদগী ঐনা শীনখিবনি। নঙগী অৱাংগী ইবোচৌবদুদি শেঞ্জাও পায়বনি। মরৌশিং লৈবনি। চে থাদুনা থিংহৌদ্রবদি মানা খুমাঙ চাওশিনখিগনি হায়দুনা তৌখিবনি। মদুগীদি নচেম্মদা শাউরুন্নু ঐঙোন্দা শাউহে হোংবা। (সনাহোংবগা য়াইসনাগা ঙক্লা য়েংনৈ। মখোয়গী মতৌদুদা মাম্মা নোকফেৎ তৌই।) আ-ঐ চৎলে। ঐ চৎলেহে অঙাংশা। আ-নখোয় সনাহনবীগীদা চৎপদু কাউনুকো। (নোকফেৎ তৌরগা চৎখি।)

সনাহোংবা অমসুং য়াইসনা ঃ ফনি ..................।

(সনাহোংবা অমসুং য়াইসনা মাম্মা চৎখিবদু ঙক্লা অমসুং মুন্না য়েংহৌই। সনাহোংবনা লৈবাক্তা থল্লিবা পৈশাশিংদু লৌখৎলগা য়াইসনাদা পী। য়াইসনানা সনাহোংবদা ঙক্লপ্না য়েংই। মৈ তপ্ন-তপ্না মমথখি।)



<u>ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ</u>

শীংগৈ ঃ মৈ থাননবা শীং পৈফম।

ৱার্কসোপ ঃ থবক শুবা, থবক শুফম।

ট্রেনিং ঃ করিগুম্বা শিনফম নত্রগা মহৈ অমা হৈননবা অমদি খুৎলোয়নবা তম্বা।

কোর্ট ঃ ৱায়েনফম, চৈরাপ।

থৱায় লাকপী ঃ উচেক অমগী মমিংনি, মী শিরমদাইদা উচেকসিনা লাক্লা-লাক্লা খোংই হায়না মীতৈশীংনা থাজনৈ।

লকক তৌবা ঃ ৱা ঙাঙবা নৎত্রগা করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা পনবা নৎত্রগা চিংনবা।

মৌ ঃ য়ুম্বাল্লবী নুপী, লুহোংলবী নুপী।

হৌদোকশেল ঃ ললোনবা হৌবদা অহানবা পুথোকপা শেনফম।

শাগৈ ঃ য়েক-সলাই অমগী মীওই কাঙলুপ।

অউনলৌ ঃ লুহোংবদা অউনপোৎ ওইনা নুপীদা উল্লকপা লৌ।

<u>ৱাহং</u>

**(ক) য়াম্না তেন্না পাউখুম পীয়ুঃ**

১। হক হায়বসি করিনো?

২। পট্টা হায়রগা করিবু খঙনবগে?

৩। হৌদোকশেল হায়বসি করিনো?

৪। শীংগৈ হায়রগা করিবু খঙনবগে?

৫। চাইথোক্তুনা লৈরিবা চে-চাং মরক্তা সনাহোংবনা করি থিবগে?

৬। মাম্মনা সনাহোংবগী ময়ুমদা লাক্কনি হায়বসি সনাহোংবনা পীনবা করন্না খঙবগে?

৭। সনাহোংবা করি ট্রেনিং চৎলুবগে?

৮। সনাহোংবনা মাগী হিঙ্গোলদুগী মচেৎ অমা লুপা কয়াদা য়োনবগে?

৯। হিঙ্গোল য়োনবা য়াদে হায়বগী কোর্টকী চে সনাহোংবদা পীনবা কনানা শীনবগে?

১০। সনাহনবীদু করি তৌবদগী ৱান্থবগে?

**(খ) অরায়বা লোন্দাদা ইথোকউঃ**

অচাকপা মৈদা ঘী হৈবা, থৱায় লাকপীগী খুৎখোং,
ৱাঙাঙ কোৎচি থাংবা, পুক্লিং নুংশিবা, মায় ঊৎপা ঙমদবা।

**(গ) করি হায়নীংলিবনো হায়বদু অরায়বা মওংদা ফোঙদোকউঃ**

১। "নোংলৈসে ঐনা হৌবা নৎতে। নচে ইবেম্মা সনাহনবীনা হৌবা নোংলৈনি"।

২। "মখোয় পাবুংনা পূমখঙ হেক খঙবিবদগীনি ঐখোয়না ফিবমসি য়ৌরক্লিবা।"

৩। "মখাথাবনা মথক থোংবদা খঙদবদগী লানখিবদি লানবা কৌদে।"

**(ঘ) পাউখুম পীয়ুঃ**

১। সনাহোংবা অমসুং য়াইসনানা করিগীদমক ৱার্কসোপ অমা লিংখৎপা পাম্লিবনো? শুগাইনা তাকউ।

২। সনাহোংবনা ইশ্কোল মচেৎ অমা য়োনগে হায়বদা সনাহনবীনা করিগীদমক পামদ্রিবনো হায়বদুগী অকুপ্পা মরম পীয়ু।

৩। "সনাহোংবদা পীগদবা পৈশাদু মাগী মবাইনা মাম্মগী মনাক্তা ওইনা পীরম্বগী মরম মরিক চুন্না পীয়ু"।

৪। "নখোয়গী নশক হেক উবদা সনাহনবীগী অনাবদো পুম্ফ-ফখ্রদবনি। ঈ মরী হায়বদো মসিনিনে ইবেম্মা"।
মথক্কী ৱাফমসি কনানা করিগীদমক হায়বনো? শুগাইনা তাকউ।

৫। লীলামচাসিদা নুপাগা নুপীগা হক মান্নে হায়বসি করন্না উৎপগে? খূদম পীদুনা শন্দোক্লা তাকউ।

**(ঙ) য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। "নিঙোল হায়বসে নুপা ময়ুমদা অওং-অউন তমদুনা হেক লুহোংখিবগা



অতোপ্পা শাগৈদা ওঙখ্রবনি মীতোপ ওইনা খনবগী চৎনবী অমা লমদমসিদা লৈরি। মখোয়গী খোয়রী নাউফমসু হিঙ্গোলদুদা তাখিবনি হায়বসে পীবানসু মৌনসু হেক্তা কাওথোকই।"

২। "মাগী ইরেমখাক্লা নহাক ওইরকপনিদো। নঙগী শুমাঙ মাঙ্গোলসিদা মাসু নঙগুন্না চাউরকপনি। নঙগী হিঙ্গোলসিদা হৌবিবা উ-ৱা, হৈ-লৈ পূম্নমকসিদা মাগীসু নুংশিবা য়াওরিবনি। মরোল থোক্তবা হৈপাল-লৈপালদুনা মাবুসু মশক খঙলিবনি। থম্মোয়গী মরীসে নঙগীদা নৎতে মাগীসু হিঙ্গোলসিগা লৈনরিবনিনো।"

৩। লৌ হায়বসিনা মথাং অমনিদো। অদুগা হিঙ্গোল হায়বসিনা অমনি। খোয়রী নাউফমদি লৌফমদুদা তাখিবা নৎতে হিঙ্গোলসিদা তাখিবনিদনা। অদুবু লৈখিদ্রবা মমা-মপামক্লি খন্না চেৎনা কোঞ্জরিবা লৌফমদু কায়বদা মহাক অমুক হন্না মমা-মপা কায়নবগুম কপখি। অদুগা সনা লুপা হায়বসিদি লৈতেংনিদনা। চাম্মরক লৈবা য়াই। চাম্মরক সিবা য়াই। অদুগা শিদ্রবসু হিংবদি হিংগনিদনা।"

****

শৈরেংগী শরুক

# অহীংগী চেক্লা তাম্না

**লমাবম কমল সিংহ**

*(লমাবম কমল ১৮৯৯-১৯৩৫)ঃ লংথবান কুঞ্জ কৌবা খুঙ্গংদা পোকই। এল. এম. পিনি। হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা কবি অমনি। মণিপুরী লোনগী অহানবা উপন্যাস (মাধবী), অমসুং ৱারীমচা (ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা) ইবা কবিনি। মহাক্না ইরম্বা লাইরিকশিংদি 'লৈ-পরেং' (শৈরেং), 'মাধবী' (উপন্যাস), 'দেবযানী' (নাটক) নি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কবিরত্ন মীংথোন কবিনা নোঙ্গাখ্রবা মতুংদা পীখি।)*

*চীক্লবা মীচিক মীখোল তাদ্রবা অহীংগী মতমদা 'তাম' 'তাম' হায়বা নুংশিবা খোঞ্জেল অমা কবি অসিনা তারম্মী। মসি অতৈ নত্তে, তাম্নাগী খোঞ্জেলনি হায়না কবিনা লৌখি। খোঞ্জেল অসি তাবদা কবিগী পুক্নিং শুমহৎখি অমসুং নোংচুপ সহিত্যগী কবি সেকসপীয়রবু নীংশিংলকই। তাম্নাগী খোঞ্জেল অতৈ চেক্লানা তম্বা ঙমদবগুম, সেকসপীয়রগী মতৌসু কবি কনানসু তম্বা ঙমখিদে হায়না কবিনা লৌখি।)*

ওঃ চীংনুং-মান্নুংসিদি চীকখ্রেদা ওম্থোক্লা।
য়েংউ য়েংউবদা লৈখ্রে তুমিন তুমিন্না।
অমুনবা উহৈ কয়া পাল্লিবা পাম্বীদা
কনানসু চাদনা কেঞ্জরে মথন্তা।
ফজরবা লৈরাং কয়া শাৎলিবা লৈপান্দা।
কনানসু চিন্দনা কংজরে মথন্তা।
মীওইবগী লাউ খোংবা নোকপা-কপ্পা,
মফমসিদা লৈতরেকো করিসু তাবা।
বীণা বাঁশী সেতার সারঙ্গ পূং করতাল,
মফমসিদা তাদ্রে করিগুম্বা খোঞ্জেল।



করিগুম্বা শজি শঙাই খোংলকপা,
ঈশিং ঈরাউখোল লোক্তগী চেন্থরকপা,
উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল উথক্তা তোংবা,
অসিমখৈ মঙাইরেনে তাবা ফংলিবা।
অশুক্কী মতীক চীক্লবা মফমসিদা।
অমুক হেন্না চীকখ্রে নুমিৎ তাখিবসিদা।
চেক্লা খোংলম্বদুসু হৌজিক্তি তাখিদরে,
খোইমু ঙংলম্বসু হৌজিক্তি ঙংখিদরে।
জীব অপূম্বা ঙন্না তুম্ন হীপ্নখ্রবোই,
তাইবঙপানসি মৌনব্রত তৌখ্রবোই;
অদুবু করিনো খোঞ্জেল অমা তারি'সে-
অসুক চীকখ্রবা লমদমসিদাহু
থম্মোয়দগী থৱায়না পাইখিদুনা,
খোংলুরিবরনে অতিয়াদা পাইদুনা,
তাবগুমসু তৌই 'তাম' 'তাম' হায়না;
তাম্না হায়বদুরনে লংফৈ চৎপশিংনা?
খোঞ্জলসি তাবদা কাউখ্রবা অৱা'না
নীংশিংহল্লেনে ঐগী পূক্নিংদা ইনৌ নৌনা
মসি অওইবমক উচেক্কী মখোল্লা?
নত্রগা উমং লাইরেম্বীনা তেংথারিব্রা?
লৈরাংগীদমক চিন্নদনা কেনখিবা,
উহৈগীদমক মনীং থুংদনা মাঙখিবা!
মশক য়েংনিংদুনা খোঞ্জেলসি তাবদা!
কারুরে ৱাংখ্রবা চীংদোল কয়ামুক্তা!
কোয়রুরে চীক্লবা চীংনুং-মান্নুং কয়াদা,
অদুবু মশক্তি উদ্রেকো করিগুম্বদা।
তাদে খোঞ্জেলসি নুংথিলগী মতমদা;

অহীং লাক্তুনা উনাথক্তা য়াতারবদা;
তায় নাকোংদা খোঞ্জেলসি হন্না হন্না,
অৱা'না তেংথা নাওইবগী ঈশৈগুম্না।
ঐসু কৌজগে মীনা কৌবগুম, ওঃ তাম্না,
নুংথিন্দা পাইথোক্তব্রা ফাগনি কিদুনা?
করম্বা অৱাবা ননীংথুংদবা লৈদুনা,
নথন্তা চীক্লব অহীংদা লৈরি খোংদুনা?
ওঃ নৈশ শোক সঙ্গীত শকপা অহৈবা!
নহাকপু উমং উচেক্লনে থাঙ্গৈশেংবা?
কনানা হায় তীন্নি কনানা ঊনা মাল্লি;
অদুবু নঙগী ঈশৈদি ওস্থোক্লা নুংশিহল্লি।
সেকসপিয়ার কবিনা মশক্তি উদনা,
নোংচুপ তোর্ব্বান্দগী শক্লকপা ঈশৈনা,
নোংপোক তোর্ব্বান অপূম্বা শুন্দ্বৎপগুম্না,
নশক নচু মুন্না খঙদবা তাম্না নঙনা,
মিরবা খোঞ্জেন্না অহীংদা খোংলকপদা
পূক্লিং তুজুংনরে মীওইবগী মশাদা।
সেকসপিয়ারদু তম্বিদে মীওইবনা;
ঈশৈ শকখিবনি মথন্তগী পূক্লিংদা
পোকপদগী শিবফাও তমদুনসু
মতৌ তম্বা ঙমখিদে পৃথিদা কনাসু
তীল ওইর'সু চেক্লা ওইর'সু তাম্না
তেনৱা ময়নানচিংবা অশিংবা উচেক্লা
মপুন্সি চূপ্পা তম্বি তাকপিদুনসু
মতৌ তম্বা ঙম্লরোই করিগুম্বদসু।
শকউ হন্না হন্না, তাকউ তাইবঙদা
"One is not made but born a poet"



**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শব্দোক্লা তাকপাঃ**

১। মৌনব্রত ঃ মীচিক মীখোল তাদবা, তুমিন্না লৈবা।
২। য়াতাবা ঃ হিপ্পা, পোথাবা।
৩। নৈশ শোক সঙ্গীত ঃ নুমিদাংদা শকপা অৱাবা ঈশৈ, পূক্লিং শুন্দ্বৎনিঙাই ওইবা ঈশৈ।
৪। সেকসপিয়র ঃ ইংলণ্ডগী মমিং চৎলবা কবি, ড্রামা ইবা অমা।
৫। তোর্ব্বান ঃ তুরেনগী মপান, চীদায়।
৬। তুজুংবা ঃ তু চুংবা, নুংশিবা, (নুংঙাইবনা) মশা নিকপা।
৭। One is not made but born a poet ঃ কবি হায়বসি শেম্বা নত্তে পোক্লকপনি।

**ৱাহং**

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। তাম্না হায়বসি করিনো?
২। মৌনব্রত হায়রগা করিবু খঙই?
৩। করম্বা মতমদা তাম্নাগী খোঞ্জেল তাবা ফংই?
৪। তাম্নাগী খোঞ্জেল তাবদা কবি কমলনা করি খল্লম্মী?
৫। নৈশ শোক সঙ্গীত শকপা অহৈবা হায়রিবসি কনাবুনো?
৬। সেকসপীয়র কনানো?

**(খ) মখাগী ৱাহৈ খরা অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

"শকউ হন্না হন্না, তাকউ তাইবংদা 'One is not made but born a poet'

১। কনানা কনাদা অমসুং করি হায়রিবনো?
২। 'One is not made but born a poet' হায়রিবসি করিগীনো?
৩। ৱাহৈ খরা অসিগী মনুংগী ভাব করিনো?
৪। ৱাহৈ খরা অসিগা মরী থল্লগা তাম্নাগা সেকসপীয়রগা চাংদম্নবা য়াব্রা খঙহল্লু।

**(গ) মরী মখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। ওঃ নৈশ শোক সঙ্গীত শকপা অহৈবা। নহাকপু উমং উচেক্লনে থাঙ্গৈশেংবা? কনানা হায় তীন্নি, কনানা উনা মাল্লি, অদুবু নঙগী ঈশৈদি ওন্থোক্লা নুংশিহল্লি।

২। সেকসপিয়রদু তম্বিদে মীওইবনা; ঈশৈ শকখিবনি মথন্তগী পুক্লিংদা পোকপদগী শিবফাও তমদুনসু, মতৌ তম্বা ঙমখিদে পৃথ্বীদা কনাসু।

**(ঘ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। তান্নাবু করিগীদমক 'নৈশ শোক সঙ্গীত শকপা অহৈবা' হায়রিবনো শন্দোক্লা ইয়ু।

২। তান্নাগা কবি সেকসপীয়রগা চাংদম্নরিবদু নসাগী লোন্দা ইথোকউ।

৩। শৈরেং অসিগী ৱামচং ইয়ু।

৪। শৈরেং অসিগী মনুংগী ঈচেল অদু করিনো খঙহল্লু।

****

# মৈতৈ কবি

**খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ**

*(খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ (১৮৯৫-১৯৫০)ঃ উরিপোক, শোর্বোন থিঙেল, ইম্ফালদা পোকই। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎমাবা অথোইবা কবি অমসুং সাহিত্যিকনি। মণিপুরী লোনগী অহানবা ঐতিহাসিক উপন্যাস ইবনি। 'মিংনাইদবী' অমসুং 'জ্যোতি' চেফোঙশিংগী সম্পাদক ওইখি। ফোঙলবা লাইরিকশিং- ছাত্র মচা (ৱারেং-শৈরেংগী অপুনবা), ১৯২৩; কান্নবা ৱা, ১৯২৪, ফিদম ১৯২৫; ৱাখল, ১৯২৬; ৱাখলগী ঈচেল, ১৯৩০; থাইনগী লৈরাং (শৈরেং) ১৯৩৩; লবঙ্গ-লতা (ঐতিহাসিক উপন্যাস) ১৯৪০। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা 'সাহিত্য রত্ন' (১৯৪৮) উপাধি পীখি।*

*'মৈতৈ কবি' শৈরেংদা কবিনা, চীংনা কোয়শিন্দুনা লৈবা মণিপুর সনা লৈবাক অসিবু কনানসু খঙবী-উবীদনা লৈরম্বগী ৱাজবা অদু ফোঙদোকই। মহৌশাগী ফজবা খিবিক্লা লৈতেংলবা লমদম অসিদা কবিনা ৱাৎপা হৌনদে হায়রি। মৈতৈলোন লাইরবা লোন নত্তে, লোন অসিগী সাহিত্য চাউখৎহন্নবা হোৎনসি, মৈতৈ কবি লাকখিনি হায়বগী থাজবা অমা শৈরেং অসিদা ফোংদোকলি।)*

নারক্তা শাৎপা লৈরাংনা
নম্বিনবা য়াওদনা
অরেম্বদা কেনবগুম;
ঈয়ায়দা লোৎপা মণিনা
য়েংবিনব লৈতনা
অরেম্বদা ঙানবগুম,
চীংনা কোয়না পনশাবা
হাওনা কোয়না পনঙাকপা
মণিপুর সনা লৈপাক্লা

অরেম্বদা ঙাল্লম্মী
অরেম্বদা শাৎলম্মী
খঙবিনবা লৈতনা।
ৱাখল অসি খনবদা
অহিং নুংথিল অনীদা
অৱাবনা নাপোমদা
ভাগীরথী গঙ্গানা
ঈচেল ফাংনা চেনবগুম
থম্মোয় লকা নুংদুদা
শীন্থরকপা লাইজনা
মীৎলুগী নাপোম থূন্নরি।
নচাগী পাম্বোম চাউদ্রিঙৈ
পলেমগী নুংসিবা খঙদ্রিঙৈ
ইমাগী সেবা ঙল্লমদ্রি
(পলেম শকপী ইমা-ও!)
তোল্লবা নচা ঐখোয়না
খূজেং পালোইনদুনা
য়াকায়রোনবু খঞ্জগে।
লাইররবা নচানা
প্রেমগী ধারা নত্তনা
কৎচনিংঙাই লৈজদে।
থাম্মোয়গী লকা নুংদুদা
ভক্তিগী আসন মথক্তা
লেঙশিনবিয়ু পলেমও!
পুন্সিগী মীৎকুপ খূদিংদা
খূয়া খাবু কাউদবা
পীনবিয়ু ইমা-ও।
লাইররবী ইরোন্নি
খঙদবনা হায়বনি



মৈতৈ কবি লাকখিনি।
ঈনুংশোরা তৈরক্লে
চীঙ্খৈ ফিদুপ হুল্লক্লে,
ক্বাক্বী লাম্বাউ শীল্লনি।
নুমিদাংৱাইগী কান্দুদা
তময়া কোরী চেনবদা
পূক্লিংগী তোর্ব্বান থক্তুদা,
ৱাখলগী আশন থাদুনা
ঈথক ইরৈ খূদিংদা
পলেমগী ফজবা য়েংজহৌ।
থাবান্না ইপোম হৌরবা
শংবান্নবা অহিংদা
ইমাগী নীংথিবা য়েংজহৌ।
পোম্বী য়েংই ৱাত্তেদো
চেক্লা য়েংই নোপ্তেদো
কবিনা ৱাৎপা হৌনদে।
বসন্তগী মতমদা
পৃথ্বীনা ঙাড্রানবদা
অয়াম্বা পোম্বী চেক্লানা
ফৈরাথক্তা ফমদুনা
মপুগী কোলোয় শক্লিবা
কবিগী মীৎফম্না য়েংজহৌ।
শরৎকী থাবল অৱবা
কালেন লৈরাং ফজবা
কবিগী হৱাওনফন্নি।
(পলেম নীংবা ইনাওশা!)
কোর্ব্বাক মাঙদা থা
খোর্জৈ খুত্তা পায়
পলেমগী নীংথিবা খোৎচিলহৌ।

মপুগী থৌজাল ফংলবা
অসিগুম্বা লমদমসে
কবিগী পোক্লফম্নিদো।
ইচীল-ইনাও পূন্নমক
লীচিং অমত্তা ওইদুনা
পলেমগী লমন খুন্নবা
লৌশিংগী থাউমৈ থানসনু
ইমাগী সেবা তৌসনু
মৈতৈ কবি লাকখিনি।

**<u>ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ</u>**

মণি ঃ মঙাল থোকপা নুং মখল অমা।
গোমুখী ঃ হিমালয় চীংজাওগী নাপোমদা লৈবা যন মচীন মানবা গঙ্গাগী হৌরকফম লোক। মফমসিদা ঈরোং অনী ফাংবা গঙ্গাবু গোমুখী গঙ্গা কৌই।
ভাগীরথী গঙ্গা ঃ সূর্য্যবংশদা পানখিবা নিংথৌ ভগীরথনা গঙ্গা তুরেলবু স্বর্গদগী পুথরকই হায়দুনা তুরেল অসিবু ‘ভাগীরথী গঙ্গা’ হায়নসু কৌনৈ।
প্রেমগী ধারা ঃ থম্মোয়নুংদগী হৌরকপা নুংশিবগী ঈরা, মীৎকী পি।
ভক্তিগী আসন ঃ নোল্লুকপগা লোইননা শেল্লবা ফমফম।
ইনুংশোরা তৈরক্লে ঃ চীঙ্খৈ (অৱাং নোংপোক তাইনবা মায়কৈ) দা অয়ুক অঙনবগী নুমিৎ থোরকপদা উবা মঙাল, নুমিৎ থোরকলে।
ক্কাক্কী লাম্বাউ শীল্লনি ঃ অয়ুক ওইরে হায়দুনা ক্কাক্লা খোংবা।
তময়া কোরী চেনবদা ঃ নুমিৎ তারমদাইগী ঙাঙ্রানবা মচুনা চীংগা তাইনবা মফমদা য়ৈবা মঙাল।
বসন্ত ঃ য়েনিংথা, য়েন্নিংস্তনবা মতম, ঋতু অমা।
ফৈরাথক্তা ঃ উগী উশাদা, উথক্তা।



শরত ঃ ঋতু অমগী মিং।
কোর্ব্বাক ঃ মমাংঙৈদা শীজিন্নরম্বা লাইরিক ইনবা চে/ উবাক মখল অমা।
খোর্জ্জে ঃ লাইরিক ইনবা চৈতেক্লা মচীন তুমহল্লগা শেম্বা খুৎলাই, কলম।
লৌশিংগী থাউমৈ থানসনু ঃ থাউমৈনা অমম্বদা মৈঙাল পীবা অদুগুম মহৈ মশিং হৈহন্দুনা মতীক চাবা মী ওইরকসনু হায়বনি।

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) মখাগী ৱাহংশিংসি খুম্মু ঃ**

১। কবিনা মণিপুর সনা লৈবাকপু করি হায়না শৈথাবগে?
২। মৈতৈ লোন অমসুং মণিপুরবু করিগা চাংদম্নবগে?
৩। গঙ্গাবু করি মরমদগী ‘ভাগীরথী গঙ্গা’ কৌরিবনো?
৪। মৈতৈ লোনবু খঙদবনা করি হায় হায়না কবিনা হায়খিবগে?
৫। ঈনুংশোরা তৈরকপা মতমদা কনানা লাম্বাউ চেনবগে?
৬। কোর্ব্বাক অমসুং খোর্জ্জে হায়বসি করি করিনো?
৭। ফৈরাথক্তা পোম্বী চেক্লানা কনাগী কোলোয় শকপগে?
৮। মণিপুরবু কবিগী পোক্লফম্নি হায়রিবসি করিগীনো?
৯। লৌশিংগী থাউমৈ থাল্লগা কবিনা করি তৌসি হায়বগে?
১০। মৈতৈ কবি লাকখিনি হায়বসি য়ানিংব্রা? মরম পীয়ু।

**(খ) মখাগী শৈরেং মতেক অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

ইচীল-ইনাও পূন্নমক
লীচিং অমত্তা ওইদুনা
পলেমগী লমন খুন্নবা
লৌশিংগী থাউমৈ থানসনু
ইমাগী সেবা তৌসনু
মৈতৈ কবি লাকখিনি।

১। ইচীল-ইনাও হায়রিবসি কনা কনাবুনো?

২। পলেমগী লমন খুন্নবা হায়রিবসি করিগীনো?
৩। লৌশিংগী থাউমৈনা করি মঙাল পীসি হায়রিবনো?
৪। কমদৌনা ইমাগী সেবা তৌসি হায়রিবনো?
৫। কবিনা তুংগী মীরোনদা করি থাজবা থন্নম্বগে?

**(গ) মখাগী ৰাহংশিং অসি খুন্মুঃ**

১। মণিপুর সনালৈবাকপু খঙবী উবীনবা লৈখিদবগী মরম করিদগীনো?
২। 'মৈতৈ কবি' হায়বা শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ভাব (ৰাখল) ৰারেংদা ইয়ু।
৩। অহিং-নুংথিল অনীদা কবিনা করি ৰাখল খনবদগী ফুম্বংনখিবনো?

**(ঘ) য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্লগা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। গোমুখীগী নাপোমদা
ভাগীরথী গঙ্গানা
ঈচেল পাংনা চেনবগুম
থম্মোয় লকা নুংদুদা
শীন্থরকপা লাইজনা
মীৎলু নাপোম থূন্নরি।

২। লাইররবী ইরোন্নি
খঙদবনা হায়বনি
মৈতৈ কবি লাকখিনি।

৩। মপুগী থৌজাল ফংলবা
অসিগুম্বা লমদমসে
কবিগী পোক্লফম্নিদো।

****

# ইরৈপাক

## অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ সিংহ

*(অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ সিংহ (১৯০৭-১৯৪৪) ঃ শগোলবন্দ মৈনো লৈরক, ইম্ফালদা পোকই। তোম্বীস্না হায়স্কুলদা হেড মাষ্টর ওইনা ওঝাগী থবক তৌরম্মি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী খূৎমাবা কবিশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং নাট্যকারনি। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি 'মোইরাং থোইবী' (নাটক) 'কংস বধ' (খণ্ড কাব্য) 'ভাগ্যচন্দ্র' (নাটক) নি; মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা, অইবনা লৈখিদ্রবা তুংদা 'কবি রত্ন' উপাধি (১৯৪৮) পীদুনা সন্মান তৌখি।*

*'ইরৈপাক' হায়বা শৈরেং অসিদা কবিনা মহাক্কী পোক্লফম মণিপুরগী মহৌশা- খূৎশেমগী ফজবশিং শীংথাবগা লোয়ননা লৈপাক অসিদা হৌখিবা মরৈপাক নীংবা টিকেন্দ্রজিৎ, জয় সিংহ, গম্ভীর সিংহ, নরসিংহ নচিংবা অকল-অথৌ কয়াবুসু শীংথারি।)*

ইরৈপাক ইরৈপাক উজদ্রি নঙগুম্বা।
নঙগুম্না নুংশিবা পূক্নিংগী পেন্নবা।।
নোংপোক্কী কোরৌ খোঙথাফম ভারতকী শমজী লংদাইফম
প্রকৃতি ইমাগী নুংঙাইবা শান্নফম।
চাক্লবা থম্মোয়গী অৰাবা কোক্লফম।।
কূংনা পানবা মহে-মরোং চূম্না শাৎপা ফৌগী চরোং
মীৎয়েংগী লম্বীদা অঈংবা পীনবী।
নচাগী ৰাত্তনা চেংজেন্দি হুল্লিবী।।
কুঞ্জ কুঞ্জ খূদিংমক্তা চীংয়া-তময়া পূন্নমক্তা
পোম্বীনা চেক্লানা নগুণদো শকচরি।
শান্তিগী অচীকপা ঈরাদি শিন্থরি।।
পূকচেল তপ্লবী নঙগুম্বী নপারী লুনা তৌজবী
শামান্নবী নতারোই কনাদি লৈবগে।
নঙগুম্বী ইমাবু কদায়দা য়াওবগে।।

অকনবা ময়াম পোকচবী অথৌবা ময়াম য়োকচবী
বীরেন্দ্র টিকেন্দ্র নোংশারেন নপারি।
ভারতকী পুয়াদা মমিংদো শোন্নরি।।
চীংথংলেন নিংথৌ অথৌবা ভক্ত লৈরাংলেন লূহেনবা
সনাগী মূর্ত্তি জয়সিংহ নিংথৌরেন।
মাতৃগী থৌদাংদা থৌজংবা থৌবুরেন।।
বৃটিশ লমখাই পন্থেংদা নীপা থোক্লবা লাম্থোঙদা
মিংচৎকী শিদ-উ থারম্বা নোংশানী।
গম্ভীর নরসিংহ লাইপোক্কী নচা'নী।।
লৈপাক্কী ৱায়েল লাংলোন্দা য়েক্লবা য়ৈগায় লাল্লোংদা
প্রজাগী পেন্নবা থৌরমদা লাইওইবা।
ঈশ্বর কোলোয়না কোরৌগুম ঙানখিবা।।
মিংবু ফানগে চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌশিং কোকথক কীরিতি
বৃটিশ সন্মানবু লৌশিংনা লৌখিদো।
অৱাংগী থৱানগুম মাঙদনা ঙাল্লিদো।।
অসুম্বা নচা পোক্তুনা নমান্ন মাঙজিন থাদুনা
অয়ুক্কী শজীক্কুম মোমোন্দি নোক্লম্বী।
শক্লেনগী মিরোন্ন' তিয়াদা তারম্বী।।
ফত্তবা মীচা কয়ানা কল্লকপা মৈনা চূদুনা
তথীৱা হায়দুনা ইমাবু চেন্থরে।
ইমাগী ফীনাদা অমোৎপা তৈররে।।
নৌনা হৌরকপা নচাশিং ইমাগী থৌদাং কাউবশিং
অসুম্বা ইমাগী নিংথীবা লৈরিবা।
কোকহনগে নীংদবা কয়াদা পঙলিবা।।
নপারী নোংশা খিবিক্তি চঙখরে কলাগী খয়াত্তা
মদুগীদমক তেংথারি ইমানা।
খন্দরে মদুবু লৈহৌবা নচানা।।
মৈতৈ মিংলেন্দি কৌরগা মাতৃ থৌদাংদি কাউরগা
নাপলগী ঈঙাংনা ফীজোন্দা তৈরিবা।
নরক্কী লৈখোন্না লাইবক্তা থিল্লিবা।।



পঙলবা নচা ময়ামসে লৌশিং শোইনাইবা পূম্বসে
লাকখিগনি অমুক্তং ইমাগী তম্পাক্তা।
তৌখিনি থৌদাংদি ইমাগীদমক্তা।।
ঈশ্বর পোকপী পলেমও! নরসিং য়োকপী দেবীও!
মীত্তগী ঈরাদো অমুক্তা তৈথোকখো।
থায়নগী মীনোক্তো অমুক্তা নোকপীখো।।

**<u>ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ</u>**

কোরৌ ঃ নুমিৎ
লংদাইফম ঃ তাইনফম
প্রকৃতি ঃ মহৌশা
কুঞ্জ ঃ উরী উপান্না কূপশিনবা মফম
বীরেন্দ্র ঃ (বীর ইন্দ্র) অকনবশিংগী অথোইবা
মাতৃগী ঃ ইমাগী
কোলোয়না ঃ মিংনা
কীরিতি ঃ লূহুপ
অৱাংগী থৱান ঃ ধ্রুবতারা (থৱানমিচাক)
নরক ঃ ফত্তবা তৌবশিংনা শিরবতুংদা লৈরুই হায়না থাজনবা অৱাবা মফম।

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। কবিনা 'ইরৈপাক' হায়রিবসি করম্বা লমবুনো?
২। 'ভারতগী শমজী লংদাইফম' হায়রিবসি করম্বা লমগা তাইনবদগী হায়রিবনো?
৩। করি মরমদগী 'বীরেন্দ্র টিকেন্দ্র নোংশারেন' হায়রিবনো?
৪। টিকেন্দ্রজিৎকী অতোপ্পা মমিং করিনো?
৫। 'ভারতকী পুয়াদা' হায়রিবসি করিবু খঙবগে?
৬। 'ইমাগী ফীনাদা অমোৎপা তৈরে' হায়রিবসি করম্বা মখলগী অমোৎপনো?
৭। 'ঈশ্বর পোকপী পলেমও' ঈশ্বর হায়রিবসি কনাবুনো?
৮। 'থায়নগী মীনোক্তো' হায়রিবসি করম্বা মীনোক্নো?

**(খ) মখাগী শৈরেং মতেকসি পাউ অদুগা ৰাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

চীংথংলেন নিংথৌ অথোইবা ভক্ত লৈরাংলেন লূহেনবা
সনাগী মূর্ত্তি জয়সিংহ, নিংথৌরেন।
মাতৃগী থৌদাংদা থৌজংবা থৌবুরেন।।

১। চীংথংলেন নিংথৌ হায়বসিগী অতোপ্পা মীং করিনো?
২। নিংথৌ অসিবু ভক্ত লৈরাংলেন হায়রিবা করিগীনো?
৩। করম করম্বা শীংথাবা য়াবা তৌরমদুনা সনাগী মূর্ত্তি হায়রিবনো?
৪। ইমা লৈবাক্কী সেবাদা থৌজংবা থৌবুরেন্নি হায়রিবসি মরম পীদুনা শুগায়না খঙহল্লু।

**(গ) মখাগী ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। শৈরেংসিদা কবিনা মরৈপাক মণিপুরগী মতৌ করন্না তাক্লিবগে?
২। শৈরেংসিদা শীংথারিবা ইরৈপাক্কী ফজবদু হায়য়ু।
৩। টিকেন্দ্রজিৎপু 'বীরেন্দ্র' হায়রিবা করিগীনো? করিগীদমক মহাক্কী ভারতগী পুয়াদা শোন্নবগে?
৪। গম্ভিরসিংহ অমসুং নরসিংহ অনীবু লাইপোক্কী মচানি অমসুং মিংচৎকী শিদ-উ থারম্বা নোংশানি হায়রিবা করিগীনো?
৫। ইরৈপাক মণিপুরনা মতম অমদা মমান্নবগী মাঙজিন থারকখি অমসুং অয়ুক্কী শজীক্লুম মোমোন নোক্লকখি হায়বসি করি মরম্নো?
৬। কবিনা ইবৈপাকমচাশিংগী মফমদা করি পেন্দবা ফোঙদোকপগে?
৭। শৈরেং অসিগী ৰা মচং ইয়ু।

**(ঘ) য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। কুঞ্জ কুঞ্জ খুদিংমক্তা চীংয়া-তময়া পূম্নমক্তা
পোম্বীনা চেক্লানা মগুণদো শকচরি।
শান্তিগী অচীকপা ঈরাদি শিঙ্থরি।।

২। পঙলবা নচা ময়ামসে লৌশিং শোইনাইবা পূম্বসে
লাকখিনি অমুক্তং ইমাগী তমপাক্তা।
তৌখিনি থৌদাংদি ইমাগীদমক্তা।।

****

# নোঙ্গুম্লকখোদা

**অশাংবম মীনকেতন সিংহ**

*(অশাংবম মীনকেতন সিংহ (১৯০৬-১৯৯৫) ঃ ৰাংখৈ, অশাংবম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। উরিপোক পঞ্চায় মনীংদা লৈরম্মি। ধনমঞ্জুরী কোলেজ, মথংদা মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দা মণিপুরী সাহিত্যগী মকোক ওইবা ওঝা ওইনা থবক তৌরম্মি। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা মরুওইবা খরদি 'বসন্ত শৈরেং' ৪৭ 'মৈতৈ উপন্যাস' (সমালোচনা) ৫০, 'মৈতৈ লোঞ্জন' (ব্যাকরণ ৫১) 'মেঘনাদ বধ কাব্য' (অনুবাদ) ৬৩, 'রবীন্দ্রনাথকী গীতাঞ্জলি' (অনুবাদ) ৬৪, 'অশৈবগী নিতাইপদ' (খণ্ড কাব্য) ৭৬, 'পুন্সিগী শক্তম' (মশাগী পুন্সি ৰারী) ১ বা অমসুং ২বা 'লারোন' ৮০/৮৩ অসিনচিংবনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী 'সাহিত্য রত্ন' উপাধি, মণিপুর ষ্টেটকলা একাদেমীগী ফেলোশিপ, সাহিত্য একাদেমিগী সাহিত্যগী মনা, পদ্মশ্রী, যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড-মেডল ফংখি।*

*কবি মীনকেতননা মাগী 'নোঙ্গুম্লকখোদা' হায়বা শৈরেং অসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা অশৈবশিংবু মরৈবাক মরমদম ওইবা মণিপুর অসিদা অমুক হন্না পোক্লকখো অমসুং সনা পুঙঙয়োল ওইবা মণিপুরগী মতীক-মগুণ শৈথাদুনা শৈশক্লখো হায়রি।)*

য়াম্বা অশৈবা- চৈজীং খুমাবা
নোঙ্গুমনীংঙাই ওইদবরা
নোঙ্গুম্লকখোদা!
"হাদ সনা- পুঙঙয়োল
পলেম নুংশি কোলোয়নু"
তেংথানীংঙাই ওইদবরা
তেংথারখোদা!
"লৌবুক লমহাং শংবানৰায়
লোইবী চুম্বং খঞ্জৰায়

মালং-ফৌরোই-ইপোল্লাং
ফরা- শরা থোঞ্জনু,
হাদ সনা-পুঙঙয়োল
কোলোয় নুংশি মণিনু”
শৈরাংনীঙাই ওইদবরা
শৈরাংরখোদা!
“পায়ম- নুংগী থৌজান্না
খোল্লাং লাইজ ঈহৌনা
ইম্ফাল-নম্বুল শীষ্টনু,
পারী মোম্নু ওকচনু,
হাদ সনা পুঙঙয়োল
পলেম লোইবী-ৱাঙ্গোয়নু”
চৈজীংনীংঙাই ওইদবরা
চৈজীংলখোদা!
পারী- মোম্নু চাঞ্জনু
পলেম ইমা পূকফনু
কোলোয় নুশি-চীঙ্খেনু
অশৈ নঙবু কাউবরা!
য়াকায়নীংঙাই ওইদবরা
য়াকায়রখোদা!
নরোয় নঙগী নুংবংৱায়
ননাও নঙগী লোন্দৈৱায়
চৈজীং নঙবু কৌজৈয়ে!
শৈহন্নীংঙাই ওইদবরা
শৈহল্লখোদা!
চেক্লা কায়দোং- কায়নৱায়
মালং নোংলম- লম্মুকৱায়
পালোইনীংঙাই ওইদবরা
পালোইরখোদা!



ৱাংলৈ পূঙ্গোয় অমতং
মির ‘চৈজীং লোয়নৱায়
পলেম’ নুংশি মিঙ্গৌরোল
“হাদ সনা পুঙঙয়োল
পলেম লায়েক- তরেৎনু”
থৌগন্নীংঙাই ওইদবরা
থৌগল্লখোদা!
নরোয়-ননাও খিবিক্লা
পলেম খোল্লাং-ৱায়নৱায়
খোল্লাং-লম্মন শিংনীংঙাই
য়াংদৌ লম্বী চিংনৱায়
নিংশা নীংহল ফমদেংনা
য়াম্বা’ খোঙ্গুল মাজৈয়ে।
লমজীংনীংঙাই ওইদবরা
লমজীংলখোদা!
“হাদ সনা-পুঙঙয়োল
য়েঙ্খৌ-অঙাল পাম্থোইনু”
মিঙ্গৌনীংঙাই ওইদবরা
মিঙ্গৌরখোদা!
য়াম্বা চৈজীংবা-শৈরাং খুমাবা!
মালংনীঙাই ওইদবরা
নোংগুল্লকখোদা!

**<u>ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ</u>**

| | | |
|---|---|---|
| নোঙ্গুল্লকপা | ঃ | তাইবঙপান্দা অমুক হল্লকপা, অমুক পোক্লবা। |
| অশৈবা | ঃ | ঈশৈ শকপা, লাইরিক ইবা। |
| চৈজীং | ঃ | পেনা (মতাংসিদা কলম পায়বা) |
| সনা পুঙঙয়োল | ঃ | সনা লৈবাক, মণিপুর। |
| কোলোয় | ঃ | মিং। |
| লোইবী | ঃ | চীং |

চুম্বং : থাকলগী চোমায়
মালং : নুংশিৎ
ফরা-শরা : হাই-হুন্না শন্দোকপা।
থোনবা : শেৎপা।
পায়মনুং : থম্মোয়নুং।
য়াকায়বা : হৌদোকপা, মীকপ থোকহনবা।
নুংবংনবা : ৱাখল লৌশিং থোক্তবা।
লোন্দেবা : ওন্ন-তৈনবা ৱা হায়না।
লম্মুক্রবা : লম্বী মফম খঙদবা।
পালোইনবা : খূৎশন্নবা।
ৱাংলৈ : মীৎকুপ, মতম
লায়েক তরেৎ : মৈতে জাতিগী য়েক-শলাই তরেৎ।
য়েৌ-অঙাল : মৈহৌরোলগী অঙনবা মতমদগী হৌনা মঙালগা লোয়নরক্লবা।
মালংনিংঙাই : তাইবঙ মালংপান্দা অমুকহন্না পোক্লবা।

<u>ৱাহং</u>

**(ক) মখাগী ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

১। কবিনা 'য়াম্বা অশৈবা চৈজীং খুমাবা' হায়রিবসি কনাবুনো? করিগী নোঙ্গুম্লকখো হায়রিবনো?
২। শৈরেং অসিদা সনা লৈবাক মণিপুরগী ফজবশিং করম্না শৈথারিবগে? নশাগী লোন্দা পাউখুম পীয়ু।
৩। ইমা লৈবাক মণিপুরনা মপারী-মমোমশিংবু করম্না নাউয়োকপগে? শৈরেং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা পাউখুম পীয়ু।
৪। কবিনা হৌখ্রবা অশৈবশিংদা, করম্বা মরোই- মনাওশিংবু খুৎশম্নমনা লমতাকলখো হায়রিবনো?
৫। কবিনা সনা-পুঙ মণিপুরবু করি মরমগী 'য়েহ্লৌ অঙান পান্থোইনু' হায়রিবনো? মরম পীদুনা শুগাইনা পাউখুম পীয়ু।

**(খ) মখাগী শৈরেং মতেক অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

নরোয়-ননাও খিবিক্লা
পলেম খোল্লাং ৱায়নৱায়
খোল্লাং-লম্মন শিংনীংঙাই
য়াংদৌ লম্বী চিংনৱায়
নিংশা নীংহল ফমদেংনা
য়াম্বা 'খোঙ্গুল মাজৈয়ে।
লমজীংনীংঙাই ওইদবরা
লমজীংলখোদা!



১। নরোয়-ননাও হায়রিবসি কনা কনাবুনো?
২। খোল্লাং লমনশিংবা হায়বসি কনাগী লমন তোন্দুনা শিংগদৌরিবনো?
৩। কনানা কনাগী খোঙ্গুল মারিবগে?
৪। কবিনা কনাদা কনাবু লমজিংলো হায়রিবনো?

**(গ) মখাগী ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

১। 'নোঙ্গুম্লকখোদা' হায়বা শৈরেং অসিগী ৱা-মচং ইয়ু?
২। শৈরেং অসি পারগা কবি মীনকেতনগী লোন্দাগী মরমদা করি খঙবগে? শুগাইনা পাউখুম পীয়ু।

**৩। য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্লগা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

(ক) পারী মোম্নু চাঞ্জনু
পলেম ইমা পূকফনু
কোলোয় নুংশি চীঞ্জেনু
অশৈ নঙবু কাউবরা!

(খ) "হাদা সনা-পুঙঙয়োল
পলেম লায়েক তরেৎনু"
থৌগন্নীংঙাই ওইদবরা
থৌগল্লখোদা!

(গ) য়াম্বা চৈজীংবা- শৈরাং খুমাবা!
মালংনীংঙাই ওইদবরা
নোংগুম্লকখোদা!

****

# চীং কাশি ঙসিদি

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ**

*(লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ (১৯২৫)ঃ য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। ওঝা ওইনা হৌরকই। সেকেণ্ডরী স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল ওইরম্মী। ডিপার্টমেন্ট অব সোসিয়েল ৱেলফ্যার অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ত ডিরেকটর ওইনা থবক্তগী পোত্থাই। অনীশুবা লাঞ্জা ও মতুংদা ইনরকপা মণিপুরী শৈরেংগী অনৌবা খোঙজেন্দা লময়ানবা কবিশিংগী মনুংদা শীংথারিবা কবিনি। ফোঙলবা শৈরেং লাইরিকশিং 'ৱা অমতা হায়গে তেলঙ্গা' ১৯৬২; 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে' ১৯৭৪; 'খুন অমগী ৱারী' ১৯৮৫। অনীশুবা লাইরিক অসিমক্তদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী গোল্ড মেদল (১৯৭৬) অমসুং সাহিত্য একাদেমি মনা (১৯৭৬) ফংখি। 'সনা কৈথেলগী লাইফদিবী বাই তোনু দেবী', (অঙাং লাইরিক) ১৯৯৯ দা ফোঙই। ১৯৯২ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা 'কবিরত্ন' মিংথোল পীখি।*

*লিংজেল মান্নগন্দ্রবা মৈতৈমচাশিংগী ফিভম উবদা কবিগী পুক্নিংদা নুংঙাইজদে। মহাক্না করেম্নবা ৱাখল্লোনদা মৈতৈমচাশিংবু লিংজেল মান্ননবা হায়রি। চৈরাওবা নুমিৎতা লাইরবা ইনাকখুনবা খায়দনা ফজবা ফিজেৎ শেৎতুনা লিংজেল মান্নবগী মওং উবদা থোইদোক্না নুংঙাইজৈ। মৈতৈ অহল লমনগী থাজনবা মতুংইন্না চৈরাওবা নুমিৎতা তৌবা মতৌ নত্রগা থৌদৌবু চহীচুপ্পা অদুম তৌদুনতা লৈ হায়বা অসিনা অচুম্বা ওইরবদি চৈরাওবা নুমিৎসিদা লিংজেল মান্নহৌরসি হায়দুনা কবিনা হায়রি। চৈরাওবনচিংবা কুম্মৈ ফিয়োংদা লিংজেল মান্নবগুম চীংদা লৈবা তমদা লৈবা ঙম্নমক মান্নবা ঙম্লবদি ফগনি অমসুং হীরম থৌদোক খুদিংদা মণিপুরগী চাউখৎপা ওইগনি হায়বদু শৈরেং অসিদা নাকোয়ননা ফোংদোক্লি।)*



অহাওবতা চাশি ঙসিদি ফজবতা শেৎশি।
ফজনা ফিরোল শেৎলগা
চীং কাশি ঙসিদি।
কোম্বীরৈ শেৎকেরা
শনারৈ ইনগেরা
থরো শেৎকেরা।
থম্বাল ইনগেরা
আঃ ইঙেল্লৈদুম মাল্লে নহাক্তি!
থোরকও! থোরকও!
ফজবা ফিরোল শেৎলগা
চীং কাশি ঙসিদি
বোকুল বীরেন হো কুলো!
বিনোদিনী থম্বালশংবী ওম্থোক্না ফজখরে ফজখরে!
থোরকও! থোরকও!
ওঃ চেঙ তাঙবা কাঙবু ফি তাঙবা কাঙবু
চিনি লোৎপা থুম লোৎপা আলু লোৎপা
লোইনা থোরকউ নখোয়সু ঙসিদি
ফজবা ফিরোল শেৎলগা
চীং কাশি ঙসিদি
অৱাংবা চীংদোন্দা
লাইরৈবাক্কা শন্নফমদা
শান্নশি ঙসিদি লাইগী মচাশিংগুন্না
ফজবতা শেৎশি ঙসিদি ফজবতা চাশি
ফজবতা খনশি
ফজবতা নীংশি ঙসিদি
ঙসিদবু ফজনা শেৎলবদি
চহী অমা ফজগদৌরিবনি
ঙসিদবূ ফজনা চারবদি

চহী অমা ফজনা চাগদৌরিবনি!
ঙসিদবু ফজনা খল্লবদি
চহী অমা ফজনা খনগদৌরিবনি!
অদুনা লোইনা থোরকউ ইচিন ইনাওশা।
অৱাংবদা করিবা হো ইচিন ইনাও!
হো খুরা! হো তাদা!
ওস্থোক্লা ফজখরেদা নখোয়'সে।
চীংদোন্দগী য়েংথরকপদদি
হে ভগবান!
অসুপ ফজবরনে লৈবাক অসিবো
অসুপ ফজবরনে তম্পাক অসিবো
অসুপ নানবরনে খ্বাইরম্বন্দ অসিবো
অসুপ লিংজেল মান্নবরনে মৈতৈ সিবো
ওঃ লিংজেল মান্নহৌরো মৈতৈ পূন্নমক ঙসিদং
চহীচুপ্পা লিংজেল মান্নবা
অথাপ্পদা লৈবা অনকপদা লৈবা
চীংদা লৈবা তমদা লৈবা
তিন্নহৌরো ঙসিদি চহী চুপ্পা তিন্ননবা
পূকচেল শেংহৌরো ঙসিদি
চহীচুপ্পা পূকচেল শেংননবা
চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা ঙসিদি
ফজবতা শেৎহৌরো!
ফজবতা চাহৌরো!

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ**

১। শন্নফম ঃ তাইনফম
২। চীংদোন ঃ চীংগী মতোন, চীংগী মথক
৩। তম্পাক ঃ তম, লৈতেম মান্নবা অপাকপা লম, চীং নত্তবা
৪। খ্বাইরম্বন্দ ঃ ইম্ফালদা লৈবা মফম অমা



৫। লিংজেল ঃ ৱাখল, থৌনা
৬। চৈরাওবা ঃ অনৌবা চহীগী শজিবু অহৌবদা চৈ পায়দুনা লাওবা

## <u>ৱাহং</u>

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুন্মুঃ**

১। 'চীং কাশি ঙসিদি' শৈরেংদা পল্লিবা চীং অসি করম্বা চীংনো? 'ঙসিদি' হায়রিবসিনা করম্বা নুমিৎপুনো?
২। কনানা কনাদা চীং কাশি হায়রিবনো?
৩। চেঙ তাঙবা কাঙবু, ফি তাঙবা কাঙবু, চিনি লোৎপা থুম লোৎপা আলু লোৎপা হায়রিবসি কনাদনো? হায়রিবা ৱাহৈ খরা অসিনা করি খঙহল্লি।
৪। 'অৱাংবা চীংদোন্দা লাইরৈবাক্কা শন্নফমদা' হায়রিবসিনা করিবু খঙহল্লি?

**(খ) মরী- মখোঙ তাক্কুনা ইয়ুঃ**

১। ঙসিদবু ফজনা শেৎলবদি
চহী অমা ফজগদৌরিবনি
ঙসিদবু ফজনা চারবদি
চহী অমা ফজনা চাগদৌরিবনি
ঙসিদবু ফজনা খল্লবদি
চহী অমা ফজনা খনগদৌরিবনি।
২। অসুপ ফজবরনে লৈবাক অসিবো
অসুপ ফজবরনে তম্পাক অসিবো
অসুপ নানবরনে খ্বাইরম্বন্দ অসিবো
৩। চীংদা লৈবা তমদা লৈবা
তিন্নহৌরো ঙসিদি চহীচুপ্পা তিন্ননবা
পূকচেল শেংহৌরো ঙসিদি
চহীচুপ্পা পূকচেল শেংননবা
চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা ঙসিদি
ফজবতা শেৎহৌরো
ফজবতা চাহৌরো

**(গ) মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। কবি সমরেন্দ্রনা কনা কনাবু চীং কাশি হায়না কৌথোকপগে? মহাক্না কৌথোক্লিবা অদুগী মনুংগী অর্থ করিনো?

২। অসুপ নানবরনে খ্বাইরম্বন্দ অসিবো অসুপ লিংজেল মান্নবরনে মৈতৈ অসিবো। ৱাহৈ খরা অসি কনানা হায়বনো। ৱাহৈশিং অসিদা চেল্লিবা মনুংগী ভাব অদু শন্দোক্তুনা তাকউ।

৩। 'চীং কাশি ঙসিদি' কৌবা শৈরেংদা কবি সমরেন্দ্রনা হায়নিংলিবা অদু শন্দোক্না খঙহল্লু।

৪। শৈরেং অসিগী ৱা-মচং ইয়ু।

*****

# ঐ লাইমিং লৌদে

## নোংথোম্বম শ্রীবীরেন

*(নোংথোম্বম শ্রীবীরেন-ইংকুমজা ১৯৪৬ দা উরীপোক অচোম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। ডি. এম. কলেজ অব আর্টস্ এণ্ড কমর্সতা মণিপুরীগী ডেমোন্সট্রেটর ওইরম্মী। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক নাইবা কবি অমসুং অইবা অমনি। ফোংলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা 'লৈচিল্লক্কী থাজ' (ৱারী মচা), 'তোল্লবা শাদুগী ৱাখল' (শৈরেং), 'হল্লকপা' (লীলামচা), 'মসিনা ইম্ফালগী ৱারীনি' (শৈরেং), অসিনচিংবনি। ১৯৭৩ দা 'তোল্লবা শাদুগী ৱাখল' কৌবা লাইরিক অসিগীদমক মাঙোন্দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সাহিত্যগী মনা পীখি। ১৯৯০ দা সাহিত্য একাদেমী মনা পীদুনা মহাকপু ইকাই খুন্নখি।*

*কবিনা ধর্ম্ম অমত্তগী মখাপোন্না লাইমিং লৌদে মরমদি ঈশ্বরবু থাজদে। ঈশ্বর হায়বসি লৈতে, ঈশ্বরদি ভাবনা শাবনি হায়না মহাক্না লৌই। ঈশ্বর লৈরম্লবদি মহাক মীচং মীখায় নাইরমলোইদবনি। ঈশ্বরদি মীওইবগী য়েরুবনি, মীওইবদি মীওইবগী ঈশ্বরনি অদুনা ঈশ্বরগী মহুৎতা মীওইববু পূজা তৌবনা হেন্না কান্নগনি হায়বা কবিগী ৱাখল্লোন অদু শৈরেং অসিদা ফোংদোকলি।)*

ঐ লাইমিং লৌদে
ঐগী ধর্ম্ম লৈতে।
ঈশ্বর হায়বসি ভাবনা শাবনি,
মরমদি
কৈগুম্বা মানা তশেংবা ওইরবদি
মীচঙ মীখায় নাইদনা
নুংশিগদবনি মীওইববু;
অদুবু
করিগীনো

মরাল কৈসু লৈজদ্রবী
অদুক কন্না শূ নোম্বী
নুপী অদুনা
ইচুম চুম্বা মানা তৌরুবা ৱাফমদুগীদমক
নুংঙাইবা শরূক ফংদনা মাঙখ্রিবদু
মীনম শোরিবতা তৌরবা
মীনুংশি খঙদ্রবা
মশাগীতা ওইজবা থিবা নুপাদুনা
ইচুম চুম্বী নুপী অদুবু
ঙমখ্রিবদু করিগীনো!
নুপা অদুগী চাওখৎপা ওইখ্রিবদু করিগীনো!
মাগী মীচঙ অদুক য়ামনা লৈখ্রিবদু করিগীনো।
নুপাদুনা পুন্সি তোল্লোইনা নুংঙাইনা হিংহৌরগা,
নুপী অদুনা শিঙম-নাঙমদনা ঙন্তা শিখ্রিবনা করিগীনো।
ঙহান মপোক
হন্দক মপোক
হয়েং মপোক
ঈশ্বর লৈতে হায়বসি
খুমজিন্নবা চলাক্কী খূৎলাইনি
অশোনবশিংগী;
ভাবনা শাবনি। ভাবনা শাবনি।
ঙহান মপোক্তা করি তৌখিসু খঙদনা
হন্দক মপোকতা ফংলগা কৈদৌদৌরিবা
কৈদৌদৌরিবা
ওইবা য়াবা নত্তে। ওইবা য়াবা নত্তে।
ঈশ্বরগী মতীংদি ঐ খঙদে
মীগী মতীংদি ঐ খঙঙি।
মীগী মতীংদি
হিটলরনা মরাল লৈত্রবা



মী কয়াবু মাগী কনসেন্ট্রেসন কেম্পতা
শা ঙা হাৎপগুম তুন্না হাৎখি;
মদুদা ঈশ্বর মানা করি তৌবা ঙমখিবগে?
কৈসু তৌবা ঙমখিদে। কৈসু তৌবা ঙমখিদে।
অদুগা
ভিয়েৎনামগী লালদা
লাল য়াওজদবা নুপী অঙাং কয়াবু
মকক মকক ককথৎতুনা হাৎপদা
ঈশ্বর মানা করি তৌবা ঙম্মী?
মাবু ভাবনা শাবা নত্রবদি,
পাপ চেন্দ্রিবা পোকপতা ঙায়রিবা
ঈ মতুমগী অঙাং অদুবু
লৈশাবী মমা অদুনা
হাৎপদা কৈগী মানা য়াওরুরিবনো?
মসিবু মাগী মথৌরা?
লৈশাবী অদুনা মশাগী খন্দুনা
মপুক্তে তাবা মচাবু- পোকপতা ঙায়রিবদুবু
ফদী ফরানা য়োমশিনলগা
লমফেন পাৎকী মচী অমদা হুন্দোকপদা
মানা করিগী তুমিন্না লৈথোকখ্রিবনো?
করিগী লৈশাবী অদুবু হৌজিকফাওবা
নুংঙাই য়াইফনা পানহল্লিবনো
মৱা মপূরোইবগা, মচা মশূ পোক্কুনা?
কৈগুম্বা মসিনা মাগী মথৌ ওইরবদি
অদুগা
অসুক তমথীখ্রবা লমচৎ চেনবিবু
ভাবনা শাবা নত্তে, অশেংবনি হায়রবদি
মহাক কনাসু নত্তে
মীওইবগী তমথীরবা য়েক্লবনি।

অদু ওইরবদি
ঈশ্বর মীওইবগী শাথীনা য়েরুবনি।
ঐ লাইমিং লৌদে
ঐগী ধর্ম্ম লৈতে।
ঈশ্বর হায়বসি ভাবনা শাবনি,
ঈশ্বরগী ৰারী পূন্নমক
নুংঙাইরবা উপন্যাসকী ৰারীনি।
পুন্সিগী ফিদম ভাবনা শাবা ফিদন্নি
ফিদমগী অকন্নবা মওঙ লৈতে।
ঐদি
ঈ-তোংগী পুন্সি অসিবু পূজা তৌজবতনি।
মীওইবসি লৈত্রগা
ঈশ্বর হায়বসি লৈবা য়াগদ্রা?
মীওইবা ঐখোয় লৈবদগী
ঈশ্বর লৈ হায়না খনবা ঙম্বা নত্রা?
ঈশ্বর লৈ হায়না ভাবনা শাবা ঙম্বা নত্রা?
অশেংবা অওইবদি
মীওইবতনি, মীওইবতনি।
হৌজিক্কী মীৎকূপ অসিতনা
অশেংবা অকন্নবনি।
ঐ মীবু পূজা তৌজগে
ঐ ঈশ্বরবু পূজা তৌনীংদে।
থৰায়গী মনীংতম্বা
মীওইবগী মনীংতম্বা
মীওইবা মীওইবা
মসিতনি, মসিতনি, মসিতনি
ঈশ্বরদি ভাবনা শাবনি।



**ৰাহৈগী অর্থ অমসুং শব্দোক্লা তাকপাঃ**

| | | |
|---|---|---|
| ১। ধর্ম্ম | ঃ | লাইনিং লম্বী। |
| ২। ঈশ্বর | ঃ | লাই, তাইবং মপু। |
| ৩। উপন্যাস | ঃ | ৰাশেম ৰারী। |
| ৪। পূজা | ঃ | ঈরাৎথৌনি। |
| ৫। মীনম শোরিবা | ঃ | তাৎতৌদুনা ৰাশকপা। |
| ৬। কনসেনট্রেসন কেম্প | ঃ | পুনশিনবা মফম, ময়াম পুন্না থমফম। |

## ৰাহং

**(ক) ৰাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। ‘ঐগী ধর্ম্ম লৈতে’। ‘ঐগী’ হায়রিবসি কনানো।

২। ‘ভাবনা শাবনি, ভাবনা শাবনি’- কনানা করিবু নত্রগা কনাবু করিগীদমক ভাবনা শাবনি হায়রিবনো?

৩। ‘হিটলর’ কনানো?

৪। উপন্যাস হায়রগা করিবু খঙই?

৫। কনাবু করিগীদমক ‘মীওইবগী তমথিরবা য়েরুবনি’ হায়রিবনো?

**(খ) মখাগী শৈরেং মতেক অসি পাউ অদুগা ৰাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ু।**

‘ঐ মীবু পূজা তৌজগে
ঐ ঈশ্বরবু পূজা তৌনীংদে’।

১। ‘ঐ’ হায়রিবসি কনানো?

২। করিগীদমক ঈশ্বরবু পূজা তৌনীংদে হায়রিবনো?

৩। মীবু পূজা তৌজগে হায়রিবসিনা করিগীনো?

৪। ৰাহৈ খরা অসিদগী করি খঙবা ঙমই?

**(গ) মরী- মখোঙ তাক্কুনা শব্দোক্লা ইয়ু।**

১। ঈশ্বরগী মতীংদি ঐ খঙদে
মীগী মতীংদি ঐ খঙই।

২। ঈশ্বরগী ৰারী পূন্নমক
নুংঙাইরবা উপন্যাসকী ৰারীনি।

৩। ঐ মীবু পূজা তৌজগে
ঐ ঈশ্বরবু পূজা তৌনীংদে।

**(ঘ) ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। শৈরেং অসিদা কবিনা ঈশ্বরগী মরমদা করি হায়রিবগে? মহাক্না ঈশ্বরবু থাজদ্রিবা করিগীনো?

২। কবিনা মহাক লাইমিং লৌদে হায়রিবা করিগীনো?

৩। মীগী মতীংবু কবিনা করি হায়না উৎপগে?

৪। কবিনা ঈশ্বর অমদি মীগী মতীংবু চাংদম্নদুনা শৈথারিবদু শন্দোক্না ইয়ু।

৫। 'ঐ মীবু পূজা তৌজগে ঐ ঈশ্বরবু পূজা তৌনীংদে।' কবিনা অসুন্না হায়রিবা অসিগী মরম করিনো?

৬। নোংথোম্বম শ্রীবীরেন্না 'ঈশ্বরগী ৱারী পূন্নমক নুংঙাইরবা উপন্যাসকী ৱারীনি' হায়রিবা করিগীনো?

৭। 'ঐ লাইনিং লৌদে' হায়বা শৈরেংদা কবিনা ফোংদোক্লিংলিবা ৱাখল্লোন অদু করিনো?

৮। 'ঐ লাইমিং লৌদে' শৈরেংগী ৱামচং ইয়ু।

****

# অনৌবা থুংলবা জীব

**থাংজম ইবোপিশক**

*(থাংজম ইবোপিশক (১৯৪৮) ঃ ৱাংখৈ থাংজম লৈকাইদা পোকই। অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী শীংথানরবা কবিনি। 'অপাইবা থৱায়' (৬৯); 'শীংনবা' (পূন্না ফোঙমিন্নবা); 'নোরোক পাতাল পৃথিবী' (৮৫) নচিংবা শৈরেং লাইরিকশিং ফোঙখ্রে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমীগী সাহিত্যগী মনা (৮৬) 'য়ামিনী সুন্দর গুহ' গোল্ড (৮৯) অমদি সাহিত্য অকাদেমি মনানচিংবা ফংখ্রে। ঘনপ্রিয়া উইমেন্স কলেজ, ইম্ফালদা মণিপুরীগী ওঝা ওইরি।*

*'অনৌবা থুংলবা জীব' হায়বা শৈরেংসিদা কবিনা, খ্বাইদগী শিংবা মীওইবনা জীবশিংগী মকোক থোংলুবগী অশোয়বা অরানবা পুথোক্তুনা নৈনরি। মহাক্না হায়রি, মীওইবগী ৱায়েলদা ফজবা থিবা ফংদ্রে; নুংশিবা, অচুম্বা হায়বা মশকশিংদুসু শক্তি উৎনবগী মৈরিনুংদা ঙম্না চাকথেক্তুনা মাঙখ্রে অদুগা মীওইবগী গুণ চেনবা মীওইবদি শিখ্রে। লৈরিবসিদি মশক-মশা খঙদ্রবা অনৌবা জীবনি।)*

সমুদ্র তরেৎকী জ্ঞান খোমজিল্লগা
থৱায় পানবা পূন্নমক্কী
নশানা নিংথৌ শেমজবা
হে মীওইবা
হৌজিক্তি কমদৌরে থৌরী য়ান্দুনা শিজরেদো।
ফজবা ফজবা ওঃ মমীৎ তাঙখ্রে উবা ঙমদ্রে
নুংশিবা অচুম্বা
চাকথেকখ্রে শরূ ময়ামগী মৈরিদা
ময়াই কাবগী লানফমদা
পূন্নমক কৈসু য়াওদ্রবা
কৈসু য়াওদ্রবা মপুক হোত্রোং হোরবা হাল্লবা
মীওইবা- লৈত্রে মিংসে তাইবঙসিদা

শিখ্রে মথৱায় মখোয়গী।
উরিবসে কনানো অদুদি?
শাদগীসু হেন্না শাথিবা জীবনি
হন্দক্তা নৌনা থুংলবা-
মখোয়গী মমিং থোল্লক্তে।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্না তাকপাঃ**

| | | |
|---|---|---|
| সমুদ্র তরেৎকী খোমজিল্লগা | ঃ | পৃথিবী অপূম্বগী লৌশিং খোমজিল্লগা |
| নশানা নিংথৌ শেমজবা | ঃ | নশানা নিংথৌ ওইহঞ্জবা |
| চাকথেকখ্রে | ঃ | চাক্তুনা মাঙখ্রে |
| ময়াই হোরবা | ঃ | পুমহো হোরবা |
| হাল্লবা | ঃ | মরূ চঙদ্রবা |
| থোল্লক্তে | ঃ | কৌরক্তে |

**ৱাহং**

**(ক) মখাগী ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

১। মীওইবনা মশানা মশাবু করন্না নিংথৌ শেমজবগে?
২। মশানা মশাবু নিংথৌ শেমজবগী মহৈ করিনো?
৩। করম্বা লানফমদা ফজবা মমীৎ তাঙখিবগে?
৪। ফজবনা মমীৎ তাঙখিবদগী করিবু উবা ফংখিদবগে?
৫। ফজবনা মমীৎ তাঙখিদবগী পূম্নমকসে করি ওইখ্রবগে?
৬। মীওইবগী থৱায়না তাইবঙদা লৈত্রিবসি করিগীনো?
৭। মীওইবনা লৈত্রবদা কনানা মহুৎ শিল্লবগে?
৮। নৌনা থুংলবশিংদু করম্বা জীবনো মমীংনা করি কৌবগে?

**(খ) মখাগী শৈরেং মতেক অসি পাডি অদুগা ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

সমুদ্র তরেৎগী জ্ঞান খোমজিল্লগা
থৱায় পানবা পূম্নমক্কী
নশানা নিংথৌ শেমজবা



হে মীওইবা
হৌজিক্তি কমদৌরে থৌরী য়ান্দুনা শিজরেদো।

১। ‘সমুদ্র তরেৎকী জ্ঞান’ হায়বসি করিনো?
২। ‘থৱায় পানবা’ হায়রিবসি করম- করম্বা মখলগী জীবশিংবুনো?
৩। কনানা মীওইববু থৱায় পানবশিংগী নিংথৌ হাপ্পগে?
৪। মীওইববু করিগীদমক ‘থৌরী য়ান্দুনা শিজরেদো’ হায়রিবনো?

**(গ) মখাগী ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। ‘চাকথেকখ্রে শরূ ময়ামগী মৈরিদা’ হায়রিবসি শন্দোক্না তাকউ।
২। ‘ময়াই কাবগী লানফমদা’ হায়রিবসিনা করিবু খঙহনবগে শন্দোক্না তাকউ।
৩। শৈরেং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন শল্লপ্না ইয়ু।

**(ঘ) য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্তুনা শুগাইনা ইয়ুঃ**

উরিবসে কনানো অদুদি
শাদগীসু হেন্না শাথিবা জীবনি
হন্দক্তা নৌনা থুংলবা-
মখোয়গী মমিং থোল্লক্তে।

****

# শহীদ নুমিৎ

## কোনসম্ তনুগোপাল সিংহ

*(কোনসম্ তনুগোপাল- ইং কুমজা ১৯৩৫ শিলচর রামনগরদা পোকই। আসাম ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজদা তম্লম্মী অদুবু অরোইবা পরীক্ষা য়াওবা ঙমখিদে। “শাৎলু নঙ পেন্না” অমসুং “নঙগী মাঙখ্রবা মমিগীদমক” কৌবা শৈরেং ফোংখি।*

*মণিপুরগী নীংতম লানদা বৃটিশনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গালবু ফাখিদুনা ইং ১৮৯১, আগষ্টগী তাং ১৩ দা ফাঁসী তৌখিবা নুমিৎ অসিবু কবিনা “শহীদ নুমিৎ ” হায়না মিংথোন্দুনা বীর অনীগী আত্মাদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি। বীর অনীগা কায়নবদা মপারী-মমোমশিংগী মিৎলুদগী শিঙ্করকপা লাঈজনা বীর অনীগী আত্মাবু স্বর্গলোক্তা তিলহনখিবনি হায়না কবিনা শৈথাজৈ। অদুনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনারেল অনীগী পুন্সিবু ধন্যনি হায়রি। হৌজিক্কী মতম অসিদা অরানবা, অমদি হিংসানা থল্লবা লমদম ওইরিবা ইমালৈবাক অসিবু শান্তিগী লৈবাক ওইহন্নবা মৈতৈ ওইনা পোকপিদুনা অমুক হন্না হল্লকখো হায়না কবিনা বীর অনীগী আত্মাদা খুরুমজদুনা হায়জরি।)*

আগষ্ট থাগী তারাহুমদোইনি শুবা
ভারত জাতিগী শহীদ নুমিৎ।
অমর ওইরি ভারত ইতিহাসদ।

বীর টিকেন্দ্র অথোইবা,
ইপু থাঙ্গাল অথৌবা!
মণিপুরগী নীংতম্বা লান্দ
নোক্লা নোক্লা ফাঁসী কোঙ্গোই হুক্খিবা!
কচ্চরি শ্রদ্ধাঞ্জলি নহোয়গী আত্মাদ,
লৌশিনবিয়ুকো হে বীর আত্মা,
নোংপোক’তিয়াগী ধ্রুবতারা!



ভাগীরথী ইচেলনা সাগর আত্মাবু
স্বর্গলোক্তা তিলহনখিবগুম
বীর নহোয়বু কাইনবদ
নপারী নমোমগী মিৎলু লাইজনা
মৈতৈ ইমাগী অমৃত খোল্লাং ধারনা
নহোয়গী আত্মা স্বর্গলোক্তা চিলহন্খ্রে;
ধন্যনি নহোয়গী পুন্সি!
বীর নহোয়গী আত্মাহুতি মফমদো
তীর্থভূমি ওইরি ভারত জাতিগী।
কচ্চরি পুস্পাঞ্জলি হে বীর আত্মা।
ঙসি অকনবনা অশোনববু লাক্লরি
অরানবনা অশোনববু লাক্লরি
অরানবনা অচুম্ববু নম্হৎলি
হিংসানা অহিংসাবু শুক্ষৎলি।
অদুবু শান্তি লৈপাক শেম্নবা
প্রেমগী অমৃত ধারা খিক্লনবা
মৈতৈ ইমাগী গর্ভনুংদ
হন্না হন্না অবতার তৌবিখো!
খুরমজরি হে বীর আত্মা।
অদুঙৈ কুরুক্ষেত্র লানফমদা
ভীষ্ম দ্রোন্না ব্রহ্মলোক্তা থুপ্খিবা।
অদুগা মৈতৈ ইমাবু
লৌনস্বা ম্লেচ্ছনা মীনাই য়োহিলংনা পুনখিবা
পুন্নমক হে কাল।
নংগী অকনবা খোংলৈরা!
অদুবু তাইবং মীওই খিবিক্লা
কাল নংগী ইরৈদ ইরাক্লরগা
নীঙম্দ্রবা ৱাখন্না শোল্লিদো
কাওঙমদ্রবা মৈচাক্লা লাওরিদো

হা টিকেন্দ্র! হা থাঙ্গাল!
জয় মণিপুর!

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ**

শহীদ ঃ ইজাতিগীদমক, ইরৈবাক্কীদমক পুন্সি কৎথোকপা
শ্রদ্ধাঞ্জলি ঃ খুরমজবা
ভাগীরথী ঃ গঙ্গা তুরেল
স্বর্গলোক ঃ লাইরৈবাক
আত্মা ঃ থৱায়
আত্মাহুতি ঃ থৱায় থাদোকপা নত্রগা কৎথোকপা
পুষ্পাঞ্জলি ঃ লৈ কৎপা
অবতার ঃ শায়োন
ব্রহ্মলোক ঃ ব্রহ্মাগী লৈবাক নত্রগা লৈফম
কাল ঃ মতম
ধ্রুবতারা ঃ ধ্রুব কৌবা থৱানমিচাক
ম্লেচ্ছ ঃ বৃটিশ
তীর্থভূমি ঃ অশেঙবা লম
কুরুক্ষেত্র ঃ কৌরব-পাণ্ডবনা লান শোক্লখিবা মফম।

## ৱাহং

**(ক) ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনারেল করম্বা চহীদা ফাঁসী তৌখিবগে?
২। কবিনা করি নুমিৎপু 'শহীদ নুমিৎ' হায়রিবনো?
৩। 'শহীদ নুমিৎ' অসি কনা কনাগী শহীদ নুমিৎনো?
৪। কবিনা কনা কনাগী আত্মাদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপগে?
৫। মণিপুরগী নীংতম লান কনাগা শোক্লখিবগে?
৬। 'ধন্যনি নহোয়গী পুন্সি'- পল্লিবসি কনা কনাগী পুন্সিনো?
৭। কবিনা বীর অনীদা করিগীদমক হন্না হন্না অবতার তৌবিরখো হায়না হায়জরিবনো?



৮। ভীষ্ম, দ্রোণ করম্বা লানফমদা লান শোক্লবা য়াওখিবগে?
৯। ভাগীরথী করিনো?
১০। করম্বা তুরেলগী ঈশিংনা সাগরগী আত্মাবু স্বর্গলোক্তা তিলহনখিবগে?
১১। কুরুক্ষেত্রদা করি ওইখিবগে?

**(খ) ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। 'শহীদ নুমিৎ' শৈরেংদা কবিনা বীর অনীদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলিবা অদু মরীক চুন্না ইয়ু।
২। 'শহীদ নুমিৎ' শৈরেংদা কবিনা বীর অনীগী আত্মাদা করি হায়না শৈথাবগে?

**(গ) মরী মখোং তাক্নুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। বীর নহোয়গী আত্মাহুতি মফমদো
তীর্থভূমি ওইরি ভারত জাতিগী
কচ্চরি পুষ্পাঞ্জলি হে বীর আত্মা।

২। মৈতৈ ইমাগী গর্ভনুংদা
হন্না হন্না অবতার তৌবিরখো
খুরমজরি হে বীর আত্মা।

****

# লৈপরেং

## হাওরোংবম পরিমল

*(হাওরোংবম পরিমল (১৯৫৭) কাছাড় জিলাগী বনতারাপুর কৌবা খুঙ্গংদা পোকই। বি. এস. সি. (এগ্রি) পাশ তৌরগা এগ্রিকলচর ডিপার্টমেন্টতা থবক তৌই। হৌজিক হৌজিক সোনাইদা এগ্রিকলচর অফিসার ওইনা থবক তৌরি। মহাক্কী ফোংলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা 'উৎকী মপৈ', মাগী মৈচাক' অমসুং 'থম্মোয় মীংশেল অমসুং অমম্বা' কৌবা শৈরেংগী লাইরিকশিং শীংথাবা য়াই।*

*সনারৈ, গোলাপ, থরো থম্বালনচিংবা লৈখল লৈথেল কয়ানা লেংলবা লৈপরেংগী ফজবা অমসুং লীচিং মান্নবগী মশক অদু উরগা অইবা অসি নুংঙাইজে। অদুবু মীওইবগী মরক্তা অমগা অমগা পুনশিন্নবগী ফজরবা লীচিং অদু লৈরক্তবা উবদা অইবা অসিনা ৱাজবদু শৈরেং অসিদা ফোংদোক্লি।)*

লৈ পরেং
লৈ পরেংসি ফজবনি নত্র
ইবোচৌন হায় ময়ায় থংব গুলাপসিন মহেল্লে
আব্দুলগী অপাম্বদি সনারৈসিতনি

অপাম্বগী মথেল মথেল,
ঙন্নমক মশা মশাগী অপাম্ব ফোংদোকনৈ
পাৎকী থরো থম্বাল
নুমিদাংগী থাবল্লে ফাও
লৈ পরেংসিদ য়াওহনফম থোকই,
য়াওহল্লম্মবদি হেন্ন ফজগনি
অসিনচিংব ফোংদোকনৈ।
পুনশিন্নবগী মরক্ত
নাইতোমগী খোঙফন্ন



খোঙফম চেৎশিল্লকই
থম্মোয়গী লংলাদি তৎখিরম্মী।
কবিগী ফজরব পাওজেলদি
অহাংব মালংদ তিনখি।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ**

১। নাইতোম ঃ মশা মতোমতা, তোঙান্না লৈবা নত্রগা তাবা
২। লংলা ঃ লংগী মশা, মরী
৩। মালং ঃ অতিয়া, নুংশিৎ

**ৱাহং**

**(ক) মখাগী ৱাহংশিং অসি খুম্মুঃ**

১। 'লৈপরেং' শৈরেংদা করম করম্বা লৈশক লৈচুনা লৈপরেং লেংলগা ফজগনি হায়না ফোংদোকলি?
২। মীওইবগী পুন্সিগী লীচিংগা লৈপরেংগা চাংদম্নবা য়াব্রা শন্দোক্লা ইরগা খঙহল্লু।
৩। কবিগী করম্বা ফজরবা পাউজেলবু মালংদা তিনখি হায়রিবনো?
৪। 'থম্মোয়গী লংলাদি তৎখিরম্মী' হায়রিবসিনা করিবু খঙহল্লি?

**(খ) শৈরেং মতেক অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

'পুনশিন্নবগী মরক্তা, নাইতোমগী খোঙফম্না খোঙফম চেৎশিল্লকই, থম্মোয়গী লংলাদি তৎখিরম্মী।'

(ক) 'পুনশিন্নবগী মরক্তা' হায়রিবসি করিনো?
(খ) 'নাইতোমগী খোঙফম' হায়রিবসিনা করিবু খঙহল্লি?
(গ) করম্বা খোঙফমবু মতৌ করম্না চেৎশিল্লিবনো?
(ঘ) 'থম্মোয়গী লংলা' হায়বসিনা করিনো?
(ঙ) হায়রিবা ৱাহৈ খরা অসিদগী করি খঙবা ঙমই খঙহল্লু।

**(গ) ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। লৈ পরেং কৌবা শৈরেং অসিগী মনুংগী ভাব অদু খঙহন্দুনা ৱারেং অমা ইয়ু।

২। 'নাইতোমগী খোঙফম্না খোঙফম চেৎশিল্লকই' হায়রিবসি করিগীনো?

৩। শৈরেং অসিগী ৱা-মচং ইয়ু।

**(ঘ) মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

পুনশিনবগী মরক্ত
নাইতোমগী খোঙফম্ন
খোঙফম চেৎশিল্লকই
থম্মোয়গী লংলাদি তৎখিরম্মী।

****

# মৈরা পায়বী

**সনা মচা**

*(সনা মচা- ইং ১৯৪৮ দা জারিবোন সোরামখুনদা পোকই। গৌহাটী ইউনিভার্সিটিগী গ্রেজুয়েটনি। হৌজিক হৌজিক হায়ার সেকেণ্ডারী স্কুলদা ওজা ওইরি। শৈরেংগী লাইরিক কয়া ইদুনা ফোংখ্রে। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফলনা ১৯৯৯ দা 'খোঞ্জেল থোক্তবা ৱারী' কৌবা লাইরিকতা 'কামিনী কুমার এৱার্ড পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।*

*'নুপীলান' মৈতৈ নুপীশিংনা মমালৈবাক অমদি মজাতিগীদমক হৌখিবা ঈহৌ অমনি। অসিগুম্বা ঈহৌ অসি ঐখোয়না ঙসিসু নীংশিংলি। মৈতৈ নুপীশিংনা হৌজিকসু নীংশিং থৌরম কয়া পাঙথোকলি। মৈরাপায়বীগী শক্লোনদা নুপীলানগী পান্দমশিংদো খঙহন্নবা হোৎনরি অমসুং চাউখৎ-থৌরম কয়া পায়খৎকনি হায়দুনা ৱারেপ কয়া, ৱাশক কয়া লৌরি। অদুবু অসিগুম্বা ৱারেপ- ৱাশকশিংদুদি লোনগৈলক্তা কেকু লোৎতুনা অদুমক লৈহৌই হায়না কবিনা ফোংদোকলি। তৌইগুম্বসুং নুপীলানগী শেংলবা পান্দম অদুদি মাংবা য়াররোইদবা খোঞ্জেলনি হায়না শৈথারি।)*

মৈরা পায়বীগী শক্লোন্দা
কংখ্রবা পিরাং মরিকশিংদো ইমা-
নীংশিংদবদি ঙল্লোয় নুপীলান-।
যুগ অমগা যুগ অমগা থৌশিন্নরমদায়
শতাব্দী অমগা শতাব্দী অমগা খুৎশোক্নরমদায়
ৱারেপ শঙ্গু-ৱাশক পরেং
কেকু লোৎখিবা নত্রা লোনগৈগী ময়েকরক্তা?
নুংশি ইখৌ লাংখিবা পিরাং মরিকশিংদো
মীনম্বা য়াদবা মৈরিরক্তগী
মাংফদ্রবা খোঞ্জেল ওইনা লেপ্লরি-

নুংশি লম্মন কনাগী দমক্তনো?
কনা মশুংলাংগী দমক্তনো নুপীলান-
কনা মশুংলাংগী-?

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শন্দোক্লা তাকপাঃ**

১। পিরাং ঃ মিৎকী পি
২। যুগ ঃ চক
৩। শতাব্দী ঃ চহী চামবু বাংলাদা শতাব্দী কৌই
৪। ইখৌলাংবা ঃ খৌরাংবা
৫। শঙ্খু ঃ ময়াম
৬। লোনগৈ ঃ লোনগী পুক্কে
৭। শক্লোন ঃ শক ওন্দুনা
৮। নুপীলান ঃ ইং ১৯৩৯ দা হৌখিবা নুপিশিংগী ঈহৌ, মণিপুরদগী মপান্দা ফৌ চেং পুথোকখিবা মরম্না মণিপুরদা ফৌ-চেং তাংহল্লবদা নুপীশিংনা মপান্দা ফৌ-চেং পুথোকপা লেপ্পবা অচৌবা ঈহৌ অমা হৌখি। মসিবু নুপীলান হায়না খঙনরকখি।

<u>ৱাহং</u>

**(ক) ৱাহংশিংসি খুম্মুঃ**

১। নুপীলান করম্বা চহীদা থোকখিবগে?
২। নুপীলান কদাইদা ওইখিবগে?
৩। শতাব্দী হায়রগা করি খঙবগে?
৪। মৈরা পায়বী করিগী শক্লোননো?

**(খ) ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। ‘মৈরা পায়বী’ শৈরেংগী ৱা-মচং ইয়ু।
২। নুপীলান ঈহৌগী মরমশিংদো করি করিনো?



৩। ‘মৈরা পায়বী’ শৈরেংদা অইবীনা হায়নীংলিবদু শন্দোক্লা ইয়ু।
৪। ‘নীংশিংদবদি ঙল্লোয় নুপীলান।-’ নুপীলানবু করিগী দমক্তা নীংশিংদবা ঙল্লোয় হায়রিবনো?

**(গ) মরী-মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

১। নুংশি ইখৌ লাংখিবা পিরাং মরিকশিংদো
মীনম্বা য়াদবা মৈরিরক্তগী
মাংফদ্রবা খোঞ্জেল ওইনা লেপ্পরি
নুংশি লম্মন কনাগী দমক্তনো?
২। কনা মশুং লাংগী দমক্তনো নুপীলান-
কনা মশুংলাংগী?

****

# নোংজুগী অহীং

**নাওরেম অমুয়াইমা**

*(নাওরেম অমুয়াইমা- ইং ১৯৪১, নভেম্বরদা কাছাড় জিলাগী মনুং চন্না লৈরিবা কৃষ্ণপুর কৌবা খুঙ্গংদা পোকই। হৌজিক্না গৌহাটিদা লৈরি। গৌহাটি বিশ্ববিদ্যালয়গী গ্রেজুয়েটনি। আসাম সেক্রেটারিয়েততা মতম শাংনা থবক তৌরম্মী। অরোইবদা ডিপুটি সেক্রেটারি ওইনা ইং ২০০৩ দা থবক্তগী পোথাই। শৈরেং অমদি ৱারেং ইবদা থৱায় য়াওই। মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি, শৈরেংদা (১) শিঙ্গারৈ (২০০৫), (২) নোংইন চেক্লা (২০০৮), ৱারিমচাদা (১) থিকানা মুৎখ্রবা চিঠি (২০০৬) (২) নোং ঙাল্লরোইদবা অহীংগী লম্বীদা (২০০৯) অসিনচিংবনি।*

*অহীংদা নোং চুবনা মীওইবদা নুংঙাইবা অমদি অৱাবা অনীমক ওইহল্লি। তাইবংপানসিদা ইনাক খুনবা, নুঙাইনা লৈরিবশিংনা লাইরবশিংগী অৱাববু উবিদে, মখোইগী অপাম্বনা লাইরবশিংদা কয়াদা ৱাবা ওইহল্লিবনো হায়বা খঙবিদে। ইঙেন থাগী অহীংদা নোং চুর কপদা ময়ুম-মকৈ ফবা ইমুংগী মীনা নুঙাইনা তুল্লি অদুগা ময়ুম হোরবা ইমুংগী অঙাংশিংনা নোং মরক্তা ৱানা খাঙদুনা নোংহাংবা ঙাইবনচিংবা কবিগী কল্পনানা উখিবা শক্তমশিংদু শৈরেং অসিদা শৈথারি।)*

ইঙেন থাগী নুমিদাং
কনামত্তা লৈরমদে,
গ্রুং গ্রং ঙংলকই
ওস্থোক্না লূম্না তাই
নোং মানখ্রেদা
নোংবু ওইরল্লবদি নুঙাইখ্রনিদা,
ঙসিদি তুস্বা নুঙাইরগনি।
মোমপাক মথক্তা
নোংজুগী অহীং।



নুংশীৎ লিরি লিরি শীৎলকই
অমম্বনা থম্মোইদা চাকপা হৌরকই
কৌজেং হারৌনা নাকোং চেৎখায়,
খূদাং ঘড়ি মোনখাদা কন্না চৎখৎলকই,
পুক্লীং অসি লাপ্পা চৎখি-
কুমশি কুপ্পা ঙমহৌদবা
য়ুমশিংগী অহোবদা লীৎথোক্তুনা
অমম্বদা পংচত্তা চৎখি-
থৱানমিচাক্কী লমদম য়ৌরম্মী।

আ-মখাদা য়েংথরম্মী
পীশক পীশক পীকপা অঙাংশিংদো
তুমব্রক তুমব্রক তাশিন্দুনা
ফদি ফরা মরক্তা
য়াংকোক শেগায়বা উপ্পুনা
নোং হাংবা ঙাইরম্মী।

**ৱাহৈগী অর্থ অমসুং শব্দোক্না তাকপাঃ**

১। ইঙেন ঃ 'থা' অমগী মিং
২। ফদি ঃ ফত্তবা ফি মচেৎ
৩। য়াংকোক ঃ চেং-ফৌ খপ্পবা কোইরক কোইবা পোৎশক অমা

**<u>ৱাহং</u>**

**(ক) ৱাহংশিংসি খুন্মুঃ**

১। 'নোংজুগী অহীং' দা নোং চুবগী ৱাফম পল্লিবসি করম্বা থাশকনো?
২। নাকোং চেৎখায়না খোংখিবদু করিননো?
৩। কনানো অমম্বদা পংচত্তা চৎখি হায়রিবসি?
৪। নোং মরক্তা অঙাংশিংদু করি উপখি?
৫। তূমব্রক তূমব্রক তাশিন্দুনা লৈখি হায়বিবসি কনা কনানো?

**(খ) শৈরেং মতেক অসি পাউ অদুগা ৱাহংশিংসি খুন্মুঃ**

যুমশিংগী অহোবদা লীৎথোক্লুনা
অমম্বদা পংচত্তা চৎখি-
থৱানমিচাক্কী লমদম য়ৌরম্মী।

১। ‘যুমশিংগী’ হায়রিবসি করম্বা যুমশিংগী ৱানো?
২। ‘অমম্বদা পংচত্তা চৎখি’ হায়রিবসি কনানো?
৩। থৱানমিচাক্কী লমদম য়ৌনা চৎখি হায়রিবসি কনানো?
৪। কবিনা পরেংশিং অসিদা খঙহল্লিবসি করিনো?

**(গ) ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ুঃ**

১। কবিনা নোংজু অহীংগী শক্তম উৎলিবদু নশাগী ৱাহৈনা ইয়ু।
২। শৈরেং অসিদা নোংজু অহীংদা লাইরবা ইমুংদা ওইরিবা অৱাবগী শক্তম করি হায়না উৎপগে?
৩। নোংজু অহীংদা ওইরিবা নুঙাইবা ইমুং অমদি অৱাবা ইমুংগী তোঙান তোঙানবা শক্তমশিংদু কবিনা করি হায়না উৎলম্মী?

**(ঘ) মরী-মখোঙ তাক্লুনা শন্দোক্লা ইয়ুঃ**

আ-মখাদা য়েংথরম্মী
পীশক পীশক পীকপা অঙাংশিংদো
তুমব্রক তুমব্রক তাশিন্দুনা
ফদি ফরা মরক্তা
য়াংকোক শেগায়বা উপ্পুনা
নোং হাংবা ঙাইরম্মী।

****